মোইরাং নিংথৌরোল লম্বুবা

(অহানবা শরুক)

অশি [illegible] বি.এ, বতবা অমসুং [illegible] তৌরবা

ওইনাম[illegible]

মণিপুর সরকারগী শিক্ষা বিভাগকী মতেং কাংলবা

মোইরাং নিংথৌরোল লম্বুবা

(অহানবা শরুক)

অরিবা মৈতৈ ময়েক্কী ইথোকচবা অমসুং সম্পাদন তৌজবা


ওইনাম ভোগেশ্বর

[illegible]

মমল রুপা ২০.০০ তঙ্কা

অকোঙবা

সম্পাদক মণ্ডল



অহানবা কোঙবা

ইং ১৯৮২ নভেম্বর

কাপি ১০০০

নম্বম : বিদ্যাপতি প্রিন্টিং এণ্ড ষ্টেশনরি ৱার্কস । লিরা মাঙ্গিরেম লৈকাই

থোইদোক্না মুংশিজরবা
নৌনা রিসার্চ তৌরক্লিবা
সাহিত্য অমসুং ইতিহাসকারশিংগী
নৌরবা খুবাংদা লাম্থোকচরি।

বাহৌদোক

"মোইরাং নিংথৌরোল লম্বুবা" থোইদোক হেন্দোক্লা মৈতৈ জাতি অমিগী অপূনবা ইতিহাসকী শরুক অচৌবা থোক্লাং ফাংলিবা ক্রোনিকলশিংগী মনুংদা শীংথানলিবা লাইরিকনি। লাইরিক অসিদা মরু ওইনা মোইরাং লমদা পানখিবা নিংথৌশিংগী মতীক মঙাল অমসি নিংথৌশিংগুম্বু পোক্লগী রাণীশিংগী মপাল লমদম অমসি অপোকপশিংগী মতীক মখৌনা থোইদোক্লা পারকম থোকপা ফাওবী লীথুল অরুবশিং অমদি খুমনগা মোইরাংগা, মোইরাংগা মৈতৈগা শাবা-লানবানখিবা অচুম্বা মতম অমদনা চায়ো-মোয়োনখিবগী মরীক চুম্বা ফারোনা মশূংনি। লোয়ননা মতম-মতমদুগী থোকখিবা থৌদোক-ফাথোক্কী মতুংইনা লমগী মরিং লম্বিথলোনগী ফাওবী কয়া ইরি। অশেংনমক মৈতৈগী অপূনবা ইতিহাস অমা ইনা তাবদা মোইরাং নিংথৌরোল থোইদোক হেন্দোক্লা মতেং চাওনা থোক্লাং ফাংলিবা লাইরিকনি। লাইরিক অসি ইং ১৯৫৯ দা পুখাউ লাইকমদা লৈরম্বা শ্রীথুরাইজম ৮তোম্বা মৈতৈদগী অহানবা স্ক্রিপ্ট মৈতৈ ময়েকা ইবদগী থেংনজহনা হৌজিকী বাঙালা ময়েক অসিদা শিন্দোক্লচখি। অসিগুম্বা মৈতৈ লমগী নিংথৌশিংগী রেকর্ড ওইনরিবা "নিংথৌরোল লম্বুবা" কৌবা অচৌবা ক্রোনিকলগী ইতিহাসকুম্বা থোইদোক্লা মরু হৌকপা ইতিহাসকী মচাক ওইরম্বা অচুদা লৈখিরবা অহল অসিগী মকমদা হায়রহনা শিলহনবিরকখিবা অসিমক অহল অসিগী পুকচেল চাওবা অচুম্বীদমক ঐহাক্না কাউ-ঙমরবা রাখলগা লোয়ননা শিংথমরবা লম্মন তোনশিল্লখি।

ইং ১৯৬২ দা অমুক এক চীফ মিনিষ্টর শ্রীএম, কোইরেং সিংহগী মকমদা ঐহাক্না মোইরাং লমগী নিংথৌরোলশিংগী পুয়া অমা

লৈজরে অহনা মোইরাংবনা [illegible] তানি থৌ, লৈরবগি মতুংদা অমুক্তং চাশিনজনিংই হায়জরকবদা সাহিত্যবু ইতিহাসপু খোঙৎপা কার্যবা, অইখয়না [illegible] লৈবাকী [illegible] মোইরাংনীয়াসু [illegible] নবিরগ [illegible] বা [illegible] মোইরাঙী [illegible] লৈবকি মায়েক ইবা মোইরাং নিংথৌলোল [illegible] শীনিহুনা চাশিনজবা [illegible] অহুবু লাইরিক্কদি চাউবনিস [illegible] শেলগী খুদোং চাদকবা মতম কুইনা কোকদোকপা [illegible] জগিদে। অহুমকপু থৌজিক এক্স চীফ মিনিষ্টরনা লাইরিক অতি কোকহনবিনিংবগী উৎসাহ পীবিবদা নত্তনা অচুম অরান থেংজহৌবা খানবা খুদোং চাবা পীবিখিবগীদমক এক্স চীফ মিনিষ্টরগী মকখদা ঐখাকা তৌখিমল থওবা উজরি। অসুম্বা শেলগী অচৌবা শরুসা্যাগা মথয়োক্তবসিদা মনিপুর সরকারগী শিক্ষা বিভাগকী অচৌবা শেলগী মতেং অমদি মসিবু কোকচনাকচনবা হৌৎনবদা শেনদা, তেঙ্গ, হাঁহৈ ঈজিন্তা মপাল নাইদবা অচৌবা মতেং পীবিরকপশিং :—

১। শ্রীমনি মাইরেম্বা একজিক্যুটিভ ইঞ্জিনিয়ার, ২। মাং থোই থাইমৈ লেকচরর ডি.এম, কলেজ, ৩। শ্রীএন, বীরচন্দ্রসিং লেকচরর লিলোং হাউরৈবী কলেজ, ৪। শ্রীকে খিরেন লেকচরর শওম্বুং কলেজ, ৫। শ্রীএম রাধামোহোন সিংহ রিটায়ার্ড জজ, ৬। শ্রীএল ইরাবোত সিংহ হেড অফ ডিপার্টমেন্ট মনিপুরি বোধচন্দ্র কলেজ, ৭। শ্রীচুইরেম বিহারী লেকচরর ওরিয়েন্টেল কলেজ, ৮। শ্রীরাঃ কুঃ মনিসনা সিংহ স্পেসিয়েল কণ্ট্রোলর শীংজই মাঙবা, ৯। শ্রীখঙোলসেম মনিহার লেকচরর বাংজিং কলেজ ১০। চৌংথামচা অয় কেমেরা হাউস, ১১। শ্রীলাইরেম নীলবীর লেকচরর ডি.এন কলেজ ১২। শ্রীলোইতোংবম শরত সিং প্রজ চিয়ারমেন পি.ডি.এ, ১৩। শ্রীইরেংবম কোল্লোক সিং

ডিপুটি চীফ মিনিষ্টর ১৪। শ্রীএল, জয়চন্দ্র সিংহ ডিপুটি সেক্রেটরী, এম,এস,কে,এ, ১৫। এল, অশোককুমার, আর্কাইভ ইনচার্জ এম, কে, এ অসিনচিংবগা লোয়ননা বিদ্যাপতি প্রিন্টিং য়ার্কসকী মেনেজর শ্রীএল, ইবোপীশক সিংহ অমদি মাগী চাপ-শিংগী অচৌবা মতেংদগী মোইরাং নিংথৌরোল লথবা অহানবা শরুক অসি ছাপা তৌত্থনা পুথোকচবা ঙমজবনি। নংলমত্রবদি পুথোকচবগী আশা লৈরমদে। মসিনা তুংদা হৌরক্লিবা ইতিহাসকা শাগোম্নবা সাহিত্যবু পাম্বিবশিংগী মতেং থরদং ওইগত্রা থৈ। করিগুম্বা অরান-অহই য়াওখিবা হায়বসি মীওইবনিনা শোয়দবসি ঙম্বা হৌনদে অহ্না অশোয় অঙাম য়াওরকপা পূম্বা তাকপিবত্থ হয়াউনা লৌশিল্লরগা মতুংগী থুংনমদা চুমথোকচনবা থুদোং চাবা পীনবিয়ু হায়না থাই তরাদা নোঙ্গরি।

সম্পাদক

শ্রীও, ভোগেশ্বর

য়াউফম তাকপা

মৈহৈরাং নিংথৌরোল

লম্বুবা।

:(০):—

হয়া হে। হে খোইরম লাইয়িংথৌ। থাংজিং কোয়রেল নিংথৌ। কেকে খোইরা য়েংহৌকী। য়াইপী পোকলেন অরূপা। তাংঙোই লাইচিং চয়হৌকি। চীংঙু কোরৌ নোংঙোন হন্‌পা। য়াইপী পনলোই তান্‌পা। নোংচুপ তোনপাল নিংথৌ। তরেল লাকচিং কমলা। ময়াঙ সাকাব ঙোংপা। পাংঙল অমপাক কোইপা। ইচু মাচুই নিংথৌ। মাচুই চাই থোকপা। পাংঙল থাকক মেমতোংলয়পু। তানা থান্‌পা লাইনিংথৌ খৌতু নুংলাই সাকাই অহন্‌থকৃতা কম্‌কম্‌পা॥

তাইবং পানবদা লৈরিবা অচং-চত্তা থরাই পানবা অমমু লেঙলি উরিব পৃময়কপু পোকপি শাংপিবদা নত্তনা য়োকপি-থাকপিরিবা ইমা নুঙ্গু চুকমচে হে লাইওইবা লাইগী নিংথৌ। থাংজিং কোয়রেন হায়না মিংলেমবা নিংথৌ নহাক্তি কেকে মোইরাং লৈপাক্কী য়েক সলাই অসিগী হোরককম, ওইনা খোইগী খোইরাওয়া মথং মথং পোকপি শাংপিবশিংগী মরু লেমদু ওইদুনা থ্যইগী হোক নীংথিবা (পরমাত্মা) ওইবা। তাঙোই কৌবা নবদম অসিদা লাই ওইনা লমজিং-ঙনা কুমজা চহিসু হোংলোকপিবা, কোরৌ নোংমদোনথক্কী লাই ওইবশিংগী মকোক অহানবা, থরাই লৈবা থিবিকী অহোবা অরোইবা ওইবা, মৈতে লৈবাক্কী নোংচুপ মায়কৈদা লৈবা অরাংবা পল (চীংলোল) থত্তা নিংথৌ ওইদুনা, থা থংবা মায়কৈরোমগী থরাই পানবদুসু তাকপি-শেনবিবা, মাঙোই মখোলগী শরাঙথক তোংবতন অকোয়বদা লৈবশিংগী মায়কৈদা লৈরিকা, ইপা-ইপু পৃময়কপু পোকপিবা, ময়োল-ইয়োল তিম্নদবা মীওইশিংগী লমদমুসু তাকপি-শেনবিবা, লেমনদু লাই, লাপৈ ও মকী মথক্তা লৈরিবা॥

য়োংপাক্কি পন্‌পাক লোইপা। য়োংলোন পনলোন থাপা। য়িমসা লমসা তোকপা কামপা। কাংক্রক সারোৌহৈপু। য়াওরো কোনপু থানা কোনচিন্‌পা। সচি সঙাই কোনম্বুং কোনমা তৈপা। ঙাহু কোনম্বুং সেমপা। খুহু কোনম্বুং লোইপা। লীথিং কোনম্বুং কোনমা তৈপা। লিরেন কংসি নীকপা। থোংনাং ঙথেল উমপা। লাকা সনসেন ফংপা। থারম মোনথৈ উমপা। ছয়েল চীংকা পোককপা। নমু মীপোকপা। চীংঙু নয়া য়ামনা। খোইয়ম নঙল হকপা। চীংঙু মালেম লয়সেমপা। খোইয়ম নমানরোনপু। তুহুং লংথোক ভরেঙ ময়াঙকুম। কোরো তেথং তেথনা। পুহুং লংলৈ অপুমপা। পামেল কেক্রু মরুকুম। কুমচিং কোরো কাকপা। থমচেং পীপুকলুংতাকী। সংভরেং উনপী পুকহুপাকুম। নোংথোইপা

চীংঙু নঙগী নরমদমদা য়োংকী পোথোক লৈবনা মরাঙ কায়না য়োংনা পল থাবউম চেকলিয়া ঙাকপি শেনত্রিবা। ঘুমদা য়োকপা, লমদা লৈবা শা তোকপা কাম্বা, মরো হৈবা কাংক্রকনচিংবা শা মথল কয়াবুসু ঙাকপি শেনবিহনা লৈরিবা। শজি শঙাইতলী লৈকমসু তোপনা মকোন শেমহনা থখিরিবা। ঙানুগী লৈফম চাক্কাকম অমদি খুনুগী মকোন শেমহনা মপু ওইবিবা, চীংগী চীংথায় অমদা লীথীংকী অহুগা চীংমায় অমদনা লীরেন ঙাক্তা হোৌহনহনা লয়শেন্নীবা, মৈতৈ লৈবাকী খায়োমদা লৈবা ময়াংশি'বুসু অমদি তাইবং মীওইবা পুয়মকী থরায় পুয়মকপু মাঙবি-তাথিদনবা কাওরেন শন শেনবউম শেনবিরিবা থারমদা লৈবা মোনথৈ খুলবুসু লাকশিনবিরিবা চী°-মান লোক-তায়নচিংবা অমদি তাইবং মী পুয়মকপু লেপ্পী-শাবিরিবা লাইনিংথৌ নতিক নঙণবু হায়নিংঙাই লৈতনা শৈথা উমদবা, মালেম লৈপাক অসিবুসু শেম্বীবা লাইয়িংথৌ। নঙগী নতিক্কা শাইওন্নকপা খুদিংদা মোইথাপ নাইনরিবা ভরেঙয়োংকী মতোউম তৌগদবা থবক থৌওংদা অরেম্বা ওইহনা অখোয়বা লৈতবা লাইনিংথৌ। নঙগা নতিক ঙচৌবনা কোরো অরাংবদা অমদি মালেম তম্পাক অসিদা হঙং-হন্দা হুন্দোক-হঙ্গিস তৌহনা শাম্নবা মতৌবু মীওইবনা খঙউমদবা ইবুংঙো নঙদি কেক্রু মরুউম তুম্বক তুম্বা অহুগা থমজেং মরু মনুংদা লৈবা ময়োল অশংবগী মতৌউম নিঙথিবা। মতম লৈবা খিবিক্কা অনৌবা পোংলম কয়াদগী হেন্না থোইনা নৌহনতা লৈরবা।

খোইরাং নিংথৌরোল লম্বুবা

লাইয়িংথৌ। কোরৌ নোংমাইজোনতাকী। লোইতাম থাচা পাখংপা মাহুমজুংকী। কোরৌ তাচিরৈ। রাংপল ত তলৈতাকী। নোংথৌ খোয়রী কৌপা। নারা খোয়ঙাং সৌকপা। হৈনা নউ চাউপা। প্যামেল উচুং পাক্কনপা। চৌংঙু কোরৌ অরাংপা। লাইয়িংথৌ। নসানৌ খোইমোম লাইরেমমা। থাংচিং কোয়রেল লৈমা। য়াইপী পনলোই তানপী। পসোং লমলোইপী। চোয়নৌ সনা লক্সা রায়মা য়ুপাপু খাংনপনপী। কাচেংলৈয়াইমা য়ুপাপু হৈথোমনপীকা। খোইমোম লাইরা লৈমা। লাই-সন থানপী। কাংক্রু লয়হৌপোকপীতা। থাউমৈ মাপল থানপীকা। খোইয়ম নতৈ ননাউ। অহুমমাকী সনা খুয়া খা। থমপাল লৈরোং-থক্তা। তয়মনা মানপী খুতকনানা। মুকমু লৈতোন কোন। চংচৌ চেপনা পুকমনা য়িচারককে।

অরাংবা নোংমদোন্দা থোক্লিবা থাজসিংগী মনুংদগী মহি মচি ওইনা লাক্লবা, অরাংবা খোইরম লাইশিংগী মরক্তা মরু ওইনা ওয়াংবা নিঙথিবা মকমদগী হৌরক্লনা নোংথৌ খোয়রী হায়না মিংলেম্নবা। অঙাং নাওয়া ওইরিবিদগী হৌনা মরীংজেল খানা হৌরকপা, মপাল মউ চাউনা হৌবা উপালগুম অঙাং ওইরিবিদগী হৌনা তবোপ তবোপ্না হৌরকপা। উচুং পাম্বীনা মনা মশানা ফম্না নীংথিনা হৌবগুম হৌরকপা, থোইনা হেন্না অরাংবদা লৈবা লাইশিংগী লাইনিংথৌ নহাক্না নশানৌ লাইরেম্না থাংজিং কোয়রেল লৈমা কৌবী, থরায় পানবা পুম্নমক্না চঞ্জনফম ওইবী, অমকপা অশোকপা য়াওদনা হায়নিংঙাই লৈতনা অপানবা অঙোবা মচুতনা থক্লবী, হবচাং তংথাই অমনা থ্বাং য়োনা ফদোংবা সনানা ফিজেৎনবী, থবাক ঙানফম তাবদা কোক্তা থোক্লিবা কাজেংলৈগী মঙাম্না নীংথি-তরেংবগী মচু কাঙ-লিবী, লাইরেম্মশিংগী মরেম্মা ওইবী লাইসন থানবীনা কাঙ্গু লয়হৌপোকপীদা থাউমৈ ৯ থানবগুম মঙাল চাউবীগা চৌংঙু নহাককা লাইরেমাগা লাই নখোয় ৩ মককী সনা নখোঙ খা নিঙথিবা থম্বাল অঙাংবগী নীংথিবা থম্বাল লৈবাথক্তা ঙাম্থোইবিরিবাও। তোল্লবা ননাইনা কাওরেন শম্না কুনবগুম কুপ্পরগা লৈরোল লৈফাইননা ইকোক নোম্না খুরুমহনা নতিক নগুনবু ইজররকে।

খোইরম নঙকী। চীংঙু সনা য়ীমাতলা। চংশী ল্যকোনশাকীকুম খাইথরকপা। পুন্নুং য়াথুংথা। য়িংথোলহুংকী থুংথা হররুবপা। য়িরাং পুরিকলাই। কেকে লয়কোয় কমপাসিংকী। মশি য়োইরেনকম। সনা লাংবথৈ কমলাংচানপু। কেকে নিংথৌরোল। সাকৈ লাইরী অচেংপা। লাংপল চীংসাং থোইরেল হীকুমপাম্পুং। পুরিকলাই থয়াং মথৌমল। চুডসেন মরানরোন। কোমপী মচিলম। সাপন লৈরী মহেকলমকী। য়ায়রা সামিংযাম। হুয়েল লানমিংহকপা পুমনামাপু। য়ায়রা সাসিঙকা হুয়েল লানমিংনাপাপু। হাঙতানা খিচিকতংতা তেংথাচররককে।

চীংঙু নঙনা। কোয়ৌ অঁয়াংপা। অরাং কোয়ৌ নোংমাথৈতাকী। চীংঙু নঙে য়োন। খোইরম নসক হোংনা। কেকে থাংচিং চীংচাউ য়িনুনা। মোইরাং ঙানখা। ময়ায় থায়না থুন্দা পুং।

হে নত্তিক চাউবা লাইও। নঙগী ঈ মক্তদগী অসুম অসুম চাদা নাউদারকপা। চংবী লফুগী লায়োম্না অহানবদা কোনশিল্লগা মথৈদা অসুম অসুম তিংথোরক্লনা পাকথোক লন্দোরকপগুম তাইবং ওইনা অসুম শম্বরকপা। লমাই ইংথোল অমদা ইশানা থাবা হয় পাম্বীগুম লাইনিংথৌ নঙনা নশামক্তগী শম্বরকপা তাইবং চাদা নাউদা ওইনা থোকপিরক্লবা। কেকে লৈবাককী নিংথৌ হওয়াং পুরিকলাই ওইনা থোকপিরক্লগা ফম্নাইবশিংগী ফক্কম পুম্বগী মকোক ওইবা নিংথৌরোলশিংগী শাসৈগী মম্মী অচেংপা অরুবা নীংথিবা ওয়াকম্, চীংলাংগী উন্নুংদা শাবা খোইরেনগী খোইহীগুম মচি ওইবা কয়ামরুম্ নিংথৌরোল ওইনা চম্লবা নিংথৌশিংগী মত্তিক মথৌনা অমদি নাউয়োক-নাউকোনবিথিবা অঙগী লমহেন-ছুহেনবশিংবু নমথবিখিবা অহুদি শাফা লানকা থুনিংদা শীংথানিংঙাই ওইখিবা, থোদোক-থোরম কয়ামুক অত্তবু চিথ-নাম্বথা লৈতদা হোংনরবমু নীংশিংবা ওম্বা থয়া থরদং ওইনা শৈথাজররককে।

হে খোইরম চীংঙু লাই ওইবা নহাক্লা অওয়াংবা কোয়ৌ নোংমদোম্বগী চীংঙু নশক হোংলগা শাইওন তৌবিরক্লনা <u>মোইরাং কৌবা লমদম</u> অদিগী মনুংদা লৈবা থাংজিং চীংজাউ মতুংইন্না লাকপিরগা <u>মোইরাং লমদম অদিগী ঙানখা থুনগী</u> থুনরায় থায়না <u>থুন্দাবিহ্না</u>

হেরোই হাওখুবানা মথা থিরাই লৈরচা । সেনাং অনুপা ভুরেংকোই অতোংপা । পনেম পিংখুকথুংকী । মাদেম লকতায়কপা । থিকলেন খোমহুকনাডাহিপাং । মানশী খুংচুম কুংতাহিপাপু । চৈরৈ নাংরোংগানা লমদোকপুং । খোংলেন হায়িং খোইচাকা । খুরোন য়াংখোংচাংপাকানা । যিমশী চাউরা নখানকুক । ভুংকা খিকশী মকম হোংনা চাইপিপুং । কেকে কায়াপাকা । য়ামদা হুম্যাই থাইরেং হৌনা লময়োকপুং । থিংলো লাপা থিরাইখেম্বা । মাদেম লয়দেমপুং । চিংথারাপা য়াংতোন খোংনা কৌবা পুং । খোয়রা লাংপন তোমপোকুরাই । পানেল সয়ি উত্তোনথক্তা । য়োয়মু হাৎকেম নানুওনচেক । তমপা থাপী য়াইওইচেক । চৌংরোং লমতৈখাম্মা । খোনশিং চিলপোকনানা খোংখৈরাই । মাদেম লয়খায়োনকী । লাইচা খিকখ তরেংমানা । খোংলেন য়িকাউরম । থমপাল লৈরম মতামানা । মোইমরাই তাউতনপা হুংহুইরাচা সেনকোইরেং । মাদেম লাকচাদৈখ অখৈপাপু । খোয়মা মায়য়োকননা মোংসাপাপুং ।

লৈয়িবা হেরাই লৈমশী মচা হাওখুবনা হামেও মচা পোকপদা তায়রিবা অখোক থক্লিবা অমদি মখোয় কংখ্রিববু মনক্পা কিনা মাহোং শাহুনা পোয়রুপা চৌংথু নংবু লমওকশিখিবা মকম, খোংলেন হয়িংখোইজাগী খুরোন য়াংখোংজাবগী অনিনা চাউর-চাউরবা হুরী ওইবা য়াবা উজাউশিং কৎরুপা মকম চাবা চাখা লেংহুনা উজাউশিংবু থাখিবা নম অহুপা মোইরাং লমদমশিদা লৈবা মীওই করামকনা মথংতা হুমাই মারফল শাহুনা খোংপল ওইনা ওকচখিবা মকম, ওক অচৌবনা মকম অয়াবদা নীনয়ুনা লৈরববু অযুক হুনা সেমজিন শাজিনখিখিবা মফমদা হৌজিকা ফগী পাম্বীগী উত্তোন্থক্তা নিংথৌগী মচা ইবেম্মা পাহোইবীনা থাবনা তারয়কপবু হংও দনরবা হোংনবদা হা তাংবা ওবী লমথুমু ওইনা শাইতন তৌহুনা ওইখিবা উচেক, চৌংরোং লমলৈমা হাকনা মতনবা উচেক্কী হুমদা য়োকপা উচেকুং অচৌবা চাইরোজনা খোংখিবা মতমদা মাদেম লয়খানুংদগী ইশিং ঈকম ৭ কী উচেক ওইনা কাওরকখিবা লম, ২ঘন্টা মচু মাগ্লনবা মথক ৫ মাং কোকো লোংজনবাম থক্তা খোয়িবা কোরো- হনবা নুমিৎকা মায়লোকপদা লৈকা কম্মা শাবনা য়াতোহনা হুংনা থকাদ তজং তজং থোক্লকপদা।

খোংপাগী মাঙ্গা তোরো খোংচাক। পুথুং নাউথবগী লনিপু কনদ ছনা। সনা লাইহি হোল। অপিসানা কানাদম্। কককচেং লুচাউপিচানা মথক পুংকাখোল। মথা খোংকা তউনা। মালেম থৌরে লয়চেল ঙমপাপু। খুথুং লাইহন্পা। ভানপা সিরাই কংচানা। মিংয়েং সানখৈরাপাকী। কংলৈ অসিপু লমতম কৈয়ে। মালেম লয়মায়োনপুনরিডেনে হায়না পুং-খণ্ডবিয়ে। মপললোন লোকলৌ থামেনলোকপম চহুনা পুংলিংখিয়ে। মোম্বু তানজৌয় মরুমগী। থমপা যুমলেনপা চহুনা। কিপূল লুতা থোং। ককলোং নাকথা য়েপনা। থংলেন ঙানপা সিরাই কংচা। পুংলেন নোংচু-য়াইজি। কডাইনো হারনা পুংখিপাডি পুংখণ্ডরাই। চৌংথোঙ পোইরৈ-তোম। খুনগী পোংমাহল। খুথুং য়োইচাখা অরিপানা তাইবং কোইচা পোং। পুমনামাপু হাকোকরাই। চৌংঙু সনথোঙ য়োয়তাপুং অহুমমানা। মোমহু সুনা থাংজিন লংকুম। মুংচিননানা পানকপা পুংনে। চৌংঙু লাং-পুম অরিপা। থোংনাং য়াইপী সিতাপানা। লোকলৌ সানা কোননা

মিংকী ঙমখৈ থেংনা পাক্লা শক্লা উখিবা লমদা তোরোখোংচাকচিংবা অদংথা মনা-মলীং নাপী শীংবী থক্তা হিনা নম্বেক্তনা হোজকপন্ব অপিকপা অতেনবা নাপীশিংনা চপ-চপ য়ুংনা হোবা লমদা রুম ওনশিল্লকরদা কককচেংশিংনা লৈচাক হোনজনা পুং ওইনা শেল্লকপা অল্পা কৃত্তা কৃংপা লমদনা খোং ওইরগা লমদম অমিবু কং-ফালগী শরুক ওইনববা শেল্লবা মতৌবু তানবা শিরাইকাজানা উরুবদা লমদংসিনি লম পুমমকী ময়োল ওইবা অকবা লমনি হায়না খণ্ডখি। অদুনা মমা 'ইবেম্মা খামেনলোকপম চনুনা হান্না খুন্দাখি। অদুগা যুমলেম্বা চনু মতালোইনা মকোক্তা ফিবুল (কৈজা) হাপতুনা নাকন্দা ককলোং য়েপ্পগা হাঅজখি। ইথংলেন ওউবা সিরাই কংজা কোযও। ইশিং মরাং কায়না কংবা লমদন্দু কদায়গা লৈরিগদগে হান্না, থিরকপদা ইশিং রাত্তবা লমদি অসিনি হায়না খণ্ডনখিবা লমদা, খুনলেম লয়শেম্বদা (খুন্দাবদা) অহানবা ওইরবা চৌংথোঙ পোকইরেংতোম্না তাইবং মীওই-বন্না চাবা-থকপা য়াবা পোংলম পুম্বা পুক্কাকখিবা মতম্দা শম্বোং নিংথৌ অপায়বগা খাংজিংবা লাংবুম অরিবাদা লাইনিংথৌ ও মক্তা পুনশিমক্তা লোকলৈ পুলৈ মনাওনা কোনবঙম থবাই পানবশিংবু কোনশিনখিহনা লমদম অমিবু

লমকনপা লয়মরাইব চীংঙু লাংপা হৈমৌোই চৎনা। তমপা থনী পাউ-তোইরাই। মপারী চাথালাচা পোনচেমপা। অমুলাচা খোকনিঙ মুমপানা। মপান হৈনা তুংনাউ লোনপালম। হনপা কোকচাউ। হনু লাইথম খুরোন লীকতকপী। লীকতকপা। কোংসিপী কোংসিপা। নমতাঙপী নমতাঙপা। থিংনাংখু থিংনাংহল। নাউরিংখু নাউরিংহল। পাথোখু পাথোহলনা। কোইপা পুং। কেকে হারেপপুং। চোয়নৌ মনা চীংনা। মালেম লয়কনপাতুমপাপু। নমু খোইয়ম লাইরিংথো। চীংঙু ময়নকুকী। ভাঙোই তেংনৌ লিতাই নাইতানা। পানপা পুংনে হায়তাপাৱা॥

কল্লরবা লমগী মরায় ওইরবা, মফম অসিদা লাইনিংথৌ নঙগী নঙাল নলেকনা ওইখিবা থাবী শীংবা চল্লবীনা লাইপাউ তাকখিবা মতমদা চাথারাচা পোকলেনবা, অমুরাচা খোকনিংঙমগা অনিনা মপলগী হৈনা মতুং ইন্নরবা লমদমদা লাইশিংগী মকোক ওইবা হনু কোকচাউ, হনু লাইথম, খুরোন খুনগী লীকতকপী লীকতকপা, কোংসিবী কোংসিবা, নমতাঙবী নমতাঙবা, থিংনাংখু থিংনাংহল. নাউরিংখু নাউরিংহল অমসুং পাথোখু পাথোহলচিংবা লাই নুপী নুপা পুরমক্তা, লমদম অসিদা কোইহনা তাক-শেনহনা অমদি লেমগৎ শাগৎহনা ওইরক্লবা কেকে লমদম অসিদা লমসু, থরায় পানবশিংসু মপুং ফাননবা লেপ্পরবা পুং অসিদি নীংখিরবা অরাং-অপা লৈজবা চীংনা কোয়শিনহনা মালেম তম্পাক অসিনা ইকন কয়া ইপাক পাঙ্গা লেমসিদি খোইয়ুম লাইনিংথো ওইবা মখোয়গী থোজান্দগী ভাঙোই লমদম অসিবু য়োংনা পাক্লোন থাবদা চিথেক নাইদনা ইকোয় কোয়না চীংনা থাজিনহনা নুংঙাই য়াইফনা পাল্লবা পুংনি হায়নবগী য়াকমসু লৈরি॥

১। পুরিকলাই পোংলেন হনবা

হে য়িয়াং পুরিকলাই। য়েকে পোংলেন হনবাদেরো। য়েকে নইরেপাক অথুম্বু। খোইয়ম লাইহিংগী [illegible]। [illegible] মাদেন [illegible] [illegible]। য়োয়চাননাপা খুংনিকিনা। য়েকেক্‌লানা [illegible]। লোইরাং তাংজোই থবা-[illegible]। য়েকে খুনাক মনিনমাই। লোইরাং খুনথা মরাক হৌ। চেকয় চৈরেং থিন। কয়ৌম মাপান কানা। খুয়োম য়েকলৌ ছুমলৌ। য়োকচিন লাখোং। চেংনৈ থাকপী। খোইনাইয়োকপু। তাংলৌ তানথা। হিখা কানলৌ। য়াইস খুত্তোম। থাংকা লরকায় [illegible] মনিননাই। য়িমলেন মাইকং অঙাম্বনা। থাবা [illegible] লোম্বিনবানা। লোকতাক থাবা মা। তোংলে থাপা পনথরক্ত। চকয়োম থামপী নৈ-য়ানবানা পানজি হায়তাপারা॥

চীংঙু য়াইপী নকাইকম। খোইয়োম মনা মথোঙথাকী চেনথারি।

লাইজা ইশিংনা য়াংবা (য়েনবা) নরতী পু মথাঙকী মকোক ওইবা হে নিংথৌ। য়েকে মমথী মী পুরিমকলীভু অহেনবা। মহাকী য়েকন নইরেনাক অনিম্বু লাই পুরিমকলী অথোইবা ওইবা থবওইরেনবা কোবনা মাকোম তম্পাক্তা খোঙ-দাবিদনা পাম্বা, লেরিকা লমনিনা য়েকেগী মীতমাথু লমথা, মোইরাংগী তাংজোই মরূপা থংলুনা খুন্দাবা অকুপা য়েকেগী খুন্ডা মতিক মখোয়া নৈলবু চিং, খুনথাকী মীশিংনা খুম্বা তাকনা চেনৈ ৭ মিয়া, কৈরেল ১ কাম্বা খুয়োম য়েকো ছুম্বো, য়োক-চিন লাখোং, চেংনৈ থাবী, খোইনাইওঙু, তাংলৌ তানবা, হিখা কানলৌ, য়াঙবু খুত্তোম অমুম্বা নৈকাই ৭ মা মরাঙ কায়না খুন্দাহনা খুমশিং অহনা অমখা অমখা লাইখিন নকনা কৃংনা শাহনা অমদি ইশিং মথক্তা খুম শাবা য়াননবা কোপ থাম্বা লারহনা মথক্তা খুম শারগা অমখা অমখা তৈরে-কৈত থাইনহনা মৈ লৌনহনা য়াম্বা নকনা পারবা নমদনি হায়বগী য়াকমবু নৈরি।

হে খোইয়ম লাই ওইবা মহাকী নৈকম ওইহনা চীংঙু নঙগী নখোঙ খুম্বাকপী অমদি চীংয়াদা কোয়না চেম্বরকপা ইশিং,

মোইরাং নিংথৌরোল 'লম্বুবা'

চীয়াই কোয়রেন য়ি। লাংপুন চীংজাউ য়ি। চীংঙু লৈতম য়ি। কেকে লাইখুলোঙপি লোকলৌ য়ি। মোইরাং লাইসন থানপী থানূলৌ য়ি। কুরেক কুরেক কোকসোক য়ি। নানতা নানূতা চিতিল য়ি। থিনপীসূনা য়িরানখোং। রাইখু খুংলোঙপী। থরাউ লমসং-য়ি। চেকলা পোনপী থিকক্রি অমুপনা। খুংপাম লয়চেঙ ফামবা হোংনা। লাইতা য়িখঙথোং। হয়েন লানমিকিতি। খুমন তীকৃতা সনমৈপী সনমৈপা। নোংয়াই হাইচুপী হাইচুপা। পামেল খাঙলা লারোং চাকচানাপা ফানারি য়োই-মরাই তাউতনপাপু। ছুমিং মমায় লূন-য়ি। থপী মমায় হেনূনা য়ি। মমায় লোংনম লাইনা পাংনা চেনথাপা য়ি। অঙানপা ছুংমিং সনা মচুংসাপু সানায়ি। বেকে ননপা সনথেন য়ি। চীংয়াই কোয়রেন য়িতা। নয় নিংথৌ কেকে লয়কোয় ফমপাসিংনা। লাইচা য়িরাই থনূনা পাললক্‌য়ে। খোয়মা লাংনা য়িফম রাংলাপাকী। নোংচুপ কোং-য়াংফাই। মারেম হৌনা চানা লাংফানপা পূংনে। লয়রক মৈলোমপাপু

চীংজাউতনা লাংবুম ওইবা চীংদগী চেম্বরকপা, ইবুংঙো নঙগী নরৈ লৈতোম্বগী চেম্বরকপা, লোক অরোঙবা ময়ামদগী চেম্বরকপা ঈশিং, মোইরাংগী মীয়ামনা লাইগী থোরম তৌবদা কোরেক পায়দুনা শোক্লবা ঈশিং চেম্বরকপা ঈশিং ময়াম্মা ঈতিম্নরকপা, কেগে চনুরা মোইরাং নিংঙোনশিংনা শোক্লবা ঈশিং, রাইখু মখোঙ লোঙখঙুম ঈশিংগী ঈরম অকাংবদি থরোই মহিগুম অক্লবা ওইবা, থিক্রি কোবা চেক্লা খোঙনা লৈচেং হোংপদা থোক্লকপা ঈশিংনা কোয়শিনবা লমদম ওইবদা পাল্লখশিংগী মতিক মথোনা অতুগা খুমনগী মতিক মথোনা লৈবশিংগা শম্লরকপা নোংয়াই লমগী মীশিংগা হীক্লা তাইনা লৈনরকপা, থাংলা মনাদা চাক চানরকপদা শিঙিম্নরকপা অতুগা লৈমা নিংথৌগী অমদি শাগৈ পিবারোলগী অদম অথো কোকপদা শীজিম্নরকপা অমসুং চুপশা থোরমদা শীজিম্নরকপা চীংয়া কোইনা চেন-থরকপা অশেং-অক্লবা ঈশিংনা রাংবা লমদা হৌখিবা মোইরাং নিংথৌ পূরম্লক্লা ঈশিং অসিম্নু লূনা চান্না তৌরকপা লমদা পাল্লকখি। থিকলোই লাং য়ামনা হৌদবা, নোংচুপ কোংয়াংফাই কৌবা মফমদা অহৌবা ই লাং ময়াম চঙদুনা ফান্নবা লমদম্মি।

হনুনা ঙমত্তা। খোংপাল লুপাংপাপু তোংনা ঙমত্তাপা। চীংয়া থেনয়া থেনমিং হকপা। লময়াই পুংথাল য়ামপা। সাপল কাইখিল তোয়পা পুংনে হায়ত্তপারা॥

কেকে নপুংযাই। লয় তরেৎ নকাইফন। খুয়োন য়াঙপা নয়য়নেৎ। থোংয়াং লয়তোম্পাল। সাংতোন লাইনৌত্তা। লয়কোয় ময়ায়লেনতা। থৌত্তুত্তুকুমপাপু লেপনা ঘুং। চেঙচাত্তুকুমপাপু হাননা খিনহৌপাত্তি কনানো। নয়োল ঙাম্বুরোল খুনপী সলাইহল। লৈমরেল ঙাংসপীনা। য়ুনপি পূকনিং পীনা। কোরৌ লন্‌সামনৃকী। নয়ু থোইয়ম লাইয়িংথৌ চীংঙু নোংথৌ সরাবেন। অরাং পাথং য়োইরেনপাকী মপারী। নয়ু থংচিং লাইমরু। পলেম পিথাঙ সিনপীকীত্তমকপু। চীংলেন নোংলাউথি। মোংশা খুরূপ হৌৈঙেত্তা। থোইয়ম মঙাইরোই। চীংঙু [1]মহীসাং পুমনামানা। পাউথেমপাপু [2]হোয়য়াত্তরপাত্তা। [3]নোংপোক মালং হুমঙইপা। [4]খোইয়ম মচেঙ হক্‌মা রোইনা। হৌচেং খোনলোয়নপা। [5]কাচেং থাংখোক্কুকুমপাপু

লৈরক তোল্লোম্বদা ঈ লাং উপশিনবনা মঁশিংনা হন্না চংপা ঙম্নদবা কৃংগ্রবা খোংবান্নচিংবনা তোঙবা হেক ঙম্নদ্রবা. চীংয়া থেনয়াদা থেন য়াম্না লৈরবা, লময়াই য়েংহুনা পৃং য়াম্না লৈবা অতোঙবা শাবলদা লৈফম য়াম্না শেম্নবা পৃংনি।

অসিগুম্বা নরম্নদম অসিদা লৈকাই তরেৎনা কোয়শিনহুনা লৈফম শেম্নবা খুয়োল য়াঙবা কৌবা নরম্নদমগী থোংয়াং ফাওবদা য়ুম্না পরেং শানা তাখিবা লমগী ময়ায়দা লেঙদনা নূংনা খিনবগুমনা অহানবদা পানখিবা নিংথৌদি কনানো? নবেন্ধো ঙানবা চনু শলাই মমা ওইবী লৈমরেল ঙাংশাবীনা থরাউ হকচাং য়াওনা চীংঙু মাবু নিঙজবদগী লাইনিংথৌ নোংথৌ সরারেন অরাং পাখং য়োইরেনবগী মচা ইমুংঙো থংজিং কৌবা লাইগী মকোক ওইবনা মমা ইবেম্মবু থিরকপদা চীং-নুংদা খাকপা লাউবা নোংগী মতৌগুম কপ্পক লাউরক্রবদা মাবু লোয়নবা লাইশিং

[1]মশামক্কুম্না লাই পূমনমক্কা। [2]হোয় হাষনা য়াদ্রবদা। [3]নোংপোক নিংথৌ। [4]লাই মহাক্কী মশামকুমনা। [5]নোংথাংগুম লংলবা থাঙগী থাঙখোক নিঙখিবনু

চাচন্নাপা। সনা লৈখাম তোলোং চিনপানা। লৈসং খুৎতা শুনা। পাউথেমপাপু হোয়্নাফপা। [6]চৌংগু লৈসং খেকন্নাইপা। থাংচিং কোম্ন-রেনঃনিংথৌ। য়াইপি পনলোই ঙানপনা। কোরৌ নোংমাঙোনতাকী। [7]লৈসং লৈঙৌ ঙংকোয়না। য়াংকোই সাকোল তুখাইতোং। [8]মোইকাই য়িনথা সাপাপু সনা চোঙলেন থান। [9]কেনত্রা নোংছম চয়্রোইনানা। [10]কেকে থাংচিং চীংচাউ য়িন। [11]খুয়োন ঙানখা ময়ায় থায়। মালেম লয়তা তানা। ঙাংঙোই নপুংয়ায়তা খুনতারকয়ে হায়তাপারা। হে ইরাং পুরিকলাইরো। কেকে হাউমুপানা। মমা য়িরই লৈমচা মেলাং তনপা তুরেংকায়। [12]মানপী খুচুপ কেনতাপাপু। খেনচা নমতা পোনা লম-রোকঙমএ। কেকে কায়াপানা। [13]য়ামলা ছমাই মাইরেং হৌনা ওক্ঙময়ে। মোইরাং হাননা লৈপাক ঙাক্ঙমপা। [14]থোংলেন হয়িং খোইচালা। [15]কেকে কাযাপাকা। [16]খুয়োল য়াংখাংচামপাকানা। য়িমপী চাউরা মপান্‌ফুক্। ফুংকা থিকপী মফম হোংনা চৈপীঙময়ে হায়তাপারা। নমু খোইয়ম লাইয়িংথৌ। [1]য়াইপি পনলোই ঙানপানা। [2]কেকে হারেপকে। [3]মোইরাং ঙাংঙোই হাথাকে হায়পাকী।

নাম্থোক্তননবা চা চল্লবা অচুগুম্বা। 6, নিংঙাই তৌদ্না লৈরম্বদা লৈশং খেকন্নাইবা পিবদগী নিংঙাই কথি হায়দুনা চীংগু লৈরাং খেকন্নাইবা হায়্না কোলোয় ম্নিং-থোম্নবা। 7, লৈ অঙৌবা অমসুং লৈশংনা ঙক্তা কোয়্না পরেং শিন্দুনা। 8, নীংথিবা ঈম্না শন্দোকপগুম চোঙ থাল্লহনা 9, চোঙ মপান্দা মরী মরী ম্নাম্বদা নুংশিংনা হুম্বদগী লেঙ-লেঙ লাউনা চোনথরবা মমা নীংথিবা পানবা চোঙ খল্লহনা। 10. কেকেগী নোংচূপ্তা লৈবা থাংজিং চীংজাউ মতুংইন্না। 11, খুয়োন অমসুং ঙানখা লৈকাই অনিগী মরক্তা লাক্নুনা। 12, মখোয় বেত্রিববু 13, হুমাই থৌনগা লোয়ননা ওক্লমই। 14, থোংলেন হয়িং খোইচা কৌবগা। 15, কেকেদা লৈবা কায়াপা কৌবগা 16, খুয়োন য়াংখোংচাম্বা কৌবগা। 1, থরাই পূয়মকী হোয়ম থুংফম ওইবনা, 2, কেকে লমদা শেমগৎ শাগৎকে হায়না, 3. মোইরাংগী লমদা চাদা নাউদাহ্নুনা খুন্দা লৈভাগে হায়বগী,

মালেম লয়রেমপাপু। কোরৌ হুমিং মঙানি স্বরূপাতা। মপল খোইয়ম লাইয়িংথৌ। অরাং পাখং য়োইরেমপাপু পাঙথোমচাখিয়ে। মপারী ঐনা কেকে লয়রেমপাপু। 4ঙাংঙৈই লয়রেপ কারে। কোরৌ নোং অমাপু। মালেম লম্তা ডানা। 5মিংয়েং মানথৈপিরললাও। হায়না পাঙথোমখোনকী। চীংঙু নোংথৌ সরারেন। 6অরাং পাখং য়োইরেনপানা। কোরৌ নোংমতোল। খোইয়ম লাইরেপাকতাকী। মালেম লয়ডারকলে হায়তাপারা। 7মপারী নোংথৌ খোইরী হাইপা। 8নারা খোয়ডাং সিকপানা। য়াওরৌ কাংত্রুকসা পূমনামাকা। লেমলৈ ঙারা ঙাপুম্মাকা। 9খবাই লুথোংথকতা হাপনা। য়াংলী লমথাঙ্তা। 10লোঙালন তিংশীথকতা। 11য়াওরৌ সাপু লানমা লকরে থঙমেয়ে। 12কেকেনা ঙেংথানা। মোইবাংনা মীকৌনাপান্তি। অকুৎপাপ্তি অরানপারো কোয়ে। অতুনোংকীবু ঙানখা সাবানথোংরো তৌনা কোএ। লেমলৈ ঙারা অমতি। 1থরায় খূথাংমাপু। লাইচা য়িতা ডারাপাকা। 2রানচেং স্বচা-নম। 3ঙারা পুমকৌ লোননা। লাইচা থিপাকথকতা ডাউখংলকএ। অতুনোংকীপু খুয়োন পুমলোখা। খোপচাউ খরোয়মাঙরো তৌনা কোএ। মপল পনথৌ চাংঙু নোংথৌ সরারেননা। অরাং পাখং য়োয়রেনপানা।

4, ঙাঙোই লমদম শেম্বা লোইবে, 5, সনা মিংয়েং তারিরম্বা লাকপিয়ো, 6, চীংঙু নোংথৌ মপু ওইবা সরারেন কৌবা লাইনা, 7, মচা ইবুংঙো খোরী ফাবা কৌবা, 8, অঙাং ওইনা মরাংজেল খাবনা, 9, ঙারানচিংবা মপূক থম্না হাপ্লবা পয়ানা লম্না শাবা থরাইবু কোকথঙ্গা থোঙ্গৎতুনা পুরক্লগা, 10, মতাই নঙনা ময়ায়দা মখোঙ য়াওদনা লীনা তিংবা খুৎপাইফম য়াওবা থোংগী মথঙ্গা, 11, য়াওরৌ শা (হামেংগুম্বা) অহু কৎনা লাঞ্জরগা, লাকইথবু ওকচবমই, 12, কেকেদা লৈবা মীয়ামনা শৈথানবদা (হায়নবদা), 1, ঙারা কৌবা ঙা হাপ্লবা পয়ানা লম্না শাবা থরায়বু খুদোঙ নাহুনা (থোংহনা) পুরকপবু, 2, অকূপ্পা অপাম্বা ঙাননা পম্বদগী মনম লৈরবা গুজা কারবা ঙা ওইবনা, 3 হারা অপূক্শিং অহুনা পুমঙৌ ঙৌনা,

লেপখ্রী লৈবাং খবরোইরেনবা। 5লোংচুপ তোমপাক নিংথৌপু চাংভু [illegible] হায়রবগী। 6চেংলৌ মকুউবনুংনা মাঙখিরে। 7খৌরিপাকৌপু [illegible] তৌনা কৌএ। ময়ারী নোংথৌ [illegible] হায়খী। [illegible] চাউনা। 7পাখেন [illegible] হৌখিবা। মপান থোইয়ম লাই- রিংথৌবী। মার মখোড়থুমপু খিখিএ। অতুলোংকৌপু চাংভু মায়রিং থোড়থুনখিরো তৌনা কৌএ। মপান থোইয়ম লাম্বুপাপু। চেংলৌ মক- হুভারাপাক্কী কোয়না কোয়না খিখিএ। অতুনোংকৌপু লাইকোই অচনপারো তৌনা কৌএ। মপান চাংভু নোংথৌ সরারেনহৌ। মাতেম লয়রেনিহুংদা। 8চেংলৌ সকথোং সংপানানা। পুনুং মারোন লাকুম। 1লৌনা লৈতমপাপু খিথড়লুরে। অতুনোংকৌপু মাংতোন লাইনৌতারো তৌনা কৌএ। চাংভু নোংথৌ সরারেন। অয়াং পাখং মোইরেনপানা 2রাহমলকএ। পাঙী নঙতি। 3নপান ঐকী মার হিথোড়থুনপু। 4করুম খিথড়লপানো। চাংভু ঐপু খড়না। খিথড়লপাকী কোলোয় নমিং- থোংপু। কোয়রেন থংপাম্বু কোয়রেন নিংথৌ চাউথাম্বুং। কোয়রেন- নিংথৌ লাংপাম্বুং। মরায় কোয়রেন নিংথৌ। 5কোয়রেন মতাথকতা পানখপা। থাংচিং কোয়রেন নিংথৌও কৌনা মিংথোনখ্রেৌ।

4, লৈরাংনা তনৌ তনৌ, তড়াং তড়া নীংখিনা [illegible] [illegible] হুচাইহুংতো থং- রোইরেনবা কৌয়া, 5, মৈতৈ লৈবাক্কী নোংচুপ থংবা লৈবা [illegible] চাংনা চাউনা থাইগী মকোক মতোন ওইনা পানবা নিংথৌবু, 6, মউ মলপাপ মুড়াং চাউনা হৌবা (পোকপা), 7, উক হৌকমদগী মথং মথং লোইনৌ কয়া [illegible] মরাখি কুডখলিনা চাউনা লেঙদবা লৈহৌবডম মক চাউনা লমা লৈবনা, 8, চাংভু মাগী মকোক লেংবদা সনাগী মচুনা [illegible] [illegible] মশেকা হেনহনা মরৈবা খংনা উরবা। 1, মায়া নৌনা তনৌ তনৌনা লৈরবহৈবু খিরকপদা [illegible]। 2, হায়- রকদ, 3, নড পোকপা মপাঐগী লৈকবু মায়-মায়রনা খিবুকপবু, 4, মুতো করম তৌনবু খিবা থড়লক্লিবনো, 5, কোয়রেন থংবা, কোয়রেন নিংথৌ [illegible], কোয়রেন নিংথৌ লাংবা, মরায় কোয়রেন নিংথৌ অদিগী থংচিং কোয়রেন নিংথৌ হায়বা মিংথোক অদিগা মিংথোক ও অমিনা লোয়নমনা,

রিপায়ী লৈবং লেকরাইপা। থংচিং কোয়কেন নিংথৌ লওরি। [6]চাহৈ চারোং চুমলপা। [7]লাইচম রিপাউরো। [8]রিবা কুম্ভমপাপু। [9]ময়িঙেল কুমথাইপু লোয়তানা। কেকে লয়চকার ঙাইরৌরো। হায়রনা পাউয়েংলাপাকা। চীংঙু লাইথিংথৌতি। খোইরম মনা মকময়েন। কোয়ে নোংমাজোন অরাংপাতা। [10]হলয়াইখংথিরে হায়জাপারা। হে য়িয়াং পুংরিকলাইরো।

নয়োল কেকে মোইরাং লৈমা। ঙাম্বুরোল থমচিংকোল হাইহৈংপীনা য়েনপি। য়াইথোঙ রায়েল চুমপা চন্থু। খুনপি সলাইহল। মালেম লয়থারোনভাকী। থমপাল লৈঙাং লৈকুমনা লমহৌকপি। মৈপী সালাম রোই। রুরেপ চারা রোইনা। মোইরাং লয়কোয় হাননা হাথাহৌরকপী। লৈনুং মুচাখা চন্থু। লৈমরেন ঙাংসপী। পায়মা সনা রুনকোয়হুংকী॥

6চহি কুমগী মনুংদা নীওইবনা চাক্না হিংনববা থোক্কদবা মহক মরোম্গী ভাং অদু হৈথেং-হৈকায় ওইদনবা 8, ইন্না কৌবা থাদা কুমগী হোনবা মক্ষাং কারনা ঈথিং ভাহনপদবা অহনীনবক কুম তবনু। 9, ইঙেল থাদা নো গী মরী অরাং অহেন নাইহনজনা কুম থাইদোক থাইজিন ভৌবনু। 10, চংথং খরে (হনকংথিরে)।

নবেক্কো কেগেগী মোইরাং লৈমদি ঙানুবা শনাইগী থমচিংকোন হাইহৈবনা পোকপীনি। অচান মীরায় নাইদনা অপোক অদি তম্রিবা লাইগী মচানুপী (নিংথৌজ) ওইবী, ভাইবং মী ওইনা থুন্বা লয়তাবদা খা থংবা মায়কৈরোমদগীদি থংহিদগী হাজবী, লৈরাং থমাল অঙাংবনা নীংথিনা কক্কবনা মপোক অমতনা লৈ অমতা পাংকুবী, মৈবী মচিন মৈবী কয়াগী মরক্কগী হেন্না কাংনা চাউনা মৈবী থীনা অমদমু অমদমু কোয়রাম লাইওম তে মী, থুমগী উরেগ লেকদবীওম ওইনা মোইরাং লমদনা থংহিদগী হান্না পোক্কবী, লৈনুং মুচাখা নিংথোজ ওইবীনা মোইরাংদা লৈমরেন ঙাংসবী হায়না কোকোয় নিংথোরবীবী নিরোয়মুংবী—

৯। ঙাংনিংসিং অতেংপা

নম্বু নিংথৌ ঙাংনিংসিংতি। চীংডু নম্বু মথুংদু। থমপাল নৈং-য়োনহুংবী। লাইচা য়িপুথরক্প্যাসিংপু। কোলোয় মিংথোনকপা। য়িরাং পুরিকলাই। কেকে পোংলেন হনপা। পীরেম পিমিংনাপা। ঙাংনিংসিং অতেংপাদ্রৌ তৌনা কৌএ। নম্বু নিংথৌ ঙাংনিংসিং অতেং-পাতি। থোইয়ম লাইচা ময়িহনিকিনা। কেকে লয়কোয় মঙাননাই। লোকতাক লাইতা য়িরাইথন। হুংঙাই মরাং কায়না পানকপা। লয় তয়েং মকাইকম। থুয়োন য়াঙপা ময়য়নেংতা। থৌতুতুকুমপাপু লেপনা ঘুং। চেঙচাতুকুমপাপু হায়া খিলহোরকপা। নম্বু নিংথৌ ঙাংনিংসিং অতেং-পাতি। থাংচিং য়িমাতানা। চোয়নৌ সনা মিংহনকিপু চুনপানে॥

নয়োল কেকে মোইরাং নৈমা। ঙাম্বরোল য়াইপি নৈমা। নৈনুং থোংঙাইপা। য়ায়েনচুমপানা পোকপিসে। পালৌ পামু খোং। তকলৌ লৌহিপাল। মৈনাং তনপা সিংকাইপান চাপি লন তনথোং।

নবুখো নিংথৌ ঙাংনিংসিং কৌবদি থোইয়ম লাইগী মথং থবাল লকাদগী হোরকপা চাদা নাউদাগী মতুংইন্না মিংথোল্লকপা, কেকে লমদমগী তাইথং মীওই অহানবা মমা ইবেমগী মিংলেন লৌনা মিংথোল্লকপা ইরাং পুরিক্লাই ঙাংনিংসিং অতেংবা হায়না কোলোয় মিংথোয়ে। নবুখৌ কেকে নিংথৌ ঙাংনিংসিং অতেংবদি থোইয়ম লাইগী চাদা নাউদা ওইবনিনা মোইরাং নৈবাক্তা মতিক মঙান চাউবা, পাক্লবা, লোকতাক পাংগোদা হুংঙাই মরাং কায়না পাল্লবা, নৈকাই ৭ না পূনবা লম্না মরকদম ওইবগী মনুংদা, থুয়োন য়াঙবা মরৈকাইনা তেকপা কায়বা তুমবা নৈতবা হুংঙায়া লেঙদনা নৈরগা চোইথোক্লবা চেঙ মচংঙবা তক তকনা হায়া পাক্লকখিবা নবুখৌ ঙাংনিংসিং অতেংব কৌবদি থোইয়ম থাংজিং কৌবা লাইগী ই অমসুং ওইবনা কোলোয় মিংদেন থোক্লমবনিমক কংদোংলবা মনাকম মিংহন থমি থোনবদি থোইনা হেক্তা তুনবনি।

নবেখৌ মোইরাং নৈমা য়াইবী নৈমা কৌবিসে হানবা সনাইগী নৈনুং থোংঙাইবা কৌবা য়ায়েল থৌদা তুমবনা পোকপি হানবা সনাই চনুমি। মপাল থোংঙাইবগী মতিক মঙদি পাংগাল্লবা তাবা পামুংথোংগী লৌহিপালবনা

হুয়েন লানগিকিডি। লৈমাকা ওয়াথৈদা। শাওরাং খোয়োইচা কানাখোংপু। অতৈ লমলেন সক্রা চপ্পু। তানুবোল তায়বা থোক্কনু। কোয়া কুনা উন-কোইহুংকী।

৩। পুরিকাই হামচা খাপা

নম্বু নিংথৌ পুরিকলাই। হামচা খাপা মৈতৈরোংগী। কেকে নিংথৌরোল। মৈতৈরোং পুরিকলাইকী। অয়া চেংমাহুন্দুব। কোয়নৌ সনা মিংগুলকিপ্পু চুনাপানে।

নুয়োল কেকে মৈতৈরোং লৈমা। সংলৈমা তাকমপু। খমনুং লৈরী লৈমপা। শিংথাঙ তাউপা। হুয়েক সক্লা। মথেল অমপা চপ্পু। মপাম হুয়েল লানগিকিডি। খুনপী নুংথোঙচিন। খোঙচা লানলংখোলকী। অতৌপা নুংতোংচো। লিলা হৌজমপিপু। অয়োঙ লান্নু তুয়না কুপপা চপ্পু। পাক্কা সনা রুংকোইহুংকী।

হুয়েল লানশোক্লবদা তাগী মিং কৌনা থোমবা মহৈরোং খোইহুচা কৌনবু থুম্না মায়থিবা পীৱশা কাখিবা মকমদা থোং শাকা নমদম রোনা কোংদোয় মিংলেন লৈথানবা তানুরোল তায়রাক্পী মশু হনেন্দগী পায়বা লিরোয়হুংকনী—

৩। পুরিক্লাই হামচা খাবা

মতুংদা মৈতৈরোং নিংথৌ পুরিক্লাই হামচা থাবা কৌবদি কেকেবা শাকনা নিংথৌরোলনিংগী মকতদি চেংতৌবী চেঙ মকংনা পীংখিবতন সনা কুমোয়রকপা ফিংগল অসি চুনবনি।

মতক্তা মৈতৈরোং লৈমা সংলৈমা তাকমপু কৌবীদি খমনুং লৈরী লেমা শিং-থাঙ তাউবা হায়না মতমকপা লৈবা হুকপী মথংবু নুংকোকপা লৈনথম শংলেন খোঙ মখোঙ তাবা কাংনা পাহুনা লৈবা ইমুংগী লিংকোকখি। অধিকপা খমনুং লৈরী লৈবগী মচিন মলোইনানা নুংলোয় অনাপা তাবা হুকাউবা হুয়েক লানখোইলা মতিক মখৌনা উত্তিবদি কাংবা মিরানা খৌবভক লানখাইলা কোয়নু খাংদিবা তীংদিবা লানু তোবাক তাবা মোয়ালকখিবা ইমুংগা পোকপী লিংকোইবকী লায়মা নিয়ুংলাকপী

৪। ফাং ফাং পোংলেন হনপা

নয়ু পুরিকলাই ফাং ফাং। লিকলাই কেকে পোংলেন হনপত্তি। তোয়রনৌ মনা মিংহনকিপু চুনপানে।

নয়োল কেকে মোইরাং লৈমা। তাহুরোল লায়াইহু। তৌকাই খুনথোকলাপু মিংথোনকাপী। লোইরেন খুনপীতোকতা। লীচৈ তোরান পূনা। পুকয়ু থনপাপু রাত্তেমপা। লাংমা থনপাপু রাহনপা। লানলোই মীয়াথোকপু য়েনহৈপা। মারেনমীপুংলাংপু হাইহৈপা। থোঁছু নুংপাকথকতা। মুংকি নয়রাগনা। কাকং লৈরোইনানা রাজনপা চহু। মপাম ছয়েল লামনিকিত্তি। হৈত্রা লৈকোনচা। মেননোং থাংসাপাপু। কায়না হনপা চহু। তাহুরোল লায়াইহু। পাহমা সনা রুনকোইহুংকী।

৪। ফাং ফাং পোংলেন হনবা

নয়ুখো মোইরাং নিংথৌগী কোলোয় মিংথোয়রিবা কাং ফাং পোংলেন হনবা কৌবদি ফংদোকলবা সনাগুম মিংহন অসি চুনবনি।

নবেঙ্কো মোইরাং লৈমা তানবা শলাই চনু লায়াইনু কৌবীদি মপল তৌকাইনা খুনথোক্লকপা কোলোয় মিংথোনবিবীনি। মপল পহৌনা লোইরেন খুনবীতোকতা লীচৈ চেংপু পায়না মীয়াথনা কুংনা লাংতমনা তাবিবা অমদগী কাওবা থাদক থাত্তেবা খুন-চৈনা থাথোক-লাহোক পুম্নমক থানেল নীংথিনা হৈনা তৌবা, মী অয়ামবনী অক-কত্ত হায়বা ওমবা, অরুনা নুংপাথক্তা যরাগা মুংকি নয়রম হৈনহুনা মীয়াম মপূক কাহুনা হায়েনবা ওমবা মপল পহৌগী মমোম কইবা থগায়নুংগী মতিক ময়েথোনা শারা লাজাগী মতিকি হৈরা লৈকোনচা কৌবা থাজনাবদু থায়খিবা পীওমবনী মমোম তানবা য়েকওইবী লায়াইনুগী শেংবা শায়মা শিরোমনুংগী—

৫। পুরিক্লাই য়োইরেনপা

নবু নিংথৌ বিয়াং পুরিক্লাই য়োইরেনপাডি। চোয়নৌ মনা নিংয়নকিপু চুনপারে।

নয়োল কেকে য়োইরাং নৈমা। ঙাসুরোল লিকয়াইহু। নবু থোংঙাই রিমথংপা। নমলেন কেনচিকোপ। রিকোপ লাইপনলোর। লোংপোক হাওয়াংজি। নৈমললাং পুরাংপা। থোংঙাইদু হাউবা মুং-তোংপাকা। ঙিমেন আচায়নাপা নমতা থৌলাপা। হয়েল লানলিকিতি। নৈহেন অকাৎয়াং। খুনচান মকুরাংপু কায়না হুনপা। সনা রিপু কাপি। ঙাসুরোল লিকয়াইহু। অঙানপা নৈয়ৌলীকপু। নৈনা রায়না নিংথোংকাপী। পায়মা সনা রুনকোয়নুংকৌ।

৫। পুরিক্লাই য়োইরেনবা

নবুথৌ য়োইয়াং নিংথৌ পুরিক্লাই য়োইরেনবা কৌনা কোলোয় থিংথোয়বনি কদুলোঙনবা মনাঙম থিংলেন অপি চুনবনি।

নদেবথৌ য়োইয়াং নৈমপী থিংলেপি ঙানবা য়েকওইবী লিকয়াইদু হায়না-থিংথোয়ে। নবুথৌ থোংঙাইবা রিমথংবা কৌয়না নমলেন ইকোপ লাইপন-লোয়নী লোংলোক বায়কৈদা নৈবা নৈয়য়াং পুয়াংবদা থোংঙাই রিমথংবনী মথু হাউবা মুংতোংবদা ঙা চায়নথিবা নমদবদা হয়েল লালাথিবদা নৈহেনবী অকাং-য়াং কৌমদা খুচানবী মকুয়াং কৌবদা অনিবু লায়লককথিবনী সনা ,কীওইবী ঙাসুরোল লিকয়াইদু কৌথীজি কোনৌ থকী খুমিংকী ঙঙাল মথেন্না থেংবঙম রথং মথং নমথমকপী য়োইয়াং নৈমপী লেংলাবা থিরোয়কহুবনী।

৬। পুরিকলাই নারোং লাইরিগ্পা

নম্বু নিংথৌ। য়িরাং পুরিকলাই। নারোং লাইরিক্লুপাত্তি। নম্বু নিংথৌ। খোইরম লাইরেম্বী খঙ্গা। চৌংথু লাইপাউ নিংতাপা উনপী পূকনিং তপপা। চৌংথু লাইরি মনলা য়াতুমপাত্তি। চোয়নৌ মনা মিং-হুনকিপু চুনপানে।

নয়োন কেকে খোইরাং নৈলা। তাহুয়োন য়াহুইনু। তাবপা খাইকাপা। খোংঙাই তেমকপা। কাওরেন মলনা তাম। মলনা মাসিং য়াংপাত্তি। তালোয় তুমুংসি। থংলেন য়াহুংসিপু য়োইনা-কুলো। হায়না পূকয়ু থনপাপু য়াজেমপা। লাংবা থনপাপু য়াজনপা চত্থু। মপাম হুয়েন লাননিকিত্তি। কানে নিংথৌ মহুম মরাংপাপু। খোইমিং নৈচুনপা চত্থু। তাহুয়োন য়াহুইনু। পায়মা মনা রুনক্লোই-ফুংকী॥

৬। পুরিক্লাই নারোং লাইরিগ্পুবা

নম্বুথো খোইরাং নিংথৌ পুরিক্লাইগী কোলোয় মিংলেপ্পি নারোং লাইরি অবা হায়না মিথৌনৈ। নম্বুথো খোইরাং নিংথৌ অসিদি খোইরম লাইগী লাইশক খঙনা লাইগী লাইপাউসুং মীতোম্না হায়দোকনা পূকনিং ইংনা তপা লাই নীংহুনা চৌংথু মাথী য়াথী য়াথোঙবু মীয়ামদা তম্না অতুরা তাদা হায়হুনা শম্নোকপা মরম্না কৃতোংলবা মনাওম মিংহুন অসি চুনবনি।

মথেক্তো খোইরাং নৈবগী কোলোয় মিংলেপ্পি তানবা শরাইদা শোকচবী তাহুইনু হায়না মিথৌই। তানবা শরাইদা খাইথরকপা খোংঙাই তেমকবা কোৎনা তুমলেপ তারা মিংলকপদা মংকং ওইননবা কম্থিবা কাওরেন পনুনাং তমবা পুহোং পুতিনবী হায়কপোং মথাং তথিনবী হায়নবা পুকিং য়াথৌ পূকনী তৌখিনবু হায়না তুরানা চীংয়া তমরা খাং য়াজা হোবা নমন্দ কাওবা তারিবা তুমংগী লমকয় কাওবদা হায়নথিবা নিংতোলগী মশক পত্থোগী হুয়েন লাম্বাথিবগী মতিক মঙাল কানে নিংথৌ মতম মরাংবা কোমবু কাবা থবায়দা খোইমিং য়েকুনা লানকা য়াকপগী মথোয় তাহুয়োন য়াহুইনু হায়না কৌথীগী শেংলবা শিরোমনুংগী—

৭। পুরিকলাই মন্নামপা

কেক মোইবাং নিংথৌ। নহু পুরিকলাই মন্নামপাক্তি। ক্লোয়নৌ কন্না মিন্নলেকিপু ছুনপানে।

নক্রোল কেক মোইবাং। কাইচা রিরিকলাইপু। মৈনা রারুনা মিংথোং কনী। ভাহুরোল য়িরীকহু। ভানপা সরা নাচাউস্। থোইয়ম লাইপু মৈনা রারুনা। মিংথোংকনী ভাহুরোল। রিরিকহু। ভানপা সরা নাচাউস্। থোইয়ম লাইহং থৌপান্না রেনপি। মপান হরেল লামনিকিতি। থৌপান রিকমলাই। ছুপি কেকনি লোতপা। লাইরেক মৈনা তোনপাপু। অহোত লানু তরনা স্থংপাচা। ভাহুরোল রিরিকহু। পারমা সনা রুনকোইহুংকী॥

N. B. কেকে পুরিকলাই তরেংমাত্তি। থোইয়ম মসানরোমনিকিনা। কোকৌ মথননা তেথংনা। রাংপল তেথনানা। থপাকুকুমপাপ্ মথননা হনচিননাথিপা। হাওলি মংনাইতা। চৌংগু মপাউতোয় অরাপা। য়াইপী তেচিনপা। থোইয়ম মসানরোন অরুপাপ্। থওতমতাপাকী তয়ম পাযমা সিলনৈরোমপানা। নোংপাল লাইগ য়িরুংপংকুমপাত্তা। সমু থুংনা কাপপা পানুতমকুম পানতম মপা লৌনা হাহমচাথিয়ে।

৭। পুরিকলাই মন্নামবা

মমুথৌ মোইরাং মিংথোপী কোলোয় মিংজেনা পুরিকলাই মরাবা হারনা লোলোয় মিংথোয়মরি কত্ত্যেংলবা সনাতম মিংহুন অসি হুনবনি।

নবেথৌ মোইরাং তৈমবী মিংতেয়া লাইজা ইপিনী ইতিক নীংথিকী অমিরু লোতুনা মিংথোনবিবী ভানবা চদু অথী কোলোয়না ইরিকহু হাজনা কৌখীনি। মোইরাং তৈমা ইরিকহু কৌখীদি সরা নাচাউবা, কৌবা ভানবা মলাইনা লোকপা অমোবা, থৌমালগী ইকলাই মকোক অনি লোতরদু কাহুনা মকোক করুপা লাহু চনহনাথবা ওবা মতিক মওগ তৈমবী মনোম ইরিকহুগী পোংনবা শিরোমহুংবগী—

৮। লুম্বু চারিকলাই অতেমবা

নম্বু নিংথৌ কেক পোম্বেন হন্‌পা। লুম্বু চারিকলাই অতেমপাতি। খোংনাং মনিন মাইপা। ময়াং নম্বক্তোয়পুংপু লেমথাক্লী। খোংনাং মনিংথৌ। ময়াং লাইচৌং রাঙনুপা। মাইপং চৌংকোই কমপাপু। থৌচাল পূকমানুমানা লোয়নামিনকী। খোংনাং য়াংলো মলমসাংপু। তামনা হৌরম কননাতা। লাইচা রুনিঙখোংপু কংনাতা। খোয়বা নায়ক লান। পাঅের্দ [illegible] লানপু, উমপম্‌লোতানা॥ য়াংলো লমকাও- নৈএ। মপল লাংকোই লৈরামথীচা। লুয়াং অকাংচব নিংতোনথী। খোন্দু য়ারা সিমথোঙ হাঙ। পায়বা সিলৈরোম। সিনাই মখোঙ খঙতাথী। তম্বেং খোংকাং নাখুনথীনা য়োইথিনা। তৌইথী লাংয়া খুনথৌপাচনু থসানয়োম। অতৌপা তোয়া মচল নুমানসা। লাংকোই নয়রেম কাও লুয়াংপাপু। লাংকোই সাতিকনানা পালনমরে হায়তা- পায়া। ইরাং পুরিকলাই লুম্বু চারিকলাই অতেমপাতি। তৌয়নৌ সনা মিংচুনক্লিপু চুনপানে।

৮। লুম্বু চারিকলাই অতেমবা

নবুথৌ মোইরাং নিংথৌ ওইরব, খীথী অহানবা নিংথৌথী কোতোম থিংতিয় লুম্বু চারিকলাই অতেমবা হায়না কিংথোই। নবুথৌ মোইরাং নিংথৌথী লোয়নুন [illegible] খোংনাং কাৰাঙতানিংনা মতিক মঙলৈনা [illegible] মাইবঙ নমদমথী নিংথৌগা পূকচেল [illegible] থাংলবা নবীনা য়াম্না ভাগ্য লৈবনা অপিকপা ঈশিংথোংসু কং অম্বনা পোঙনবা নাপী জৰুলগী নমদম কয়া লান থুময়ি উম্নাউ ম্যাচাউ শীংজাউ হৌবা নম্বু লায়ষ্না নবী নমকাওনে। লুয়াং পনাইথী অকাংজম চনু ওইবী লাং য়ায়া হোৱা নমদা খুদোকা চনুনা থবক ইনথাঙ তঙ-নোংঙ হৈতবী শিঙ্গম শিঙ্গা থঙ্গনবী তরেংদ মোইথাপু নাইবা ক্লাওবা হৈজনবীনা শাইতল তৌহুনা অতৌবা তোয়াগী কচত খানবা লাংগোই শাম্নু ওইনা ওইজথিবী শীংথিবা শাম্নুবু মমল মতিক চানা পিন্নন লৈরগা মুঙাই য়াইকনা পায়নরে। পুরিকলাই [illegible] লুম্বু চারিকলাই অতেংব [illegible] নিংথৌনা অনিকুনবনে।

নয়োল কেক্কে মোইরাং নৈমা। নোংপালজোম মৈরা পোনচেমবী। মরোক লোইনেনপা। তোনপল খৌসাপা। লনহাং লোইকেনপা। হুয়েল য়েনহোইবী য়েনহোইপাপু। কায়না হুনপম চহু। নোংপালজোম মৈরা পোমচেম্বী পায়বা সনা যুনকোইহুংকী

৯। ফাং ফাং অতেংপা

কেক্কে মোইরাং নিংথৌ। ফাং ফাং অতেংপা। য়োইমরাই তাউতনপানা নোংপোক সোয়য়াম্বাকী। হুমিৎ মথোক্ত হাংজাপাকী। ফাং ফাং খেনকা য়াইপু। মৈনা যায়না মিংথোংফপা। য়িরাং পুরিকলাই। ফাং ফাং অতেংপাতি। হাওরে নোংচুপলা পাংপালমতা। হুয়েল লান-তাথিএ। হাওরেং কোইবা মসাইকোন। হাওরেংকোক মপুংয়ায়দা।

নবেক্কৌ মোইরাং নৈমবী কোলোয় মিংজেন্দি নোংবালজোন মৈরা পোজেবী হায়না মিংজোই। মোইরাং নৈমবী মপাম্বলবগী মতিক মগুন্দি তেকপী মরো.ক য়ায়া লোইবা, তোনপল খুন্দা লামাহনা লনহাং লম্বু লোইহাহনবদা য়েনহোইবী য়েনহোইবা কৌবরু লানগুমথিবগী মযোম নোংবাজলোন মৈরা পোজেবী কৌবীনি। মোইরাং নৈমবী লেংলবা পায়মা শিরোমমুংলবী।

৯। ফাং ফাং অতেংবা

কেগে মোইরাং নিংথৌবী মিংজেন্দি ফাং ফাং অতেংবা হায়না মিংথোক্লি। কোরৌ থক্তা থোক্লিবা নুমিৎনা নোংপোক মায়কৈরোমদা মঙাল হেক পীদুনা ফাং ফাং শন্দোকক্লবা মতমদা পোকই হায়দুনা নুমিৎকী মঙাম্বা ফাং ফাং কারক-পবী মিংথোক্ত জোহনা মিংথোক্লকপা মোইরাং নিংথৌদি নোংফুম মায়কৈরোমদা হুয়েল লান্দাখি। হাওরেং কৌবনা নৈবা লমলবগী হাওরেংকোক কোকা খুন্দা

চুঙলেন থাবুপহৌ, থাওলেন খেরাং থাং। খমেং লাইজং লেংনা পনথেং-থাপাত্তি। লোইপি মপুংতাক। হাওরেং থুমগী মৈমাঙচন। হেমপা থাংচেন থুমলে। পুরিকলাই খিংকু মখিনাই। য়িরাং মৈনা রোংবা খৌসারে। হয়েল লানমনিকিত্তি হাওরেং কোইপা নিংথৌ। তাঙচা লমথোকতপা। হাওরেংকোক মাকাপাপু কায়না হললকএ। য়িরাং পুরিকলাই লোইনি হাওরেং লানথাপাত্তি। নতাইরেম অথৌলিচা হেপপা। ঙাংঙোই থয়াং কোনতাইলোনপা পুমনাম। পুতুং লানপোৎ মঙাল-নাইনা। পুরিকলাই মচি হেননা। ঙাংঙোই মরাই লাংনা। মরান রোনতেরকলাপাতা। লমলেন মতাইমা। কেকে থাইতোন লৌথিপানা। নোংপাল থানতেকচামপা চহুপু হোইথিরকচে। মোমহু তালোয় মরুমগী। খিংখিং হৈরেম পুংতোংপা চহু। লৈমা লুরাংখোম-শীনা পাউমেললকএ। হে য়িতু নিংথৌ। খিং খিং হৈরেমপুংচা। কাপো রারৌ খিপা-রো। থংলেন থাইতোন লৌথিপানা। নমোম ঐপু তরা চানমথিকুমপাপু থানাকনীক। রাংলৈ কোনঙৌ থোংকুমপাপু। তিনচুং নীকনা।

চুঙ, তা অমদি থাঙসাংগী মতিক উংনা লাম্বেংনখিবদা লোইবী মপুং তাক্না হাওরেং খুজং পুম্বা মৈ থাবদা লোইবী পুম্বা মাঙ তাকখি। মোইরাং নিংথৌনা অশাওবনা লুতোন কানা মৈহৌনা শাউরতুনা লাম্নাখি। লান অতুদা হাওরেং কোইবা কৌবা লম-তুদা চথোকতবগা হাওরেংকোক কৌবগা লাম্না মায়থিবা পিরবখি। অতু-দগী মোইরাং নিংথৌবু লোইবি হাওরেং লাম্বুবা হায়না মিংথোন্নখি। নিংথৌ মনাই অকন অথৌ, মচা মনাও অকনবা পুম্নমক লানগী লানকি নীংথি-নীংথিবা লেংলতুনা নিংথৌনা মমার পাক্লা মোইরাং লাম্মীশিংনা হরাউ মায়থোং উংনা ময়ুমলোমদা হল্লকপদা লম্বীদা মোইরাংগী থাইতোন লৌথিবা কৌবনা কাল্লেক চনুবু থিরকপা মাগী মতালোয় হৈরেম চনু লৈমা লুরাং খোম্বীনা হায়জরকই। হে ইবুং খিং খিং হৈরেমচা কখো রারৌথিবাও! ইথংলেন থাইতোননা নচল ঐবু অপুম্বা চাকুম তুকচনা তিঙ্গুং থানাংনা কোচৌদা যু হায়জৗন থওইবিরতুনা

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] পরাক[illegible] [illegible] [illegible]।
[illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible]। [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible]।
[illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] চাই। [illegible] [illegible] [illegible]।
[illegible] কেকেক তেপোনা। [illegible] [illegible]। [illegible]-
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] তানা [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible]
[illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible]
[illegible]॥ [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible]॥ [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible]-
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible]॥ কেকে [illegible]

কাঙেক চনুব্রহম কোয়থি থিজুনা ঊপথরে। হোয়েন মানা লোক্তাক মায়ার থমজুনা
মাপী উঙাম (পেঙ) হোংজুনা কায়রুবা কাঙেক চনুগা লাকেন্নিরবা মতুঙদা
[illegible] নাপী নথংলু থাঙজেনু অঙনা মাঙনিয়ু, অরুম হায়না লেৎচরবগী অশিকপা
মাতোমা কোন থাঙনা খুন্তাবা হৈরেমথুংগী কমো মাদো থিবনা মাপী থাঙজেন
অহু-নুংগা মীশিং মইনা মইনা হেক থোক্লিজবা কোয়বগী মইনা কৈথি।
লোইবাংগী মীশিংনা থাঙজয়োবদা থোবনু থারকা কোই। নুমিং অহানবী মকুয়ুরু
থাঙগী হায়না কৈদবু নখং মমাং লোইবাগী মীশিংনা থাঙগা হায়না কোই। ময়োন
নমপী থাংথা নুংবনা চীংগী অশুকপা লোক অমদা [illegible] কাননবা লোয়, লেম্বুনা
নং থুবদা মাপী অচৌবা লোয়ানদা থাঙ মাই ওইবা অমা চংথিবদা নংগী মমাঙ
[illegible]বা সো অহু শত্তুনা নং কাইথিবদা থাঙ মাই ওইবা ওইনা মাওরকনে। ম মম
[illegible] নুমিং অহুমগী হৌনা থাজদোয় হায়নবু কোকেগী মীয়াম্বু

থাঙকাসৌরো তৌনা কৌএ হায়জাপাঅে। হে মিরাং পুরিকলাই। কেকে পোংলেন হনপায়ো। মধু নিংথৌ পুরিকলাই অঙেংপাডি। নোংচুপ লৈমাচীং। নোংপোক নিংথৌ ইমপু ঙমলোমখানা। খুয়োন থাঙকাসোর। থাঙলেন মুচঙলোয়। চীংজক অচমপাতা থাঙলেন নাপন ছুই। কাচেং য়োংহকজন। থাঙলেন মরাই লাংপপু। তানফংদিএ। কেকে মিরাং পুরিকলাই। ফাং ফাং পোংলেন হনপা। থেনলেন মধুকা। হাওরেং খুংঙমথেল। হয়েন লানমিকিডি। হাওরেং হাউরুকোক লাকাপা কানাথেননে। কেকে নুংথোইপা থেজনে। মধু নিংথৌ ফাং ফাং পোংলেন হনপানা। মনা কমপাল ভোংমা পাললমইঙ। খোইয়ম লংপা য়াইহৈপীকা। থাবী য়াইতবপীকা। মরাই য়াইথেংনঙৈতা। লংপা য়াইহৈপানা। থাবী মকন মতুংলৌ। পায়মা লিনসাং পেকনা রৈনারাপাকী। থাবী লুকোক চসুতি লুতুয়ে। মপারী চাথারাচা পোন-চেনপা। অমুরাচা থোকনিংস্নমপানা। য়িপল থাবীপু রৈনপা। লংপা মায়-পোষপা। চামলৌ থাংসাপা। ললহাং লোইকেনপাপু। কত্তারনো হায়না।

থাজলোয় হায়না কৌনখি। হে মোইরাং নিংথৌ তাইবং মীওইবগী মকোক ওইব-ও নহাক্কি নোংচুপ মায়কৈদা লৈবা লৈমাচীংগা নোংপোক মায়কৈদা লৈবা নিংথোউগা তাইনবদা লৈবা খুয়োন থাঙকাসোয়গী চীংজক য়োনা পুরিক্লাই নহাক্না ন্নতিক-নওশ উংনা থোনাখিবা মরম্না কোলোয় নমি' চংপবু তানফংখিবা মোইরাং নিংথৌ ফাং ফাং পোংলেন হনবগী থংকো ওইবা হাওবেং খুঙমথেম্বা লায়াখিবদা হাওরেং হাওরুকোক লাকপবু ফাখি হায়বগী ফান-থেন হায়না কৌই। অছুনা মোইরাংগী নুংথোইবা থেন ওই। মোইরাং নিংথৌ ফাং ফাং পোংলেন হনবনা মোইরাং ফজাল কাহুনা নিংথৌ ওইরিবৈদা লংবা য়াইহৈবীথা থাবী য়াইতবীগা য়াইনুমনবদা লংবা য়াইহৈবনা থাবী য়াইতবীগী মথিক কায়না থোয়রীন লোক্না রৈ-নরবদা থাবী লুকোক চনুদি মায়থিয়ে। মচানিপা চাথারাচা পোংচেনবা অমুরাচা থোকনিংঙবনা ঐপী ইমা থাবী লুকোক চমুবু লংবা মায়পোথা কৌবনা থাঙলেন থংবা পাবনা মায়থিবা পীহুনা য়াইবী লোথে হায়রিবা অহুবু কদায়দা লৈঅবনো হায়হুনা

থাঙলেন মথুংদুপু। থৌতু নুংবায়রিং। লাইচা থিকলেন চাই, থাঙ-লেন মথৌ হেনখিপা। য়িপল খৈপিকপু য়ৈনপা। খোইয়ম লংপা য়াইহৈপাপু কত্তায়নো। হায়না য়াইপি কপ্পহৌ নীকন্ন, চাইথল্লমএ। লিকলাই লংপা য়াইহৈপানা। চাক্ষথারাচা পোনচেমপা। অমুরাচা খোকনিঙম্বনপারো। নপল খাপীতি কত্তায়নো হায়না পাউহংপাপু। য়িপল খাপীতি। লিকলাই লংপা য়াইহৈপাকা য়ৈনরাপাকী। নোংমল্লে হায়না প্লাউখু মলাপাতা। নপল খাপীপু রে।ইয়াইনাত্তে। খাপী খোম-লেনতুম কপপানবিঙে রোইয়া হৌ। কেকে হাইনা লংপা মীহিংয়াইপু ভেচিনথিরাপাকি। সুথুম থানফম লেপনা। খাপী খোমলেন তুপু কন-নারাম্বনো। হায়না য়াহৌরাপাতা। খাপী লুকোক চম্বুতি। তাইপং মালং কারকলে। অতুনোংকিপু খাপী থানফম্মলেনরো তোনা কৌএ। খোইয়ম লংপা য়াইতম রাগনে। খাপী লুকোক চম্বুকা। লংপা য়াইহৈ-পাকা। য়াইরম খঙনারাপাকী তেনা কৌথিএ। অতুনোংকিপু খুয়োন তেসা তেনৌপারো তোনা কৌএ। কেকে চাউপা পুংপু চাউহৌনা।

থাঙলেন মথংদুস্ অদু নুংদা ঈশিং চাইহনা কেঙলগা থাঙ অদু থৌহল্লগা ইমাগী লানবানথিবা লংবা য়াইহেবা হায়বদু কদায়দা লৈগ্রবনো, হায়না মথরাই শোক্লা নুংঙাইতবগা লোয়ননা ঙাংখি। লংবা য়াইহৈবনা চাথারাচা পোনচেম্বা অমুরাচা খোকনিংঙম্বরও নপল খাবীদি কদাযদা লৈগ্রবগে হংঅদা ইপন্দি লংবা য়াইহৈবগা য়ৈনবদগী শিথরে হায়না খুম্নবদা নপল খাবীবু ওইরিরোই খাবী মানা মমঙ ওই-বগী কপ্পতুম ওইরিনি হায়না হায়নরিঙে লংবা মীহিংয়াইদি হক্তিনগ্রবদা সুখুম কাঙাউনাক্তা লেপ্পুনা খাবীগী মঙপানতুবু কল্লরসনু হায়না হাগরবদা খাবী লুকোক চনুসু তাইবং ওইরক্লে। অদু নুমিত্তগী খাবী থানফমলেন হায়না কৌই। খোই-য়ম লংবা য়াইতমবাই হায়না হঙনখি। অসুম্না খাবী লুকোক চনুগা লংবা য়াই-হৈবগা য়াইগী য়াইরম খঙনববু তেনা হায়না কৌনখি। নুমিৎ অদুদগী হৌনা খুয়োন তেসা তেনৌবা হায়না কৌনখি। অসুম্না মোইরাং লৈবাক্তা চাউনা পাক্লা চাউখ্রৌবা

মোইরাং মাংগা য়াইপু। অমরক সাংহৌনপা। কেকে তানথোং মন্থুং-খুই। মোইরাং লেমথোং মকৈ পাকহনকে হায়পাকী। খোইরম লংপা য়াখঙলোই তরেৎমানা। লংপা য়াইরুপ তিননা। হুমিতাং লয়পুং য়াকাপা। সাংপা য়াইরুপ পোংটৈপ খোনপু। কোবৌ নোংতামত্তা। থপী নোংলেপতনা নাত্তারাপাকী। কেকে লয়কোয় ফমপা পুরিকলাইনা রাহমলকএ। তয়ম কেকে খুনকাংথৌ। মোইরাং লাইকংথৌজিংরো। য়িনুং সোয়য়ায়মাত্তা কোরৌ নোংতানত্তা। থপী নোংলেপতানা। নমু মীনিন তামনাপা অসিপু করিনো। খোমলেন তুমকনফাত্তে। কেকে পুমনা থাঙজা হেপনা। মোইবাং লৈকাই পোইপাপুনরিরোই। নমু লিনচেন ফংতপা। মীরান চোইসা য়েংপা। সাইকং লয়হনপা। তেকপি মীরোক হুপা। কায়রৈ মীয়েন হুপা। নমু মীরৌ লৌখুৎসাপুনরিঙেনে। সমু খোঙকুন থিনা। কেকে মীথাপুং। মোইবাং মীতুকম। পনম মীযানফমত্তা নোংমলহলরো হাযনা ডাংঙোই লয়মাপানা রাহমলকপাত্তা। পুবিকলাই মযাথপু নাতারাপাবী।

অমদি লৈবাক মরাক ময়ুং নাইনা পানবা লমবু হেন্না পাক্না চাউনা পান্নবা লৈবগী মথক্তা অমুক্না হেন্না পাকহন চাউহনগে হায়বগীদমক লাইওইরবা লংবা য়াখঙলোই তরেংমক্তা নিতি নুমিৎ খুদিংগী মরুপ মন্নাম তিম্নরদুনা মীয়াম পুম্না রা তান্নরবদা মীয়াম তিনবগা হৌনবা ঙুং ঙুং মুরুম মুরুম লাউবা খোজেন অদুনা মোইরাং নিংথৌনা তাররুদুনা মোইরাং নিংথৌ ঐগী অঙম অথৌ থাবম লাইফমগী অঙমশিংও। অহিং অহিং অসিদা নুমিৎচুপ্নগী নোংমত্তা লেপ্তনা মীয়াম তিম্নবগী খোজেন্না ঙুং ঙুং লাউদুনগো লৈরিবনিবু করিনো। অহিং অসি তুপ্নসু য়াদরে। কেগে মচা মোইরাং মচাশিং, লৈকাই কোয়বগীমক্তি ওইরম্লোই। মী মপূক কক্তবা, অদুগা মীকুপ নাম্বম য়েংবা শাইজিন শায়া লুমবা ওক অমদি য়েন্নচিংবা হুরান-চিন্থিবা মরৌ তৌবা মথৎ শাংবা মীশিং ওইরম্নগনি। অদুনা মখোয়শিং-দুগী খোজেন্দ মীরগা মোইরাংগী দত্তি ফংলগা থাদুনা মীহাৎফম মী তুকম ওইরবা য়ানফম ওইরবা মফমদা পুরগা মথৱাই লৌথোক্নো। অদুম হায়না নিংথৌনা হায়-রক্রবদা নিংথৌ য়াথং তাররগা

ঙাইহৌরম কেকে খুনকাংথৌ। মোইরাং লাইকংথৌজিংনা। লোকন্দৌ থৌনা। মিংয়েং লানথৌক্লপাপ্। খোইরম লংপা মণাওতোরকিনা। চেংলৌ মিৎথিংলকতারাপাকী। মামগী খুত্তপনা। খূকম্ নৈজেল কোননা। খুংকাই চাংজৌ চেপনা লোননা য়াকৎচখিএ। কেকে য়িনিংথৌ। ঙাংতোই অয়মাপায়ো। পুরিকলাই সমা য়াখৎপ্। কতাইরৈম খুনকাংথৌ। ঙাংতোই লাইকংথৌ পুমনা হুপনা। মিংয়েং সানথৌক্লপাপ্। মীয়াম চোইসাপা। সাইকং লয়হনপা। নমু লিমচেন ফংতপানিংপ্। মিংয়েং সানথৈরকতে। হায়না য়াকংলরে হায়তাপায়া। খোইয়ম লংপা য়াখতলোয় তরেংমাতি। য়াইপী কলথৌ নীকলাপাকী। কেকে চাউপাপ্‌ৎপ্ নমতা হুননা। খুযোন লয়খোঙ কায়হললকসে। য়িনুং কৌপা সোয়রকলাপাতা। চেংলৌ মিৎথিংলাপাকী। কেকে খুনকাংথৌ। মোইরাং লাইকংথৌজিংনা। মুকমু নৈজোন কোন। চাংজৌ চেপনা লোননা য়াকৎচরকএ। কেকে য়িনিংথৌ। ঙাংতোই পোত্তলেন হুনপায়ো। কেকে নয়পাকপ্। খুয়োন লয়খোঙ কায়রে হায়না য়াকৎলকলাপ্ কিনাতারাপাকী।

মনাই অকন-অথৌশিংনা থুনা য়াঙনা চৎখিহুনা কোয়রেং য়েংলুবদা লাই ওইবা লংবশিংগী মা ঙাংনবা ওইরম্লবগী চঙশিনদুনা য়েংলুবা ঙমদবনা শন্না কুনবত্তম কুনজরহুনা নৈরোন নৈকাইনা থ্‌বাং ১০ লোয়া হঙজখিএ। কেগে ইনিংথৌ মোইরাং লয়মাবাও। নিংথৌ সনা য়াথং পুহুনা মনাই ঐখোয় পুমমক্না চৎতুনা য়েংজকবনু থীকুপ নাহেম য়েংবা-লাইজিন শায়া নয়া (লুবা) মী কত্তবশিং কনাওবা উজরক্তে। অসুম হায়না য়াকৎচখি। অদ্গা লংবা য়াখত্তলোই তরেং অদ্দি কহি খোয়া লাউরদ্না কেগে লমদম অদুবু তুংওই নাতৈননা হন্দোক্লমগা খুয়োন নৈকাই অদু কায়হল্লকলে। অহিং ইনুং অদ্না হৌখিরগা নোং ডায়রুবদা খুয়োম নৈকাই কায়বদ্ উবদগী কেকে অঙবা মোইরাং অথৌবশিংনা মকোক লোয়া লোক থাইহেনা নৈশি নৈখোয়দ্না কুরুমজরগা হঙজরকই। কেগে ঙাংতোই নৈবাক মসু ওইবা ইবুংঙো। কেগে নংবাকী খুয়োল নয়মদম মচেৎবা অসিসু কায়রে হায়না অকি-অথঙ লাহোক্তুনা হঙৎলরবদা

য়িরাং পুবিকলাই। ভাংভোই পোংহনপানা রাহমলকএ। তয়মং শিংরো। অসাইডৈকী। য়িনুং সোয়রায়মাতা। নমু মীনিনখোল নাতাপা অতুপু। কেকে থাংভা হেপ। মোইরাং লৈকাই পোই-পাপু খাগীকএ। খোইয়ম লংপা য়াখঙলোই। তরেৎমাপু রোইরে। লংপা য়াইরুপ রোইনা। হৈনা মাতুং য়িলহৌপাপু। কনা লৈপাকে হায়না পাউহংলাপাতা। হোয়তা কেকে য়িনিংখৌ। ভাংভোই পোংলেন হনপারো। লংপা য়াইরুপ রোইরৌপা। মোরি লৌসিংপাতি। খানলৈ লৌতাপু রুবমএ। হায়না রাকৎলাপাতা। তৌযিকিতি য়িতাই-লেমসিংলো। মোরি লৌসিংপাপু থুনা পাউকোখৎলুরো। হায়না থৌসীখেনকী। কেকে সমু খোঙনা য়াঙপানা। অনেন লোকলৌ হৌ। লোকলৌ খুতান হন। খলৈ মরৌলেনতাকী। মোরি লৌসিংপাপু থুনা পাউকোখৎলুরে হায়তপারা। কেকেনা তেংখানা। মোইরাংনা মীকৌনাপতি। অচেনপাপ, অপাইপারো কৌএ। অতুনোংকীপু মোরি পাইরৌ লমনংসিরো লৌনা কৌএ। মোরি লৌসিংপাপু।

মোইরাং নিংথৌ পুবিকলাই পোংলেনহনপানা হায়রকই। কে ইদাইরেম অচানবশিংও। হৌখিবা ভুসি অহিং অদিদা মীয়াম্না শিন্নবগী ভুং ভুং লাউবা খোঞ্জেল তাখিবা অদুবু মোইরাং ইরৈবাক ভাগীগী কোয়থোক চখোকপা কাডবু ওইববোই নীংলুরে অদুবু খোইয়ম লংবা য়াখঙলোই ৭ অচ ওইরে। মখোয়গী মন্না মখোল থঙবা মতুং ইলহৌবা মী কনা কনা লৈবগে অসুম্না পাউহংলবদা হোই ইবুংঙো কেকে মোইরাং ইনিংথৌও। লংবগা মরুপ ওইড়না লৈমিন্নহৌবা লৌশিং শিংবা মোরি কৌবদি লৌদা লৈহৌববু উজরম্মী হায়না হঙৎচন্নবদা অদু ওইরবদি তরুম অচানবশিংও মোরি কৌবা লৌশি বগু থুনা অমুক্তং কৌখৎলো হায়না সনা য়াথং হায়রক্লনদা মোইরাংগী মখোঙ য়াঙবা অমনা তয়মখৈ মকখি মদোক্কা মখোঙ থুদোল লৈবাক তাদবমখৈ চেল্লগনা মোরি লৌশিংবনা লৈরম্বা লৌফমদগী থুনা য়াঙনা কৌখৎলুরে। মোইরাংগী মীশিংনা হায়না থঙনবদি অচেনববু অপাইবা কৌই। নুমিৎ অসিদগী হৌনা মোরি পাইরো লমনুংশি হায়না কৌনখি। মোরি কৌবা অশিংবসিনা

কেকে পোংলেন হনপাকী। সনা মখোঙথাতা রাইথুংলরাপাকী। যিরাং পুরিকলাই। ঙাংঙোই লয়মাপানা রাহমলকএ। তয়ম মোরি লৌসিং-পারো। লংপা হৈলা মতুংয়িনন্না সনা মমৈ রায়না। লংপা য়াইরুপ য়োইরোয়ে হায়রাপাকী। থুয়োন লয়খোঙ কায়রাপা অসিপু। মালেম লয়তাইরো। তয়ম নঙনা। মালেম লয়তাইপা ঙমতারাপাতি। কেকে মীথাপুংতা নোংমলহনকে। হাযনা য়াহমলাপাপু নাত্তারাপাকী। লংপা য়াইরুপ রোইপা। মোরি লৌসিংপানা। মমায় হাঙবৈ নোংপোকলা পাংপালমপু রোননা। মুংসি মথৈ ফংনা। পায়মা মুংয়েংচেং। খোই-য়ম লংপা খোঙথুন য়েংনা পুরুমচাখিএ। হে খোইয়ম লাইনিংথৌরো। নত্তাইরেম ঐনা। চীংঙু হৈনা নতু'ইন। সনা নমৈ রায়না। খোইয়ম নারুপ রোইরোএ হায়পাকী। থুয়োন লয়খোঙ কাযপাপু। মালেম লয়তাই ঙমতারাপাকী। পাউমেনচারাপাপু মিংয়েং সানখৈরাপাকী। খোইয়ম লংপা য়াইহোপাতি। থিংলৌ নিঙনা নো হলরাইরকএ। অতুনোংকিপু য়াওসু চীংহনলয়। মোরি লেপপাচোং। লমলেন

মোইরাং নিংথৌ পোংলেন হনবগী সনা মখোঙথাদা হেক থুংলবগা ইরাং পুরিক্লাই। ঙাঙোই নিংথৌনা হায়জরকই। হে তয়ম মোরি লৌশিংবও। লংবা মাগী মতুংইন্না য়াইরুপ হোবা মরম্না থুয়োন লয়খোঙ কায়রিবা অসিবু মালেম লয়তাইও। হে তয়ম নহাক্না থুয়োন লয়খোঙ কায়রিবসিবু লয়তাইবা ঙমদ্রবদি মোইরাংগী মী থাদোকফমদা থারগা নথরাই মাঙহনগদবনি হায়না হায়রকপা মারোল অহ্ তারবদা লংবা কৌবগী য়াইরুপ ওইবা মোরি লৌশিংবনা মমায় নোং-পোক ওয়া মপুক্কিং নুংশিনা মপূক চনিং লয়তাদনা চীংঙু লংবা কৌবগী খোঙ্গুল য়েংলগা খুরুমজখি। হে খোইয়ম লাইনিংথৌ ননাই ঐনা চীংঙু নঙগী নতুং ইন খোইয়ম নাক্তা নৈতনা লাইনিংথৌ নঙা মরুপ ওইরে হায়বগীদমক থুয়োন লয়খোঙ কায়রিবা অসিবু লয়তাইশিনবা ঙমদ্রবগী ননাইদি অত্তাবা তারে হায়না হঙংচরিবা [illegible]বা মতৌহ্ উবিরক্লা খোইয়ম লংবা কৌবা লাইনা তম্না হনবিরকখি। নুমিৎ [illegible]গী য়াওস চীংহনলয় মোরি লেপ্পচীং লমলেন

কোংয়েংচীংরো তৌনা কৌএ। চীংঙু লংপা য়াইহৈপানা। মালেম লয়তাইরাপু। মোরি লৌসিংপাকি। নাকোঙ থোঙচাউলেনতা। লাংপল খোইমু খোনতানানা পাউতাক পিরমলাপাকী। মোরি লৌসিংপাতি। থিংলৌ নিঙনা তেনা। হলরাইরকলাপাকা। থুয়োন লয়খোঙ কায়পাপু। মালেম লয়তাইকে হায়পাকী। মিংয়েং সানথৈরুপাপু। মালেম লয়থানুংতা। তুপি চিনাইপা। লাইরেল চিরোঙপানা। তুপি থেকতুম থেক। লাইরেল কোনতুম কোন। মথেক কৈপু সানা। মেনাং তনপা। থুয়ৌ ঙামচৌ চোংকুম সানফোঙনপাপু। চেংলৌ মিংথিংলাপাকী। থেনচো লাংমৈ অরাঙপা। মোরি লয়তাইরাপু। রাঙমলোন পানথোইপীকী। পাউসা লাইসৈনা খাননারৌএ, হায়তাপারা। হে য়িরাং পুরিকলাইরো। কেকে থুয়োননাই। মোইরাং অমাইপানা। রুতং কাপতু লয়খৈ লেং। লৌহিং লাকলেন ফিতউতম। কুরাউ সয়ী য়ুং কাওরেন রুরীং মানপাপু। মানপি সাথোথং। ঙাইরোং সিংখায় তাই। ফিরাক ফমমাঙ থা। লংয়েং নোংয়েংনানা। লয়সেন

কোংয়েংচীং হায়না কৌনখি। খোইরম লংবা কোবনা লয়তাইনিবগী ম কমবু মোরি লৌশিংবন্সী মনাকোংদা লোয়না খোইমুনা ঙংবগুম চীংঙু খোঙেল থোকনা তাকপিরবদা মোরি লৌশিংবনা তন্না হল্লকলগ, থুয়োন লয়খোঙ কায়রবা অদুবু লয়তাই নোংদাইগে হায়বগীদমক য়েংলুবদা মালেম লয়খাদা। লৈরিবা লাইরেলগী শকতম লৌরিবা মচী লোংবা লাইনা মথেক নাইনা ইকোন কোনশিন্না টৈ শাদুনা লৈরগা তুবি মাগী মকোক্না হামেঙনা চোংবগুম চোংদুনা শান্নগী মওং ওইনা লৈববু হেক উরবদা লাই ময়ামনা খেনচো ঈশৈ শকুনা মোরিগী লমদমদা লয়তাই নোংদাইখিবা মওংগা লোয়নননা তাইবং মপুগী মচা ইবেম্মা রাঙমলোন পান্থোইবীগী পাউশা ঈশৈ অদু শকলগা তাইনরম্মী। হে মোইরাং নিংথৌ পুরিল্লাইও। কেকে লমদম অসিগী থুয়োন খুনগংগী মচা মনাইশিং মোইরাংগী মাইবশিংনা উতংগী রাবু কাপ অমমম শাংনা লেংলগা লৌহিংনা কিরদুনা কুরাউ অমদি শয়ী য়ুংলগা উরীং মচু মানবা শন্নাববু মঙক-কক শিং তংখাই তা অদুগা মরাক তাইবা ফিনা ফম্মাঙদা থানা লৈথক লৈখা য়েংলগা লৈথকা,

নোংসেন য়াওনা। খুয়োন লয়খোঙ কায়পাপু। মালেম লয়তাইবাপাতা। ঙাংঙোই অমনক মরাঙ হৌ। কেকে মনিন ন ইহৌরকলে হায়তাপারা। নমু নিংথৌ পিরা পুন্সিকলাই ফাং ফাং অতেংপা। অঙানপা খেনকা য়াইকুম। সনা ফমপাল তোংফপা। ঙাংঙোই পোংলেন হনপানা। লয়কোয় ময়ায়ানকী। হুয়েল লাননিকিতি। নোংয়াই অমুবাচা। হাওচেং নমপোকপী। লোনত ক পনপা কোইপাপু। লগমু সেং-তাকনা। লয়রই সেংগ্র ইপুং। অয়ান লেনথাং খংনা। খোঙচঙ য়াকাফমপু নাতেননা। কেকে ল ঢখু যি। মেইতং লাইহন যিকী। লাইচা পিনা কোনপা। কেগ্র-লনপ ফমলেন নাতেননা। চৌংঙু মরান চীংখোঙ খুনথিপাপু কৈন ইনলুমনা। সঙলেন মখুৎসা। কেকে কংলা তেংকৈনগাঙপু। সঙলেন মগায় লাংনা। তাইখঙলে হাযতাপাবা। য়িরাং পুনিংসই। ফাং ফং পোংলেন হনপা। অহোঙ যোযখে নসঙ। হুয়েল লাননিকতি। কংলা সঙচি অমতা। পানপা কৈচেংলাং।

নোংথকা শন্নুনা খুযোল লয়খোঙ বানধিবনু মালেম লয়গাইরবদা ঙাঙোইগী লমদম অসি অমুব চন্না পুংঙাই মনাং কায়ি। বেগে লমদমলা মীয়াম্না নুংশাইনবনা বা রা লাউনখি। নবুখৌ মোইরাং নিংথৌ পুরিকলাই ফাং ফাং অতেংবা কৌবা নুমিৎনা মশেক শেংনা নোংপেন্দ মায়কৈনা কাখৎলকপগুম মোইরাং ফম্বাল তোংবিবা ঙাংঙোই পোংলেন হুনবনা কেগে কৈনাকী নিংথৌ ওইহুনা পানবা মতমদা থোকখিবা লানফমনি নোংম্নাই অমুরাচা কৌবা হাওচেংগী ঙমথং ওইবনা লোক্তাক মন্নায়দা কোনরকপবু মংম কুইনা ঈশিং মনুংদা কৈরম্বদগী অনোবা শেম-লকপা লম (পৃং) ওইবদা অয়াম শেমথোং পাখংবনা চঙুনা য়াকাফম ওইববু হেন্দোকলগা কেকে লমদা চেনবা লাইখু অমসুং মোইবাং লমদা চেনবা লাইহনগী ঈশিংনা কোনবা লমদমবু হেন্দোকলগা খোইয়ম মানা কৈবা মফম থিরদুনা মীয়াম চঙনা মথক থনবা মাগুব শেমদুনা নীংথিবা লাইশঙ শারগা কংলা ফম্বাল তোংফম্না মন্নায়দা থমগনা শেমলে। মোইরাং নিংথৌ পুরিকলাই ফাং ফাং পোংলেন হনবা হাক্তুঙা মায়াম চঙনা থোনগৎতুনা শেমলম্বা শঙনি। মসিদা লান্দগী ফারকপা কৈজেংলাং,

কৈরেন য়েকলাপাপু। লয়মু তমনা সেংতাকনৈএ। কংলা সঙচিমাতা। রোকলেন লাপা থারোনপা। থিংলৌ য়াপানপাপু, লয়হৌ তমনা সেংরোইনৈএ। কংলা সঙচিমাতি। কাইপী য়েক সারোম। য়াওরৌ খূৎসুমু। সারোম থরাই তাংপু। লয়মু তমনা সেংতাকনৈএ। কংলা সঙচিমাতা। লোকথা নিংথৌ যেনরাইপাপু। লয়হৌ তমনা সেংরোইনৈএ। সঙলেন ময়াযলেনতি। লংমাই লমপূ অয়াং ফানাচা। মনাউ কোংয়াং লিকসিন্থু। মথূৎ মোইগূৎ তনাপা। মমায় মোনময়নাপাপু। লয়মু তমনা সেংতাকনানা। হোঙনা সঙনে তাযতাপাবা॥ কেকে য়িরাং পুরিকলাই। ফাং ফাং পোংলেন হনপা। সনা ফমপাল লাং। মোইরাং কংলা তোংনায়াঙপু তানফংপা পুরিকলাই থযাঙ মথৌমন। ভারঙোই চুঙসেন মবানরোনতি। হাওবৈ নোংচুপ থানা পাংপালমজ থৌসাপানে। চীংখোঙ পোইবৈতোন। মমা লংনুং পিয়াইগুচা। খোংফাং অতোনপানা। লোইপী সিতাপা। হেনপা নাতাপাপু খুনথিরকপাতা। য়াংলৈ তাউপা

অমদি কৈজাউশিংনা শঙগী মচী অমদা থম্লগা মীনা হুন্দাদিবৈদেগী হৌরকপনি হায়বগু উৎতুনা শেংনা তাক্লনা থদম ওইনৈ। অচৌবগী মকোক মরু থেংলগা লয়হৌ শেংওইনৈ। অতুগা কংলাগী মচী অমদনা মঙকঙৌনা তাঙবা মথং মুবা শঙমগী মকোক থেগতুনা লয়মু শেংতাকনৈ। অতুগা কংলাগী শঙ মচী অমদনা লোকথা খুমংগী নিংথৌ য়োনরাইববু ঙমলকখিবা থদমনা লয়হৌ শেংওইনৈ। কংলা শঙলেন ময়ারদনা শেলোই লংমাইগী লম্বু ওইবা অয়াং কোবগী মনাউ কোয়াং লীকাশপু কোয়া মথং মশা নাপ্পা মমায়রেংবদা মোননা উমবু ফাখিবগী থদননা লয়মু তমনা শেংতাক্লনা অহোঙ অচাউ থোকনা মীয়াম চঙনা লেমখিবনি। মোইরাং নিংথৌ ফাং ফাং পোংলেনহনবা পুরিক্লাইনা মোইরাং কংলাগী ফম্বান্দা তোংহুনা নিংথৌ ওইখিববু ফংজখিবা পুরিক্লাই অসিগী মতিক মথৌনাদি অতুগা চুঙ তানচিংবদা অকন-অথৌ ওইহুনা মতিঙ উৎখিবনি খা লোংচুপ মায়কৈরোমদা থৌনাখি। <u>লয়নুং পিয়াইনুগী মচা অতোনবা পোইরৈতোয়া</u> চীংগী করবা মফমদা অনা-অয়েক ফংলোইদৌবা শিরোই নারোইদৌবা মফম (অনা-অয়েক চেন্দবা মফম) থিরকপদা পোইরৈতোনগা লোয়নরকপা মাগী হুইরু

মাহুইচাপু। মাংলী য়ৌথাঙলাং নুংশী মখনান কুপা লাংনা থুরৌরাপাকী। চীংখোঙ পোরৈতোননা থিংলো নংনা তেনা। সোঙপু মানুংচঙপু। লৌরুইএ হায়পাকিভামাকপু। লাংজে লৌমন লাংরো তৌনা কৌএ। লাংতে শৌনললাং। লোহরেন মনাপুংতা। খরম অচিপা। লাংজে য়িময়ায় খায়না পনথেংখাপাতি। লোইপী মাপুং কায়। মৈরা তাংকোই পাই। মৈথু নোংলোন কানা। হেমপা থাংচেন থুমলে। য়িরাং পুরিক-লাই। চীংঙু মখিনাই। ইরাং মরাঙ হৌ। চুংলেপ হুমকুচোং। কাঙরেন সনখং তায় লাননা থৌসাংরা। হুয়েল লানলিকতি। খারম-লাংজে মনিংথো। হিকোক কুমপালগেনা খাংনোপা। কায়রং লোনচন নৈনা কোকখুনপা। লিকলাং চংকোই মিনা থংনাংপা। তরেং সেনতন মিনা হেনমোইপা। লুপা তাচিন সিনা মকতেনপা। খারম নৈসোক অঙাঙপানা। চূপলেন নাপপা ঙাননা হেনমোইপা। খারম লাংসন লান-খৌয়াঙপু কায়না হুনলে। কেকে মাথনাই। পুন্কলাই মচিহেন। য়িরাং মরাই লা না। ঙাঙোই থযাঙ কোংতাই লোনপা পুমনামাকা। কেকে

লম্লা হৌনা মবী অশাংবা ওইনা চৎপা লম থাঙজেংঙদা লাংনা মথোঙদা হুখিবদগী পোইরৈতোম্মা য়াম্মা চনিঙ তানা রাথল হৌরগা হনখিজনা মাগী তাহু লৌকই হায়বগীদমক মফম অদুবু লাংতে লৌমল্লাং হায়না কৌনাখ। অনিঙবা লাংতে লৌমল্লাং লোইবেন সনাপুং অসিদা পাল্লবা মথারোমগী নিংথৌ খারম অচিবগী খুজং অমায়মতদা লানদাখিবদি লোইনী মীয়াম কাথ য়ুম্ময় থুংদ মৈ থানগী মৈখু কায়কপগা লোয়ননা তাঙ্গোয় পাইরক্লগা খুজং পুম্বা অম্বানা তাখি। মোইরাং ইরাং পুবিকলাইনা অমুক্কা কন্থি কঙাউননা মোইরাং পুম্বা মরাঙ তৌনা লান্দা-রকপদা চুংগী মরেপ ৬০ চোং মগগী মরেপ ১০ লাম্না চোংনা ফম্না লান্দারে লানগী লানফম অসিদা খারম লাংতে নিংথৌ ওইবা হীগোক মচুনা খুংজেং লাকপা নীংথিবা লোনজল নৈনা হাপপা কিনা কোকয়েং য়েংপা ঙকশমদা লীরাং পরেং শিবা তরেং শেন পরেং শিহ্না য়েংবদা নীংথিরবা লুপানা তাজিন ওইনা শিহ্না নীংথিরবা অঙাংবা খারম নৈসোক্লা। নাপ্পদা চিনতুনা নীংথিরবা লাংসন কৌবা লাম্বা খৌবমু মায়খিবা পিখি। অস্রুম্না কেপেনা বন্থি হৌ নিংথৌনা মমায় পাক ইরাংনা অমায় মংনা ঙাঙোই লমগী অকল-অথৌ পুমমক্লা কেপেন্না

মখিনাই। মোইরাং মরাক্তা লৌনা হনল্লাইবকনা পাতা। লানপোং ঙৈরৈ ফিডৌপাপু। পুক্নুং মতাননাই। ঙাংঙোই পুনবায়—ও। খাংখাও লানকা-হা। কেকে কংলা তোংনা যাক্তা। কোয়নেম লানহোইপু কংনা। কেকে চেংচা নুংকোইশীতা। তুন্দম লানন্নু চন্নল। নম্বু নিংথৌ ঙাংঙোই মপান্না। হুংঙোই মবাক্ত কায়না। কেকে লৈপাক ফংকানদে। নম্বু খোউযম লাইথিংথৌ। কেকে অসাংপা। থংচিং কোয়রেন লাইমক্তনা। খোউনম লাইনিলাং। কোন্নৈ পাওবা পুমনা-মাপু। পাউতাকপিকে হায়রপাকী। খোইযম মক্তানবোল। চিংঙু মতাঙ রে নথোকপানা। নম্বু পুকনি সুমপাণ কী। কেকে চউনপং। মেইবাং সাংপা যাযপু। কেকে থাবনেম নেম। মেইংগা থংনম নেমনা। পাথং যাবাতা। নুংগ পো পৈনা। খু যান হুইখোং গেনখৎতা। নারা অপিচানা পলেম পিথিতা। নাহা তুশীতা খোংথি থংতাপাক। নম্বু কেকে লৈনানা। ফাং ফাং অতেংপাতি। নিংথৌ পাযমা রুনকোইন্নংপু। লাইচায় রিবৈনাপাক্নম তুংপাংলাপাতা। লৈমা থয়াক্ত লাহুংথোংপী। হমহোং

লোমননা কন্থি-বক্তাউ থোকনা মোইবাং ওয়্যামরক্ত ঙোং। ওক্কানদনা চংথোবা মিহেৎ লৈগে খৌনা ও খোই ঙংমাংদা চঙলকপদা লকাম। বা ম অক-পশিংবু কেগে কংলাগী হঙ্কানতাংযম মথংনা লৈবা চেংতা ··· বংগী লম-দমদা লালু চনবিরে। মতৌ তসুম্না মেইঙাং নিংথৌনা ··· লৈবাক মরাক্ত কায়না নুংভাইনা পানিংঙেদা খোউযম লাইখং শানিংদুনা রকপা ··· জিং কোয়রেনলাই কৌননা চৌংথু মখোববু নবমা ইবাং থৌনিঙ্গদাগী হা বদু হাবপিকে হায়বগীদমক শাইওন তৌদুনা কেকে মোইরাংগী মীপুম থদিং হন্নহনা হমাংবনা চাউনা পাক্না খুন্দারিবা কেগে মোইরাং পুম্নমক্কী পাখং লৈশাবী নুপী নতা পুম্নমক কনা কনাসু তিন্ন-তোংননা ফম্মদুনা যাকাবা গৈহন্দনা হুই য়েন পুক্কসু খোংহন্দনা পিক্লিবা অঙাং নারাশিংসু থোম্নাং ইখৌ লাংহন্দনা থোম্নাং ইখৌ লাংবগী পলেম মমাবু থিহন্দনা লৈথিবদগী কেকে মোইরাং নিংথৌ ফাং ফাং অতেংবা কৌবদি নিংথৌ মাগী মনা পুক্রিংদা ইশিং ইরৈনা লৈশীনবক্তম পুক্রিং চঙক্রবদা থমহোং

নিংথৌ চন্থনা। কেকে য়িনিংথৌ। ঙাংঙাই লয়মাপ্পারো। কেকে পুরিকলাই। মোইবাং পুবিকলাইপু। কতোপা র'কাউনাপানো হায়না। হে হা লাউনা যাহৌখিএ কেকে অমাইপা। থিংকোন মোরিপিচা। লাংচেং লাংমৈপাপু। খোমলেন মঙচঙহনসে। হায়না যাহৌখোনকী। কেকে মোইবাং নিংথৌ ফা' ফা' অ.তংপানা। কেকে অমাইপা। লাং-চেং লংমাইপা নঙতি। খোমলেন মঙচঙলাউরা। হায়না রাহমলা-পাতা। থিংকোন মোবিপিচা। লাংচেং লংমাইপা। মঙথি মঙলান চা-নাপা। মংপোং চাতা যামপা। খোমলেন মঙচঙ থৌপানা। কেকে যোয়কংলা। কংলা তোং যাংতা। ফৈবোয মঙতালুক। মনুং খোম-রোনলুক, ঙাইখোং তোনপা মননাকুকতা। চেঙচৌ ফাগাপনা। য়েরুম কাংখিননা। তনেৎ মানিন নাইরে। নেংইগু থুমচা কাকুপনা। সিংনাউ লানা যোম। কোমপেক থাহচা সাম। যেনপা খুবো থাং। ফিমু লৈ-রুমসিং। লুখুন মংপোং থানা। খোমলেন মঙচঙখিপাপু। খোইয়ম লাইথিংথে। কেকেতা সানরোনপা। ঙাংঙোই য়েকমাপা। পাংচিং

নিংথৌগী মমোয়োন লৈমা থয়াঙ লাইহৌবীনা হে ইনিংথৌ। কেগে মোইরাং লৈ-বাককী লয়কোয় মপুও! হে পুরিকলাই। করিগী থোরম কাউবিবনো হায়না য়ো য়ো লাউনখিএ। মোইরাং লৈবাককী অমাইবা থিংকোল মোরিবিচা কৌবা কেগে লৈবাক্তা মাগুম্বা লৈএববু খরি মঙদাহল্লসি হায়দুনা হায়নরকপগী মতুংইন্না মোইরাং নিংথৌ যাং যাং অতেংবনা হাইখি। কেগে লৈবাক্তা নহাক্তুম্বা লৈত্রবা হে অমাইবা নহাক খবি মঙদাবনা খোইয়ুম লাইপাউ হায়ববো লাউও হায়না হায়র-বদা মেরিনৈ কৌবা কেগে লৈবাকক থোংনাক রাখোককী মরমদা খোইয়ুম লাইগী লাইপাউ তগনা লৌবদা শোয়বা লৈত্রবনা কেগে মোইরাং লৈবাককী ফম্বাল তোংনথমদা খরি মঙদাবদা চঙদবা পোৎলম পুম্নমক অদু নীংথিরবা লাই তিনগীদমক্তা শোয়গা থম্বদগী কুইনা শীঙিম্নবক্রবা থুমোক অমদা চেঙজোনা থম্না হাপলগা মংগোন্দা য়েকুম অমা খিনদুনা শেল অমসুং থুম কাঙপকা শিং ময়োম কোম্প্রেক হাপলগা যেন লানা অমবু তিংথৌনা মখোঙদা খদিজ শিবিরগা ফিমু কুপ-তুনা লুখুমগী। মংপোং গুইনা খবি মঙদাবা চঙখিবদা চীংঙু লাইনিংথৌনা মোই-রাংগী শাইঙন তেংদুনা লৈরবা ঙাংঙোই লমদমগী মপা মপু ওইদুনা লৈরবা থাংজিং

লাইখক্লনা।" খোমলেন। মণ্ডপাক্ত চেকলকুএ। ।অসু থিংকোল মোরি-পিচাবো।" থাংচিং মণ্ডপাক্ত থিরাংলু। চাপা মরুম পূজনাবানা। চীংঙু ইনিঙ খুংনা খেনলাংলাপাকী।" খোমলেন মণ্ডপাক্ত পাউভাকপিকে হায় লাপাকা। খেংলুম পাউভাকপিখিএ। লাংচেং লমখাইপাবো। কেকে ননিংথৌভা হায়রুবো। কেকে পুরিকলাইপু কেকোলা থৌকাক্তরপাবো। কেকে মচেং অমনা। থপি থপা লাংবো। মোইরাং মাচেং অমনা মৈবী মৈপা ভাইবো। খুয়োন মাচেং অমনা। লমকা লোংকা ভাইবো। কেকে মাচেং অমনা। কুরেক ভাইথোং লাংবো। মোইরাং মাচেং অমনা। মাইবী কেনভং ভাইবো। খুয়োন মাচেং অমনা। লৈচিল নোংকাই লাংবো। ঙাংকোই মাচেং অমনা। ঔকারি হংকোন ভাইবো। খুয়োন মাচেং অমনা লৌকুম লৌকা লাংবো। কেকে মাচেং অমনা কুমলেপ মোইকেন লেমবো। মোইরাং মাচেং অমনা। খুলকম লোংখৌ লাংবো। খুয়োন মাচেং অমনা। খিমপু লমপু ভাইবো। কেকে মাচেং অমনা। মুভোন মুকাং লাংবো। মোইরাং মাচেং অমনা। কেকে পুমনা হো। মোইরাং পাকনা ভাইনা। থাংকা মরক-চক।

কোবনী অমাইবদা লাইপাক্ত ওইনা চেল্লকএ। হে ইলাইরেম থিংকোল মোরিবিচা নহাক্লা চীংঙু ঐবু ইরাংপদা ঐনা পাম্বা পোংলম ভনা ইনিঙ খুংনা কললবনিংনা চীংঙু ঐগী লাইপাক্তবু হায়বিরকে হায়না পাউভাকপিখি। হে লাংচেং অমাইক-ভ! কেগে ননিংথোদা হায়রু। কেগে নঙগী নরৈবাক মোইরাং নরমদমসিদা কেগে মচেং অমদা থবী থবা লাংপা, মোইরাং মচেং অমদনা মৈবী মৈবা ভাইবা কেগে মচেং অমদনা কোরেক ভাইথোং লাংপা অচুপা মোইরাং মচেং অমদনা পুনশি মুং-খাংনবা ভাইবা অমসুং খুয়োন মচেং অমদনা লাইজা ঈশিংশৌদমক লৈচিন নোংকাই লাংপা ঙাকোই মচেং অমদনা ঔগ্রী হঙেন ভাইরপা খুয়োন মচেং অমদনা কুমজা থুদিং ঈকং থোক্তনবা অমসুং মোইরাং মচেং অমদনা অকন অথৌ পোক্লবা অহূপা খুয়োন মচেং অমদনা খুমগী মপু লমগী মপু ওইববু ভাইনবা কেগে মচেং অমদনা [illegible] ময়াম কাম্লনা থৌনবা লাংকদবা অমদি মোইরাং মচেং অমদনা কেগে [illegible] পুবা হৌদুনা মোইরাং লৈবাক অমিদু [illegible] লৈভাইনা [illegible]

[illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] থিরাংবগে। [illegible] যেন [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]রো। [illegible]
[illegible] লাইপাউ চের্কবা। [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible]
[illegible]। [illegible] [illegible] সবিকোম [illegible]। [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] লাইপাউ [illegible]। [illegible]
[illegible]। [illegible] [illegible]। [illegible] চেপমা [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] মচেং অমনা। [illegible] [illegible]। মোইরাং [illegible] [illegible]।
[illegible] মণা [illegible] [illegible] মচেং অমনা। [illegible] [illegible] তাইরে।
কেগে মচেং অমনা। কুরেক [illegible] লাংলে। মোইরাং মচেং
অমনা। [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] মচেং অমনা। [illegible]
[illegible] লাংলে। কেগে মচেং অমনা। [illegible] [illegible] [illegible]।
[illegible] মচেং অমনা। [illegible] [illegible] [illegible]। মোইরাং মচেং
অমনা। [illegible] [illegible] [illegible]। কেকে মচেং অমনা। [illegible]
[illegible] [illegible]। মোইরাং মচেং অমনা॥ [illegible] [illegible] তাইরে।

[illegible] ইরাংগা, মেরা থাদা অনৌ অপেল থাঙবা, [illegible] কা[illegible] উকক্লচিংবা চঙদনবা [illegible]ংগা অহুগা নরেৰাকসি মরাক মথুং চাউনবা খুরুম থাজগজগদোবা পুম্বু কাউ-[illegible] থোরম পুম্মক অহু কোক্লনবা তো হায়্যু হায়না থাম্নি মঙদাবা মোরিবীচাদা লাইপাউ [illegible]কখিবা অহু নিংথো মাঙদা খুরু খুদক লয়দা তানা [illegible] খুরুম-জরগা লাইগী লাইপাউ হায়রকপত্ত ভঙ্গবদা থোইয়ম মানা তাক্লকগা পুম্মকী পোং-জয় মনীং অমত্তা থাংহুন্দনা কেগে মচেংমাদা থবী থবা লাংলে। মোইরাং মচেং অমদনা মৈরী মৈবা চাইরে। [illegible] মচেং অমদনা লয়গা নোংগা তাইরে। কেগে মচেং অমনা কোরেক চাইথোং লাংলে। মোইরাং মচেং অমদনা পুনশি

খুৎলোন মাচেং অমমা। খুতোক খুৎলাং লাকলে। কেকে মাচেং অমমা। [illegible] অমতাং লাকলে। মৈহিয়াং মাচেং অমমা [illegible] থোংলোন ভাগরে। কেকে পুন্না হৌ। মৈহিয়াং [illegible] পাকমা [illegible]। [illegible] [illegible]। কারং [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible]। খুৎলোন [illegible]-[illegible] [illegible] খোবরি [illegible]। খুৎলোন [illegible] [illegible]। কেকে নংমা [illegible]। [illegible] পিকি-[illegible]। [illegible] রেমলোই হৌ। শুরা [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible]। [illegible] পোংপেরে। [illegible] সিরম মখীন খুতিংশু। [illegible] [illegible] চংলা। [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] চোংলিংলকপা। [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] কুপথেল [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] লোনজকপা। [illegible] [illegible]। কেকে [illegible] [illegible] [illegible]

খুৎলোন মচেং অমদনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। কেকে মচেং অমদনা [illegible] [illegible] তেংবানবগী [illegible] [illegible] [illegible]। মৈহিয়াং মচেং অমদা [illegible] লমগী [illegible], খোংগী মক [illegible] পুময়কপু [illegible] [illegible]। [illegible] মৈহিয়াং [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] খুদিং চঙনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] খুৎলোন [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অমাং [illegible] [illegible] [illegible] পুময়ক [illegible]। কেকে [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] থিরকলে। [illegible] [illegible] পুময়ক হৌ হৌ চোংনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] থবক ইনথাং [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] তৌবনা। [illegible] থাদা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] নাহা

থোংপিপা। মপাল থাংগা লোংখুম্বাপাল। মখু য়াথোক চাকৈয়পাম্বী। খুময়াই চেৎতা থুনথননা। লম থননা পানবী। ম্যাংপাল নুংঙেন চেকখুম্বী-শিংনা। থোরনৌ মহায়রোই। লোইনাই য়াম্বচেং মকেৎলোই। পুরনা তিননা। চৈরৈ ফিনৌ সেং। লিকলাং কোনকা তয়না। মিঙলেন চুনপা। লৈরাং লিঙখিপাপু। মোমচু তাঙমা সমলকথায়। চুপালেন মাপু তাননা। অমৌপা হেনমোই। য়োইমোইবকলে। তয়ম লৌরম চপু অমুপী। তরা চাতানলোই। মমোম নাউয়োকলোই। নোংসা মৈপু খুইতাপী। নোংচু লৈপু পংতাপী। মথা লৈখোম চোং। চোমলং লৈরীকখুমপীশিংনা। মপল কোইখা থোরেসে। সারেন সানৈকে হাম্ব-পাকী। য়োমচু য়ারেন মথৌ সঙনা। লোইপী থিংপা চোমনা নাহোনা। মরাম চোমনা মহেক থোইনা। মচু নিংখৌ থালৈ লৌকন থেকপা লোই-শিংকা। খুপাক তাপুল ফু। চুকোই লেপলৌনা। নোয়না ঙমঙমহৌ কয়রোই [illegible] হারৌ মরাঙ কাথ্রকলে। পুমায় চাকুকমতা। নমু খীয়াম তিননা। কেকে মরাঙ হৌ। মোইবাং মনিন নাইনা।

মপা মপলশিংগী মরুম থংগা লৈজম্বিবী পলেম পম্বৌপী চাকলেম চাজরিবীশিং [illegible] থাদা লুতোন (কোকতোন) কোকথোংনবী লৈরাংগী মতৌঙম এনোজরবী-শিংগা মতা মমান্নবীশিং পুম্নমক তিন্নজরদুনা নিঙথিরবা অনৌ অনৌবা মথংগী ফিজেৎ লৈতেংদা সনা লুপাগী লীক কোম্না অমুকা থোইনা হেন্না নিঙথিহল্লগা কজরবা লৈরাং মথল কয়ানা নিংথোল ওইবীশিংগী নাম্বদা শম্নাংদা থেংপনা থোইনা হেন্না নিঙথিহল্লকি। লৌকুম লৌকা তৌজবী কুচু মুনা কাহৎলবীশিং, হৌজিক হৌজিকী চন্না তাজবীশিংনা মচাশিংবু য়োক থাক্নবা হোৎনবদা নুংলাগী মৈনা কাহৎচরবী ওইরবসু খুইথত্রবী নোংজু নুংশা থাঙলবসু পৎথত্রবীশিংনা পাঙ্তা হৌবী চোম্নাংনা মথাদা লৈখোম তৈতম্না থক্তা শাংখিবা লৈরাংশিংগী মতৌ য়ৌপে হায়না থৌদম্নরেসে। মুন্না ওইবীশিংনা মতিক মঙল উংনা চাংয়াদা হৌবা চোম্না [illegible] মচংদা চোম্নাংনা মনা মকা কম্না নিঙথিরকদা অহুম লৌতা লৌকুম-শিংবু মপু লৌপাশিংগা লোয়নরা মখাক মরু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মথোই কানরকলে।

পালহৌরকলে হায়রক্তাপারা। নবু নিংথৌ ঙাংঙোই লয়মাপা। থুয়োল লয়খোঙ কায়পাপু। মালেম লয়তাইপা। কেকে মনম ককপাকলাং মোইরাং কংলা তোম্নায়াত্তপু। হাকনা তানকংপা। মতিক পুক্নুং অক্নৌ নৈকুমপা। চীংঙ্গু কোলোয় মপাউমেনপু। খোইয়ুম লাইরেী থিনা। খরলাং রারী কাউত্তাপা। য়িরেং পুরি নিনতাপাঙ্কি। নবু খোইয়ুম লাইঙ্গিংথৌ। চীংঙ্গু য়াইপী পনলোই তানপা। মাথৌচানবী ফাং ফাং অতেংপা। পুনিকলাই মহাকথকত্তা। মোইরাং নিনত্তাপাত্তি। মরাং কাযনা পালনলে হায়তাপারা। কেকে মরয়পাকপু। হেমপা লাংথোং তৌরা। কুবাউ পনথোঙ য়ুংতা। লোইপী কানা অরাং থিপতা। হেমপা করমপানা। অরো লংনত্তানা পাললে হায়তাপারা। হে য়িরাং পুনিকলাই। ঙাংঙোই লয়মাপারো। নবু নিংথৌ ফাং ফাং অতেং-পাত্তি। চোয়নৌ সনা ঙ্গিংহনকিপু চনপানে।

কয়শঙ্কবা কয়রোই নাহা অহুল পুন্নমকসু ঙমা মথুম মরাঙ হোনরকলে। শূম্মাঙ মরাংদা হৌবা অশংবা নাপী, তিংথৌ হৌবা মফমদা মোইরাং মীয়াম তিল্লহনা বা-বা লাউনা নুংঙাইনা তিন্ন-তোংনহনা য়ুম্বাল-খুনবান্নরকলে হায়বগী বাকমসু মরৈরি।

নবুথৌদি নিংথৌ ঙাঙোই লৈকোয়লমগী নিংথৌনা থুয়োল লয়খোঙ কায়হনা লৈয়ম্নববু মালেম লয়তাইরগা মোইরাং নিংথৌগী ফম্বাল হাম্না তোংবিরকপা তেং-বানববু মঙাল পীবিরীবা নুমিংকুম্বা লাইনিংথৌনা তাকপিরকপা চীংঙু লাইপাঙ অঙ্গুগী মরী মথোঙ অমদি পাবি-পুরিগী অচেংপা বারমপুম্বা কাউমবা ইপুথৌশিংগী বারম তাক্লম্ববু কাউদবদি নবুথৌ খোইয়ুম লাইনিংথৌ তেংবানবগী মপু ওইবগী থৌজাম্নগী পুরিক্লাই ফাং ফাং অতেংবা সা মহাকথক্তা মোইরাংদা মনিন নাইয়ম-দনা বানা লেপ্লবা পুম্বচু মরাঙ কায়না পানখি। অসিত্তবা মোইরাং লৈপাকপু অমগা অমগা তিন্ন-তোংননা (লাংথোং তৌত্রনা কায়নবা লৈতনা) হিংচা মাইঙম্ব ফত্তমশিং চঙদনবা থোজালদা কুবাউ পাম্বী থালরকা পুম্বা তোক্লহনা চীং মাম্না কায়গা অরাং-অপা লৈত-লায়র কোক্লবা থিবদা চীংমী কনাওম্বা অমত্তনসু লঙনহনা ঙশিং-থোওইদবা তৌনদনা নুংশিননা শেংন-থাইনা চামিম্ন-লৌমিন্নহনা নুংঙাইনা লাপ্লাইল। হে ইবুথৌ ইরাং পুরিকলাই ঙাঙোই লৈবাক মিপু-ঙা মঙগী কোলোয় নমিংথোংবু ফাং ফাং অতেংবা হায়না কৌবদি মুংথোওম্বা সনাওম তপেংবী মতিক মথৌনাগা চুন-চানরবা মিংথোয়ি।

নয়োল কেকে মোইরাং লৈমা। খয়োইরোল মেনতেমহু। মপাম নোংয়াই লয়কোয়পুং। খুমন তাউতেক কোননাতা। খুনচাম মেনকা-লুক মেনখায়াঙ। হৈরেম খোইয়ম লাইসাপানা। খাকোক লুতা তুপ। পনখোঙ লুতা থেংনা। খোইয়ম লাইসারাই। অত্তোন তাউসুম কোয়-শিন হৈপানা। খাংভা লোঙলেন মখুৎসুনা চয়পিরাই। নোংয়াই খোমথিলপাল। খুমন লাইচিংলম। অত্তোন লাইকাপান। নোংপাল-লোন চেকাইপোক। খুমন লমপু তুখাযপনপু পুমনা চননা। অসৈ-রাপা চহু। খয়োইরোন মেনতেমহু পাযমা সনা ব্রুনকোইহুংকী।

১০। ইরাং তেলহৈবা।

নযু পুরিকলাই য়িরাং তেলহৈপারো তৌনা কৌএ। পুরিকলাই তেলহৈপাতি হাওরৈ খানা পাংপালমতা খৌসাপানে। মোংপা লোই-কেনপা। কাকলেন লানতাপা। সোপোন খোঙকনপা-লম। লোইপী

নবেঙ্কো মোইরাং লৈমা খুমন নিংঙোল ওইবী মেন্দেমনুগী মপাম লমদম খুমন লয়কোয়পুংদি খুমন শলাইতনা ইকোন-কোনশিন্না খুন্দাবা খুঙাননা মরু-ওইনা লৈরপা হৈরেম্না মকোক্তা য়েম্পাক তুপ্পগা তুংদা মতুচোম্বা য়েম্পাক থাদহনা লাই শারগা লুমহনা লৈবা মতমদা খুমনগী তাউগুম কোয়শিন হৈবনা মাগী মখুৎশু লোঙলেন্না লংহনা লেংবা মতমদা খুমন খোমথিনপাল লাইজিংলম নোংয়াই লাই-কাপাল হায়না খঙনবা অত্তোমগী চেগাইপোক কৌবা খুমন লমপা তাইনবা লমদম য়োনা নবেঙ্কোবু পোকপা মঙ্গল পম্বোগী মতিক মথৌনানা শন্দোক্লবা লমদম য়োনা শৈশক্লবগী মমোম মেন্দেমনুগী শেংলবা শিয়োমনুংদগী।

১০। ইরাং তেলহৈবা।

মমুখৌ মোইরাং নিংথৌগী কোলোয় মিংকেলি ইরাং তেলহৈবা হায়না শিজোই। পুরিকলাই তেলহৈবনা খা থংবা মারইকরোমদা মথৌনা উৎখি। -কাকরেন মীওমনা লান্দাহনা খুদোং থীবা কোক্লবা শৌ মুংহনা শাক্লিবা

নুংতেক মপুংম্নায়বা হুয়েল লানতাখিএ। য়িরাং তেলহৈপা মপল লোইপী মচীংকা। সোৎপোন মাঙরোইথীন। হেৱপা পনথোংহাং। লোইপী য়িময়ায় থায়না। নুংতেক য়াকা চায়না থারম পামতাননারে। পুরিক-লাই থিংকু মথিনাই। য়িরং মরাং হৌনা থৌসারে। হুয়েল লাননি-কিতি লোইপী নুংতক মনিংথৌ। হুয়েল নুংপুলাইপা লানথোয়াঙপু। কায়না হুপলে। পুরিকলাই থারম নুংতেক লানথাপা। রায়রা তেলহৈ-সকপা য়িরাং তেলহৈপাতি। চোৎনৌ সনা নিংহুনকিপু চনপানে।

নযোল কেক মোইবাং লৈমা। ঙাহুরোল ঙানপা থাইকপী। থোঙঙাই তেমকাপা। লানলোই মীঙাথোং। সারেন মীহুংলাংপু। হাইহৈপমচহু ঙাহুরোল পায়ম সনা রনকোঙহুংকী।

———

নুংতেক কৌবা থুঙ্গ দা লান্দাখি। পুরিক্লাই তেলহৈবনা মপা মপু হাক্তক্তগী মোই-রাংগী ওইররবা লোইবী চীংদা কাবগা সো থাঙনা লোইবীশিংগী চৎন-থোঙ হাং-লগা হাওয়ুম ময়ায় থায়না লান্দাখিবদা নুংতেক থুঙ্গ চাইথাইহনা নুংতেকী মীয়াম থা মায়কৈরোমদা চেয়খিববু তায় তায়হনা লান্দাখি। পুরিক্লাইনা কন্থি কঙ্গাউ থোক্লা লান্দাখ্রে। লানফম অদুদা নুংতেকী নিংথৌ নুংপুলাইবা কৌবা লান্দা থৌববু লানথেরবখি। খোঙফম অসিদগী পুরিকলাইবু নুংতেক লান্থবা মিংথোয়খি। অসিগুম্বা ইন্নাং পুরিক্লাই তেলহৈবগী কোলোয় মিংলেন অসিদি মতিক মথৌনাগা মিংলেনগা য়েংনবদা সনা ফদোঙবগুম নিঙথিরবা মিংথোনমক্নি।

নবেঙ্কো মোইরাং লৈমদি ঙানবা শলাইদগী ঊথাই ওইরকপীনি। থোঙাম তেমফাবা কৌবা লানলোই লম্মহন অসিগী মীয়াম পুম্বগী মীকোক থোংবা মপল পম্পোসু নমু কনাগী (অশোন অনা কনাওম্বগী) তেংবাংবদা মীওই পুম্বনা শক্ল শোয়রক্লবা মপলগী মমোম ঙানবা শলাইদা শাৎখিবীগী পায়মা সনা শিয়োমনুংদগী।

———

১১। থিরাং লাইকাচেং অতেংপা।

নম্বু নিংথৌ। থিরাং লাইকাচেং অতেংপারো তৌনা কৌএ। পুবিকলাই থয়াঙ মথৌমল। ঙাংঙোই চুংসেল মবামরোনতি। হাওরৈ নোংপোক লাইনা পাংপালমতা। হুয়েল লানতাখিএ। লাইরেল ঙাং-ঙোই যোইমোংপাকা। মসানৌ যোইহৈতোন তাউথিংমাংকা। লম-বোকনাপালম। লিলোং সাহৌপাংপু কৈনা সম। ত কনা যিবা হেপ। লুংপাল খুমুলোং অয়াংপা। য়াওবৌ সানারাই। য়ামলা লমতনথিপু। যিভম চংথোকপানরো কৌপাতি কতোনোংকিনো। লুংপাল খুমুবোং অয়াংপানা। য়াওবৌ সানাকে হায়ঙৈতা। মোমন্থ তালোয় মলুমপী। অহুইরোংপম চনুতা পাউমেনখিএ। যোইপু লৈমারো। নথংলেন ঐতি। লাপা খুমনপু য়াংতৌ সানম লীপাপু। ফাযেং নেংফাইকে। চাংগুং য়াইরেককে। মোমন্থ নঙতি। নতা খুনপোইকুনো। লৈকাই খামপী মৈরোকুনো। তরেং খোংফাংনা লৈরো। নথংলেন ঐপু কনম্ভ খুনানপা। হৌনা খুবৌপাপু লাননংকানি হায়না পাউমেনলময়ে হ য়তাপাবা।

১১। ইরাং লাইকাচেং অতেংপা।

নবুখৌ মোইবাং নিংথৌগী কোলোয় মিংথোন্দি লাইকাচেং অতেংপা হায়না কোলোয়নৈ। পুবিকলাইনিগী মতিক মথোনা অমদি ঙাংঙোই লমদমদা চুঙ্কদা টাদা হৈবগী মতেংদি নোংপোক মায়কৈরোমদা লান্দাখি। মৈতৈ নি থৌ তাউ-থিংমাংগী মযাম্বং য়োইমোংবগা মনাও তাংথিংমা গা চুদেংনরকপদা ওক্লবা লমদম লিলোং শাহৌপাংত্ত লাক্লগা নোংপোক পাংবদা লৈবা তাকনাখা পাংয়া তাবদা লুম্বাংগী খুমুয়োং অয়াংবনা শাদানবা মতমদা থোক্লবা য়াম্লা লমদমথি ইত্রম চথোক-পান হায়না খঙনবা লমদম্ব কৈদৌবদগী কৌথিবনো হায়রবদি লুম্বাং খুমুবোং অয়াং-বনা শাদানগে চংঙৈদা মতালোয় মরুম্বী হুইরোংবম চনুদা পাউমেল্লম্বি। হে ইবেম্মা। নথংলেন ওইবা ঐদি য়াওরৌ শাদানবগী শাম্নম লীবদা অহিং য়াইরেক্লক-গনি অহুনা ইবেম্মা নঙদি নমাম্নবীশিংগী মমুমদা কোয়থোক চথোক্লমগনু। লৈকাই নমাম্নবী য়ুমথংনবদগী থাম্বী মৈ ফাওবা লোরুগনু। ইমুংদা মোইথাপ নাইহুনা লৈরম্মু। নত্রবদি নথংলেন ওইবা ঐসে লম্মথাঙদা খুদি থীবা ১দি হাউনানা

হুংপাল থুমুরোং অয়াংপাতি য়াওরী সাথিখিরে। মোমচু তানলৌয় মরুমপীনা। মতা খুনপোইতা। 'লৈকাই থামপী মৈরোৌতাপাপু। খোয়নৌ মতা নোংপাল ঙাথাপম নিংঙোনপী। লুরাং মেলৈংম হনচপীনা পাউহংলকএ। হে খোয়নৌ ইত্তা। অহুইরোংপম চঙুরো। মঙনা মঁতা খুনপোইত্তা। লৈকাই থামপী মৈরৌতাপাপু কত্তৌপানো পাউহংখিএ। খোয়নৌ য়িতারো। থংলেন থুমুরোং অয়াংপাপু লাপা থুমনপু। য়াংতৌ সারম লাখিএ। থংলেনপু ককলু থুনানপা। হৌনা খুরোপাপু লাননংলকানি। রোকলেন লাপানা মাপললকক্কানে হায়পার্কা। য়িতা থুমপোইতাপানে হায়না পাউথুমপাপু। হুংপাল ঙাথাপম নিংঙোনপী। লুরাং মেললৈপম হনচাপীনা পাউমেললকএ। খোয়নৌ য়িতারো। নথংলেন থুমুরোং অয়াংপাতি। লাপা থুমনপুপু নংতে। য়াংতৌ করিকীপু সারম লীরুকাপানো। চকপা খোংখোউ লৈহৌনুপীতা। সোয়খোউ তাংথেংনা। মনুং থোঙকা পবংনৈএ। অতুকিপু ফায়েঙ নোংফাইপা।

থুরৌনত্রনা অম্না-অনা নঙনি হায়না পাউমেল্লম্মী। অমি হায়রম্নগা লুরাং থুমুরোং অয়াংবদি শাদানবা চথোংলত্রে। মপুবোইবনা হায়রম-তাব্রম্বগী মতুংইন্না মতাপোথংনা লৈকাইগী মমান্নবী কনাগী য়ুমদা চথোকপা লৈত্তনা অমদি মৈরো-শিঙলৌতৌবা লৈতনা লৈরক্লবদা খোয়নৌ মংগারোয় অঙোম য়েক ওইবী ঙাখাবম নিংঙোল লুরাং শলাইগী মেলৈবম ওংবী হঞ্জবীনা পাউহংলকই। হে ইত্তা হুইরোংবম চনুঙা নহাক্না নমান্নবী কনাগী য়ুমদসু চথোক্তা য়ুম্নোন্নবা কনাগী মফমদসু মৈরো শিঙলৌতৌদ্রিবসিবু করি তৌরবগে হায়না পাউহংখি। রাহু তাবপা হে খোয়নৌ ইত্তারোই। ইথংলেন ওইবা থুমুরোং অয়াংবদি য়াওবৌ শাদানবা চংখি। অদুনা লম্বী লমখাংদা খুদি থীবা হাউনানা খুবৌ লৌত্রনা খুদোং থীবা থোক্তনবা অমদি ওন্নেম লাবা ময়া ফাওরবগা শাথেং-লাম্থেংনবদা শোক্তনবগীদমক ইতা এদি লৈকাই কোয়থোক্তবনি হায়না পাউথুম্লবদা মতাবোই ঙাখাবম নিংঙোথী লুরাং শলাই ওংবী মেলৈবম হঞ্জবীনা অমুক্কা পাউমেল্লবখি। খোয়নৌ ইত্তারোয় ত্ত। নথংলেন থুমুরোং অয়াংবদি কদায়দগী শাদানবা চংখিবা ওইগদগে মহাক্তি চকপা নিংঙোলওইবী লৈহৌনুবীগা ঙাক্তনবা মরম্না য়াহিংপম্মিন্নহনা লৈবনি। অদুনা অহিং য়াকৈক্তনা-

চীংহুং য়াইরেকপানে। য়িপাম হুংপানন্যা তেংথানা। লোংপু য়ামপিরো তৌনা কৌএ। মোমন্নু য়ামপী লুরোইথোং। লেমলৈ ঙাতাপা সানা। নথংলেনপু মিংয়েং সানখৈকসে হাযনা য়াহৌনরকএ। হুংপাল ঙাখাপম নিংঙোনপী। লুবাং মেলৈপম হনচাপীকা। খোয়নৌ মতা অহুইবোংপম চহুকানা। য়ামপী লুবোই থোংনা। পনম চৎথোকলকপাতা। হুংপাল খুমুয়োং অয়াংপানা। মরান রোনতেবকপাকা লম.রাকনাবে। যোইপু-নাই নঙপু নতা খুনপোইকুনো। লৈকাই খামপী মৈবৌকুনো। লাইচা যিসোকতানা। ভুবেল মোংপা নামুংরো হায়পা নৎতপাবা। পনম কতৌপা চৎথোকলকপানো। হ'যনা পাউহংপাপু। থংলেনরো মোমন্নু ঐতি। যিতা খুনপোইতে। লৈকাই খামপী মৈলৌতাপাপু। খোযনৌ য়িতা হুংপাল ঙাখাপম নিংঙোনপী। লুবাং মেলৈপম হনচাপীনা। নথং-লেন খুমুবোং অযাংপাতি। চকপা থোংখোঙ লৈহৌনুপীতা সে'যখে ঙ তাইথেৎনবে। মিংযেং সানখৈরুসে হাযনা। য়াহৌখেংনকী। মোমন্নু য়ামপী লুবোই থোংনা পনম চৎথোকলকপাতা। মালং মথিনাই।

লেপ্রিবনি। লুবাংনা ঙা ফানবা লো বু য়াখী হায়না (তেংথানৈ) কৌনৈ। অসুম হায়রম্লগা মকোক্তা লোং উপশিল্লগা ঙা ফাবা লোং খোনবা শারংনা মপু-রোইবনা তৌরিবহ্ন য়েংলুসি হায়হ্না হৌনরকখি। লুবাং শলাই ওইবী ঙাখাবম নিংঙোল ওইবী, মেলৈবম হঞ্জবীগা মতারোই হুইরোংবম চংগা মখোয় অনিনা মকোক্তা লোং অমমম উপশিল্লগা মপাল থোক্লকপদা নুংবাল খুমুরোং অয়াংবনা ময়ুমলোমদা হল্লকপগা মায়য়োক্লররে। মহুদা খুমুরোংনা ইবেম্মা। নঙবু ঐনা লৈকায় কোয়গনু মৈরৌ-শিঙলৌ তৌরুগনু। ভুরেল ফাওবা বুম্মগনু হায়বম্বা নত্রা? করিগী লম চখোক্লকপনো। অসুম হাযনা হংলকপদা মতালোম্ননা থং-লেনও! মোমনু ঐহাক্তি ইতারোই কনাগী য়ুমদা কোয়রুদে। কনাগুম্বীশিংগী ময়ুমদম্ভু মৈরৌ-শিঙলৌ তৌরুবা লৈতে। অহুবু খোয়নৌ ইতা ওইবী লুবাং মেলৈবম হঞ্জবীনা নথংলেন ওইবা খুমুরোং অয়াংবা কৌবদি চকপা নিংঙোল লৈহৌনুবীগা মরুম্বী ওইহ্নুনা ঙাঙনহ্নুনা হিপমিন চামিন্নহ্নুনা লৈবনি। য়েংহ্নুম য়েং-লুসি হায়নবদগী কোক্তা লোং উপ্লগা অসুম চখোক্লকপদা লম্বীদা নুংশিং অক্তাওবা

থমকোন মরাঙ হৌনা। লুরাই কোয়রেনথককী য়ামপী লুরোই থোংপাপু। লাইচা য়িতা হুমথখিরে হায়না পাউখুমলাপাতা। মথংলেন খুমুরোং অয়াংপানা। খোকথৈ তিমেন মাথুংস্নুনা। লাইচা অহকপারা। য়িমু অপাপারা হায়না তমলময়ে। অতু নোংঙ্গিপু য়িতম চৎথোকপান। য়ামলা লমতমখিরো তৌনা কৌএ। য়ামলা লমতমথি। য়িতম চৎথোকপানপু কাননাচোং। নৈলমা নৈলনউতাপিনা। পাইকোন লুতা থোংনা চললাইবম। মসাস্নৈ চীংখোং পোইরৈতোননা। য়োংপি চয়গু মাখুৎসৃপু। মালেম লয়তা যূনা খিনখৈচাং। কায়নৌ লৌচিংথৈ। হেমপা রাপাচীংপু নাতৈননা। তাংখুল লমপুই মপুংয়ায়তা। লোইপী মচীংমাতা হেমপা য়োকোক তানা পনথে থপাতি। লোইপী পামতাননানা। লমপুই মাপুং তাকলে। পুনিংলাই মথিনাই। য়িরাং মৈনা রোৎনা খৌসারে। হুয়েল লাংমিবিতি। তাংখুল লমপুই মনিংথৌ। নুংসন লায়পা লানথৌয়াঙপু। কায়না হনলে। পুরিকলাই লমপুই লানথাপা। ইরাং লাইকাচেং অতেংপা। থয়াঙ মথৌমনতি অতুম্বুং মতোমতে। হাঙৌব নোংদ্রুপপা পাংথাক্লমতা খৌসাপানে। লোনলোই

হুয়কপদগী লুরাই কোয়রেন্থকগী লোং অদু হুমদোকখিদুনা লাইজা ঈশিংদা তাখিরনি হায়না পাউখুমকপদা মথংলেন ওইবা খুমুরোং অয়াংবনা মাগী মখুৎস্নু টা মখোক্না ঈশিং অসিব্নু অনবা মযম্না অথেনবা মথম্না হায়না তমদুনা য়েংলুবা মফম্দু মিং অদুদগী ইতম চথোকপান য়াম্না লমদমথি হায়না কৌনথি। অসিগুম্বা য়াম্না লমদমথি ইতম চথোকপান কৌবা লমদম্বু হেন্দোক্লগা থায়নগী নৈল নৈনাউতাবীগা পোইরৈতোনগা অনিনা মকোক্তা প ই উপ্লগ চংশূ মতোন্দা য়োংপি হাপ্না অদুনা য়ুংবা মফম্দু কায়নৌ লৌচিংথৈ কৌরম্বা মফম্বু লাক্লোকপ্রগা নৈবা রাবা চীংসু লাল্লগা নৈবা লম্বুই কৌবা খুঙ্গংগী মরায়দা চৎলগা য়েকোক কৌবা খুঙ্গং য়োনা মোইরাং নিংথৌনা লান্দাখিবদা লম্বুই খুঙ্গং তাকখি। অসুম্না মোইরাং নিংথৌনা কছিকল্লাউ থোক্না লান্দাখিবদা লম্বুই নিংথৌ নুংশন লায়বা কৌবা লান্দা থৌবরু লানঙমখি। খোঙকল্ল অসিদগী পুরিক্লাই লম্বুই লাম্বুবা ইরাং লাইকাচেং অতেংবা মিঙ্গৌনখি। অসিগুম্বা মতিক নৈরবা মোইরাং নিংথৌসিগী মতিক মথৌনাফি

মতাইমা। তোনপা লানফেং তৌরেন খোমপানা। চীংতা কানা পাম-য়ানপা। লংলেকসাংনা হাওরোইপা। মাখুরোন লোইপী খুরোই মপুং-ঙায়তা। হুয়েল লানতাখিএ। কেকে মথিনাই। মোইরাং মরাঙ হৌ। লোইপী মংাং কানা পনথেংথাপাতি। সোঙপু পামতাননারে। খুরোই য়াকা চায়রে। পুরিকলাই থিংকু মথিনাই। য়িরাং মরাঙ হৌনা থৌসারে। হুয়েল লাননিকিতি। লোইপী খুরোই মনিংথৌ। কাওরেন সনমিংনাপা। হুয়েল লমসনপু অথোপাপু। কায়না হুনলে হায়তা-পারা। ময়ু নিংথৌ কাপুই খুরোই সানথাপা। য়িরাং লাইকাচেং অতেংপাতি। চোয়নৌ সনা মিংহুনকিপু চনুপানে।

নয়োল কেকে মোইরাং নৈমা। তনপা রাংঙমলোন মতাইরেম। তোনমা রায়ফাপী। কংলা থনপী লাইরেন মপা মৈতেংঙু। র.রা কোনথৌপা। পনম হুমিংথোকপু চূনপানা। মপল চয়হৌপা। খোইয়ম শৌককী চৈথংপা। খুরাইপা তিললা খোম। য়িমু থকপা লৌনাম সংকোন

অসিনসু লোইবা নত্তে। সোংচুপ মায়কৈয়েমেদা লান্দাখি। লোনলোই কমংমর্প মচিং-মচিং লান্নাগনবা তৌরেনখোম্বনা চীংদা কারগা পাম য়ানবা অহুগা লমলেক-শাংনা হাও ওইহুনা নৈবা মী কায়া তাদবা খুরোই কৌবা খুঙংগী ময়ায়দা লান-দাখি। মোইরাং নিংথৌনা মোইরাং মীয়ামগা লোয়ননা লান্দাখিবদা সোঙবু খুঙংবু তান্ন-তান্ননা রান্নবদা খুরোই খুঙং কায়রে। অমুকসু মোইরাং নিংথৌনা কছি-কচাউ থোক্লা লান্দাখি। লানফম অসিদা খুরোইগী নিংথৌ শনগা মিং-মান্নবা লমসনপু কৌবা অথৌববু লান্দা মায়থিবা পীশিবগী রাকমসু লৈরি। অদুনা নবুধৌ মোইরাং নিংথৌদি কবুই খুঙং ওইবা খুরোই খুঙং লানজম্বা পুরিক-লাই লাইকাচেং হায়না মিঙৈনবদি ফংদোংলবা সনানা ফজবগুম কোলোয় মিংলেন অসি চুনবনি।

নবেঙ্কৌ মোইরাং নৈমা ওইবীদি কংলৈ মৈতৈ নিংথৌগী মচা ইবেম্মা ওইহুনা হীঙ্গা হাইনা কংলোদা ডন্দুনা নৈরবা মপা ইবুংঙো উরা কোন্থৌবগী মিংলেন অসিঅঙ্ক নিংথৌ ওইবগা চুনরবা মপল পম্থে মপামকী মচা ইবুংঙোনা অহল ওই-দুনা লাইগী উমথং ওইবনা খুরোই লমদম য়োনা খোম্বুনা ঈশিং ঈঙ্ক থকুবা কংবা

থবমা স্থিতৈরে়ৌ। মৈরা পোনচেললমন্তা খোসাপা। ইয়েল লাননিকিন্তি লংমাই থিকলেন মাইরেংনা। কুমপা নাউসং য়াহোঙচা-ন্তি। লীক-তোম থোল ং অথোপাপু কায়না হুনপা। মমোম তমফা রাঙমলোন। যোইবেন সঙনামুংপু। মুংতিংনানা যিমকুপসঙ। চোমলাংনানা সাইতা সঙ। লুরাই চেঙকা লুকনা। তরা চাকরোইসঙ পুনুং চেকাইপোকনা রানথোংসঙ। নাংচৌপা লোনলোই সমথোংখুপা লোইচীং ম্নঙ। অতোন মোইপুংলোকপা থোংপমচা কোইঙমপানা য়িমচিন চাকো নারেং খোংনা-সঙ। কাওরেন ভৌপী মচল। কোনথিং তাউপী হোঙনা সঙ। য়োইরেন সঙনামুংপু লনর্নতানপী চেংলৈ রাংকোনলেন। রাংকোন তমপা কংলৈ-নামুং থয়াঙপা। লুমসং অথোপা মুকাপসঙ। চাখা খুনঙমসঙ। অতেং খাপমচা। রাংকোন লাইহুরানা। য়াংলৈ যুরানসঙপু। রাংকোন লাই-কালেমপী। ভুপি যোয়বংলা। তিঙ্তি রাফোঙ লাকপু কংলা থনপীনা।

লৌনাম শঙ্গোন থবমা ঈতৈরো হায়না খঙনবা লমদমদা মৈরা মৈহুমগা লোয়ননা লাক্কাখিনদা লংমাই লমগী লমকেং লমহাইরিবা কুখা নাউশং রাহোংচা কোখা লীকতোম ওইনা থোয়না ভান্না লৈরিববু লানঙ্নকপগী মচা ইবেম্মা রাঙমলোন ওইবীনা সনা কোনুংগী অঙম অথৌ মথোক কারকপা কাবকপী পুম্নমক্কী তিম্নশঙ, য়ুমগী শাইদা চোম্লাং মনানা নিঙথিনা য়াম্বহুনা কুপ্পবা শঙ, চীন্দম চেঙ তম্বা মনাই-শিংনা পুরকপা নিঙথিবা চেঙনা থোংহুনা চাক চাফম ওইবা শঙ, লোনলোই লম-দমগী লমকেং-লমহাইরকপশিংবু ফাহুনা থম্নবা শঙ, অদুগ্না মোইবুংলোকপা থোংবম কোইঙম্নবা ফাহুনা কাওরেন অভোবা মচু মাল্লবা কোনথিং তাউবীবু নারেং হুংলগা ফাহুনা অহোঙ-অচাউ থোক্লবা ঈরাং পুরুম শঙ ওইনবা কোনুংগী ইবেম্মশিং য়োইবু য়োইহেন ওইবীশিংনা য়াকানবা শঙবু উন্নকপদা চেংলৈ লমদ্দী নিংথৌকোনদ্দী মনুংদা অথৌবশিংনা কল্লক-মিহৌনবা ওইবীগী নৈফম ওইরবা শঙ অদুগা চাখা খুনকু ঙ্মকপা কুমদা শাবা শঙ খাবম পানাগী মনুংদা খ্বাইদগী অথোইবা অদুগা কোনুং থনবী ইবেম্মশিংনা হাওদৈ অয়াকপা (য়ু) লাম্নহুনা থক্লবা শঙদা কোনুং মনুংকু হেম্না থোইনা ফজহনবীনি। অসিগুম্বা নিঙথিরবা কংলাগী শঙলেন অসিদা য়োইবু য়োইহেন তানবীশিংনা থম্না য়াকাক্লগা নিংথৌনা কম্বাল তোংনবা অদুগা য়ারেক

ফমাং থোঙতোংনবী। তোকক্রম লম্বর নতানবী। তমফা রাংঙমলোন। নাচৈরেমতোম পান্নমা সনা উনকোয়চুংকী।

১২। পুরিক্লাই উরা খুন্দাবা।

মপল রাংঙমলোন। রাকোন লাইকালেমপীনা। লাইরেন মপা মৈতেংঙুকী। কোলোয় ময়াথংপু হোতানা মিংথোংফপা। লাইরেন মৈতেংঙু রুবা কোনথৌপাকী। কোলোয় মমি থেংপু। রুরা সমানিথোংপু। মৈনা রায়না নিংচুপা। ফিরাং পুরিকলাই রুরা খুনতপাখি। যোগপু থোকমোম লাইবৈমা। খুয়ান য়াংকৈ লমচাহনপী। কেকে তানথোং লমমাপীপু। কেরৌ সীমথানা। লাংরে সাংতিংনানা। তানথোং চেননাতানা কুমসাপা। লেমথেং চেননাতানা কুমরোইপা। খোইয়ম সামন লাকীনানা। তানথোং মঙাইবোই। লেমথোং মতামাং

তোন-খুঙবু লনটন চানবী চম্পা রাংঙমলোন নিংথৌগী মচা ইবেমা নাউপাশি গী খুাইগী অতোম্বীগী শেংলবা পায়মা পিবুকনুংদগী।

১২। পুরিক্লাই উরা খুন্দাবা।

মোইরাং নিংথৌ পুরিক্লাই উরা খুন্দাবগী কোলোয় মমিংথোংদি পলেম মমা মোইরাং লৈমা ওইবীনা মপল লাইরেল মৈদিংঙু উরা কোপ্তোনগী খাথং মঙ্গু ইম্না মৈদিংঙুগী কোলোয় মমিং লৌরগা মৈনা রায়না শাংনা শম্না কাউদনবা হায়গনা মিং থাম্লনবা থোম্নবা পুরিকলাই উরা খুন্দাবা হায়না মিঙ্গৌই। মোইরাং নিংথৌ পুরিক্লাইনা কেগে লমদমগী খুমোল খুঙ্গংগী লাইরেম্বা তানথোং লম্মাবীবু পায়মা কুংবা চেংনা থাগোম্নরগা কুমজা খুদিং অকায়বা লৈতনা লেপ্পা লৈতনা ইরাং থৌনিজইনা চহি কুমজা খুদিংগী খোইয়ম লাইরেম্বীবু লাইচাইনজরকপা অমদি চীংঙু অথোম্বু থাম্মায়নুংদা চেংনা নিংজরকপা মরম্না মচা মনাই অঙম অথৌ পুন্নমকা

পূর্ণনামাকা। লমলেন য়াংতৌ য়িমক্ক। লেবা সকুংতৌ। পাখং চীং-কালম। শুবা পোংতাললম। সেনকোই রাঙাংলোকও কৌপাতি কবি-নেংকিনো। কেকে হাওযিম কোইপাকা। খুয়োন হাওপা লাযরপাকা। লমলেন যাংতৌ য়িমক্ক। লেবা সাংতৌরা পানপা রাপু। লা য়েন রাপানযান। লোকলে: তানকম লৌনা। লাংলেন কাংবা রাযানঙ। কেকে হাওয়িম কোইপানা। মিনেমচা তোংগুকিতমকপু। কোংযাং লুথোং পোংপু। ঐ তাননা সেমকে হাযরউ। খুয়োন হাওপা লায়রপানা মমাংনমচা তোংগুকিতমকপু লংলন নৈনী চোমপুল বোইহাননানা। লাককে হাযনা কোংযাং বামুননাখিএ। তনপা মাথন থয়নিকিনা হাওমূকনা লেকোইচর। মোংপা তানিল খুবো য়েংনাখিএ। খুয়োন হাওপা লাযরাপাপু। কেকে হওযিম বোইপানা। ফৈনা তানতা পাযনা থেকনা ছমথেকলে। কেবেনা তেংথানা মাইরংনা নিংকৌনাপাতি। কৈপাকপু সেংরো। ভেংনাপাপুতি কেইরাংপারো তৌনা কোএ। অতুনোংকিপু সেংকোই রাঙা লাকরা তৌনা নাএ। লোচুপ থরা লোয়্নলনা মা দৌ ইরম মরুদা। লেরা মাকু তোরগা ইরাংগর মরমদম পাব ওইর-শিংনা চীংগা লশী ওইবা অহল্ল পুরা চেপ চেংকং সে। কোই বাচা লোব হাবনা কৌন-মিরমি কবিলইনো লায়রবদি কেকে মোইবা নমমদা নৈরা চাংশিম বোইরনা খুয়োন হাওবা লায়রবগী অনিনা লমলেন মা দৌ ইখোং মগদা লেরা লেরা সাফু-ভৌদা হৌরা রারু রাপেংল ভুমা মা। রা তা বা বরা সাম্লেবপা মংম অহদা কেকে মোইরাংগী হাওযিম কোইরনা মতাম্লোই চেংনু দমক অরানবা রগী মরুক্ক কোক্কথোং শেম্বু ঐনা হান্না শেমগে হায়না য়বা নংমদা খুযোং হাওবা লায়রবনা হাওয়িম কোইবগী মম্লোই তাংগী রবক কে কথোংনুংদা মৈরী য়াওনা কোকথোং লাকশিনগে তৌবদা মুন্নখি। মবদি মবীন মঙংনিনা হাওয়িম কোইবনা মুকনা তৌহনা খুয়োনগী মথবাক্তা লেং চনশিল্লগা লো থ্রে য়েংখি। খোঙ্ফম অম্বিদা খুয়োন হাওবা লায়রববু মোইরাংগা। ওয়িম কোইবনা হাওবা লায়রবগী মফৈগল তাপ পায়রগা মশা থেক্কনা লাক্কনা লংথোক্কে। মোইরাংগী লোন্দা রাহৈদা ফৈরাকপু সেং হান্না কোই অহনা তেকপবু কোইরাংবা হাযনা হায়নৈ। নুমিৎ অহুদগী মফম অহবু সেংকোই রাঙাংলোক হান্না মিঙ্গৌনখি।

নাহারমরো'কৌপাক্তি কত্তৌনোংকিনো। নোংচুপ নুরা কোংয়ামপীকী। মত্তাইরেম খুমন থোনবা মচল। খোয়নৌ লৈরি কৌপীনা। থানলৈ লৌরংচৈএ। লাংলেন কোঙয়াং রাক্লকোন। সাকাপা লৈথাম থোক। খোয়নৌ তেংথোক হয়রোইনাইপু লাংলেন থাংতপ পায়। খুৎপাক ত্তিলাইমেননা থৌরতোননালং। য়োম্না থনজৌনা। যুপা খুমন তান। য়াংতো মমৈসম রাহি খুনফাউ তূপনা লয়তৌপাজ। মপারী নাউরা অখুপা। চিনকোই কুকু মীরোল থোকত্তরিপাপু। থানলৈ যুপুংথকতা। য়াইনা মায়থানা য়িনলুম সোকতোংমা। লয়হৌ যুতাউ থাঙলাম্না য়িম্নং কুপপা। খোয়মা লিরেনতোননা পানখোপপা। য়িনলুম সোকতোং পাম্না থককা থোননা। মপারী নারা সুমনা লৌতাপাতা। য়োইমরাই ত্তউতনপানা। মিরেন চেপনা লয়। মালংনা নাচুমলকপাত্তা। মুরা কানক খোইথোময়ি। সমথোঙ চারময়ি। লোকলৌ নমথুমম্নি। মরা পোমথন য়িপু হৌনা। মোমঙ অরা হুইরাং লোল্লপাকী। মোমঙ খুৎলং

অঙ্গা নোংচুপ থরা নাহারম হায়না কৌনখিবদি করিদগীনো হায়রবদি নোংচুপ উরা কোংয়াম্বীগী মনাই খুমন থোনবগী মচল খোয়নৌ লৈরি কৌবীনা লৌরঙজৈ। রাক্ল কোম্না পানবা য়োং, থবক শুবদা হৈ-হৈ হায়না শোম্নঙ্গা শুবা য়োংকী য়োং-খোক অঙগী ময়ায় থাংতপ লাক্না পায়রগা খুৎপাক্তা মত্তিল থাক্লা লৌয়ানবদা শোনলোম্না অসুম অসুম শাংখিবা য়াল্লকখিবনা পঙয়াম য়ামদবনা অঙানবা নুমিৎকী মতম্নদি অসুম অসুম লোইশিল্লক অত্থমকপু লৌরি-লৌয়া য়ানবদা য়াহিনচিংবগী মকোনফাওবা তৌরক্লবদা মপারী নারা অপিশক ওইরিবা তাইবং মীয়োল খোক্ত-রিববু লৈপুং অমগী মথক্তা য়াই মনানা মায়থা থারগা মথক্তনা থাঙলানা কুপ্লগা উরুম লাংহল্লিবা অঙ্গা শঙ মচা অত্থগী মপান্দনা লিরেম্না পুল্লগা থক্তা থাল্লিবা থাঙলানা থানা খুৎতুনা অঙাংবু তুমহন থম্নগা লৌতাবদা কোরৌহনবা নুমিৎনদি অসুম অসুম লল্লথখিবগা লোয়ননা নুংশিংনা উ-উ হুম্লকপদা মালেম লৈবাক লৈমগী তংথায় য়োনা য়োমদ্রনা লৈরিবা লাইজ ঈশিংগুম, নুরা ওইবীশিংগী চেঙহি উতি লুবদা লেংনবা অরুবা ঈশিংনা লোকচঙগী তরু তরু চেন্থরকপা ঈশিংগুম্না নুরা মাগী মশা মউ পুম্বু পুমচোং চোংপমথৈ লৌয়াং শুবদা রাজরবী ওইবনা নুরা মানা খুৎলং ঈশৈ

জোরান মৈনা পাউমেনখিএ। খানবৈ জোনাচাউ। নমু পোংনা রাংপাকী খানবৈ য়িঙম কংতারে। লোয়য়ম য়িমানমচারো। লম্বান মায়াউৈকী য়িপল সানতাকতা। য়িতু সানফোঙতানা। পলেম পিঙমরা। পনখৌ পাঙমনা। নঙপু খোয়মা নারোনহুংঙা সানথুপলিপারা। মোমনু হুইমোন য়িথৈনীক। য়েনপি য়িয়ালমনে। থৌরৈ তোপাংলমলাউরো হায়না পাউমেললাকপাপু নাতারাপাকী। মপারী নাবা অথুপা। য়িন-লুম সোকতোংহুংকিনা পাউথুমলকএ। পলেম য়িমা নেংচুপ উরা কোংয়ামপিরো। পলেম নঙনা অরা হুইরাং সেললাপাত্রি। নপারী ঐপু লৈএ। পলেম থৌরৈ তেংপাংকে। চেঙচা ঙমলমকে হায়না পাউ-থুমলকপাপু। পলেম মমা উরা কোংয়মপীনা। খানবৈ য়ুপ্যুথকতা। মোমও থুংলং জোকা লাউনা। রাঙম মৈরোইরকপা নঙপু কনানো। হায়না মিংয়েং সানথৈখিপাপু। চেংলৌ মিংথিং তারাপাকী। য়িন-লুম সোকতোংলুংকী। নারা অথুপাপু রেঃইঙামএ। কোরো

ওইনা পাউমেল্লকখি। হে লৌবুক নঙনদি পাকা চাউনা লৈবনে নমু অাইবং জোম্ব-মনদি য়ামদবনে নুরা ঐনা লোইগে তানবা ঙম অহুবু কংবা ঙমদরে। হে ইমানগী মচা পাম্বুবও নঙবু অহানবোং লিশক পিক্লিডেদগী পম্বোদমু হায়রমদা ইবুং ইপাদম্ব তারুমদনা পলেম ইমাবু নমহংনা পম্বো ইপাবুম্ব ঙম্বা অশোঙবা নাপীরক্তা লোংতুনমু লৈরিবরা। নুরা ওইবী ঐনদি রাবনা পনখৈ থেং য়েনবীনা মচাগী রাবথম হাজরে। নুজা ঐগী তেংবাংবিরো লাউগবা হায়না পাউমেনবগা লোয়ননা লৈশক্লকপবু তাবদা মপারী অপিকপা নারা অতাং অহনা থাংপোক অহগী মনুংদগী খুমলকখি। হে পলেম ইমা নোংচুপ উরা কোংয়াম্বীও। ইমা নহাক্কা অহক্কী মত্রিক য়ারে হায়মবদি নপারী ওইবা ঐবু লৈএ। পম্বো ইপাগী মহুং মরেং শিন্না পলেম নঙগী তেংবাংগে ইমাগী মহুম য়োলবা হৌজগে হায়না পাউথুমলকপদা পলেম মমা ওইবী উরা কোংয়াবীনা লৌগী অতোঙবা লৈপুং মথক্তা লেপলগা মদুং জোকাদুনা ওইনা লাউদুনা শৈহৌরক্লিবা নঙবু কনা ওইব্রিমবগে হায়না অমুম য়েংঅকপদা উরা অম-বদগী থাংপোক অনুংদা লৈরিবা অপিকপা নারা অতাং অহনা লাউরকপবুম ওই-রমলে। পলেম মমানুপি কোয়ো

মোংমাতোনকী। খোইয়ম লাইনা লাউথরকপারা হায়প্‌পু। পারী অঙতুম রোইঙমএ। য়ারা করমনা লোনথংলকপানো।" কেকেনা তেংথানা মোইরাংনা মিকৌনা।" অথংপাপু অয়াকপা কৌএ। পারী কোলোয় নমিংথোংপু থারা নাহা লায়রপরো কৌনা মিংথোংক হায়না মিংথোং-খিএ। অতুনোংকিপু নোংচুপ থারা নাহারমরো তৌমা কৌএ হায়তা-পারা। পাখং চীংকারম। হুরা পোংথালম। সেনকোই য়াংঙালোক। য়াংদৌ য়িমরু। লেরা সাফুতাউ। নোংচুপ থারা নাহারমকী লমদম হৌনা। তোমসোন লুরোই থেংনা য়াংএ। হুয়েল লাননিকীতি। চোথে নিংথৌ কোনথৌপাত্তি রোকলৌ লমকুমনৈএ। অতোন লম-তোনচা। সরা য়াংতেকচাপু পুইতিং লমকানৈএ হায়তাপারা। কেকে লমমাপী মপল চারা লাইহোইপানা পোকপী। মপাম থারা লয়হৌচীংপু তানা থনপী। খয়োইরোল কোনথৌস্থ। পুইতিংগু নাহাপু কোন্নৌ সিনথনা। লাংহৈ লেংতিননা। খোইমোম সামন লীকানানা। কেকে

অয়াংবনপীবু লাইনা লাঙরক্লবরা হায়না খঙ্গবব ইপারী নহাক্লম ওইরম্বোইরেকো। য়ংদৌ করম্বু অমুক পীক্লিবা নারা অঙাং নহাক্লা লোন থোক্লক্লবনো হায়না হায়রকখি। কেকে মোইরাংগী মীশিংনা খংবব অরাকপা কৌএ। অদুনা ইপারী নহককী কোলোয় নমিংবু ঙসিমখৈ থারা নাহা লায়রবা হায়না মিংথোনগে হায়খিএ। অদু নুমিত্তগী হৌনা মফম অদুবু নোংচুপ থারা নাহারম হায়না কৌনখি। পাখং চীঙারম হুরা পোত্তালম সেনকোই লাংঙালোক য়াংদো ই মরু লেরা সাফুতাউ নোংচুপ থারা নাহারম হায়না খঙনরবা লমদমসিদগী হৌনা থারম্ব তোমশোন চিনহুনা চঙশিনখি। লানকম অদুদা চোথে নিংথৌ কোম্বৌবা কৌবব য়াওরো ওকলেন ফাঙম অদুদা অদোন লমতোনচা শারা য়াংতেকচাস্থ চরোং চরেনা পুক্লকখিবগী তাকমস্থ লৈরি। কেকে লম্বাবীগী মশাইরোন চীংঙ নাপী মথৌজাপগী শম্বুরক্লবনা পোকপী লয়হো চীংগী লমদম য়ৌনা কোলোয় মিংলৈবব পাকনা শম্লা থঙনবী খুমন চনু কোম্বৌস্থ ওইবীদি নাত্তা অঙাং ওইরিবৈ-দগী হৌনা খোইয়ম লাইবু থম্মোয়নুংদা চেংনা কোকহুনা চীংঙ মাবু নীংজরক্লক্ল।

অনৌপা মরীগু তৌ। মোইরাং মনিমনাই। তানখোং ময়ুংকুই। লৈমখোং মকৈ পাকনা পাললে হায়ত্তাপাদা। মচু নিংথৌ উরা ভাংভোইপকী। অথাঙ্গ ম থামন। চুড়াসেন নবানাম্বানবুতি। "তাংংইবা থানা পাংপালবতা খৌসাপানে। তুনেল নোংপা য়িমৈ থ ত্তা। লোকথা মানিননাই। হাওখাত্তনা তানা পাললগদে। কেকে চাউপা পুংত্তাত্তি। চংনিং পাক্কং লীকপু। কৌকা কৌপা মথকতা পক্কং মত্তাত্তানা হাইত্র। নোংয়াই খুমন পুংত্তাত্তি। চোনকা চোনপা মথকতা। পক্কং তরুক হারাপাকী। কেকে মোইরাং নিংথৌ। য়িরাং পুরিকলাই। উবা খুনত্তাপানা রাত্তাখিখিত্র। ইয়িম কেকে চাউপা পুংত্তত্তি। কবিকী কৌকা কৌপা মথকত্তা। পক্কং মচাত্তা হাংপানো হ য়না রারোইবাপাকী। লোকথা মনিননাইপা। হাওখাত্তনা তাপানা। চংনিং লীকপান লে ইপু। কেকে মোইরাং পুংতংসুং হারারে ই। নোংয়াই খুমন পুংত্তাসুং পিরারোইত্র। চনিং পক্কং লাকপু। মালেম ল ত্তা তৌনা ফুমচিললে। অকুনোংকিগ

মরুম। মথংলেন পুরিক্রাউঙ্গীদমক খোংলম থাগোম্নজনদগী মোইরাং পুম্বা হৌদুনা কুয়েল লান্দাখিবদা মোইরাং লৈনাক্লা মরাক মরুং চাউনা পাক্লা শম্মা নুংঙাই মরাঙ্ক কাম্লনা পার্নখি। নবুখৌ উরা ভাংভোইবগী মংক মথৌনাদি চুঙ থাত্ত, টানচিংবগা লোম্বননা খা মায়কৈবোমদা লান্দাখিবদা খারমগা ভুরেলগী মমৈ মচিঙ্গা। তাবা লোকথা কৌবা খুঙ্গংনা মপাঙ্গল মতিক মথৌনা লৈনা হাওখাতনা তাবা খুঙ্গংনা মমিং চংলউে কেগে মোইরাং লৈপাক্তদি চ নিং পরেং শিবদা য়াম্মা কৌকগী মথক্তা পরেং ও তমক শি। অংংগা খুমন লম্বকোয় লমদদি চোনবগী মথক্তা অযুবসু পক্কং ৬ শিবা মত উবদা মোইরাং নিংথৌ উরা খুন্দাবনা মথরাই "য়াম্মা নুংঙাইরমদে। ইমুম কেগে মোইরাং লমদম অসিদদি চংনিং পরেং অসিগু য়াম্মা রেৌনা শিয়দা নত্তনা পক্কং ও তমক শিবসিবু কংবগীনো হায়না মথরাই নুংঙাইতনা লৈবগী লোকথা লমদা মনিঙ মখা তম্মা খুন্দারিবা হাওখা শাগৈনা চংগী লোইরপোং চংনিং হায়খত্রু মোইরাং লৈবাক্তসু হায়রোই খুমন লৈবাক্তসু পিরোই হায়না চনিং পক্কং লীকপু লৈবাক্তা তে থোক্কনা ফুমজিল্লে। নুমিং অহুদগী হৌনা

লয়ঙৌ শীকক্কমলেনরো তৌবা কোওএ। লোকথা মলিনমাইপা। হাওখা ভানা ভাপাত্তি। সায়পাতুকুম ময়ানা। খোইপুতুকুম মচিন তুম্মনা লৈরপাকী। হাওখানা ভানখোইনা। লোকথানা মথননা রাংচনারা-পাকী। বেকে মোইরাং নিংথৌ। উরা ভাংঙোইপাকা। নোংয়াই খুমন নিংথৌ। চীংখোঙ থোংক্রাইপাকা। লোকথা থেংমে। হাওখা নেৎসে। হায়না উনপী পুকমাননারাপাকী। অঙোই লযমাপা। যিরাং পুরিক-লাই। উরা খুনতাপানা। মতাইরেম অথৌলচা হেপপা। পানপা কৈসকপা পুমনামাকা। রাকয়ৈ মখুৎনেং। তোংচেং হিমাংপাকী। রাকয়ৈ তেংমায়থকতা। যিরাং মবাঙ হৌ। পুনিকলাই মখিনাও। রাকয়ৈ খোঙরাইনানা। লোকতাক লাইচা যিবাইতাননা। চেংনম লান-তাখিএ। নোংয়াই খুমন নিংথৌ। অদোম চীংখোং থোংক্রাইপাপু। রাকয়ৈ মনুংচঙ। তোংচেং লাইমপাপু তোঙনা। হৎেল লানঙ থএ। রাকয়ৈ অনীমাপু লোইননা যাইনা থাংলমএ। কেকে মোইরাং নিংথৌকা।

লয়ঙৌ শীকমলেন হানো মিজৌনখি। অসিগুম মচিব মথোনা কৈরক্কবা লোকথা খমপী হাওখা লাইগেইনা হাবা খুক্সি সাই হিংথপী মচিমা তুখউম খোইরেনপী খোইকুদা কনাওইনা শোকপদা খোই ময়ামা চুং লাইনা পাইখোরকপা কেকনমু ভানবা কৌবওয়া কৈরক্কবা মচিক মতান লন্থোক্কা কৈরে হায়নপী মচিক নাপক তৌনা নৈবনা মতমদা মোইরাং নিংথৌ উবাহুং হোইবগা খুমন নিংথৌ চীংখোঙ থোংগ্রাইবগা অনিনা লোকথা খুক্কং লাক্কাসি হাওখা অসি। খুবমসি হাকচংনা পুক্কি খোৎকেন হিয়না ভাংমবদনা পুরিরাই উরা খুনাবনা মনাই মখল অকল ভবো ওইবা পানবা কৈরেনগুম লায়ক মরবা লাংখিনিংঙা লোয়ননা রাকয়ৈ তোংচেবা হিজাউপী চেংমায় মথক্তা মোইরাং পুখা মবাঙ হৌনা পুরিক্লাইনা কখি কাঙ খোক্তা হিথকা লেংঙনা লোকতাক পাতচাউপী ঈরুংদা তায়ৎ থোইনা চুরেন লান-থখি। খুমন নিংথৌ চীংখোঙ থোংগ্রাইবসু মাপী তোংনংহি নীংথিবা তোংঙাং লাইবেনা হায়না নিংথৌনমঙ তেংকনঙনা চুরেন লাকাবকখিঙ হিজাউ অনিমক থাবাংনবা অদি লোঙনা কাইক্লাখিং থাংলগী। মোইরাং নিংথৌনা

নোংয়াই থুমম নিংথৌকা। নিংথৌ অনিমাকী। সগুলেন অনীম্বুং লোগুনা সারমএ। অতুনোংকীপু। অরোং সগুলাংমৈরো তৌনা কৌএ হায়-তাপারা। নোংয়াই লম্বকোয় ফমপাকা। কেকে পোংলেন হনপাকা। নিংথৌ অনীমম্না। ছয়েল লালম অনীমানা। অমা রোইনা-পনথেং-থারাপাতা। লোকথা য়াকা চায়রে। হাওথা মাপুং তাকলে। পুরিকলাই মথিনাই। য়িরাং মরাঙ হৌনা। কাচেং নোংথাং কুপকুম। লমু থপ-তোয়ননা থৌসারে। ছয়েল লাননিকীতি। লোকথা মনিংথৌ। য়েন-কাউপাপু কায়না হুললে হায়তাপারা। পুরিকলাই থয়াঙ মথৌমন। যিরাং চুংসল মবানরোনতি অতুস্বুং মতোমণ্ডে। হাওরৈ নোংচুপলা পাংপালমতা থৌসাপানে। লমলেম মতাইমতা লুরাং হাউলুথুমপা চন্থুকা। হাউগু নানপা চন্থুকা। মমান মচা নোংয়াই হাউকোকথোং। থুমন তাউহুইয়াংকা। সাংপী লুরোই থোংনা। পামেল সীংচনলম। খুরোই হাওরা লমলাংতোংতা। রাঙমলোন লোনলোই মনিংথৌ।

থুমন নিংথৌগা নিংথৌ অনিমকী লানশণ্ড অনিংসু খাত্রাংননা লোগুনা শারম্বী। পুমিং অংদগী হৌনা অরোং শগুলাংমৈ হায়না মিঙ্গৌনখি। থুমন নিংথৌগা মোইরাংগী মীগী মকোক ওইবা নিংথৌগা নিংথৌ অনিমক্না থম্নহুনা ছয়েল মার্গী মাগী লালওং লাল্লম শীন্নরহুনা অমত্তা ওইনা শীন্নচনা লাল থেংনরবদা লোকথা থুঙ্গং কায়রে। হাওথা শাগৈ পুম্বা মাঙ শাকখ্রে। অসিদা মোইরাং নিংথৌনা কন্থি কঙ্গাউ থোক্না মোইবাং মীয়ামনা মরাঙ হৌবগা কোরৌথক্না নোংথাং কুপ-কুম লান্মী পুম্নমকী মশা মইশিং অহু চোং-কন্নহুনা লান্দারে। লানফম অসিদা লোকথা থুঙ্গংগী নিংথৌ য়েনগাউবা বৌবু লানঙমলবখি। অসুম্বা মোইরাং নিংথৌগী মতিক মথৌনাদি অসিনসু লোইবা নত্তে। নোংচুপ মায়কৈরোমদা অমুবসু লান্দাখিবনি। লমলেন মদাইমদা লুরাং হাওনু থুম্বা চনুগা হাউনু নানবা চনুগা মমানমচা থুমন হাউকোকথোং কৌবগা থুমন তাউহুইয়াঙগা মথোর ৪ মক্না মকোক্না পামেল শীং অকংবনু শীং চল্লুহনা চংলম্বা মকম খুরোই হাওরা লমলাং-তোংদা লোনলোই লমদমগী নিংথৌ

খুংগোল ফানতেক লোকনাইপানা। চৈরে হাওবংথাইনা হিমকুপপা। লীকলং পথেং সাইতানানা। লোইচী নিনতুম জিন। লোইযা ঙানং তুম ঙাননা হোঙনেমক্তেতা। মমান নোংযাই খুমন নিংথৌ। চাংথোং থোংক্রোইপাপু। কোনোয় মিংনা ফাইত্রে। অহোঙ লেন্টবেন থৈনাকে হায়পাকী। খুংগাল মরৌ লৌনা চাউনা। য়িমান নোংমাই খুমন নিংথৌদ্রে। লোনলোই স্নিপুংযাহতা। খুংগাল ঐকা অহোঙ কুমমৈ লেংখিলাউরো হায়না। থমলৈ মপুংয়াযতা পাউথেমলাপাপু। নোংয়াই খুমন নিংথৌ। চীংথোং থোংক্রাইপাতি। হাওমনতুরুমপাপু মরৌ লৌনা। খুংগাল উনশী পরয়পা। লোনলোইলমপু মকখতারাপাকা। নাসি পুংমাংলোন। চুপলেন ণাপু ঙাননা। চৈবে ফিনৌথোল। লীকলাং মকোই কোংনা। লোনলোই মপুংরাযতা রারমুংলরে। থমলে মজিন্ন নাইপানা। ''ং'' লুকমাংলেম। সারেন ফাঙাংনানা খুইথংলমত্রে। লোনলোই মকোনশুংতা। মালং কুঙাসননা। খুংপাল বাকুপ নুংবাল ফাত্তেব শেংরাইবনা নী বিরবা চত্র খিশানা মরক থম্ন-থম্না মথক বুপ্পবা নীংখিবা লীকলাং পংর অশংবনা নাকল নাবল্দা স্নাস্থরগা নোংচুপ মারৈশ চীংশাংদা তাবশিং অমদি চাংয়াদা হুন্দাবশিংগী লমদম য়োন। মীয়াম পুনদুনা অহোঙ-অচাউ তৌনা (কীর্ত্তন তৌনা) পিক্ত পিথকতুদা মমাক খুমন নিংথৌ চীংথোং থোংগ্রাইবগী মমিং অমমন্নগী শক্তিনা কৌরগা ফারে। অমুম্না কুন্দে তৌখিন্তে অসিদা হুৎম চক্লগে হায়না রাখল চেৌকদ্লা মরম ওইদ্না মরৌ লৌনা হায়রবখি—হে ইমাক খুমন নিংথৌ লোনলোই, ঐগী লমদম অসিদা লৌরগা (কীর্ত্তন) অহোঙ কুমম অদি রেংলো পাউ হায়না মাগী মরমদমদা লাকনবা থম নৌদ্না হোংনবরু খুমন নিংথৌ চীংথোং থোংগ্রাইবা বৌনদি পামতৌদা থাবা শিং পুম্বা ফংবগ্রে খল্লবসু মনাউ মচা মচা তাংহৌদ্না নৈরবগুম য়াম্না মাঁথিং মীরোং থঙনা মরৌ তৌরদ্না নুংবাল ফাত্তেক শোকনাইবগী মপুক্তা নীংলিবা অদ্ম থঙদ্না মনাদা নাশি য়াল্লে নীংখিবা কিরোয় কিঙাম শেংলদ্না লীক-কোল মতিক চানা শিরগা লোনলোই লমদমদা থুংলরে। লমদম অদ্গী মতিক মথৌনা লৈথশিংনা চান-থকনবা চাকলুক নীংখিবদা শা থোংবগী শাদ্ম নীংখিবা হাপতুনা চাইদ্না লৈরমগী। অসুম্না লোনলোইগী লমদমনিংগী মনুংদা নোংবাল পাশে

চমা-অইরমাংলপাপু। চেংলো মিংথিংলাপাকী নোংয়াই খুমন নিংথৌ। চীংথোং থোংক্রাইলাকী। সমু মাঙজা থংনা। থৌরৈ রাখেক রানালুক অসৈপানা। পামেল রুভোনথকতা ভোংনা। হুয়েল লানকাইঙমপাপু। নোংয়াই খুমন নিংথৌ। চীংথোঙ থোংক্রোইশাবা। রুনপী লমনিঙজিংনা কাহমখিএ। হে থৌরৈ রাখেক লানকাইহপারো। নোংয়াই য়িপালাই। অথোন য়িপুলাই। খুমন সাংথাপানা। ফুংগাল মরান য়োইকপু হায়রপাত্তি। পামেল রুভোমথককী। থৌরৈ রাখেক নঙপু। রায়রা য়িত্তেবচানা ক.থাকে হায়না। রাবরা তেনয়াখংশাক। থৌরৈ রাখেক লামক.ইপাপু। মালেম লয়ভা তানা কাপথরে। নোংয়াই খুমন নিংথৌনা। রুনপা লমনিঙজিংনা। রায়রং সনা মনাসি। সনা মতানসি। কোয়বেম মথুংদসি। সনা থোক্রাই খুপোন য়াহাম লোনপা পুনমাপু। সামেন য়েৎলমকা। চৈরৈ ফিকুংতা সানথুপখিএ। ফুংগাল য়ানন ন.ইপানা। য়োকলেন লাংকোই চনকুম। থিংলৌ পনচনফপাপু নোংয়াই খুমন নিংথৌনা। ফুংগাল ল.লোই মথু ফাপা মংথোংত্তি কতৌঙমপানো।

শলাই পুম্নকনা পুংশিনমক দুংনা চাইরোল খুমন নিংথৌনা লাকপা অথীবা থংভুনা লৈরবা মপমদা রাখেক সানা চেক্লানা উতোন্না তোংলপা লাকপাউ ওইনা অনাংলকপা তাবদা নোংয়াই খুমন নিংথৌ সংথো থোক্লাইনন থংমি হেক নিঙশিংলক্লুনা চাংহন্নকখি। হে থৌরৈ রাখেক লানশাইসন। ঐ অসে খুমন শলাইগী ইপু অমংবগী ঈ অতুপা ঈপা তাদ মগ ঈমম ওইরুরনি উতোক্না হোংলিবা নঙবু ঐগী তেনজৈ অমিনা কাপথুনা লৈরবদি মখিম না পাল ওসিগী লানগী লানম) ওইরোই এমম্বদি ওইগ্রসনু অসি হায়দুনা খুমন তেন হেক কাপথিবদা রাখেক অংদা পাকপদনা লয়মায়থক্লা হাবে। অমুক হন্না খুমন নিংথৌনা লোক্লাইবগী মবো তৌরিবা অদু থঙনিং নিঙশিংলক্লদুনা মাগী নাইন প থামর্গ তাল মথংকী খুজি অমমুং মথোঙদা হাপ্পা থুবোম বাত চিবা পুম্নমক য়েংথংগী ফিনুংদা পুম্নমক লোৎশিনখ্রে। মতিক মঙম লৈরবা মশিম নোংবাল শাগৈ পুথনা ওকলেন লানা অচৌববু ফাননবা ইকোম্ন কোমশিনবগী কোংশিল্লিববু খুমন নিংথৌনা মশিন নুংবাল নথোক্নগী লাক্নী অমুক রাখা ওসিনি করি তৌরমলিবনো?

ঐতি মাকলৌরেম নুংপাল কানতেক সোকনাইপা মনোয়াইনিকীনা। য়ায়রং য়িনাসি। সয়াগু য়িতানসি। স্নারেন য়েংলম সিকুমপাসিপু। অহোঙ লোইবেন থৈনোৗরা। হায়না লমচাইবমলাকে হায়না রাহমলাপাজা। নুংপাল লালোই তরেংমানা। নুংপাল য়িনিংথৌকা। নোংয়াই থুমন নিংথৌকা। রুনপি পূকমাননারাপানারিঙৈনে হায়না। থাংলেন মখুংমু। তিমেন মনুংচঙপু চয়রৎলোরে। নোংয়াই থুমন নিংথৌ। চীংখোং থোংক্রোইপাতি। রোকলেন লাংকোইমুংকীপু লাইসেংলকলে হায়তাপারা। লিকলাং পরেংকেন। খুরোই থিংপাকোন। হাওয়ি য়াংকোই য়িপু কাননা সমনা। লাইচা য়িরালকলাপাতা। কানতেক লালোই তরেংমানা। নুংপাল মনিংথৌতা রাকংখিয়ে। নমান নোংয়াই থুমন নিংথৌতি। রুনপী পূকমানুনারমলাপানিকিনা। রায়রং মনাসি। সয়াগু মতানসিপু। অহোঙ লোইরেন থৈনোয়ো। হায়না লনখাইরমলপাকা লাইসেংখিরে হায়না রাকংপাপু। নাতারাপাকা। নোংপাল য়াইপী কলাহৌ নীকনা রাহমখিএ।

ঐদি নুংবাল ক্যাতেক শোক্লাইবা কৌবদুগী মমাবনিপা ওইবনিনা ঐগী নিঙথিরবা নাগী নাইন অদুগা য়েংথংবা ইপাম্বোমদা শিবা তাল অসিগুম্বসিনা নখোয়গী কীর্তন অসিগীদমক তৌনরো হায়না পীরগালম থৈদনা চংখ্রবদা নুংবালগী লালোই অথৌবা তরেংমক্তা থম্লখি— নোংবাল ইনিংথৌ শোক্লাইবগা থুমন নিংথৌ অসিগা পূকচেল থোরজেল মান্নরে হায়দনা মখোয়গী অথৌবা থাংলেন অমমুং টানচিংবা পূম্নমক খুমন্দা থাবা হুমদদুনা তোকহৌরে। অদুগা খুমন নিংথৌ চীংখোং থোক্ক্রাইবদি লাঙ্গোই চল্লবা ওকলেন লাবনা নাম্বোকখিনগুম নোংবালশিংগী মথুঙগী নাম্বোবখিরে। অদুগা য়াঙ্গোই তুরেল কৌবা খরাইনা লিকলাং পরেংকেন হায়না খঙনবা হাওরম নিঙ্গোয় অহনবগী মতুক কেনযম খুরোই লমগী থিংবাকোল কৌবা মফমবু লাম্বোক্লকবদা নুংবাল লালোই তরেংমকনা নুংবাল মনিংথৌ শোকনাইবদা রাকংখি! নমাক খুমন নিংথৌগা ইনিংথৌগা পূকনিং তিম্নরম্লনিন্না মাগী নাইন জালশিং অদু অহোঙ কুম্বদা তৌনরো হায়দুনা পিরমলে অদুগা মশামক্তি চংথরে হায়না রাকংপদু তারবদা শোক্লাইবনা মথক্লাই নুংঙাইতনা মশা নীক্লা হায়রকখি।

নোংয়াই করম মরী লৌনা হৈনা লাইসেংথিদাবো। খায়না রাইমতক-লাপাকী। নোংপাল শূমনা হৌনা। ছয়েল লানতারকপাপু। হাওবি সাংকোই য়িপু। লইচা রিরানওমলাপাকী। হুংপাল তকলৌ লিভং গোননা হলরাইথিএ। নোংয়াই খুমন নিংথৌ। চীংথোং থোক্কাই-পাতি। নোংয়াই কেনতা লইকোয়পুংতা। রায়থুংলপাতা অতোম লৈকোয় ফমপানা। খুমন কংলা য়াকোঙলাকতা ফমনা রাইমথিএ। নোংয়াই য়িপ.চা। খুমন য়িয়েললুশিংরো। হুংপাল কানতেক কুমমৈ য়েংলাউরো হায়পা পাউর কী। লাললোই মপুংয়ায়তা। অহোঙ কুমমৈ য়েংলুপাপু। হুংপাল নসা রোইনা। ফানতেক মরাম রে ই.কে হায়না সংলৌ থৌরাং-ঙমপাপু। য়িমোম হাওবৈমা কোলোয় মথ.থরকিপু লাইসেংলকএ। তথসিংরো। নোংপাল লাললোই মপুংফাপান। য়্রংলৌ লমথাংমতা। থিং.লী পনংনঙমপাসুং। নোংয়াই যিপাল্লাই। খুমন যিপু লাইনা লনকুপিপাকী ইতোম লাইসেংলকএ। তথসিংরো নোংয়াই ননিংথৌ ঐসুং রায়না সাথোঙ কৌতা। ছয়েল লানথোঙ নিনতাবিএ। য়িথুং নোংয়াই চাঙপাপুং। অতোন সাংপা য়াইপু। যিতাইবেম অথৌলীচা

আঃ নোংয়াই নঙবু নয়মসু অসুক হৈনা শিংনা নাম্বোকত্রবনোকো হায়না হায়রক-লনদা ময়িম নুংবাল লালোইপুম্বা হৌত্না ছয়েল লান্দাথিবদা খুমন নিংথৌদি য়াঙ্গোই ভুরেল বাংমা লানথিবা ময়ম্মা নুংবাল লান্মীং, ঙা তকপি শোন্দূনা মমুম-লোমদা হনথি। অদুগা খুমন নিংথৌ চীংথোং থাঙ্গাইকসু খুমন লায়কোয়পুংদা খুংঙবদা খুমন নিংথৌগী কংলা কম্বালদা ফম্লগা খুমন পূম্বদা হায়রকথি। হে নোং-য়াই ইপা ইচা ইচিল ইনাওশা! খুমন ঐগী ঈ ওইবশিংও। নুংবাল ফাকেক শোক-নাইবনা ঐবু বুমৈ য়েংলো লাউ হায়না কৌরগা নুংবাল মথোয়গী লানফা ভইনরগে হায়না থৌরাং তৌরম্ববু ইমোম ইবেম্মা হাওরৈমাগী মরাইহেন্দগী থঙলভুম্মা ঐহাক নাম্বোরকলে। অদুগা অচানবম্বা। লমথাংদা নুংবাল লান্মীশিংনা ঐবু থিংদুনা লাঙ্গোই চক্লথসু খুমন ইপা লাই অপোকপগী থৌজান্দগী ইশা অসি নাম্বোক্লরবনি! অদুনা অচানবম্বা। খুমন মুনিংথৌ ওইজবা ঐসু লাদা লাক্পা ইহৈ-ইমিংদা রাংবা নত্তে অদুগা ছয়েল লান্দাগে হায়নসু থৌরাংত্রি। অদুবু খুমন ঐগী ইয়েবাক অচৌবা অসিদা লৈরিবা নোংয়াই অথোবাশিংদি খুমন ইপা ইমুশিংগী মতা মনাওশিংনু

হেপপা। থয়াঙ কোনতাই লোনশা। পানশা কৈসকপা। কৈরেন ভেংথানাপা। অকি অথং পোকপা। অখৌ লাংকোনপাপু লেংনা ত্তিনমা য়াকাপুংনে। সুংপাল মানা মীথাতা। লুরাং মানা করিকী থৌ-রোইত্তারাকাপানো। সুংপাল থেংনা। থমলৈ নেৎসে হায়না রাহমন-রকলাপাতা নোংয়াই থাথা হো। খুমন লাইথা পুমনা তিননা। লাপা ময়েঙ পানপু তিং। সমু খোঙপু থীননা। কংলা রাসকনারে। নোং-য়াই খুমন নিংথৌ। অত্তোন চীংখোং থোংক্রোইপানা। তৌয়িকুম য়িতাইরেম নোংয়াই। খোংথমপা নঙতি। তাউচিং হৈনমসাং। হয়রাং ত্তোনশা হয়পু। পোনচেং লাইচম থননা। কেকে মোইরাং নিংথৌ। মুরা খুনতাপা ঙাংত্তোই পোংলেন হনপাতা লমরোকনাক্ররো। নোংয়াই ঙাইতুংসাংনে। সুংপাল ফানতেক নামনুনাসে। হায়না রাকংলুরো থৌসীথিএ। নিংথৌ ফানত্তেক সোকনাইপানাস্তুং য়িতাইরেম কুরাংনাহা রাংহুপামপা নঙতি। লিককোল য়াইসং পুনা। কেকে লয়মাপা। ঙাংত্তোই পোংলেন হনপাপু। হুয়েল লাননেকলুরো। নোংয়াই থেং-মাননাসে। অত্তোনকা ঙামাননাসে। হায়না রাকংলুরো থৌসীরকপাতা।

নাউরোক নাউকোনবা ফবা অমদি মথৌনা মরিংজেন্দসু পানবা কৈরেনগুম্বী হায়-নরিবা রেকুরশিংনসু অকি অথং পোক্তরিবা পুম্মক্রা তিন্দুনা লৈরিবা খুমনপুংনি। অত্তবু নুংবাল মথোয়ঙ্গনা খুমন ঐথোয়বু মীথাদবা অমদি লুরাং মথোয়না করিগী থৌওই উমিত্তবনো। ময়িম নুংবালগী লমদম অসি নেংথরুরসি হায়রকপদগী খুমন পুম্বা হো নোংয়াই পুম্বা তিন্দুনা নিপা থোক্তা শয়েঙ পায়োম তিংল-তিংলহনা মখোঙ অঙ-অঙ থীল্লহনা খুমন কংলা কোনুংদা শরী রাশক্ররে। খুমন নিংথৌ খোজ্রাইবনা হে অচানবশা। থোংখম্বা নহাকনা হৈরাং মনম নুংশিবা থোইদোক হেন্নোক্লববু পোনচেত্তা হাপ্লগা মোইরাং নিংথৌদা কংলুরো। খুমন ঐহাকসিদি মোইরাং নঙগী মতম কয়াগী মমাঙদগী হোনা ওইরক্রবা ঙাই-শেম্নি। ময়িম লুরাং কাত্তেক শোকনাইবগী মফমদা লান নাম্মিরসি হায়না রাকংলুরো হায়না প্রাউথোল শীথি। লুরাং নিংথৌ কাত্তেক শোকনাইবনসুং হে অচানবা কুরাংনাহা রাংহুপাম্বা নহাক্তি লীক-কোল হী-য়াই অশংবা পুম্নগা কেগে মোইরাং নিংথৌবু লাম্নেকল্লু। খুনম্বা লাম্নামিন্নসি নোংয়াই শাগে অমি থেংগোয়নরমি হায়না রাকংলু হায়না

ঙুংপাল লমনা নকলাপানিক্লিনা। কুরাং নাহা রাংহুপামপানা কেকে লয়কোয় কমপা। য়িরাং পুক্লিকলাই। সনা মথোঙখাতা। নোংয়াই থেংমনুনাসে। হায়না হুয়েল লাননেকল্লাপু। হানন্য লিকোল সায়া কৎনা পুরুমলারে। নোংয়াই থোংখমপাস্থং হয়রী হয়চাং কৎনা। নমু নিংথৌ। কেকে পোংলেনুহনপা। মনা মথোঙখাতা। ঙুংপাল ঙামননাসে। ফানতেক থেংমননাসে। হায়না লাননেকল্লাপাপু। মানবী খুতকনা। মুকমু লৈতোন কোন। চাংচৌ চেপনা লোননা। রাকৎলারে হায়জাপারা। খোইয়ম নোংতম মথৌথাপু য়োনথোকয়ে। অসাইঙৈকী ফানতেক সোকনাইপানা। মমান নোংয়াই খুমন নিংথৌপু। অহোঙ লোইরেন থৈনাকে। হায়না সংলৌ থৌরাংরাকিপু। খোইয়ম লাইনা য়াতারাপাকী। কেকে লয়মাপা। ঙাংঙাই পোংলেন হনপাকী। য়িরাং মপারী নারা অথুপা। য়ারা মংরোল থঙত রিপাসিংনা। পোনচেং পোনমিংথোক। হয়রাং পোনমায় হাংলা। হয়রী মমায়সোই। হয়চাং মমায় লেন। তাউচিং সুংতাই থায়না চংপাকী। মপল কেকে

পাউখোল শীরক্লবদা লুরাং লম্না নকশিল্লক্লবনিনা বুরাং নাহা রাংনু পাম্বনা হায়রকখি। হে মোইরাং নিংথৌ। সনা নখোঙ থাদা খুমনদা লান্দামিন্নসি হায়না লাননেকলু হায়বদগী লাকচবনি হায়দুনা লীক কোল হী-য়াইশিং অদু কৎলগা থুরুম্লয়ে। খুমনগী অথৌবা থোংখম্বসু হয়রী হয়জাং নিঙথিবশিং অদু মোইরাং নিংথৌদা কৎলগা লুরাংদা লান্দামিন্নসি ফাজেক থেংমন্নসি হায়না লান্নেকপা লাকচবনি হায়দুনা খুরু খুদক কুম্লগা লৈশি লৈথোন তোনা হকচাং চেপ্না নোন্না খুরুমদুনা হায়জররে। চীংঙু লাইগী বারেল থৌদা হায়বসিদি অঙকপনি। অসাই মাঙদা হায়খিবা লুরাং ফাজেক সোক্লাইবনা মমাক নোংয়াই খুমন নিংথৌবু মাগী অহোঙ কুম্মেদা লানফা ওইনমে হায়না থৌরাং তৌখিবা রাফমদু তেংবানবগী মপু ওইবা চীংঙু মানা য়াদবগী মরম্মা মোইরাং নিংথৌগী মচা ইবুংঙো অপিকপা তাইবং মীরোল খঙদরিবশিংনা খুমম্না পুরকপা খ্দোল হয়রী হয়জাং পোন মচা মচাশিং অদুগী মথুংদা হাংদোক্লুনা হয়রী মমার লোই হয়জাং মমায় লেম্বলপা হয়রাং অরাম্বা চাথোবপ্রবদুদা পলেম মমা ওইবী মোইরাং লৈমরেল কোম্লৈজম চনু

মৈথৈর‍াং লৈবা। *চিনক্‌রোল অাইসমাপিনা পাউমৈলকওর্ণ য়িরাঙী কেকে লয়মাপা। ভাঙৌই পোংলৈন হুনপারো য়িরাং নপাগী নায়া অর্কপানা। হুয়রাং কামনা তংলে। লিকোল সয়া নমপু ইনকুনো। হুরী হয়চাং নমপু ইনখিয়ে। হায়না পাউমেনখোনবী। হুংপাল লাঙনেক হাললাপাপু। নমতা হুননা নোংয়াই খুমন নিংথৌলোমতা পাণ্ডিরাখিত্র। অতুমোংকি নোংয়াই থোংথমপা চীরোমহয়। কুরাং মাহা রাংহুপামপা লানমহয়রো তৌনা কৌএ হায়তাপরা। নবু নিংথৌ কেকে লয়মাপা। ভাঙৌই পোংলেন হনপা। হুরা খুনভাপাতি। হাওরে নোংচুপজা পাংপালমতা। হুয়েল লানতারকলে। নোংয়াই খুমন নিংথৌ। অতোন চীংথোং থোংক্রোইপাম্মুং। হুয়েল লাললম অমী রোইনা। লমলেন মতাইমা নাপুগী লোথোংচাউ। থোংচাউ লাই-রোকলেন। লোনলোই য়িমমাথেংপু নাতৈনানা। খুরোই হাওরা লম-লাংতোংতা হুয়েল লানতারকলে। চুঙলেপ হুমকুচোং কাওরেন সনখাং তরালান। তিমেন হুংসোল লয়। খংনং লাইতং লেংনা পনথেংথপাতি।

লাইস্নাবীনা মনিংথৌদা হঙ্গচ্ছখি। ইথংলেন মৈথৈরাং নিংথৌও। মৈথৈরাং নপাগী অঙাং পিশকশিংনা নিংথৌ নহাক্কী খুদোল পোং ম্লকপা হয়রাংশিং অদু লোইনা তংথোক্লমলে। লীক কোল হী য়াই ওইনা পুরকপা খুদোলগী মায়কৈদা য়াখল ভ্রৌবিরুবগনু। হয়রাং খুদোল্লকপা মায়কৈরোমদা পুক্লিং হুখিরে। হায়না পাউমেপ্ল-রকপা য়াফমদগী লুরাং কাণ্ডবু ওইনা হুয়েল লাম্লেক্লবশিং অদু হলহলগ্ররদা মথোয়বু হন্দোক্লগা খুমন নিংথৌগী মায়কৈ লমদমলোমদা লাক্লগে হায়না য়াথোকখি। কোয়ৌ নুমিৎ অতুদগী নোংয়াই থোংথবা চীরোন হয কুরাংনাহা রাংনু পাম্বা লানমহয় হায়না কৌনখি। নবুথৌ মৈথৈরাং নিংথৌ ভাঙোই লৈবাক মপু ওইবা উয়া খুন্দাবদি নোংচুপ মায়কৈরোমদা হুয়েল লান্দায়ক্লে। অতুগা খুমন নিংথৌ চীংথৌ থোঙাইবসু তেঙ্গোল অনীথোক্লা লালওংগী লাম্লম অনীথোক্লা শাম্লগা লমলেন নাপুবী লোথোংচাউ থোংজাউ লাইরোকলেন (লম্বাংদোংগী থোংজাউ তুরেল) হায়না খঙনবা ঈরোক অতুগী মপান্দা তাবা লোনলোই লমদমগী ঈমথৈ অথেংবু তুংওইনবগা হাওরা লম্বাংলোং লমদমদা লান্দায়রকখি। লম অসিদা খুনীমা চুঙী মথেগ ২০ রক চোংনা (মথা থীংনা) কাওরেন সনদী অথেং অয়াংবু

*চিনক্‌রোল = কোংথৌজম চনু ওইবী।

কান্নভেক য়াক্য চায়রে। ফুংগাল মগুং তাকলে। : পুরিকলাই খিংম্ব মথিনাই। য়িরাং মরাঙ হৌনা থোসয়রে। হুয়েল লানয়িকীভি। ফুংগাল হয়রোইনাই ভানচৌশাপু কায়না হললে। অতুম্বুং মজোমতে। ভাঙ্গোই থয়াঙ মথৌমন। পুরিকলাই চুঙসেম মরানহৌভি। হাওরে খানা পাংগা লমতা। হুয়েল লানতাখিএ। লোকখা মপুংয়াই। হাওথা মসাইন কোনতা। লমপু থোংভাই য়াংখুপানা লোইথোকতে। লোকখা নিংথৌ য়েনরাইপাকী। কংলৈ মম্বুমমাঙতা মালং নোংসায়াই। চৈরে লুকা খুমনা য়াইহিপপাপু। লোকখা নিংথৌ য়েনরাইপাকী। মোমম্বু ভালোয়, মরুমপী। হাওম্বু তোমসোন লাংমৈপু। সাংঙে ভাইনুশীনা। হাওজে অয়াকপাপু। চাইরেল হাওথা মোনতাশীতা। নারা থোইলী তিংবা য়াইতমখিএ। লমপু থোংভাই য়াংখুপাতি। মিংয়েং নাউম্বুমতাবা। থোম'লন তুমকনতানা। চৈরৈ ফিতা লোননা লোনপা। লাংগাল কাংচিল লোনকপা ফিনা। চৈরৈ লুকা খুমপাকী। নারা থোয়রী তিংনা য়াইতমপাপু। মিংয়েং সানথৈবা। চেংলৌ মিংখিংলাপাকী।

১০ রক চোংনা থংভা টাশা' পায়রগা হুয়েল লান্দাখিবদদি ফাভেকী মীশিংবু মায়থিবা পীহুনা লুরাং পুম্বা মাঙ ভাকহল্লে। মতম অসিদা মোইরাং নিংথৌসু লান্মীশিংগা লোয়ননা মরাঙ হৌহ্নুনা লান্দাখিবদা লুরাংগী হয়রাং লোই ওইবা তাঙ্গোবা কৌববু মায়থিবা পীখি। অহুবু মসিনসু লোইবদি নত্রি। অসিগুবা মোইরাংগী মতিক মথৌনাগী মতৌদি অদুগা মোইরাং নিংথৌগী থাঙ অমম্বুং চুম্বদা হৈ শিংবগা লোয়নবা মথৌনাদি খা মায়কৈরোমদা অমুক লান্দাখি। হাওথা লোকখা খুঙ্গংগী মনুংদা লম্বু ওইবা থোংভাই য়াংখুবনা লোই থৌবা চংলুভৈদা লোকখা খুনগী নিংথৌ য়েনরাইবগী শুমাঙদা মকোক্তা ফিনা কুপলগা নুংশা য়াই-হুনা হিপতুনা লৈরম্ববু লোকখা নিংথৌগী মতালোই হাওনু তোমসোন লাংমৈপু শাংতে ভাইনুবী কৌবীনা চাইরেলগী খরুং য়ু তীংনবা ভাংখা অচৌবদা অভাং-থোয়রী থাদরগা লৈয়ু অয়াকপহু চিংহুনা পিথক্রবা থৌরাং তৌখি। মতৌ অসিবু থোংভাই য়াংখুবা কৌবা লম্বুহনা তুমদনা কাঙ লীভবা অপাবা ফিনা ফিরুক খুম-জিল্লগা লোম্না য়েংবদা অভাংগী মখোয় থোয়রীনা লৈয়ু মহী অহু চিংবা উবদা য়েং-নবদগী য়ু অহু থকপদি লায়রহুনা মখিংনা কাওবা য়েংখিখিদে'।

য়াংলৈ চেপনা য়েংশিন্তাখিএ। মখাংলেম লোকথা নিংথৌ য়েনব্রাইপাক্তি। লাপ্পা থুমজপু য়াংস্তৌ আরম পীবা। চকমোম মৈসা তানলুপাকী। শমান রোনতেরকপাতা। য়াংলৈ মিথৌ লাংপাকী। লমপু খোংঙাই য়াংখুপাপু য়েনবু। নাম্বা খোঙ্গী ডিংপাপু। য়াংলৈ চেপনা য়েংলা-পাঙ্কী। লোকথা নিংথৌ যেনব্রাইপাক্তি নোংমনুমারে। মোমজু তালোয় মরুমপী। খোয়নৌ লাংমৈবু সাংতে ঙাইবুপীতা। কংলৈ নম্মুমমাঙতা পান্তাকখিএ। লোকথা মনিন নাইপা। হাওথা তানা তাপাসিংরো। লোকথা নিংথৌ যেনব্রাইপাপু। লমপু থোংঙাই য়াংখুপাকা। য়েনালম-পাকী নোংমলম্লে। হায়না হুয়েল লানপাউ চেপলাপাতা। লোকথা পুমনা হৌ। হাওথা মমিন নাইনা। হুয়েল লানতাবকলে। লমপু থোংঙাই যাংখুপান। অচেন খংলৈ য়াঙনা। হুয়েল লানচেনখিপাপু। উনাশি পবং তা। ৎমু মীসিরাপু লাংতমতারাপাকী। খোইখম ভুপি অঙলপা। লইখেল অয়েমপানা। রাকযৈ ঙিপু রোইনা। ভুবেল, মোংপা য়িপু। কৈনা বিংপিঙমএ। অতুনোংকিপু লমলেন মতাইনা।

মখাংলেন লোকথা খুঙ্গংগী নিংথৌ য়েনব্রাইবনা নিপা থোক্লা শারম মৈ থাডুনা শাদানজুবদগী মম্নিম মায়কৈরোমদা হল্লকপদা য়ু খোরাংলহনা লম্নু ওইবা থোংঙাই য়াংখুবম্নু পিথকে তোরম্বা য়ু, অঙাংগী থোয়রীদা চিংবা য়ু অহ মুম্নবদগী লোকথা নিংথৌ য়েনব্রাইবদি য়েনহনা মথব্রাই থাখরে। লোকথা নিংথৌগী মতালোয় খোয়নৌ লাংমৈনু সাংদে ঙাইনুবীগী মখম তানা লাক্লগা মমাঙদা লেপতুনা পাউ অহ তাক্লখি। হাওথা কাঙবুদনা তাবা মতিক মথোনা লৈরবা কাঙবুগী নিংথৌ য়েনব্রাইববু লম্নু থোংঙাই য়াংখবগা য়েনবদগী মথব্রাই মাংত্রে হায়না লানপাউ অসি তাক্লরবদা হাওথা লোকথাগী মী পুম্নমক হৌহনা মতিক মথোনাগা লোয়ননা হুয়েল লান্দারক্লে। থোংঙাই য়াংখুবনা কম্থি থোকনা কম্না চেনখ্রবদা পুক্লিং অনি লৌঙদনা চীংঙু মাবু থাগোন্নজবনা তেংবানবগী মপু ওইবা ইবুংঙো মহাক্লা হি ওইনা শাইঙন তৌবিদুনা মাঙদা থংতুনা লৈবা তুরেল মথক্লা থোং ওইনা থিংবিরম্মই। কোম্রৌ নুমিং অদুদগী মক্লম অদুবু লমলেন মদাইমা

লোকতু হিরাংথাংরো তৌনা কৌএ। লমপু থোংঙাই য়াংখুপানা। লাইচা রাখ্যা লাজনাপাকা। খোইরম তুপি অঙনপামং। লাইচা য়িতা তুমথখিএ। লমপু থোংঙাই য়াংখুপানা। লয়রাক্ত মুংশিবকতা চেপনা পাউমেনজবয়ে। লোকথা তানা তাপা। হংওথা মনিক নাইপাসিংরো। লোকথা নিংথৌ যেনম্বাইপাপু ঐনা রাইনাতে। মক্কমগী খোয়নৌ লাংমৈছুনা। নীরা খোগরী তিঙনা য়াইনপাকিপু। মোংমনপামে হায়না পাউমেললমলাপাস্তা। লোকথা মনিম মাইপাঙ্গু। লাইচা য়িরাংমাকী। থিংলো নিঙনা তেনা হনরাইখিরে। লমপু থোংঙাই য়াংখুপানা। কেকে লয়মাপা পুরিকলাই। উরা ঙাংঙোইপা সনা মখোঙথাতা। মানপি খুতকনা। মুকমু লৈতোন কেন। চা চে চেপনা লোননা। লোকথা মপুংয়াইতা রাবোংনবকংপাপু রাকংলাপাতা। কেকে পোংলেন হনপা। উরা খুনতাপানা রাহমখিএ। তয়ম কেকে খুনকাংথৌ। ঙাংঙোই লাইফংথৌশিংরো। লমপু থোংঙাই য়াংখুপাপু। নারা খোয়রী চিংনা কতৌপা য়াইতম্লকুপানো। কেকে এপু তাংসকতে। ঙাঙোই ঐপু

লোকতু হিরাংথাং হায়নে মিংথোয়খি। লম্বু ওইনা থোংঙাই য়াংখুবনা লাইজ ঈশিং অচুগী রাংমা লাল্লবদ, চীংঙ খোইরুম ওইবা মহাক্তি লাইজা ঈশিং মনুংদা লপথখি। লম্বু থোংঙাই য়াংখুবনা তুরলগী লোর্বান্দা লেপলগা পাউমেল্লগী। হে লোকথা হাওবা অথোবদা। ঐদি লোকথা নিংথৌ য়েনবাইবগা মৈনকদে। খোয়নৌ লাংমৈনু কৌবনা অঙাংগী খোয়রীনা লৈয়ু মহী চিংবহু থকলুবদগী শিখিবনি হায়না হায়রক্লবদা লোকথাগী অথোবশিং অদু তুরেল রাংমংদগী চনিঙ তানা কায়দ্রে খল্লহুনা হয়থে। লম্বু ওইবা থোংঙাই য়াংখুবনা মোইরাং নিংথৌ পুরিক্লাই উরা ঙাংঙোইবগী সনা মাঙদা খুরু খুদক বুক্কহুনা লৈশী লেথোয়জনা লোকথা থঙ্গং ময়ায়মক্তদা লোকথিরা লানফমদগী রারমবু হঙচরবদা, মোইরাং নিংথৌ হুন্দাবনা হায়রকখি। হে ইদাইরেম অচানবা কেগে লৈবাক্কী অমদি ঙাঙোই ইরমদমগী অকনবশা লম্বু ওইবা থোংঙাই য়াংখুববু কম্ব মরমদগী অঙাংগী খোয়রীনা লৈয়ু মহী চিংদুনা য়াইতম্নকপনো। কেগে ঐবু ঈশক খঙদে, ঙাঙোই ঐথোয়বু ।।

মীথাক্তে। লোকখা কেৎলে। হাওখা থেংলে। হায়না রাহমলকলাপাক্তা। মতাইরেম অথৌলীচা হেপপা। থয়াঙ কোনজাই লোমপা পূমনামাক্তি। সাংতিং লাললৈথেম্ব। পুস্নং লানপোৎ মজান লাইনা ভাইঙলাপাকা। মযু নিংথৌ কেকে লয়মাপা। ভাংগ্রোই পোংলেন হনপাক্তি। রাকয়ৈ মথুনেৎ। তোংচেং মনুংচক। রাকয়ৈ খোইরু কাপা। তোংচেং তোনকাঙপানা নারাংপা। রাকয়ৈ লূকচী পোপতাপা। তোংচেং য়েম্নৌ হৌতাপা। তাইরেন উচা পোপতাপা হিপু। হিয়াঙ ক্যাংখংয়ৈ। তনমু ন্যাকনকু। লাইচা য়িথিনপেক। য়িমু নমতা হুন। তোংচেং মরাঙ হৌ। লোকতাক লাইচা য়িবাইঙান। তোংচেং তেংমায় হেননা। হুয়েল লানতারকলে। চুঙলেন থাকুপ হৌ। তিমেন খেরা থাং। খংনং লাইতং ফেননা পনথেংথাপাক্তি। লোকখা য়াকা চাযরে। হাওখা মাপুং তাকলে। কেকে লয়কোয় ফমপা। হুংপাল থমলৈ লানথাপানা। পুরিবলাই মথিনাই। য়িরাং মরাঙ হৌনা থৌসারে। হুয়েল লাননিকিতি। লোকখা তনপা মীরোংখন। তোনতৌ লানথৌয়াংপু কাংনা চললে।

মীথাক্তে। অদুনা লোকখা খুঙ্গং অসি মাংথিবা পীংসি। নমথরাস। হায়রদুনা মোইরাং মীয়ামদা হায়রবদা মচা মনাই অকল-অথৌ পূমমক্তা লানগী ফিজেং লৈতেং, য়েংবদা মিংথৌরবা পূম্বা শেংলদুনা লান চৎনবা ভাইদুনা লৈবদা মোইরাং নিংথৌ পুরিরাইনা মাগী নীংথিনা খোইরু কারবা লিগ্রবা খুনেৎ হি মতোল বাঙলবা, হিনম হিক অমদি হিবালনচিংবা পোপত্রবা মনুংদা শজিক তিংথৌ ফৌনচিংবা হৌদনা শিং নাম্না লৈরবা তাইরেল উগী নীংথিবা তিদা তোংলদুনা নাকন্দা নৌ অমদি চৈঙাক থারদুনা নৌনা ঈশিংদা হোৎলগা তুংলোমদা হোহোরগা তুংলোমদা অমুবা ঈশিং ঈপাকপু হন্দোক্লমগা হিংতা লাম্মী ময়াম্না মরাঙ হৌবদুনা লোক্তাক পাৎকী ঈশিংগী মথক্তা ইঙান ভাম্না তোংচেং হিগী তেংমায়দগী হেম্না ভাম্না তোংলদুনা লান তারক্লে। অসুম্না লান্দাবসিদা টায়াম ফেম্না-ফেম্না লংশিনখিদুনা লান্দাখিবদা লোকখা খুঙ্গং থুগায়রে। হাওখা খুঙ্গং তাকখরে। মেহৈ মোইরাং নিংথৌ লুরাং থমলৈ লান্থবনা নিংথৌ কম্বি কঙ্গাউ থোক্না মোইরাং লাম্মী পূম্মক হৌদুনা লান্দারক্লে। লানফম অসিদা লোকখা খুনগী মকহি মখিল কত্তবা তোন্দো কৌবা লান্দা থৌবনু লানঙক্কখি।

হাওনু তোমসোন লংমাইনু । সাংত্তে ঙাইনুপীসুং। লুরক কাউত্তে থিপিত্তা। খৌনাউ লোনথোঙ লেনপিত্তা। হয়রাং ঙংকোই লেনপিত্তা। থপাক চেংলোপামপু নমপীত্তানা। চঙনা কায়রকলে। পুরিকলাই মোইরাং ঙাক্তোই মচী হেননা। মরান রোনত্তেরকলে। নয়ু নিংথৌ কেকে লয়মাপানা। অসাইত্তেকী হাওনু তোমসোন লংমাইনু। সাংত্তে ঙাইনুপীপু কেকে লৈমা অঙনপী। ঙাক্তোই য়োইহৈ লেংনা ত্তিনপিলকত্তা য়াংকোই-হললে হায়তাপারা। নয়ু নিংথৌ কেকে লয়মাপাত্তি। তুংঙাই মরাং কায়। লৈপাক মনিন নাইনা পাললমত্তে। নোংচুপ কোংয়াং মনিংথৌ। থাইচেন অহনপানা। কেকে পুরিকলাই। নিংথৌ সনা মখোঙ থাত্তা। মানপী খুত্তকনা। মুকমু লৈত্তোনকোন। চাংচৌ চেপনা লোননা য়াকং-চনকয়ে। য়িরাং পুরিকলাই। কেকে লয়কোই কমপা। য়িপুংঙু ত্তাউরো। হাউনু তোমসোন লংমাইনু। সাংত্তে ঙাইনুপীপু। তালোয় য়িলুমপীপু রোইনাকে হায়না পুরুমচারকপা য়াকী। সাংত্তে ঙাইনুপীপু। নোংচুপ কোয়াং মনিংথৌ। থাইচেন-অহনপাত্তা ললকুপিরে হায়ত্তাপারা।

অদুগা হাওনু তোমশোন লংমাইনু শাংদে ঙাইনুবীবুসুং মঙক ককপিদনা মকোক মৈথায়বিদনা মী খুদিংগী কন্নক মিহোৎকম ওইবা নুপী ওইবীগী থবাকপুসু কনা-মত্তনা নোইহংপা তৌবিদনা মথরায় হিংনা (চঙনা) কারকখি। অসুম্বা লানকম অসিদগী মোইরাং নিংথৌনা মমায় পাক্না হল্লকখি। নবুথৌ মোইরাং নিংথৌনা হায়গী লৈমলক্তা হাওনু তোমসোন লংমাইনু শাংদে ঙাইনুবীবু কেগে লৈবাককী লৈমরেন অহনবী ওইনা কেগে লৈমরোল ময়ামগী ত্তিন্নকমদা লৈহনখি। নবুথৌ মোইরাং নিংথৌদি মতৌ অসুম্বা য়াম্না নুংঙাইনা মরাং কায়না লৈবাক মখিং লৈনা পান্দুনা লৈরিত্তে নোংচুপ মায়কৈগী কোংয়াং নিংথৌ থাইচেন অহনবনা মোইরাং নিংথৌগী সনা খুরা খাদা খুরু খুদক কুম্না মালেম লয়দা কোঙয়াং য়াশাং তাবঙম চাংজৌ চেপ্পা লোম্না খুরুমলগা য়াকংচরকই। হে পুরিকলাই মোইরাং নিংথৌ ইবুংঙো তাবিয়ু। হাওনু তোমসোন লংমাইনু শাংদে ঙাইনুবী কৌবীবু থাইচেন অহনবনা মাগী মতালোয় ওইনজরগে হায়না খুরুমজরকই হায়না খুরুমজরবদা মোইরাং নিংথৌনা থৌজানবিরে।

অত্থুনোংকি নোংচূপ কোংয়াং মপুংফায়তা। খাইচেন অহনপাবু। সাংদে ঙাইনুবীকা য়াংকোইমননাখিরে। কোরৌ নোং অমত্তাহুম। কোংয়াং খাইচেন অহনপাপু। মুসানৌ খোমফাং অতোনপাকা ঋৈনায়াপাকী নোংমললে। কোংয়াং মপুংফাইত্তা য়াংকোইরিবী। হাওহ তোমসোন লংমাইনুনা। হুয়েল লালপাউ চেলকচেএ। কেকে লয়মাপা। ঙাঙোই খোংলেন হনপা। য়িপুংঙু তাউরো। থংলেন খাইচেন অহনপাপু। মথানৌ খোমফাং অতোনপানা। ঋৈনরাপাকীপু নোংমললে। কেকে নাহা চঙুম নাউয়েংকবী। মোইরাং নমোমলেনথুম লাংবোনবী। ঙ- ঙোই হকা চাকনা। য়োইরে ইবকবীনে হায়পাপু খঙপিতে। নত্তাইংেম কেকে থয়াঙ কোনভাই লোনপা পূমনা হৌনা। নোংচূপ কোংয়াং মপুং- য়াইত্তা। চকমোম থামবী মৈহৌথারমলাউরো। হায়না লানবৌখিএ। অত্থুনোংকিপু হাওহ তোমসোন লংমাইহু। সাংতে ঙাইনুবী লানবৌ চীংলো তৌনা কৌএ। নয়ু নিংথৌ উবা ঙ ঙোইপাকা। লোংযাহ

কোরৌ অত্থ নুমিত্তগী হৌরহনা নোংচূপ কোংয়াং মথুঙংদা খাইচেন অহনবপা শাংদে ঙাইনুবীগা লৈমিন্নখি। কোরৌ নোংজা অমদদি খাইচেন অহনবগী মনাও অতোনবগা খাইচেন অহনবগা ঋৈনবদগী ময়াম্বা খাইচেন অহনবদি মথবাই মাঙখ্রে। মতমসিদা কোংয়াং থুঙংদা লৈহৌরিবী হাওনু তোমসোন লংমাইনুনা পাউ অনি ভারহনা হুয়েল লালবাউ অমা মোইরাং নিংথৌদা পাউজেঙ্গরবখি। হে ইবুংঙো! মোইরাং নিংথৌ পুরিক্লাইও। তাবিয়ু। ইথংলেন ওইরবা খাইচেন অহনবদো মনাওনিপা অতোনরগা ঋৈনবদগী শিখ্রে। নুজা ওইবী ঐহাক্তি কেপে নরমদমগী অঙাংগম য়োকপি থাবপিরক্লবী মোইরাং নখোয়গী নচানুপীগুমনা লাঙ্গোনবী- রক্লবী, ঙাঙোই নখোয়গী নচাক চাহনা য়োবপিরক্লবনি হায়রবনু খঙবিদয়ে। কেপে নখোয়গী অথৌবা মোইরাং নুহাকী, শা-লান্দা থৌবশিং পূমমক হৌহনা নোংচূপ কোংয়াং থুঙংং অসিনু খাবী মৈ থাদোক্পিরক্লো হায়না লান ওইনা লাকখা কৌজখি। কোরৌ নুমিং অত্থুদগী হাওনু তোমশোন লংমাইনু শাংদে ঙাইনুবী লানকৌচীং হায়না মিংথোম্নখি। নবুখৌ মোইরাং নিংথৌদা

খুমন নিংথৌ। থোংপু ময়ুকহুচাকা। কোংয়াং পনথোং হাংনা। মৌপোন ম্যাঙয়োই খুনপাপু থেংনসে। হায়না য়াহৌখোনকী। নোংয়োই খুমন নিংথৌ। থোংপু ময়ুকহুচাকা। কেকে লয়ম্বাপা। ভাওোই পোংলেন হুনপাক্রা। কেকে মরাঙ হো। নোংয়াই মখি নাইনা। হুয়েল লান-তাখিএ। লম্‌লেন নোংচুপ কোংয়াংফাই। ফাইকোন তমপাকপা। যামম্লা ফাইহুংদ্রি। তাংজাপু থোঙথিন লোক। থারা য়াকেনয়ারকী। থানা পাংপ্লালুম। লেংয়ি লেংকাই চৌং। নোংচুপ তুয়াংলা। অয়াং তুয়াথি। লাইসেংকৌ তমপাকপা। য়াইকম থিপা লময়াই চিরোং হাইপা পললিয় ই য়াওয়ো সাচন খোঙতাঙবনা সেনলিরাই। উনপ খুনকৈ য়াম্নপা। চিরাই য়ারোংন পা পললিরাই। য়াওয়ো সানিকিতি সামরক। লেমনৈ ভানিকিতি ভামারক। তুরেল য় ইথু খুংলোঙপিচা। চেকপ অনিস্থনা। খুংলাই অনী লোংপা। পাখং থাঙখোক মতাঙ তেনপানা ফংতা ঙা। মোংপা লয়কু তাংথনানা। লয়রায় নমঙানানা

খুমন নিংথৌ থোংবু ময়ুকনুচাগা মাগী মাগী লমথৈগী পল লাম্থোকহুনা সৌ থাক্লগা থিপা থোদাং য়েংনন্সি হায়রকপদগী খুমন নিংথৌ ময়ুকনুচাগা মোইরাং নিংথৌগা মোইরা সু মরাঙ হে খুমনসু কম্থি থোক্না হুয়েল লান্দানখি। নোংচুপ কোং-য়ায়ফাই ফাইকোন তম্পাকী লম অপাকপা য়ামলা থাইনুংশি কৌবা চীংগী লৈবাক ভাড়না লৈবা অতুগা শুকপনা মথনা হায়নিংডাই লৈত্রবা প্রমান অমদা হায়রগা থাবগী জাত্না য়া কেনলমথৈ থাবওম তমখিনা মমগ্রবা লমগী থা পাংবা মায়কৈদা লৈবা লেংয়ি লেংকাইচৌং নোংচুপ তুয়াংলা অয়াং তুয়া কৌবা ঈরোক্না তমথ-রকপা তুমপাক অপাকপা য়াইপলনা চীরোং যাম্না যাম্না শাংপা মতমদা শাজল খোঙদা [illegible] চাক্লাবা মতম উনপ কৌবা উনা মরোল মরোল থম্না থম্না হৌবা লমদমুদা শাগী মরক ঙাগীসু মরক তুরেল তুশাং অমদি থোবচপ্না লৈবা রাইথু, মথোক্নদা কাচি চেকপ অনি ওনা খংলায় ওইজবা অতুগা পাখংশিংনা পায়বা থোক তেনবা থাঙনা তানবদা ফংবা ঙমদবা ঙা অকুপপা লয়কু লম্বরায়নুংদা মকোন শাহুনা কৌরিঙবদনা লয়রায়দা নুংশা য়াইহুনা

য়াতাপা। লংকু কাউমাপা। য়াওরো মমানসা থুংলোত্তপানা। সেলদিয়াই। তুমিং মোইতালোক। হেমপা চাউরোনচৌং। লোইশী য়িহালোক। খীয়েম লানলুমচৌংতা। কোংয়াং মচৌকানা পনথেংলে। কেকে মোইরাং নিংথৌ। ভাজোই উয়া থুনতাপা সতাইরেম। কেকে খোয়পা কোংয়ামপা। নোংচুপ য়িয়ে লানথাপাকা। নোংয়াই হাউকোকথোং। থুমন তাউছইয়াঙকা। হেমপা পনথোঙ হাং। সৌপোন মাঙরোই থীননা। নমথং লানচাই তাননথিএ। কেকে মথিনাই। নোংয়াইময়াঙ হৌনা পনথেংথাপাত্তি। কোংয়াং য়াকা চায়রে। মৈশী তাংকোই পাইনা। হুয়েল য়াইসিং মুৎলে। চৎলম কানসাং থুমলে। কোংয়াং কমমোই মিং। কলাংমৈম্বুং মুৎলকলে। পুরিকলাই মথিনাই। য়িয়াং মৈনা য়োৎনা খৌসারে। হুয়েল লাননিকীত্তি। কোংয়াং খোমকাং অতোনপাপু কায়না হুললে। কেকে মচিহেন। ভাজোই মরাই লোংনা হলরাইরকলাপাত্তা। মোইরাং অসৈপা। কেকে

লৈবা লয়কু মনুংদা কাউ ওইহনা মতিক লৈনা লৈবা উমংনুংগী শা ওইনা মথং লোঙনা লৈবনা শেন্দ্রনা ভাকুনা লৈবা, নুমিংনা খরদংদা লয়থখিবদা পুখম মখা লোক, অচৌবা চীংজাউরকী লোকচপ অথ্‌বরককী লোকয়াদা লোম্না থুপনা চৎতুনা কোংয়াং চীং কায়গা লাম্বেংলে। কেপে মোইয়াং নিংথৌ উয়া থুন্দাবগী মনাই মোইয়াং খোয়বা কোংয়াম্বা নোংচুপ ঈয়ৈ লাম্বগা থুমন নিংথৌ থোংবু সমুকনুচাগী মনাই নোংয়াই হাওকোকথোং তাউছইয়াঙগা মহৌশাগী লৈনয়কপা নুংশিনবগী লখী কক্কুনা মকম্বি ফুদোক্কহনা লানকমগী থৌয়াং তৌনখি। মসিদা মোইয়াং মীয়াম হোৎহনা লান্দাখিবদা কোংয়াং থুজংদি মায়থিবা কংখি। থুজং মৈ থাহনা ভাজোইনা ইমম মম্মা পাইনা লাম্বেংনখিবদা কোংয়াং লাগী অয়াম্বা মথরাই মাঙখি। থুজং অমগা অমগা লৈনয়ম্বা থায়নগী চৎনবী পুম্বা মাঙ-তাকখি। অহুগা কোংয়াং থুজংগী নিংথৌ ওইবগী চৎনবীসু মুথংখি। মোইয়াং নিংথৌ পুরিক্লাইনা অমুক কম্বি কপ্পাউ থোক্না থম্মোয় মৈরী থোক্না শাউবনা মরম ওইহনা হান্দাখি। লানকম অসিদা কোংয়াং থুজংগী খোমকাং অতোনববু লাক্না মাঙখিবা পীখি। অহুনা মোইয়াং পুম্বা মমায় পাক্না হয়াউ তয়াম্বা ময়ুমলোমদা হাক্কপা কেপে মোইয়াং লৈবাকী অশৈবা

মোইরাং-নিংথৌরোল লম্বুবা

মুয়াং-চৈম্বাপম্বকা। নোংয়াই হাউকোকচাউন্দু। লৈথম মোইহু রাককা- রাকমা সৈতানূনাপাপু। নোংয়াই হাউকোকচাউন্দূনা। রাকমা লাই- খঙলাপাকী। কেকে মুয়াং চৈমাপাক্তি সৈতুরাপাপু। মরোয় কাচেং লম। থোংঙাই অতোনপানা। রাকমা সৈখঙলকলে। অতুনোংকিপু কেকে মুয়াং চৈমাপা সৈতুলোক। মরোয় কাচেং লম। থোংঙাই অতোন- পানা সৈখঙলোকরো তৌনা কোওএ। নোংয়াই মথিনাই। ঙাঙোই মরাঙ হোনা রাইথুংলাপাতা। নোংয়াই খুমন নিংথৌ। থোংপু মমুক- চুচাকা। কেকে মোইরাং নিংথৌ উরা ঙাংঙোইপাক্ক। লোকতাক রানপরেনতা রাকয়ে হিতাননাথিএ। হিয়াং কাংতং য়ৈ তনমু নাকন ফু। নৌরেন পানপাই লাক। লাইচা থাথিন পেক। নোংয়াই মথিনাই। কেকে মরাঙ হোনা। রাকয়ে হিতাননারকপাতা। নোংয়াই খুমন নিংথৌপু। রাকয়ে হিনম তাননা থোইকুমলে। কেকে মোইরাং নিংথৌ। উরা ঙাংঙোইপানা। কারাং থেনকাহাললে হায়তাপায়রা। হে মিরাং

মুংয়াং চৈমাবগী খুমনগী হাওকোকচাউগী মপু লৈথম মোইনুবাকা অনিনা ঈশৈ শৈদামবদা খুমন হাউকোকচাউগী মপুনা ঈশৈগী শৈওং খঙবা হেনবদগী কেপেগী মুংয়াংচৈমাবা কোবদি ঈশৈদা মায়থিবা ফংলবদা মাগী মরুপ কাচেং লমগী থোংঙাই অতোনবনা ঈশৈগী শৈওং খঙলকখি। কোয়ো অহু নুমিত্তগী হোনা মখম অহুবু মুংয়াং চৈমাবা শৈতুলোক হায়না খঙনখি। অসুম্না খুমম্না মমায় পাক্লা মরাঙ হোনা অমদি মোইরাংনা মমায় লংনা মরমদমদা থুংলবদা খুমন নিংথৌ থোংবু মমুক- নুচাগা মোইরাং নিংথৌ উরা কোংয়াম্বগা লোক্তাককী রাংবরেনগী লমদমদা মথোয়না তোংনরকপা হি অনিহু তায়খি। খুমনগী কাঙবুনা মথং মথংগা নৌ অমসুং চৈঙাক পায়হুনা হিগী নাকন্দা নৌনা হোংতুনা ঈশিং অদু তুংলোমদা পেক্কুনা পেক্কুনা হোল্লগা খুমন পুম্নমকসু মোইরাং খুদিংমকসু অয়োবী পাঙল থাহুনা হিদায়বদা খুমন নিংথৌবু মোইরাং নিংথৌ উরা ঙাঙোইবনা হিগী হিনম অমা (মরাক অমা) লোম হেন্দুনা থোইগুমলে। মসিদা মোইরাং নিংথৌ উরা ঙাঙোই- বনা খুমনবু চংনবীগী মতুংইন্না থেন কাহনথিবগী অথবনু লৈরি। হে মোইরাং

পুরিকলাইরো। লৌকালাং সনলাইমান। কান্নাং লীপীচৈংত্তা থৌসাপা। হৈরেল লানলিকিতি। হাওরাথেনহুম্ নমপোক চৈথংকী। কমপোং মৈরা চাউকুমপা। কানা থেনপু তানকংপা। কারাং লমলোকপা। ঙাতোই উরা খুনতাপা। নোংচুপ কোংয়াং ঙমপা। কেকে পোংলেন হনপাত্তি। রাকয়ে মখিনাই তোংচেং মরাক্ত হৌনা। কেকে মপুংয়াবত্তা। হুংঙাই মরাক্ত কায়না রায়থুংলরে হায়তাপারা। হে মিরাং পুরিকলাইরো। নিংথৌ লোকথা নেংপা। হাওখা চায়পা। নোংচুপ কোংয়াং ঙমপা। ঙাতোই উরা খুনতাপাত্তি চোয়নৌ সনা মিংহনকিপু চুনাপানে॥

ময়োল কেকে মোইরাং লৈমা। চিনকুরোল লাইসনাপী। মপাম হাওরোক অঙনপা। মতু কোনথৌ অরেনপা। পথুপ নোংলোন মনিন লাইপো চিংঙু নোংথৌ সরারেন। অরাং পাখং য়োইরেনপাপু। কোরৌ সেনচঙনানা। রাংপল পাইচংনাপম চনু। চিনফুরোল লাইসনাপী। শায়বা সনা উনকোয়হুংকী॥

---

*পুরিক্লাই কেগে ইনিংথৌও নহাক্কি লৌকালাং শল্লাইমান কাল্লাং লীবীচীংদা থৌমাবদা লানকম অহুদা হাওবাথেননুগী মশ্ হেক থংনবা কম্বোং থুনগী মৈরাঙম লান্দা থৌবন্ ফাবা ঙম্বা কান্নাং লমলোকপা ঙাঙোই উরা থুন্দাবা নোংচুপ কোংয়াং ঙম্বা মোইরাং মীকোক অথোইবা ওইবা নহাক্কি রাকয়ৈ নথংনেং হি তোংলগা লাগী মীয়াম হৌনা কেগে নয়বাক্তা হল্লকখিবা নত্তবয়া ? হে নিংথৌও! লোকথা ঙম্বা, হাওখা চায়বা, নোংচুপ কোংয়াং ঙম্বা, উম্না খুন্দাবা কৌবা নিংথৌ নহাক্কী কৌলোয় মিংলেন্দি ফুদোঙলবা সনাঙম মিংলেন অসি চুনবনি।

নবেক্কো মোইরাং লৈমগী কোলোয় মিংলেন্দি কোম্বোঙম চনু লাইসনাবী হায়না কোলোয় মিংলেন্নবীগী মপাম হাওরোক অঙনবা কোম্বো অয়েম্বা হায়না মিংচংনরিবা পথুপ কৌবা কোরৌথকী সরারেন য়ৌনা মমিং তান্নরবা কোরৌথকী নিংথৌ চীংঙু সরারেনগা ডাই-শেল ওইননা কোমুং মনুংগা মরী মতা লৈননা পানবগী চনু ওইবা চিনকুরোল লাইসনাবী হায়না কৌবগী শেংলকা শিরোমনুংদগী।

১৩। পুরিক্লাই হেপু সনা রাখুরা

কেক্কে মোইরাং নিংথৌ। হেপু সনা রাখুরা। খোইয়ম মন্নান-
রোমনা। কেকে পোংনিংথৌপু রোইনা পোকলাপা। খুমনৈ মীনুংকোল।
সন্না মীখুরোনকীপু। তাইপং রোনতে রাঙপা। য়াইথোং সামপাচানা
ঙমপনক্লাতাপা। হেপু সনা রাখুরাত্তি হাউরৈ নোংচূপলা পাংপালমতা
খৌমাপানে। কেকে খানলে খুংন্দুপচা। মোইরাং চৈমিয়াঙ অথোপাপু।
লোইপী সাক্লং মপুংয়ায়তা নোংমনপাকী। তাঙচা লুরেনতোন। সন্না
লুমখাংথৌপু। পামেল উত্তোন অরাংপাতা য়ালনমলুরে। খুমচম
নিংঙোনপী। লারোঙলা থংপীশিংনা। মোইরাং চৈমিয়াং অথোপাকী।
তাঙচা লুরেনতোন। পামেল উত্তোনথককী। থরাও মিরাংপান অতিং-
ঙানা পাউমেললকএ। য়োইপুনাই খোয়নৌ মানচা য়িনিঙনাপী।
কোনলোয় য়িমতানপীসিংরো। নমান মথা এত্তি। সাক্লং মপুংয়ায়তা
নোংমললাপাকী। লোইপী খানলৈ মরৌসঙকী। পামেল উত্তোনথক-
সিতাপু নোংথোইরে। কোরৌ অচু খাঙপাপু থাঙঙমতা। রাংপল

১৩। পুরিক্লাই হেপু সনা রাখুরা

কেক্কে মোইরাং নিংথৌ হেপু সনা রাখুরা কৌবদি চীংঙু লাইপী শাইগুন
ওইনা মোইরাং লমগী নিংথৌ ওইনা পোকপিরক্লবা নিংথৌনি। তাইবং মীয়াম্না
তাদবা অশিবগী লম ওইবা লাইরেম্বাক্তগী তাইবং ওইনা পোক্লরবা নহাক্তি চীংঙু
ফওবা খোইয়ম তমখিবগুম্ শোকহনবা ঙমত্রবা হেপু সনা রাখুরা কৌবদি নোংচুপ
মাক্লকৈরোমদা লান্দাখিবনি। মোইরাং লৈবাক অনিগী থুচুপ চৈমিয়াং কৌবা
লান্দা থোবগু শারুং থুক্লংদা শিখিবগী থোঙফমদা চৈমিয়াংগী মকোক অচু উঙাউ
অরাংবগী উশাথক্তা য়াল্লগী। মতুংগুম্মজম নিংঙোন ওইবী মনা পাকপা লারোং
হেকপীশি না লা হেক্লিঙৈনা উশাথক্তা চৈমিয়াং অথোবগী মকোক রাল্লিবতুগী মথ-
রাইনা অহাঙবা অতিয়া অশিদা পাইনা পাইনা হায়রকখি। হে তঙম তথোলককী
ইচল খোরুরাংজরবী নয়িম মোংবা শঙ্গায়রোমদা হল্লবীশিংও! নমান্মচা। কি
শারুং থুক্লংদা থরাই থাখিবনা মরম ওইদুনা লোগী লোশঙবা হোবা পামেল উঙাউ-
থক্তা য়াইবী অনি পন্দুনা লৈরে। নোং তারকপগু খাঙঙমদা নুংশা

অসা লাংপাপু লাংঙমতরে। কেকে য়িপল লমতা। থিংলৌ নিঙনা তেনা। খোয়নৌ মচা য়িনিঙনাপী নঙথোয়না। নরাল য়িমথুংলাপাকী। অহিং য়িনুং সোযয়ইমাতা। খোমলেন মঙপাউ চেললাকে। কেকে মোইরাং নিংথৌ। হেপু সনা রাখুরারো। য়িম্থু নঙনা মপুংসং। নুংনাং মনা লেকপা অসিপু। খুযোল লোকলৌলেমপা কোংয়াংমচা। লাংলেন মনাউয়োকপু। তেকপি রোকথুবৈতা ঙাপা। কাওরেন সননা থেংলা-পাকী। লোকলৌ সোইনাউ ছনতারে। কোংয়াং কমথাঙ। লাংলেন সোয়মিৎ থিন। লোকলৌ চরোই থোং। লাংলেন মপান তুমকে তৌদুম-লকলে। খুযোন লোকলৌলেমপা মরানযারম্ভ। বিমথু মনিন নাইতা। য়িমলেন মবাঙ হৌতানা মনান লোনযিমযাইপু। থুমথু অায়ং চললে। চানা যিরুকৌ লোকলৌ পাললল ভংলে। মালেম লয়রু কোকনা। মনাই তাবাপাকী। খুযোন খুনথৌলেমপা মপাবী। হাওপা লাযরা-পাম্বং। মপননা লাংকে নতারাপাকী। চৈরৈ অয়িন তাম। মানলৌ অসেৎ রাংনা। খুমথু অয়েং চললাপাপু লৈপনে। কোংয়াংতুপু

শারগস্থ মৈশা লাংবা চমদবদগী য়ানা লৈবরু কেপে ইপা লমদা হনগ্রগা মোংবা নয়িমনুংদা থুংলগা অহিং অহুমক্তগা খোমলেন মঙলানচান্দা পাউজেলকে। তে মোইরাং নিংথৌ। হেপু সনা রাখুরাও। নিংথৌ নহাক্তা নশাদৈ চাউত্রিবা অমদি হৈনিঙ শানিংত্রিবা অসিদি খুয়োল লোকলৌবেম্বনা লিংলম্বা রা শাম্বীগী রারোক-সিদা ওকলেন লাবনা ডারবা অমদি কাউবেন মন্না মবেঙ তরুবগী মরম্না মচা মনাও সোরদা-নাউদাবা রাংলবনি অহুগা রাপলস্থ তুমগে তৌরক্লবনি। অহুনা খুয়োল লোকলৌরেম্বগী মযুমস্থ মীয়াম লৈতবগী হৌনবা মরা মনিল নাইদনা ইচিক চিক্লা লৈবা মোংবা মযুমনুংদা তুকক-তুকাই চম্না লৈরে। চান-থক্লবা চেঙ-চাক শীং-মেল মেনশাং-নাপী কাওবা ফংজিল্লতরে। ইখোলনুংদা করিঙবা অমত্তা হৌদবা মরম্না ইকোক-কোপদগী হৌরু-থারুবা পৃথা মঙং চানা হৌবা চমত্রবদগী খুয়োল খুম্থৌলেম্বগী মচানিপা খুয়োল হাওবা লায়রবস্থ মপা-মমা ভনা নাউপোম্ববদগী শেংন-ইহবা কি-রোল লৈতবা (রাংপা) ওইহুনা তুকক-তুকাই চম্না থৈরবনি।

অহুনা

মাংখৎহন্দরো। লোকদো মোইনাউ কোমহন্দরো। তৌরিকিঠি মুংলেং চেংনা মূংনাং ননা লেকলারোইএ। হায়না খোমদেন মঙপাউ চেলদায়রা রাক্কী। কেকে ময়াদা হেপু সনা অখুরানা. মতাইরেম কেকে খুন-কাংখৌ। তরুব লাইকাংখোইপু। সনা ময়াথংপু পাউকৌথংলাপাজা রাহনথিএ। অরুম কেকে খুনকাংখৌ। অদোমই লাইকাংখৌসিংরোদ কেকে থনিংখৌ ঐনা। হায়ু থিয়ুংদং। নুংসাং থিনা লেকপা অসিপু। থিয়ু খোইরম লাইরিংখৌ। থংচিং লাইমরুদা। খোমদেম মঙপাউ চেলদমকৈএ। খুয়োল লোকলৌলেমপা। কোংয়াং ময়াচাপু। কাওরেম সননা থেং। তেকপি য়োকনা চারে। খুয়োন খুনখৌ লেমপা মপারীপ হাওপা লায়রাপাপু। কোংয়াং মোইনাউ থেমনা। লাংদেন রাখোং পোংহনরো হায়রকএ খুয়োল খুনখোলেমপা অপারীপু। থুনা পাউকৌ-থংলুরো হায়না। রাহমলকপাতা কেকে খুনকাংখৌ। মোইরাং লাই-কাংখৌসিংনা। মানপী খুতকনা। মুকমু লৈতোন কোননা রাকথচরকএ।

অহনা রাপল অহু লেংলোকহন্নু অহুগা অনৌবা রাখী উখোয় মপোগ চাউনা থিনদ্ব হৌদংলক্রবা নাউথেমহন্নু অহ ওইরবদি রানা মংনা খুদোং চাদনা লৈরিবহু কোক-চগনি হায়না মঙপাউ ওইনা পাউতাক্রবা মরমদগী কেদে মোইরাং নিংখৌ সনা রাখুবানা লৈবাকী মচা মনাই থাবম লাইকমগী অঙম-অখৌ পুম্বকপু সনা রাখংনা কংলাদা কৌথংলগা হায়খি। হে থাবম লাইকমগী অথৌবশিং নিংথৌ ঐনা অদুকী মতিক অর্বা ভারিবসিবু লাইনিংখৌ থাংজিংনা উকহুনা মরুদ তাকপি-রমগী। রাবম থরা লৈ। খুয়োল খুম্বোলেমগী রাপলবু কাওরেল মথা খেংথুকা ওকলেন লাবা থারোনবনা ভাহনা থেংহুনা তকথায়রে। অহনা খুয়োল খুম্বো-লেমগী মচানিপা হাওবা লায়রববু রাখী রাখোং শেংক্লা অগদি রানৌ, উনৌ, উখোয় শোইনাউ হুক্রবা নাউথেমহন্নু অসুবা হায়রকখি। মরম অহনা খুম্বো-লেমগী মচানিপা খুয়োল হাওববু থুনা মাজনা কৌথংলুরো হায়না হায়রকলদা, মোইরাংগী অঙম-অথৌশিংনা থক্ক থদেক লরুদা কুম্নুনা লৈগী লৈখোজনা হারং-লকখি।

কেকে থিনিংথৌদা তাজোই অমর্মাপা নিপুত্থু তাউরো। মতাইরেম খুয়োম খুনথৌলেমপা মপান্দী। হাওপা লায়রাপাত্তি খুয়োন চৌবীলোয়ত্তা। থিমখোকলুতাইলোং। পোইবা চিনতাই য়েন। তামু তোমখোন খেম্বা। লোয়রেন অমলেকইত্র। মতাইরেম হাওপা লায়রাপাপু পাউকৌহন-লাক্কেও হায়রনা ক্রার্কমলপাকাপ কেকে খুমকাংথৌদিনা। খুয়েম খুনচৌলেমপা মপান্নীকী। লোয়রেন লমলেকফম। খুয়োম চৌবী সোয়-রাপ্তীগ কেকে সমু খোজ্জা য়াত্তপাসিংপু। মিনা শীন। পাউকৌহন-লাক্পাকা। কেকে লয়নাপা। তাজোই পোংলেন হমপা। মনা মখোঙ থঙ্গা য়াইখুংলায়রাপাত্তা। নমু নিংথৌ কেকে লয়কোই ফমপাদা মতাইরেম হাওপা লায়রাপা। চৈরৈ অথিব তামপা। থানথৌ অমেং বাংপাপু। চৈরৈ মশীং থুনা। থানথৌ ফীয়োয় হোংলাপাকা। খুয়োব য়াখোং লোকে হায়প্নাকী। কেকে খুনকাংথৌ। মোইরাং লাইফং-থৌলিংকাএ নমু কেকে লয়নাপা। হেপু সনা য়াইখোডসিংকা।

কেকে নিংথৌ। মোইরাং লয়কোয় মপুংও। তাথিমু। মনাই শুইবা খুয়োল খুথৌ-লোয়বী মচাবিপা খুয়োল হাওবা লায়রবদি খুয়োল ঙৌবীসোয়দা ঈনগুম লেয়বা মু মচা মুখিঙ লুচিন মেনবা পরেং খুমড়না জমু কাননবা সোয়রকম। (তা ফাবগী লৈবক পাও) না অহিং য়াকেঙ্গি। মনাই লায়রবমু কৌহনরূপে হায়না হজ্জংলম্লগা মোইরাংগী অডমশিংনা খুথৌলৈবগী মচাগী সোয়রফম খুয়োল ঙৌবীসোয়দগী কৌকিনবা মখোঙ রাজবা মোইরাংগী মীশিংমু পাউখোল তম্বা থাহনা কৌহল্লবদা মোইরাং নিংথৌ সনা য়াথত্বাগী সনা নাকতা হেক থুংলবগা, মোইরাং নিংথৌ সনা য়াথত্তানা মনাই অচানবা খুয়োল হাওবা লায়রবমু লায়রবা মরম্না নীংথিবা ফি অমতো লেত্তবা মী অমনা লেংপা হনবা হৌনবা ফিজেং লেত্তবা মতৌ উবদা মী অমনা লেংপা ইনবা হৌনবা ফিজেং ফিরোল মশীং তুনা পীহনা হোংহল্লগা খুয়োল লমলাও লেংনবা থাদোক হায়রকপগী মতুংইন্না থাখোউ লৈংননবগীদমক মোই-রাংগী অমমা কৈলেগী অথৌবা পূর্বকবা অমদি মোইরাং নিংথৌগী সনা ইকাইং খুইবশিংগা লোয়ননা

তাংজোই পুক্নদা হৌবা খুয়োল য়াংবা পাক্না তাইনা। খাতনেব মালেম হরি। কাচেং খাউহৌকর্লে। তোকমু নৈতম্বেন। মালেম অরকন তৌবা তরেং হেমগা লাংথোং তৌ। লোকলৌ ময়লন থীমান লাক- লৈন রাখোঙ পেংনীপাক্তা। কেকে নমমাপা। নিরাং পুক্নিং তাংজোই পোংলেন হল্লানা। থিতাইরেম খুয়োন খুনজৌ লাম্পা হাওপা লায়রাপা নত্তি। নরিম কোংয়াং কায়োল য়োবনা খইসঙ্গে তেকপি রোকনা চাইনতা। কাওরেন মনবা থেংনতা। কোংয়াং সোই- নাউ থেমনা। নাউয়োকরো। হায়না কাহেম্লাপাকা। কেকে মনা য়োইকোনহুং। কোম্নুং অচনপীতা হলরাইরকলে হায়রাপাক্কা। অমুক্ত- নৈকী খুয়োন লোকলৌলেমপা। কোংয়াং মরাচাপু। লোকলৌ মোইবেন হুননা। লাংলেন রাপাল কায়কুলে কেগে নৈকোই কমপা। হেপু মনা রাখুরাম্নুং। ইয়িম নুংসাংতা। নুংনাং মনা লেকহুনা। কেকে চংরা হায়। মোইরাং হুরা তেমমনুনানা প্পাললে হায়তাপায়া॥

মোইরাং মীয়াম হৌহনা খুয়োল লমদা পাক্না মঅা মথক্তা থাঙলাং পাম্বহনা হাইদংপা ককথংপা। য়াবা পুম্বা কক্নুনা য়োংনা তৌবা য়াবা মকমশিং তৌরগা লাংথোং তৌহনা শনবন উচেক থারগা রাপনগী রাখোঙ পেংলবদা কেগে মোইরাং নিংথৌ মনা রাখুরানা হে অচানবা খুয়োল খুদোংলেম্বগী মচা হাওবা লায়রবা নঙদি নঙগী নরমদম অংদা হৌবা। রাপলসিবু করিমত্তা তেকহন কায়হন্দনা য়াম্না মপুং ফানা হৌননবা ওকলেম্না চাইন্দা কাওরেম্না থেংহন্দনা উনৌ উশোয় য়াম্না চোংননবা শেমগৎহনা অমুক্তং মপুং ফাবা রাপাল ওইহল্লু হায়না হায়রম্লগা কেগে মোইরাংগী মনা কোনুংগী নীংথিবা মফম চেকশিনবা কা অমদা হল্লকখি। অসাই মথক্তা পনখিবা খুয়োল লোকলে লেম্বগী রাপলসু অমুম্না উনৌ-উশোয় য়াম্না হুনহনা মপুং ফাবা রাপল হৌবা লম ওইরক্লে। অহনা মোইরাং নিংথৌ মনা রাখুরাসু কেগে মরমদমদা য়ুমলেং পরেং পরেং শা, নুংঙাই মরাঙ কায়না নাহা অহল থকশি-খাশি নাইনা নাহা নুবী পুম্বা নুংশি চায়না হয়াউ মথোই তোংনা লৈবাক শিন্নখুংনা মমিং লৈনা পানখি॥

নতাইরেন খুমোল হাওপা লাজনাপা নুং। খোইরম মথৌচানবু। কেকে লালনাপা ওয়াংথোই পোংয়েন হনখাহ্ন। থৌচাল থাজরোকপা লাকপাকী মদান লোমজিম-তাগ্গ। নিজুমথৌ প্রোংথু নিনখাননা। লেন্নং তমপা লাকাককন্নে হায়ত্তাপারা। কে মোইরাং পুরিরলাইরোম। নম্মু নিংথৌ হেপু সনা রাখুরাও। সনা মাজথোং খাংপা। লমাং রংখুরাতি কোরনৌ সনা জিংহনফীসু চুনপারে॥

"অয়োন কৈকে থোইরাং লৈমা। য়াইপানীক চীংঙ্ লৈমা নোংখাই নিংথৌ চনু। কোবৌ থাইথাকম। রাংপল লাউথাকমপু অসেনাপা চনু। পারমা সনা র নকোয়নুংকী॥

ওনাই অচানবা খুমোল হাওবা লায়রবসু চীংঙ্ মথৌজান্দগী কেগে মোইরাং নিংথৌ ডাঙোই লৈবাক মপুনা চানবিরহনা খুমোল হাওববু মযুম পানা নিংথৌনা পেনবি-চানবিবগী মতিক মনা মথুমগা লোয়ননা অমদি হামেঙনচিংবা শা মগ কয়ামকমগা লোয়ননা থিরক্লে। হে মোইরাং নিংথৌ হেপু সনা রাখুরা। কোবা নহাক্তি য়েংবদা মী পুরমকক থম্লো। শুমং ওথা য়েংবদা মায়থোং ইংবা অদুওথা নিংথৌ নহাকী কোলোয় মিংলেন থে জিং সিদি ফুদোওলবা সনাওম কোলোয় নিংলেন অসি চুনবনে।

নবেগ্গো মোইরাং লৈমগী কোলোয় মিংলেঙ্গি য়াইবীরীক খাইদেম চনু চীংঙ্ লৈমা হায়না মপল পক্লে নোংখাই নিংথৌনা থোজবীগী কোলোয় মিংলেগ্নি। নিংথৌকোয়কপীনা পাকলবা চীংয়া তময়া পোনা কোলোয় মিংলেনবু পোল্লবী মোইরাং লৈমগী শেকলবা পায়মা শিয়োমনুংদগী,

১৪। লৈয়ু পুনসিপা

হিয়াং পুরিকলাই সামনলীকিমনকী। তাইপং কাংসঙ থাংপা চীংঙু চেন্দলী সকউনাপা। নমু নিংথৌ লৈয়ু পুনসিপাক্কো তৌনা কৌএ। পুরিকলাই লৈয়ু পুনসিপাতি। হাওরে খানা পাংপা নমতা খৌসাপানে। ও রংভোই য়োইমোংপাকা। মসানৌ তাউথিংমাং য়োইহৈতোনকা তুরেল মাংপা তুংতংলকপাতা। লেমলৈ তারেমাপু কৌথখিএ। লেমলৈ মহন-থনাখিএ। হৈরম যিমনাক চামমা তাপাতা য়াইখুংলুরে। লোইপী হাওরিম মররমাপী। হাওসি পনথোং লৈপী। য়োইতোম হুপ্রাপী। খোইরে যোংমিংনাপী। তেংনৌ তোনথাংলুনা পাউহংজএ। মোংপা নচিল ননউতি। কবি লোইপু লোইথৌপা লাকপানো। কাকলেন মংওমপা। নমু পোংচেনপানা খোংনাই মোংপা চীংলুহংতা হয়েল লান-তাখিএ। মোংপা নচিল ননাউপু। কাকলেন মীওমপানা লাইখিরাকানে।

১৪। পুরিক্লাই লৈয়ু পুনশিবা

মোইরাং নিংথৌ পুরিক্লাই লৈয়ু পুনশিবা হায়না কৌনবা নিংথৌনি চীংঙু খোইয়ুম লাইবু থঙ্গোয়লুংদা চেংনা কোঙ্গলনা লাইনিঙ শরয় চেংলবনা মরম ওইব-দগী তেংবাংনবা কপুগা শকউনবা ওবা নবুংখৌ মোইরাং নিংথৌগী কোড়োয় মিংচেন্দি লৈয়ু পুনশিবা হায়না খোজোমনৈ। মবুথোক্তি খা থংবা মায়কৈবোমদা লাম্লাংলুনা মতিক মথোনা উংখি। মৈতৈ লম্মনয়োনগী নিংথৌগী মমাঙা য়োই-মোংবনা মনাউ নিংথৌ তাউথিংমাংগা অনিনা তুরেল তুংগংলকপা মতমদা তাগী মরেন্দা তারেকাবু কোথখিএ। অদুগা তা মথল পুমমক তুংইল্লুনা থুংলখি। মতমদুদা হাওগী রাওমক পৃথগী নিংথৌগী মথেমা হাওরেমা ওইবী লুগী পদ্মবী হক পৃথা চারিবী সুপ্রাবী খোংকী মিংচেনগা মায়না মিংথোনবী তেংনৌ তোংথাংলুনা হংজবী। ইবুংঙো নচিল ননাউ নখোয় অনিদি কবি লোই খৌবা লাকপদা। কাকলেন মীওবা উচেকা খৈতৈবী লায়খেগা খোংনাংথা লোয়বা চীংগী চীংনুংহুতা-লাক্লাদি (চাক্তাদি)। অদুনা নচিল ননাউ নখোয় অনিবু কাকলেন মীওমনা হাইদংখিগনি

হাযনা পাউতাকরাইপু নাইত্তেনানা। লোইপী লমকাং মপুংয়াফত্তা। কেকে অথৌলীচা হেপপা। ঙাঙোই থয়াঙ কোনতাই লোনপা পুমনামাকা। হেমপা পনথোঙ-হাং। চুঙলেন থাকুপ হৌ। থাঙলেন খেরাং থাং। থংনং লাইতং লেংনা পনথেংথাপাত্তি। লোইপী মপুং তাকলে। লমকাং য়াকা চায়রে। পুরিকলাই থিংকু মথিনাই। যিরাং মৈনা রোংনা খোসারে। লমকাং জুয়িনপী জুয়িনপাপু কায়না হুললকলে। কেকে মচীহেন। য়িরাং মরাই লংনা। ঙাঙোই মপুংয়াফত্তা রাইথুংলরে। ঃয়ু নিংথৌ লৈয়ু অত্তেংপানা জুংঙাই মরাং কায়না পাললমহৈত্তা। খোইযুম কোংরো পাউকালোঙ। চীংঙু লনসাবোই। অমাই নাকলৌশীন। য়োইরেন লেংনা ঙননা। য়াকাসঙপু তাউথংথিএ। অতুনোংকিপু। কেকে মোইরাং নিংথৌ। লৈয়ু পুনসিপানা। সঙলেন য়াংত্তা তেকপী খারোনপা য়াউকাসঙ। য়েনপা খনতোমপা থেংচাসঙ। হুয়েল লাননিকিত্তি। লমকাং জুয়িনপী জুয়িনপা। অহোঙ চামি লোনা কানাসঙ

হায়না তাকপিরম্বা লমদম অহু লানথোক্লবা লৈবা লমগাং কোবা খুঙংদা কেগেগী অথৌবশিং মোইরাংগী অঙমশিংগা লোয়ননা লৈবাক অনি লোয়বগী লমথৈ অমদি চংনবী পুম্বা লাম্থোক্নুনা হোৎনা লান্দাথিহনা লমগাং খুঙং চাইথাইবে। খুঙংগী মী পুম্বা ময়ুমদা লৈবা ঙমনদ্রে। অহুমক ওইনা ওইনা মোইরাং নিংথৌসু মতিক ঙথোনাগা লোয়নবা-মকহৈ কুদোকতুনা লান্দাথিবদা লমগাং খুঙংদা লৈবা য়াওং ইনথা ইনবীবুসু লানঙম্লকথি। অসুম্বা লানঙম্লবদা মোইরাং লাম্বী পুম্বা মমায় পাকনা মরমদম মোইরাং লৈবাক্তা থুংলথি। মতৌ অসুম্বা মোইরাং নিংথৌ লৈয়ু পুনশি অত্তেংবনা লৈঙাক্নুনা মোইরাংদা নুংঙাই মরাঙ কায়না লৈবাক ঙাক্নুনা পাম্লিঙে মতমদা খোইয়ুম লাইগী পাউতাক লোবা অমাইবশিং চীংঙু মথোয়বু থুংথোয়নুংদা চেকলা খীংজবশিং নিংথৌ নাত্তা লৈবা ফাখিবশিং অমদি য়োইবু য়োইহেন ওইবা মরাম পুম্না তিল্লহনা নিংথৌগী য়াকাশঙদা কাহনা তিল্লথি। কোয়রৌ খুঙং অহনগী ঙৌনা মোইরাং নিংথৌ লৈয়ু পুনশিবনা সঙলেন অদুবু তেকপী খারোনবা য়াউকাসঙ, য়েনবা খনতোমবা থেংচাসঙ, খাকা লানকা মতমদা হুয়িনবী হুয়িনবশিংবু কারক্লবা য়াকাহনবা শঙ অদুবা

তৌনা কৌএ। কেকে ময়য়পাক শূমনামাপু। থৌচান মিহুন নাইত্তা। মোইরাং পাংদোই নীকহনত্তানা লানকোন থৈপা। লোইতাম উনথম অচিক থাত্তা। ময়ান অত্তোনপা চৈরে অমিন তামপা। মানলৌ অসেং য়াংপসিংপু। থাপা উনলৈকায়। লানম্ চাঙৌ লৈ না পনথেংলাপাক্কী। সিনৌ কুয়াং সিং। সম্না তুথোং চুংনা। উনথম থোয়থৈ নীকপাপু। য়োইময়াই তাউত্তনপা। কোয়ৌ নোংসা মৈনা। চৈরে ফিরোইনানা লাংকোনপিপাকুম। কা.লন য়ায়া অসাউথাত্তা লে ইত্তাম থাচা পাথিং পানা। য়িনুং লাইচা য়িচীক হননা। নাউয়োকপিপাতুকুমপাপু। থরাই মিয়েন হাত্তানা। থৌচানপিএ হায়ত্তাপায়া। কেকে ময়য়-পাকমুং। ঙাত্তোই মনিননাইনা পাললাপত্তা। নয়ু য়িয়াং পুরিকলাই। ঙাংত্তোই পোংলেন হনপানা। সনা কমপ ল থকত্তা। পুনসি হাইহৈ সকনা পাললাপাপু। য়িয়াং মপায়ী। মেশা সালাম য়োইপা। কোয়-য়েন ত্তোমপোকপাপু মসাংত্তা। ময়ে ম য়িয় ংলে ন। কেকে নিংথৌ

মোইরাং মীয়াম লৈরিবশিং অহুবু অচান মীরায় নাইদ। বেগে লৈবাক অহ শীন-থুংনা চাং মায়না নাউয়োক নাউকোম্নুনা লঙাকপদা হে শিংবা অহুনা নিংথম থাদা লায়য়বশিংনা শেকন-ইয়বা মফি ময়োল য়াংলবাশংনা বার্কচিং থাগী উয়া য়েথরক-পদা শেংন-ইয়বা মফি ময়োল লৈভবনা মশাদা উননা য়েবগী উনশাশিংহুনা মচেং মচেং ককথায়হনা লৈয়বশিংনা থাঙবা ঙমদবদগী এক এক নীকতুনা লৈয়বদা কোয়ৌহনবা লুখিংকী নুংশাগী মৈশানা শেংন-ইননবা কির্প মণ্ড ওইনা লাজোন-থিহুনা লৈবত্তম অমদি ঙলাংলবা কালেন থাগী অহিংদা কোয়ৌথক্তা থোকপা থাজগী মঙাননা অহিংগী অথেংবা মতমদা য়ায়া চীকু ঈংনা কোয়ৌথত্তগী অঙংবা লিক্লা থীকথবিনতম কনাওবা অমত্তা চিথ-নাম্বনা লৈতনা চাং চপ মায়না থোজা-নবি। অহুনা কেগে মোইরাং লৈপাকসু থংনবা লৈবাক অতগী লমদম য়োনা মখিং চংনা থংকেন পাজয়া নুংঙাই ময়াং কায়না পানথিবা মংমদা মবুথৌ মোইরাং নিংথৌ ঙাত্তোই লৈবাক মপুনা মোইরাং কোনুংগী কথালথক্তা তোংহুনা পুনশি নুংশাংবা নুংঙাই ময়াং কায়না পায়বসু নিংথৌগী মচা ইবুংত্তো ওইবা মচা ইথেম্বা ওইবী

অঙকপা চনুথুং কুইত্তাবাপাকী। লমলেন অত্তাইদা। মাসেম লৈতিং তোইপুংগী ভুসেম লবনাকুং। কোকনা মমচি লমতাইথেংতা। লৈতোং মাক্লিখিত্র। কোকনা মমচি লমতাইথেংদা কৌপাত্তি কত্তৌমোংকিমোং কাকলেন নোংতমপুচা। মৈতৈরাং কাপসি অথৌপা। মোমন্থাকোই মকুমপী। হাওবু কৈকি তেনপীপু মুংলাল কামতেক লালোই অয়েংমানা। হয়েল মংকোয়কী অরান রোইনা। নুবক কাওত্তে খিখিলপাকী। মথংলেন কাকলেন নোংতম পুচা। মৈতৈরাং কাপসি অথৌপানা। মবোক চেনখাইনা। তিমেন চেনত্তাননানা। হয়েক লানত্তানখিত্র। মপারী নারা অথুপানা। মপাল নৈরাং অমনপীকী। হংভা চুপনা পাউতাই-হনখিত্র। কোবৌ অতুনোংকিপু। খুচুপ চৈমিরাং। নোংপোক থুমুক-লামপাক্লো তৌনা কৌত্র। মৈতৈরাং কাপসি অথৌপানা। অচেৎ থংনৈ যক্তিনা। হয়েক লানত্তালকপাত্তা। নুরাং লাললোই তুংবমানা। অক্ষা পোংথানা লালোই লমতনপাত্তা।

অমাফাওবা পোক্তবসিদা মসেম তোংদোইপুংগী তুমেমদা কোক-মমচি লমথাইথেং কৌবা মকক্তা চংলদা মৈরাং থৌনিচুনা বা শাস্ত্রী থাদ্রি। অদিগুম। কোক-মমচি লমদাইথেং হায়বা মকপু করি তৌবদগী কৈ খিবমো হায়রবি। মাইরাং অথৌবা অকনবা ওইনা নৈরম্বা কাকলেন নোংদম ওজা কাপসি অথোবনা মাপী মত্তালোই হাওবু কৈপী তোনবীবু নুরাং ফাদেক লালোই হয়েংবোনা মডক কক্কুনা পুখিবদগী মপুরোইবা কাকলেন নোংদম ওজা কাপসি অথৌবনা মখ তা তিমেন চৌপাক পায়ভুনা মত্তালোইপীদমক লমন শিংনবগীদমক কোয়ত্তাব তায়হুনা খিরকখি। মচা অলিকপা অক্ষনা মমা অখিবগী থোয়াং থক্কৌবগী মহক্তা লোমবু থোক্লোইক্লোবা মনুংবী মচা অচুবু মচিন্দা চুপলহুনা হংজ হংভা হায়না কপলদুনা মতম-লেনবখি। কোয়ৌ নুখিং অদুগী হৌনা থকুপ চৈমিরাং নুংথাল খুক্কফাক হায়না খিংখোনখি (হায়নখি)। মৈতৈরাংগী কাপসি অথৌবনা থুনা রাজ্যা নুরাং লালোই অয়েংসিবু তায়রকপদা নুরাং লালোইনিংনা চেনবা হায়দুনা লোমিবগী লমথক্তনা নৈবা।

*, ৪,

মংরাঙ মথানা। তিমেন ওইথাংনানা। খোমলেন তুমকুমজম মিৎয়েং নাউস্মুমলমথাপু তানফংলুরে। মোইরাং কাপসি অথৌপানা। লুরাং লালোই তরেংমাকী। তাঙন মথমতোনপু। সমলাং মহৈদা কিসিনারে। খোকলাং মথুংস্মুনা। নমু খাজপ ঋৈনা য়াহৌথোকলাপাকা। তিমেনমথুংস্মুনা। উনপী খনুং পীংনা চৎপারে। লুরাং লালোই তরেংমাপুনলমক কাঙতে পিনা তাঙচা লুরেন ককলে। অতুনোংকিপু ককনা সমচি লমতাই থেংরে তৌনা কৌএ নুংপাল লালোই তরেংমানা। যাংলৌ লমতমরাই। মোইরাং কাপসি অথৌপা লনসিংলম। হাউমু ঋৈসি তোনপী লুপোংলনরো তৌনা কৌএ। পুরেন মপানফা। লাংলেন মপাল চাউবাপাকে। চংপী ঋৈলিংরাই। কেকে লরাইচ উ। মোইরাং পুপালরাপু নাইতেনানা। ককনা সমচি লমতাইথেংতা। থাঙলেন নাপন ছাই। কাচেং য়োংহৌকচন। হেমপা লাংখোং তৌনা। কোংয়াং মপান থা। লোকলৌ সায়েন হুললকলে। যিরাং পুরিকলাই • য়ু পুনসিপাম্মুং।

মথোয়গী খংলোই টাশাংনা মোন ওইনা অমদি চুঙনা মায়থা। ওইদুনা হুমংনা ঋৈরম্বু থেংনরহনা ফংগ্রে। কাপাশি তথৌবনা লুরাং লালোই তরেংমকী মশক্তশিং অদু অমগা অমগা নিশি বিশিন্নরে তাংগা মথংথং টাশাংদগী মথোক অদগী খাংতপ লাক্লা পায়রগা মথোয় চরেংকী মথম্মোয় থুমং। মিনদৎতুনা মথয়াই। লোৌরগা মকোক হৈখায়দনা মকোক ককথলে। কোরো নোংজা অদুদগী হৌনা মথম অদবু কক্ল-শমজি লমদাইথেং হায়না মিঝোনখি। অদুগা লুরাং লালোই তরেংমানা লমদনলম্বা মতমদা মোইরাং কাপাশি অথৌবনা লম্মন শিংলম্বা মকম্বু, হাওনু ঋৈসি তোনবী লুথোংলম হায়নসু মিংথোনখি। মফম অদুদা হৌবা বা পাম্বীনা রাপল মপুং ফানা রাগী মপী ওইবা য়ানা হৌরম্দা লফু চংবী পাম্বীনা রাগী রাপল হেন্দোক্লকলবা ঋৈনা পরেং ওইনা লিংবা মতমদা তোঙাম্না লমথৈ ওইরগা থংনবদা ঋৈবা ফুবাল্লাগী লমদম্বু তুংওইননা লাক্লে। অগা ঋৈব কক্ল-শমজি লমদাইথেং কৌবা মফমদা মথতা শীংজং পায়দনা উপাল ঋৈবা খিবিক য়াম্বংলগা য়োংশাক্লা লাংখোং তৌদুনা ঋৈবাক পৈখৎলগা বা পাম্বী থারবদা উশোই উনৌ মপোপ চাউনা চাউনা হৌদুনা রাগী রাপল মপুং ফারক্লে। অদুগা মোইরাং নিংথৌ পুনশিবম্

য়িরাং মপারী তুসেমপাম্বুং সাংলকলে। শত্রুনোংকিপু কেকে মোইবাং নিংথৌ নয়ু পুনসিপা। কোয়াং সোয়নিপা। মপারী তুসেমপা সংলরা। কোয়রাং রানিংথৌরো ভৌনা খোঅ হাযতাপাঁরা। নয়ু নিংথৌ লৈয়ু অঙেংপানা। পুনশি হাইহে সকপাত্তি। চোযনৌ সনা মিংচনকিপু চূনশাম্বে॥

নয়োল কেকে মোইবাং লৈমা। যোইকুমলোন ফাইস্ব অচাঙপী। থৌরৈ নৌংচু অহোঙপা। খোয়নৌ লাংমৈলেমপা। যাংবোইহ নিংথৌ চনু। পায়মা সনা উনকোইগ্নংকা॥

তুশেমা হায়না মিংথোনবা মচা ইবুংঙো অম পোকচরে। কোরৌ অহু নুমিত্তগী মোইরাং নিংথৌ লৈয়ু পুর্নশিবা কোংয়াংসোমফিনা মচা ইবুংঙো তুশেমবা পোকপ কোংয়াং রানিংথৌ হায়না কোলোয় মিংথোকখি। অসিগুম্বা মোইরাং নিংথৌ লৈয়ু অতেংবনা পান্নবদা তাইবংনা শক্ক-শোয়বিবা মিংলেন্দি ফুদোংবা সনাগুম মিংলেন অসি চূনবনি॥

নবেম্বো মোইরাং লৈমগী কোলোম মিংকেন্দি অরাম্বম নত্রগা লাইবেগ্রম চনুগী মশূ ওইবী মহাক পোকপদা য়াঙ্গোই লমদমদা অহোঙ-অচাউ থোকখিবী ঈশিং ঈচাউ কুমদা পোকচবী য়াঙ্গোই মিংথৌ লাংমৈরেমগী মমোমনি। অসি গুম্বা মোইরাং লৈমগী শেংবা পায়মা শিয়োমলুংদগী॥

১৫। য়িরাং পুরিকলাই তুসেমপা

য়িরাং পুরিকলাই তুসেমপারেং তৌনা কৌঅ। পুরিকলাই তুসেমপাতি। হাওরে থানা পাংপালমতা থৌসাপানে। তুইথাং অহনপাকা। তোনপুং য়ায়মাপাকা। লৌসেম অতোনপাকা। হেম্পা লমখায়নাপা লম। লোইপি লৌসেন মপুংযাযত্তা। কেকে অথৌলীচা হেপপা পুমনামাকা। লোইপী মচংকা। চুঙলেপ হুমফু চোং। কাওরেন সনখাও তবা লান। থংনং লাইতংলে না পনথেংথাপাতি। লৌসেন থমপী মৈমাঙচননা। হুয়েল যাইসং মুংলে। পুরিকলাই মথিনাই। য়িরাং মবাঙ হৌনা খৌসাবাপাত্তা। থাবম লৌসেন সানিং থী। হুয়েল সেনকুপলেং অথৌপাপু বাহনা হলাল। য়িরাং পুরিকলাই। লোইপী লৌসেনথাপা। চোযনৌ সনা ফমপ লঙপু মসানা য়িরাং পুরিকলাই।

১৫। ইরাং পুরিক্লাই তুশেম্বা

মোইরাং নিংথৌ পুরিক্লাই তুশেমবা হৌনা লোয়ে মিংথোক্লে। মোইরাং নিংথৌ তুশেমবদি থা থংবা মায়েবোমদা মাংব নথৌনাগা লোয়ননা লান্দাখিবনি। তুইথাং অহনবগা পোনবুং য়াইমবগা লৌসেন অতোনবগা মথোয় অহুমগী লমথৈ তাইনবা লৌসেন কৌবা খুঙ্গংগী জমদা কেগেগী অথৌবশিং মোইরাংগী অকনবশিং পুম্মক্কা লোয়ননা অরাংবা চীংজাউ বাদ্না চুঙগীমরেপ ৬০ চোং মগী মরেপ .০ লানবা ভম্বা পাঙ্গল চাংঙ্গে হৌনরগা থুক্তা চাশাং পায়হুনা লান্দাখিবদা লে শেন খুঙ্গং থুগাযহনা য়ুম মৈ থারগা লাম্মী পুমবা মথক্লাই লৌরকখি। অতম হৌনমক নিংথৌনা মকাখ্বি থোক্কা মৈ হৌনা অমুক্কা লান্দাখিবদা থারম লৌশেনগা নিংথৌ শেনকুপলেং হায়না কৌবা লাক্কে বরু লাংমলবখি। মোইরাং নিংথৌ পুরিক্লাই লোইবী লৌশেন্থবা কৌবনা মোইরাং নিংথৌগী ফমবাল অসিবু (ফমলেন অসিবু) মনাউ ইবুংঙো থিংগ্রি নাচাউবা কৌবদা ফমবাল অসি মথংংমক্কা শিন্নরমলগা চীংঙু খোইয়ম মাগী মিংথৈ শোন্দুনা লাইনীংথিবগী মতো

থিংক্রি নাচাউপাতা। সমু খুৎসিননানা খোইযম লাইপু নীংপাতি। চোয়নৌ সনা মিংহুনকিপু চুনপানে ॥

নযোন কেকে মোহরাং লেমা নোংবাললোন নীংথি তরেংপী পাযমা উনকোইহুংকী ॥

১৬। পুরিকলাই কোংতিং অহনপা

''ইরাং পুরিকলাই কোংতিং অহনপারো তৌনা কোএ। হরাং পুরিকলাইতি চোযনৌ সনা মিংগুনকীপু চুনপানে ॥

মযোল কেকে মোহরাং লৈমা। ভাংবোল লৈমা থামোইলেমপী। ভানপা থাইফাপা। থোংডাই তেমফাপা চনু। ভানুবোল পায়মা সনা উনকোইহুংকী। নাক ! যিযানবী। খোমচি মিতমপাপু। লোইতাম

তসিমক্ৰা পুরিক্লাইসিগী বে ... মংলেনবু তুশেনবা হ য়না কোংনি যুদোংলবা নাগুম মিংলেন অসি চুনর্বনি ॥

নবেঙ্কো মোইরাং লৈমগী কোলোয় মিংলেংনি লৈমা নীংথি তঙ্কেংবী হায়না কৌবী নবেঙ্কে নি। লৈমসিগী শেংলবা পায়মা শিয়োমনুংগী ॥

১৬। পুরিক্লাই কোংতিং অহনবা

"মোইরাং 'নিংথৌ'গী কোলোয় মিংলেন্দি পুরিক্লাই কোংতিং অহনবা হায়। মিংগনি। পুরিক্লাইসিগী কোলোয় মিংলেনসিদি যুদো লবা সনাগুম মংলেন চসি চুনবনি।

নবেঙ্কো মোইরাং লৈমদি ভানবা শজাই চনু থঙ্গোয়লেমবী, হায়না ভানবা শলাইদা শাঙ্কবী খোংগাম শাগে পূনবনু নুচিংবগী মস্নোম ভানুয়োল লৈমসিগী পিবুকনুংদা মোইরাং নিংথৌ ওইগদবা অমা নাউদবনু মনুং মতম চাদনা . . .

থাপুম ও সুবাপাভা। লুরাই লিনকু খোঙচাউ হাং। ভাউচিং মনুং য়োইভানা। হযরাং য়াইথা চেন। কোননা নাকলু ফিয়ানভাম য়িন্নু লি য়াম ভিং। খুন্নাং মিহুন্ন ম্যাঙনা। ভাউচিংতুকুমথাম্বু নিনথাঙমানা। মাপং চয়রোইনা য়িপাপু। অন্নাং নোংনিংথৌ। পাথং য়োইয়েনপা। চীংঙু বেল্লোই মন্নাথংকী। থিংলৌ নিঙনা ভেলা। অপল ভাবুরোল। পায়মা পিপুকন্থং। য়িন্নু লিয়োমলাভা। খোয়চি অরাক মিহুন হোনা। নাকলু ফিয়ানঙ্কাপানা। অচাউ লেপথয়রা। সাংসু লমঙমলকলাপাকা। মরুমগী থোংনাং লোইনেনপা চমু। লৈমা সুন্নরেমগীপু। ভাইয়োই-নানা। ভন্না কোপী নোংকাফাপা। খোইয়ম লাইরেম্পাক। সুংনাং কাউথংকোনকী। চীংঙু মথৌচান। খোইয়ম মরনকু। ভাইপং য়োনভে রাপু সুভা থোংনা। কোরৌ নোংথিল পোংপোদপু। কেকে ভাংখা মথ য থাবনা। চাউনা সাংনা থূনভারকপা কেকে মোইরাং নিংথৌ থিংক্রি নাচাউপা। নয়ু খোইয়ম লাইফিংথৌ। চীংঙু মসানয়োননা পেংকলপা। ভাবুরোল পায়মা সনা উনকোয়নুংকী॥

হৈরাংনা হৈজিং কান্দবগুয়া মাঙথিবন্নু তাইবং মপুগী থোজাককী অমুক হন্না গর্ভ পুত্রনা মপারী অমা ওইনা কংজরকপা অত্রনা মথোং কারক্লনা তাইবং মপুং কারক্ল-বদা মপারীগী মতাংলোই ওইবীদি থোংনাং (কাছাড়গী) লমদমদা লৈবা মুনুয়েবী কোবীগা লোয়নলা থমনুং লাইরেবাক য়োকুম্নবু থমনুং লাইয়েবাগী খোইরম চীংঙু লাইনা থোজানবীক্লনা অমুক হনা তাইবংদা মী ওইনা হন্নকবা মাথং তোবি-রবদা ইঙান-ঙানবা নুংথিল পোয়থোপ্তা কেগে মোইরাং লমদমগী ভাংখা খুঁজংগী মন্নারমক্রদা ইচাউ চাউনা থোঙদাক্লবদা কেবে মোইবাং নিংথৌ থিংগ্রি নাচাউবা হায়না না কোলোয় থিংলেনলা লোয়ননা লেঙথবিন্নক্লবা নিংথৌদি চীংঙু মানা শাইঙন ভৌত্রনা পোক্লবা নিংথৌগী মমা ইবেমা থগোজলেনবীগী শেংলবা পায়মা শিয়োমন্নংদগী খোক্লবা,

১৭। চোথে থাংরাই পাখংপা

(থিংক্রি নাচাউপা)

যিরাং পুরিকলাই। চোথে থাংরাই পাখংপা'রা হীনা কোও। পুরিকলাই থাংরাই অতেংপাতি। হাউবৈ লাইনা পাংপাক্লনকা খোসা-পানে। চীংপন চাবা যিনলুমনা। য়োইরেন খুনকুমচৈ লোইপী বোফাবং মপুংয়াযতা। কেকে অথৌলাঁচা হেপপা। তাংহে ই থাযাক কোনক্লাই লোনপা পূমনামাকা। কোযবেং মচীংকা। লে ইপী হিমখিথেং। চৌপেন মাঙরোইথীন। চুঙলেন থাকুপ হী। থংনং লাইতং লংনা। থোনবা কাইহেকং। যিবোক সানথুপফাতানা পনথেংলুপাপ লোইপী মপুং তাকলে। কোযবেং য়াকা চাযবে। মৈপী তাংলাহ পই। লেপা নোংলোনকা। কোয়বেং পাখং ফানপু। হেমপা খাংচং থুমলে পুরিকলাই মখিনাই। কেকে নিংথৌ মরাঙ হৌনা। হেমপা খাংচেং নাঙতা

১৭। চোথে থাঙরাই পাখংবা

(থিংগ্রি নাচাউবা)

মোইরাং নিংথৌ পুরিক্লাইসিগী কোলোয় মিংলেন্দি চোথে থাঙরাই পাখংবা হায়না কোলোয় মিংলেৎলে। পুরিক্লাই থাঙরাই অতেংবা লৌমদা মাইবা গী অৱাং পাংবা মায়কৈদা ওয়েল লান্দাখি। নোংচুপ লমগী চীংশাংনা পরেং এইনা লুমশিনখিত্না খন্দূনা লৈখিবদা তাবা য়োইরেন খুনওমচীংগী চীংখক্তা তাবং বায়-রেং খুঙং ময়ায়দা কেগে লমগী অথোবশিং মোইরাং লমদমগী থায়নদগী মপা মপুগী ওণ মতিক ডাক্লা মচা মনাওবু কদায়দা শোয়খি-তামাংগদগে হায়না তাক-শেন্দুনা লৈবা পুম্নমক্তা লোয়ননা চীংজাউসিদা কারগা কোয়রেং হুঙ গী য়ুম হুদিং অমত্তা চিখদনা মাঙহন-তাকহন্নবগীদমক লোক তায় কয়াদা লোংপা হুপপা লৈতনা মব,ত্তা টিমেন চাশাং অমদি মথবাক্তা চুও য়াম্লহনা লান্দাখিবদা পুঙং অহু মাঙথিবা পীত্না চাইথাইরে। য়ুম হুদিং মৈ থাত্না তাঙ্গোয়না পুম্নু মুথ্রে। মৈখুনা অতিয়া শীনখ্রে। খুঙংগী পাখংফান ফাওবা য়ৈথায়রে অহুম ওইনমক মোইরাং নিংথৌনা কহি কক্লাউ থোক্লা

খোসারে হুযেল লাননিকিতি। লোইবী কোয়রেং হাওপাখং মরোঙ চুঙসূপা। য়িংেল লৈথেং তোম্বপা। কায়বি সম্বোমরূল উপপা। মবোঙ চুংমায তোপনা। হেনমোইপা চুঙপু ঙকপা হুকতা। খুপোম যাইসি লানপা। খুতাং য়াইকা হাপপা। লোইপী নূংনাংচোং অথৌ-পাপূ। বাযনা হুললকলে। যোইরেন খুনকুমচীংবী। পুরিকলাই মনাই লং। যিরাং মগী হেন লানমী মরাঙ হোনা। কেক মপূংয়ায়তা ৱাইথুংলবে হাযত্তাপারা। পুরিকলাই লোইপী কোয়রেং লানথাপা। যিরাং থাংরাই লাই পাখং অতেংপা। থযাঙ মথৌমন। হুয়েল মরাল তৌতি অতুম্বং মতোমতে। হাউরৈ নোংচূপ থানা পাংপালমত্তা খৌসা-পান। লনলেন চোথে নূংম্বকচীং। পানপী নাউথেমচীং। মুকাপ তুরুচীংপু নাতনানা। পানগী মনকোনরো কৌপাতি। কতৌনোং-কিনা হাযবাপাতি। হাউনু তোনতৌনু লোথিপীনা। মপাবীশুং মসাংতা। মামামমাম্বুং মকুইত্তা। থৌতু নূংতূমমাপু। নমদা পোনা।

লান্দাখিবদা কোয়রেং খুনগী পাখং মথ্ত্তা টা অমদি মথবাক্তা চুঙ য়াল্লব। অতুগা মবোঙা ইচেল্লে তোম্বনা থেংচবা, অতুগা মশাদা শওমগী শউল উপপা, চুঙগী মমাম ইপাপ তোপনা উপলবা য়েংবদা নীংথিরবা চুঙনা ঙকলমদা হুক্রবা, খুবোমদা য়াইশি হাপলবা খুদাংদম্ব য়াইশি য়েংলবা চীংগী আথৌবা নূংনাংচোং কৌবরু লান্দামায়থিবা পীনবখি। অম্বুম্না মোইরাং নিংথৌনা য়োইরেন খুনগুমচীংদগী মমাল্ল পাকনা মোইরাং লাম্মী পুম্নমক্তা হরাও মথোই কানাহল্লক্ত্তনা মোইরাংদা থুংলখি। মোইরাং নিংথৌ পুরিকলাই কোয়রেং লাহবা নিংথৌ থাঙলাই লাই পাখং অতেংবা বৌবগী মতিক মথৌনা অমসুং মতিক মগুণদি অসিনস্থ লোইবা নত্তে। হাউরৈ খা পা বলমদস্থ লান্দাখি। চোথে নুংত্তক চীং পানবী নাউথেমচীং মুকাপ তুরুচীং কৌবা লমদম অত্বরু হেন্দোকপ্লগা লৈবা পানলৌ মনকোন কৌবা লমদম অত্বরু করি তৌবদগী কৌখিবনো হায়রবদি হাউরু তোন-দৌনু লোথিবীনা মচানিপাস্থ পোক্ত, নূপীস্থ পোক্ত তৌবম্রিদা নুংঙাইজক্লা থৌল্ল নূং মতুম অমবু মনমগল্লা পোশিল্লগা

পানপী নিঙপাকপাপু। থাতা পমনা নাউথেমখিএ। যিতু চোথে পাখংপারো। হয়েং নমোম ঐনা। সেনেমসে হায়ভৈতি সেনেমলকরো। সেরাংসে হাযভৈতি সেরাংলকরো। হায়না মতু চোথ প খংপাপু লন-কৌখিএ সমপুম মত্তাঙমাপু হুললকএ। অতুনোংকিপু চোথে নুংশুকচীং। পানপী নাউথেমচীংরো তৌনা কৌএ। লোইপী য়িসিংখোং অমাত্তি। তুসমকাইরো কৌএ। হেমপা য়িসিংখোং অমাত্তি। তুথ ইলেংরা কৌএ। লোইপী য়িসিংখোং অমাত্তি। তুইসা পংরো কৌএ। হেমপা যিসিংখাং অমাত্তি। চংপী শিমমাথৈরো কৌএ লোইপী লমতং অমাত্তি। লুরাংতাংরো তৌনা কৌএ। লাইপী লমতং অমাং। মসানতাংরো কৌএ। চোথে লমতাং অমাত্তি। থেংনাং নামপা অথৌপা ফানাবমরো কোএ। চোথে খাংচেং অমাত্তি তাংখোংরে কে হেমপা খাংচেন অমাত্তি তাংলৈরো কৌএ। লোইপী খাংচেন অমাত্তি মকনরো কৌএ। হেমপা খাংচেন অমাত্তি তুনথাবো কৌএ।

হাওপাল মনীং পাকপা মতুম থরা মথাদা কোল্লগা নাউথেমখি। তে ইবু চো চোথে পাখংবও। হয়েং তুংদা ঐনা নোনসি রাংসি হায়বদা হেব রাংবা নোম্বা কৌ-পদর্বান অদুনা নত্তিক নরিল ঘুদোক্লা নশোং কাঙলরো হায়না মত চোথে প খংবু নিঙনা নিঙনা নাউথেম্বনা কোঞখি। মতুদা লাইগী নোংদমদগী শম মংং অমবু হুম্বরকখি। কোরৌ নুমিৎ অদুদগী হোনা মফম অদুদ চোথে নুংশুকচীং পানবী নাউথেমচীং হায়না মিঙ্গৌনখি। চীংয়াদা লৈবা ঈশিংঙে অমদি তুসমফাই বৌই। অদুগা চীংয়া অমদা লৈবা ঈশিংখোং অমগী মমিংনা তুথাইলেং হায়না বৌই অদুগা চীংয়াগী ঈশিংখোং অমগী মমিংদি তুইসারেং কৌই। অদুগা ঈশিংখোং অমগী মমিংনা চংবী শিমমাথৈ হায়না কৌই। অদুগা চীংশাংগী লমদম মত্তেক অমগী মমিংনা লুরাংতাং হায়না কৌই। চীংগী চীংশাং লম মচেৎ অমগী মমিংনা মশানতাং হায়না কৌই। অদুগা চোথে লমগী মচেৎ অম্বনা থোংনাং কাম্বা অথৌববু ফাবি-বগী মফম হায়না কৌই। চোথেগী মচেৎ খুন্দাবা অমগী মমিংনা শাংখোং হায়না কৌই। অদুগা নাকল অমগী মমিংনা তাংলৈ হায়না কৌই। চীংশাংগী নাকল অমগী মমিংদি মকন হায়না কৌই। নাকল অমগী মমিংনা তুনথা হায়না মিঙ্গৌই।

হেমপা যিসিংখোং মঙা খোকপা। লোইবী লমতাং মঙা তিনপা। চোথে খাংচেন মঙা সাপাচীং। চোথে নুংস্নুকচীং। তাংখোং তাংলৌচীং। মকন তুকচীং। পানপী নাউথেমচীং। লালুম সাকোনতাক। নৈনা থুবীচীং। চোথে পাথে সনাকোনবী। চোথে মপুংয়ায়বা। কেকে অথৌবীচা হেমপা পুমনামানা। চুঙলেন থাকুপ কৌ। খংনং লাইতং লেংনা। যিরাং নৈনা রোংনা খৌসাথাপাতি। চোথে মপুং তাকলে। থারম নাকা চায়রে। নৈপী তাংকোই প ই। নৈথু নোংলেনকা। হেমপা খাংচেল থুমলে। হুয়েল লাননিকীতি। চোথে মনিংথৌ না তাই নাচাউপাপু কাযনা চনলে। চোথে মপুংযায়কী। থিংলৌ নিঙনা তেনা। হলহাইবকল'পাতা হেমপা পনথো' মাঙতা। থারম লৈসোক অচাংপা। থাপা উননা থেংপাস্নুং উনচংতাপা। কোরৌ অচু য়িনাস্নুং চাইচেংতাপা। সিঙলেন মানা যোমনা। পানপা লৈপু। লৈরাং থাযোম সানা কংলকপ হাযত পারা। কেকে মোইরাং নিংথৌ।

লমদম অচুনা উশিংখো' মথাগী উশিংনা পম্না লৈবা চীংশা মঙানা পুনবা চিংনিংপু শব চীং তাংখো' তাংলৌচীং মকন তুকচীং হাউপাল থাবা চীং লালুম সাকোনতাক নৈনা থুবী চী' চোথে পাথৌ শনগোলগী লমদমদা চোথে কৌবা খুঙংগী মসংমদা কেগেগী অকন-অথৌশিং পুম্নমকনা মঙক্কো চুঙ হুকতুনা মথুক্তা চাশাং পাম্নবশা মীশাম পরেং লেংতুনা লানদাখিবদা মোইরাং লাম্নী অমদি নিংথৌনচিংবনা থম্নোয় মৈহৌনা লানদাখিবদা চোথে খুঙং মাঙ তাকখি। থারম খঙংসু পুমচাই চাইখায়খি। খুঙং পম্বা মৈ থাবদগী তাঙ্কোইনা লৈবাক শীনবগা লোয়ননা মৈথুনা অতিয়া পমবা প খম মম্না শীনবা থুংখি। খুঙং পম্বা মাঙতাবখি। লানফম অসিদা চোথেগী নিংথৌ নাতোই নাচাউবা কৌববু মায়থিবা পিরকখি। অসিগুম্বা চোথে খুঙংগী লমদমদগী ম্নাম্না চনিঙ তানা হল্লকতুনা খুনগী পম্বোং মম্নাংমক্তদা থারম লৈশোক অঙাঙবা কৌবা লৈবু উন তারবসু কংদ্রবা নোংজু মক্তমগী নোংনা নৈথরবসু পংহল পুম্নহনবা ঙমদ্রবা লৈরাং মাগী মনা য়োমশিল্লবা লৈরাং অচুনা থয়াম লানা লংনা নীঙথিনা শাংজম্বী। লৈরাং অহুবু মোইরাং নিংথৌ

জোইপী সমপুম লানথাপা। চোথে থাংবাই পাথংপাতি। মতাইরেম ভাংজোই থয়াঙ কোনতাইলোনপা পুমনামাকা। কেকে মচীংেন। পুরিকলাই মরাই অংনা। কেকে মপুংয়ায়তা রাইথুংলারাপাতা। অসাই- ঙৈকী থারম লৈসোক অঙাঙপাপু। মসানৌ কেকে মোইরাং লৈমা। লৈমা সুন্দরেমপীতা লমরোকনাখিএ। নোংপাললোন লৈমা সুন্দরেমপীনা পাউমেললকএ। য়িসাপী কেকে লয়মাপারো। সিঙলেন অসিপু করম নিঙখিপানো। লৈরাং অসিপু করম চূনপানো। কেবেচা পাখংনা চিন্দাপাতি। পাথং নানপা সমচি ককনা থৌথামরো। যাংজোই চনুরাসিংনা থেংলাপাসুং। মোমনু তাঙচা সমচি ককনা। থৌথিংপিরো হায়না য়াহমাখিএ। অতুনোংকিপু থাবম লৈসোক অঙাঙপা। লৈমা সুন্দরেমপী থৌথামলৈরো তৌনা কৌএ। নয়ু নিংথৌ লোইপী সমপুম লানথাপ্পা। থয়াঙ মথৌমনতি অতুসুং মতোমতে। হাউবে থানা পাংপা লমতা থৌসাপানে। লমলেন মতাইমা। য়াংকোই লমরোনথোকপু

শমুম লাম্বাবা, চোথে থাঙবাই পাখংবনা মোইরাংগী ভাজোই কমদমগী অথৌনা মচা মনাওশিংবু, চাঁথোন-নাউকোনবা মপা মপুগ মঙল ভাকনা লৈরিবা পুময়কা লোয়ননা মোইরাং কোনুংদা থুংলরবদা অসাই মাঙদা পনখিবা থারম লৈশেক অঙাঙবগী লৈরাং খয়োম অদু মোইরাং লৈমা ওইবী মশানৌ লৈমা সুন্দরেখাদা লম চংলুবদগী পুরকপা। শরুক ওয়কপা। থুদোল ওইনা পীখি। অদুদা অদোম চনু ওইবী লৈমা সুন্দরেখীনা হায়জরকখি। হে ইশাবী মোইরাং নিংথৌ চিংংদো পীজে লৈরাং অসিবু করমবু অমুক কজবনো লৈরাং অসিগ মঙংগা মচুগা করম্বু অমুক চুনখবনোকো। অদুনা লৈরাং অসিবু কেগে পাখং কনামনা হেক চিল্লহদা মশম কোকপগী দতি পীদুনা চিন্দনবা থাবীমু অদুগা ভাজোই চনুরাশিংনা কয়ি- জবা লাখবা থেংলবসু মোমনু নুপা ওইবীশিংগী মশম শম্বাং অদু করগা অক্কমবা বায়ক চৈথং কংগনি হায়না য়াথং লাউথোবপিদুনা চিন্দনবা বারোল লাউ- থোকশিনু হায়না থামজখিবগী বারোল হায়জরকখি। কোয়ৌ অদু নুমিৎগী হৌনা থারক লৈসোক অঙাঙবা লৈমা সুন্দরেখী থৌথামলৈ হায়না নিংথোমখি। নদুথৌ মোইরাং নিংথৌ শমুম লাম্বাবগী মতিক মথৌনাদি অসিনসু লোইবা নত্তে। থা ...য়কৈরোমদা লৈবা য়াজোইগী লমদম্বা কোনবা লমদমু

সুকুমু য়িরাইতাবো কৌপাত্তি কতৌনোংকিনো। খুংপাল হোৎনেম লুরাং নিংথৌ পুনসিপা। মত্তাইয়েম লয়খিন নোংখিনয়াক্তি। লাইচা য়িথৌ লাংনা। লাইচা য়িরংচাউবী য়িরালপুপাপু। লাইচা মরেংতা। উনিত্ত খাকোয় কংলাপাকী। য়াংকোই মোংপা য়িপু সোকনা। লাইচা থিনোংলকএ। অতুনোংখিপু সুকুমু য়িরাইতাবো কৌপাপু। পোই-রৈতা কাখিপানা। রাংত্তম হায়মল তানপানা। সুকুমু য়িরাইতাবো কৌএ। সুকুমু য়িরাইতাপু নাতৈনানা। চাংখোং পোইরৈত্তোন। মমা লয়নুং পিয়াহন্তাকী। খোমকাং অত্তোনপাকা। মৈতৈ লৈমা লাইচম থোংখোত্ত সেমপা চপুকা। লোইপী সিতাপা। চেমপা নাত্তাপাপু থুনখিরকপাতা। ময়িম লোইপী মরেমনা। চীংখোত্ত পোইরৈত্তোনপু। মসোং মমাম চাউনা রেংলমএ। অতুকে খিপু তকোং থুনলেনলয়রো তৌনা কৌএ। কেকে অথোলাচা হেপপা। তাং ডাই থয়াড কোনতাই লোনপা পুমনামানা। লোইপী মচীংকা। চেমপা পনুথোং হাং।

তুপন্ ইরাইতাদা অমুক লাম্নাখি। অহুবু তুপনু ইরাইতা হায়না লমদম তনিবু করি তৌথিবদগী কৌখিবনো হায়রবদি হোত্নেম লুরাং পুনশিবগী মনাই লৈথীন নোংখিনয়াক্তবা ঈশিং খোরাংলহুনা ঈশিং শোকনবা চৎখিবনা ঈশিং অহুনা উনিত্ত মকক অমকাতবা শোকপা য়াদিহুনা কংলখদগী য়াক্লোইগী ঈশিং লৌরুকখি। কোয়ো অত্তু নুমিত্তগী হৌনা মকম অহুবু তুপন্ ইরাইতা হায়না কৌনখিববু মৈতৈ অশৈবশিং পণ্ডিতশিংনসু তুপন্ ইরাইতা হায়না হৌজিক কৌনখি। অসিগুম্বা তুপনু ইরাইতা লমদম লাক্হোকলগা লৈমা পিরাইংগী মচা অত্তোনবা পোইরৈত্তোনগা মতৈঙ্গদু ওইবা লাইচম খোংথোং শেম্বা চনুগা লোয়নবা চীংগী লমদম অসিদা থুন-দাবগী অনা-থয়েক চেয়োত্তদৌবা মকম কয়বা লৈবাক থিরকপদা মকমদুগী চীংমী-শিংনা পোইরৈত্তোনবু মশা কয়া মডক থাজংনা রেংজরম্মী। কোয়ো নোংজাহুদগী মকম 'অদুম' অশোং থুনলেনলয় হায়না কৌনখি। মকম অদু য়ৌনবা কেগেগী অথোবশিং 'মোইরাংগী' 'অকনবা লাম্মী পুম্মকা লোয়ননা অরাংবা চীংজাউদু কায়গা মহৌশা' লনয়বা মরী পুম্বা থদংতুনা

খংনঃ লাইতং লেংনা পনথেংখাপাত্তি। অসোং য়াকা চায়রে। থুচুং পামত্তাননারে। মৈপী তাংকোই পাই। মৈখু নোংলোন কা। চংলম ফানসাং থুমনা হেমপা নুংযায় থায। পননিং য়িমথৈ কাইনা। পুরিক-লাই মথিনাই। হিরাং মৈনা রোংনা খৌসাবে। হুযেল লাননিক্তিত্তি। লোইপী অসোং মনিংথৌ। হুযেল সেলিকপু অথৌপাপু কাযনা হুললে। লোইপী অসোং মপুংয়াযকী। কেকে মপুংযায়ত্তা হলরাইবকলে হায়ত্তা-পারা। নয়ু নিংথৌ খাংরাই লাইপাখং অত্তেংপানা। লৈপাক মনিন-নাই। তুংঙাই মরাং বাযনা পাললমচৈ। লমলেন মত্তাইমা। লুরাং তবং খোইনুচা। তুংপ ল ফানতেক লোঙাকপা। খানলৈ লোঙাকরাই। তৌবেন খোইচুমানপু নাতৈনানা। কেকে রোকনারেল ঙাংঙাই থং-নারেলকীপু খোইনাই তাইপিলোরো কৌপাত্তি কত্তৌনোংকিনো। কৌপানেল অঙাংঙা মপার্বা। থুয়োল য়োইথোকচাউ। থোকচাউ অহনপানা। মেনতে লিসিংখা। মেননোং নুংকাইচৌংকী।

মথংগী টাশাং পায়রগা হুয়েল লান্দাখিহুনা অশোং থুঙং থুগাইখি। থুচুং খুন্দু কোয়তান তান্নহুনা লান্দা মায়থিবা পীখি। য়ূম থুদিং মৈ থাবগী মৈখুনা অহিয়া শীনবা থুংনা কাখিহুনা চংনবী পুম্বা খাংমা লান নিংঙ্রবা খাখল হনবা লৈত্তনা খনখিবা পুক্লিং চপ চানা লৈংারগা মোইরাং নিংথৌনা বক্তি বজাউ থোক্লা হুয়েল লান্দাখি। লানফম অসিদা অশোং থুনগী নিংথৌ শেলিকপু কৌবা অথৌবনু লানঙম্মকখি। অসুম্মা অশোং খুন্দগী মোইরাং মরৈবাঙা মমায় পাক্লা হল্লকখি। নবুখৌ মোইবাং নিংথৌ থাংরাই লাইপাখং অত্তেংবা (চোথে থাঙবাই পাখংবা) না মোইরাং লৈবাক অসিদা মমিং চংনা য়াম্মা নুংঙাই য়াইফনা খুয়া তুশিংনা পাল্লিচৈ লুরাং তবং খোইনুচা নুংবাল ফাত্তেক শোকনাইবনা মাগী মরো ঙাক্লনা লৈবা মতমদা থোনখিবা তৌবেন খোইজুমান কৌবা লমদমবু হেনদোকপ্রগা। লৈবা ওক-নরেল অমসুং থংনরেল চীংঙু অনিমকী মরমদমদা লৈবা খোইনাই তাইবীলো হায়না খঙনবা মফম্বু করিদগী কৌনখিবনো হায়রবদি কৌব্রুগী মচা কৌবরেল অঙাংঙাগী মচানিপা থোকচাউ অহনবনা মেন্দে লিসিংখা মেত্তোং নুংকাইচৌংদগী

কেকে খুনকুমলক। মোইরাং খুনতাবুরকইউক্তা। কেকে মথাক্তা মসেনপু অথেংতু। খুয়োল য়াংপা মখিজুনা মসেনপু মেননা ফাইরাগিএ। অঙু নোংকিপু খোইনাই তাইপিরোরো তৌনা কৌএ। কেকে মিগ্গাম্মাসিংরো। ঐখোয়না কেকে মিপললনপু মিনতালনকথা অসিপু। যাওরো মাপু থেং। চুয়েল শ্যানপু রোকনারাকাতারা থঙ্গে। হায়না তেকপি মাপৈয়োং। কাযরে যেনথা সেংনা পাক্তমলমএ। অঙুনোংকিপু কেকে রোকনারেল। ঙ ংঙাই থংনরেল। খুযোন মেনমতক খোইনাই তাইপিলো। পূকফাং স পৈরো। কাযবৈ যেনথারোরো তৌনা কৌএ। কেকে রোকনারেনপু নাতৈনানা। চংপি মকয়রেন মথুৎফা। চামলো লাক্কংকুই। পুহুং লমকৈ পাকপাব পু। চংশি কোলিংপাই নাচৌ লমমাহনপু লমথোনপা। কেকে মোইরাং নিংথৌ। লেইপী সমপুম লানথাপা। অচোং যিমফম যামপা। পুবিকলাই। থাংবাই লাই পাখং অতেংপাতি। চোয়নৌ সনা মিংহুনখিপু চূনপামে॥

মোইরাং লমদম য়ৌনা খুনওয়ুনা মোইরাংদা খুন্দাহনা লৈবা মতমদা-মোইরাংগী মন্ত্রী-মন্তা, মপা-মচা মথোয় মশেল পূমমক অমপা অমগা অরৈ-লৈত শেংন-থাইনহনা পাক্লকখি, অমপা অমসা মেমশিন তাইখিমখি। কোয়ৌ খুমিং অতুদগী হৌনা থোইনাই তাইবিলো হায়না কৌনখি। মকমতুদা মোইরাং নিংথোনা মোই-রাং ইপা ইচা, ইচিন-ইনাওলা। ঐখোয়না মোইরাং ইরমদমদা হনবদা লম্বীদা শা-লান অমুক থেংনবা থঙত্রে অদুনা ওকী সাপৈ (মকল) কদোমদা করুবা লৈবা অঙ্গা য়েনগী মথা শেংলগা লম্বীগী খুদোং চাবা চাদবা য়েংদুনা পাদম-লম্বী। কোবৌ নোংজাদুদগী মরম অদুনা কেগে ওকরেল ঙাংঙোই থংনরেল খুয়োল মেনমতাক থোইনাই তাইবিলো পূকফাং সাপৈলো কায়রে য়েনথালো হায়না কৌনখি। অসিগুম্বা ওকরৈলগী লমদম তেন্দোক্লগা লৈবা চংবী লফুনা ল্যাকং শাংনা শাংনা রাংনা চাউনা হৌদুনা লৈবা পাকলবা লুমদবু চংবী কোলিং-পাই নাচৌ লম্মাহনা হায়না মিংথোরবা লমদা কেগে মোইরাং নিংথৌ ওইবিরা খোইরী শমুম লাম্বা, অচোং যুমফম য়ানবা, পুবিকলাই থাংবাই লাই পাখং অতেংবা হায়না মিঙৌনবদি ফুদোংলবা সনাওম কোক্লোম্ব মিংলেন অসি চনবনি।

নরোল কেকে মোইরাং লৈমা। নোংপাললোন লৈমা স্নুহুলেমপী। অঙৌপা লাইলেন হিথামপা। নোংয়াই কোকচা হিরুপানা কোইপা লম। অতোন লাংয়োম সিনাইশম্না তাকপা লমতা খৌসাপা। লাইফা সিংকনহনপা। সেনপা লমথোং চাবু কায়না হুনপা চহু। লোকলেন রানথু খুঙমরিম। মরোঙ য়িমতমপা ফানা য়িমপূ। পুমনা চননা অসৈমপম চহু নোংপাললোন স্নুহুরেমপী পায়মা সনা উনকোযহুংকী॥

১৮। নুংনাং নিংথৌ তোনপা

নয়ু নিংথৌ নুংনাং নিংথৌতোনপায়ো তৌনা কৌএ। য়িরাং পুরিকলাই। নুংনাং নিংথৌ তোনপাতি। লমলেন মতাইমা। লয়তাঙ ঘুমোইকোন। লান-ল-ই পাউপিতেকতা খৌসাপানে। লয়তাঙ

নবেঙ্কৌ মোইরাং লৈমদি অঙোম চনু ওইবী লাইরেল হিথাবা নোংয়াই কোকচা হিরুবনা কোনবা লমদা পোকচবী লৈমা ওনুরেম্বী হায়না মিঙ্গৌবীনি। অপা ইবুংঙোনা, অদোন লাংয়োম শিনাইবনা তাকপা লমদমদা লান্দাহ্না লাইফা সিংকনহনবা শেনবা লমথোংগী মচাবু কানঙমখিবা অতকপা অচম্বা লোক্তা যুময়াম শরেং তাবা লমদম য়েম্বা মিংলেন শৈথানবা নোংবাললোন ওনুরেম্বীগী শেংলবা শিয়োমনুংদগী॥

১৮। নুংনাং নিংথৌ তোনবা

নবুখৌ মোইরাং নিংথৌগী কোলোয় মিংলেন্দি নুংনাং নিংথৌতোনবা হায়না কোলোয়নৈ। মোইরাং নিংথৌ নুংনাং নিংথৌ তোনবনা লয়তাং যুমোই-কোন লালোই পাউবিতেক কৌবা লমদমদা লাম্নাখি। ওসিঙমবা লয়তাঙ যুমোইকোনগী লমদমু লয়তাঙ

খুনলৈতাংগী কৌপাতি করিনোংকিনো। সামন কোনথৌচাম্পা। সারা রাইরো পামপানা। সেলোই লংমাই নিংথৌ চনু। সেংকোইনু সাকাপী। থরা নুরৈজং চূনপীতা। থরা নুয়িনষে। নোংয়াইচা পাখং অজেংপা-শিংনা। সামন কোনথৌচামপাপু। লাংপল উয়ুং সীংসঙ শূকনা চয়পিরাপাকী। সরা রায়রো পামপাত্তি। লাইচা য়িপাকথককতা নোং-মললে। কোরৌ নুমিং মঙানি নুরাপাকা। লাইচা য়িরোননুংতাকী। সম্নু মথুতোননা। হাননা লাইচা য়িফাওরকপাপু। তাকনা থাইনা উরে। অতুনোংকিপু লয়ঙাঙ খুলৈতাংরো তৌনা কৌএ। অগাং লাইকা চনু। অখোং ফাপীকা। তাতেন লাংকমপম চনুকা। য়িনফুই মায়রং সোন। হুংকেন তাইথাং লাকপাতা। পোরা মথুংনুপু তেকলমএ। অতুনোং-কিপু। লানলোই পৌপিতেকরো তৌনা কৌএ। হনপাচা কালামপানা। লোকয়ি সেংথোই য়িননা লমতাইরাই। লয়তাঙ খুলৈতাঙ। সরা রাইরো পামপা মননা সায়। নোংয়াই থাঙসা খম।

খুনলৈতাঙ হায়না কৌনাখিবদি করিদগীনো? মাংরো শাদানবা পামজবা কোন-খৌজমচা সামন কোবনা মতালোয় ওইনা লেলোই লংমাইগী নিংথৌগী মচানুপী শেংকোইনু সাক্কবী কৌবীগী মথক্কদা নিঙোল মরা ওইনা লৈরিঙদা খুমন মচা ওইবা পাখংশিংনা শীং খায়নবা শীংজঙগী শীংজঙখোক্কা মকোক্কা খাবদগী ভাও-ড়না ঈশিংদা চোংথড়না লুপতুনা শিখি। নুমিং মঙানি লৈরগা মখোঙনা হায়না ঈশিং মথক্কা ভাউংলকখিবা অহুবু মশা শিনা মতু-মচা খাইননা শিবা উরে হায়নবদগী কোরো নুমিং অহুদগী হৌনা মকম অহুবু লয়তাঙ খুনলৈতাঙ হায়না কৌনখি। অয়াং লাইকা নিংঙোল অগোং ফাবীগা লাঙম চনু ভাতেন কৌবীগা অনিনা হঙেন পোরা পানবা ঈল খাদুনা লেমলৈ ভায়াম ফানবা হোংনবদা ঈলগী পোরা অখোক অশাংবদু খংহৌদনা তেকথরকখি। কোরো নুমিং অদুদগী হৌনা মকম অদুবু লালনোই লাউবিতেক হায়নমু মিংথোরখি। অমিগুবা মফমসিদা অমুক হনবচা কারাঙনা অঙবা চীংদগী অকবা ঈশিং চেঙ্করকপদবু মফম অদু হৌনা চেঙ্করকবা হোংনরমবা মফমমু ওইখি। অসিগুমবা লয়তাঙ খুনলৈতাঙ কৌবা মফম, শরা রাইরৌ পামবনা শিবলম, খুবল অচাবু থাওনা ফকুনা শিনখিবা

অমত্তোন থৈমাখুম। থংচি চাউথোংমন লাংজুম মতে মনাঙনা। লোমদৈ লৈমারাই। শমঙ থুংলুত্তাঙবা থোসাখারে। হায়েন লানবিকোইদ। লোংঙাই ফেনলেমপম নাইচা। লৈতাঙ হৌরাইপাপু কাঙনা হনলে পুরিক্লাই মচীহেন। অংঙোই মবাই লংনা। কেকে মপুংযায়রে। অহোঙ লোইবেন থৈনা। পুংলেন মথুংকাপু তানফংগিত্র। হয়েন লানলিক্লি লোংয়াই ফেনলেমপম নাইচা লৈতাঙ হৌরাইপাপু লমমু মেংঙাকপুং লয়কৌ সেংরোইপুংরো তৌনা কৌত্র হায়তাপারা। যিরং পুরিকলাই। নুংনাং নিংথৌতোনপা। অহোঙ লোইবেন থৈপু তনংপাতি। কেকে নপুংযাইপু তরা তচা রাংউ। চৈথৈ খাইন তাম তানা পাললমলাপা। পুরিকলাই নুংনাং নিংথৌতোনপাতি। চায়রেৌ সনা মিংহনইকিপু চনাপানে॥

নচোল কেকে মোইবাং থৈমা। চিনকুলোল চিংচালেমপীতি। লমলেন মতাইমা। * লনলোই তোবাংখাং লানকালম।

অদোন থৈমচা মাঙনখিলা চাউথোংনা মপাল মরামনা থৈবা লমদা লাংজুম মতে মনাঙনা লোমদৈ হুং ফাকম ওইরুবা লম্নাং খনলোংগী কৌবা লমদা হয়েন লান-দাবিবদা খুমন শলাইগী ফেলেমগী নাট ওইবা হরাইবনু লানক্রিবখি। মহো অসুম্বা মোইরাং নিংথৌনা লান্দগী মংম পাকনা মোইরাং মবৈবাতা হরুকলগা মপা-মপুগীদমক অচৌবা কীর্ত্তন তৌনা থৈবাক্লা শক লোম্নখি। লানথম অহুনা খুমনগী ফেনেমগী নাট ওইবা হরাইবনু লানক্রনশিনদগী মথম অহুবু লয়হৈ শেংওইপুং হায়না মিংলৈনখি। মোইরাং নিংথৌ নুংনাং নিংথৌ তোনবা কৌবনা অহুবা মবুমৌশিংগীদমক অচৌবা কীর্ত্তন তৌরগনা মবৈবাক মোইরাং অসিদা থৈবা পুম্নমকপু চানা-থকপা রাংহন্দনা শেংন ইন্দ্রবসু রাহন্দনা থৈনাক মায়েল তৌহনা নিংথৌ ওইবিবগা পুরিক্লাই নুংনাং নিংথৌ তোনবা হায়না কোম্মোয় মিংলোন্নবদি কুমোঙবা সনাওম মিংহন অসি চনবনি॥

নবোম্না-মোইরাং থৈনগী কোম্মোয় মিংলেফি কোম্মোইজম নিংতোল ওইবীদি চিংজরেবী হায়না মিংলোই। থৈমসিগী মপাম লমদবদি লবলোই লমলমগী তোরবোং মরাগী। * (নচোল, থৈমাম, লমলাং, মোইরাংপোকচিংবা মায়কৈবু লনলোই কৌই) — কোম্মোয়লোন।

পাংপান লা থোং উবেন চিংখোংয়াই তৌমু খোঙলেঙলম । তৌরা লামথায়রাই । খাংঙা অমুপা য়াইতোনরাই । কমপোং অঙোপা য়াইখঙ-পাং । য়াঙপা খুংদিপানা তুংখঙপুং । পুবোই লয়কোয়পা । মখৌ য়াংকেনপালম কামু কমপোংপা নোংমনরাই । কমপোং মননালুক । থাংপল কামপা চুমমৈসাংনা । চৌংঙ নোংথো সরাবেন । অয়াং থাকপা মতেনচা । কোংলৈ নেংসে চঙপু । পামেল সীংপী উকাথবতা কানা । মৈকা য়োংনা তেনবিংরাই । য়াংঙমলান পোংগু লুকোন চন্থুনা । য়িপাম কুমকে সিখলঃ কুমকে হায়না পাংথিলম । লোইলোই লানলোই লানসেমজম্পু । তৈনপম চন্থু । মপাম হুয়েল লাননিবিংতে । কমপোং মুংমাইঙপী মু মাইপা । অবাই সমলোঙপী সমলোঙপা যাইরৌ য়ুমুংপী য়ুমুংপা । কমপোং লায়োমপী লায়োমপাপু অংগংনা অলু তয়না মুংপা চপু । চিংকুলোন চিংচালেমপী পায়মা সনা উনকোইচুংকো ॥

পাংপান ওইথুনা কেনা য়াংলা-য়াংনা কৌবনা তেংগী কৌরানা উপী উরেনঙম য়াংনা চাতনা হৌবদগী তোংগী কৌরানা মুনা শাংনা শাংনা য়াম্ববলমদা কম্বোং খুনথিবনা খঙজনবা পৃং ৯৫৯ ওইবদা অগ্নি-অনাগী সংস্কার তৌনবম ওইবা লম, কামু নখোংবনা শাখব মন অরবা বা উদদ লৈবা লম চুমশাংনা চৌংঙ নোংথো সরারেম্না থাবকপা এরু শাংজেংনা উগী কারো দা পাম্লবদা কাম্বা চুমৈশাংজুনা মমৈ যেং-কেং ত হনা বরিম্নু নাচুংদন চৈথোকপা লম অদুগা মৈতৈ নিংথৌগী মচা ইবেম্মা পোংনু লুকোন চনুন য়িপাম লমদম কুমলগে সিখালমদা য়োরগে হায়না লমদম মায়কৈ য়েংনা থিবলম লোইনাইগা লাম্লোই লাম্মীশিংবু শেমজম্বা লমদম য়েনা মীয়ামা শকথঙ মায়থঙনবগী হৌনবা শৈথানরম্বা নিঙ্গোল ওইবীবু পোকপা মপল পম্বৌগী মশিক মগুম্না শানা-লান্নাদা থৌখিবা অমদি হুয়েল লাম্নাবদা তৌখিবা মতিক্কি থাঙ্গা কমবোংগী মুংমাইবা, মুংমাইবা, অদুগা অরাইগী শমলোঙবী, শমলোঙবা কৌবা য়াই হাপতুনা (মাংলি হাপতুনা) মু শুংলগা কমবোংগী লায়োনবী, লায়োম্বা কৌবসু লান্দা মাংথিবা পীদুনা লালুম চোমাই লৌরুকখিবা মপনগী মমোম কোন-থৌজম নিংঙোল ওইবী চিংজাৱেমবীগী শেংজবা পায়মা শিম্লোমন্নুংদগী ॥

১৯। য়িরাং খোকথৈ লানথাপা

নযু নিংথৌ লংমাপা। য়িরাং খোকথৈ লানথাপাতি। হাওরৈ থানা পাংপালমতা খৌসাপানে। খোইয়ম লাইয়িংথৌ রাংপুরেল থানা চাউপা। মমা রাংনু নৈমা খোঙচোম ফপিচা। খোইয়ম পীন্নমকনপা। চীংঙু খোংকৈ চাউপা। লাইচা য়িথোঙলোনপা। নমু পোংথোঙ থিংপা। খোইয়ম তানলোয় মারুমপী। অনান থুনথক চনু। অনান থুনথা চনু। সাকাং লমকাং চনু। লোইপী থাকুপ চনু। মালেম থায়াই চনু। মরংপুং থুনতোন চনু। ডামারা থমতিংনুপী। তানলোই লুমলেন তারেংমতা নুয়িনপাচীং। লোইপী লমকাং মপুংয়ায়তা। কেকে থয়াঙ কোনতাই লোনপা পুমনামানা। চুংলেন থাকুপ হে। হেমপা পনথোঙ হাং। থংনং লাইতং লেংনা পনথেংথাপাতি। সকাং থুমপী মৈমাঙচন। চুয়েল য়াইসিং মুং। হেমপা থাংচেন থুমলে। পুনিকলাই মথিনাই।

১৯। ইরাং খোকথৈ লাম্বা

নবুখো মোইরাং লয়মাবা ইরাং খোকথৈ লাম্বা হায়না কোলোয় নিংথোয়দি হাওরৈ থা পাংবা লমদা লৈবা চীংঙু লাইওইবা রাংত্রেনখানা চাউবা কৌবগী মমা ইবেম্মদি রাংনু লৈমা খোঙজোমফবীনা পোকচবা খোইয়ম মমিং শুকপা ফৈগল ফৈবোম চাউবা, মৈতৈ লৈবাক্কী থারোমদা চেম্বা ঈশিং পুম্নমক্কী ঈথোঙ লোনবা (থিংবা) নমু তাইবং মীগীসু অশিথোঙ লোনবিবা ইবুংঙোনা মতালোয় ৭ হায়বদি অনাল নিংচোল খুন্থক চনুগা, খুনথা চনুগা, সাকাং লমগাং চনুগা, থাকুপ চনুগা, থায়াই চনুগা, মরয়পুং খুন্দোল চনুগা, ডামরা থমতিংনুবীগা লোয়ননা তাম্থোইদুনা লৈবা চীংগী লমকাং কোবা খুজং ময়ায়দা কেগে লাম্বী অথোবশিং অমদি মোইরাং লাম্বী অকনবশিংগা লোয়ননা মখং-মখংত্তো টা, মঙ্গা চুং মায়দুনা ময়াম হৌদুনা লাম্বেংনবিবদা সগাং খুজং মৈ থারে, খুজং মুংলে হিংহৌবা থরনা লাক্লেমখরে। মোইরাং নিংথৌ পুরিক্লাইনা কখি কঙাউ থোরা

যিরাং মৈনা রোংনা থৌসাথাপাত্তি। হুয়েল লাননিকিতি। লোইপী সাকাং মনিংথৌ। হুয়েল সনকুপলেং অথৌপাপু। কায়না হুললে হায়তাপারা। লোইপী সাকাং লানথাপা। যিরাং পুরিকলাই। ভাংভোই-থোকথৈ লানথাপাত্তি। চোয়নৌ সনা মিংহুনকিপু চুনপানে॥

মযোল কেকে মোইরাং নৈমা। য়োইকুমলোন নোংভাইলেমপী। পায়মা সনা উনকোয়নুংকী॥

২০। উরা কোঙয়ামপা

নমু কেকে নিংথৌ। উরা কোঙয়ামপারো ভৌনা কৌএ। নমু উরা কোঙয়ামপাত্তি। হাওবৈ নোংচুপলা পাংপালমতা থৌসাথাপানে। লম-লেন লোইচিং ফোরোইচীংপু। লোইচিং ফোরোইচীংরো কৌপাত্তি

পুক্রিং মেরী হেনা হুয়েল লান্দাখিবগী লানফম অদুদা লোইবী সগাংগী নিংথৌ সনকুপলেং বেবা লান্দা থৌববু লানভাকখি। থোংফম অসিদগী লোইবী সগাং লাম্বুবা ইরাং পুরিক্লাই ভাভোই থোকথৈ লাম্বুবা হায়না কোলোয় মিংলেন থোন্ন-খিবদি ফুদোঙলবা সনাগুম মিংলেন অসি চুনবনি॥

নবেঙ্কো মোইরাং নৈমরেন ওইবী লুরাং য়েঙ্কা নাওদাজবী নোংদাইলেম্বী কৌবীগী পায়মা শিয়োমনুংদগী॥

২০। উরা কোঙযাম্বা

নবুথৌ মোইরাং নিংথৌ পুরিক্লাইগী কোলোয় মিংলেন্দি উরা কোঙয়ামবা হায়না কোলোয় মিংলেম্মে। পুরিক্লাই উরা কোঙয়াম্বদি নোংচুপ মায়কৈরোমদা হুয়েল লান্দাখিদুনা মতিক মথৌনা উংখি। নোংচুপ মায়কৈরোমদা লৈবা লোইচিং কৌওইচীং হায়না কৌনরিবসিবু

কতৌনোংকিনো। খোইমোম মহুইরোইনাই। লোইমোম ফোরোইপী। খোইনৌ মতা তরুকমানা থোংনাং কারুকলয়। ময়াং কাফাইলয়পু যিনতাললকপাতা। খোযনৌ য়িখোযপু মযিম থোংনাং পাংসে। হায়না সীংবা লোইনবমএ হাযপাকী। লোইচীং রাবোইচী'ও কৌপাপু। পোইরৈ তা ফাৎথিপানা। লোইপী ফোরোইচীংও থোননৈএ। লোইমোম ফোরোইপী খোযনৌ মতা তরুকমানা। থোংনাং ময়াং ক ফাইলমপু যিনতাললকপাতা। লমলেন যিবোক অমচি নূ লাইকোন। তাংখুল লযহৌপোকতা। লাইচা মথিনাই। য়িমু মবাঙহৌ নূংপী কৈতোহ চোংপাপু। লানঙমতনাপাকী তকলৌ সিতং সোননা। লোইমোম ফোরোইপী। কোঙয় মচযম্নুনা। লাইচা য়িপুক খাযনা লৈবমএ। অতুনোংকিপু লমলেন লোনলোই য়িযৈপীরো তৌনা বৌএ। খোংচ নূংলাইপা চহু। চীংচেং মাবল মচল। লেমলৈ ঙাবা ঙারোইপী। র বকৈ হিপাল রাইপু য়ৈবমপা খুমু নৌবেংমাপু লামযোনপী। তৌবারাইপু

করিদগী কৌনখিবনো হায়ববদি, লাই ওইনা শাইওন ওইবী যৌওইবীগা মতা ৬ না থোংনাং লমদম চৎনফম ময়াং কাফাইলম য়োনবা লাকপদা চীংদোনদা খোয়নৌ ইতাখোয় এখোয় ৬ অসি থোংনাং লমদম য়োরুসি হায়না ঙাঙনা শীংননা লোইনবমই হায়বগী মফম অদুবু লোইজিং রারোইচীং হায়না কৌনববু মৈতৈ পোইরৈ অশেবশিংনা লোইবী ফোওইচীং হায়না মিংথোইরি। ফোওইবীগী লোয়নবা মতারোই ৬ মক্রা থোংনাং ময়াং কাফাইলম য়োনবা খোঙশাল্লকপদা চাংগী ঈরোক চেম্বরকফম অমদি নূংলাইকোন তাংখুল লয়হৌপোক কৌবা মযমদা ঈশিং ঈরৌরকতুনা ঈচাও থোক্লবদা মচু লান্নবা েৌবদা নুংজাউ অমদগী নূংজাউ অমা তান্না চোংববু লান্থোকপা (চোংথোকপা) ঙমদবদগী তকশী শোন্দুনা লোইমোম ফোওইবীনা মাগী চৈশূত্নুনা ঈশিং অসিবু মথক্তা ঈশিংবু তুংখায় তানা য়ৈরম্মী। নুমিৎ অদুদগী হৌনা মফম অদুবু লোনলোই ঈয়ৈবী হায়না মিংথোম্নবি। শেলোই মায়কৈদা পাল্লম্মা খোংচি নুংলাইবগী (থাংগ্নি খোঙজেংগী) মযোম ওইবী, চীংজেং মারল পাল্লবগী মচল ওইবী লেম্লৈ ঙায়া ঙাওইবীনা হিগী হিবালদা মযৈনা য়ৈরকপদা হিথক্তা তোংবশিংলা লামৈত্নুনা নৌনা য়ৈবদা তৌরা

রাইরোনপীনা নোংমনর ই। মতু চাংচেং নাবল পাংকনপা। লনসিং-লমপু নাইতেনানা। লোইপী মপুংয়ায় নুংসাই মসাইকোনভা পুরিকলাই মথিনাইনা পনথোংথাপাতি। লোইপা মপুং কায়রে। নুংসাই পাম-জাননাবে। নুংসাই পললিং য়িমথৈত্তাক। বিরোক থাথৈ ফংনা পনথোংলে। যিরাং মৈনা রোংনা লৌসাবে। হুয়েল লাননিকিতি। মালেম লাংমৈপা অথোৌপাপু থায়না হুল লা। নযু নিংথৌ কাপুই নুংসাই লানথাপা। সনা মচুংসনতি অতুম্বং নংকানতে। নযু নিংথৌ উবা কোনুমমপাপু। য়োইপু থোইযম ল ইবেনা। ২ হুয়ি অহোঙপীনা। থোংগা নাংবংকনাপাকী। তবা চাকংহোঙনা। অংহাঙ লোইবেন থৈনা। পানাল হাংতাপাবা। কেবে মপুংয়ায়তা। নুংঙাই মরাঙ কাযনা পাকলং ঃ মাইবাং কানামপা লাংথোংনা। রাকযৈ থাংরোইনানা। লোংবেল পুংত্রা সুনা। পোনপী কোং থৌবাইপু। লেপলা তুংযিন ভাংইপাপু কাবেম খনচান নিংথৌ। চীংদাংবাং থাপানপাকং হুয়েল মবান রোহ নহ মহ পানা।

র ইরোনবীনা শিংশিবলম মরং চীংজেং নারল পাঙ্গনবনু লম্বন শিংনখিবা লমদম ম. লাম্বোক্লগ নৈনা নুংশাই বৌবা মফমদা মোইরাং নিংথৌনা মতিক মথৌনা উংনা লান্দ খিবদা লোইংনী নুংশাই কেংবা থুম্বং বায়খি মীয়ামমু কোয়ুতান তান্নখি। অতদা লোক-শায় যৌনা কোয়তান তান্নখিবনা যুম মুংনা লান্দাখি। অমুম্বা মোই-রাং নিংথৌনা বন্তি বজ্ঞাউ থোক্লা হুয়েল লান্দাখিবদা নুংশাই থুম্বংগী অথোবা লাংমৈনা বৌবনু মাখুনিবা পীখি। থোংফম অসিদা নবুথৌসিবু কবুই নুংসাই লাম্বুবা হায়না মিংথোংখি। নিংথৌসিগী মতিক মথৌনাদি অসিনমু লোইবা নত্তে। নবুথৌ উবা কোঙয়াম্বনা লোইমোম শুইনা শাইজনবী লাইরেম্বা ফৌগুই-বীগা মায়য়োক্লনা উনঙ্গবদগী থোইমোম যৌগুইবীনা থৌজানবীবদগী চাকহোঙ ঙাহোংনা মোইরাং লমদমদা যুদ্ধান-খুনবানবা ওমঙ্গথি। অমুম্বা মোইরাং নৈবাক্তা নুংঙাই মরাঙ কায়না পাম্লিবৈদা মোইরাংগী কানাম্বা অথোবনা হিতোংলগা মথংত্তা লোঙ অশাংবা পায়রগা উরেং কোম্বো কৌবী উচেক অহংগী মতুংইন্না তাম্নরকপদা হয়রেম খুম্বান নিংথৌ চীংজরোং থাবানবগী লমদা চঙলুহনা মাগী আনফা ওইথোকত্রে।

কেকে মোইরাং নিংথৌ। হাঙোইহ উরা কোঙয়ামপানা। কেকে মপুং-যাইতা। অহাঙ লোইবন খেনা। চামলো লাকম থা। হাঙতে য়ুনৈহৌ। সারেন ফাহাপননা হোঙনেমখৈত্তো। হয়রেম খুচান নিংথৌ। চাংচারোং থাপানপাপু। অতোং তনা চাককৌনন্তো। কেকে মপুং-য়াইতা রাইথুংলাপাকা মোইরাং কানামপা মপাবীনা। মপল পনথৌ নিংথৌকী। মার খোঙথুল খঙতানা। তাঙচা খোঙথুল তংলাপাপু। মালং নোংচুম পাউকুম। চিনকোই পাউরান তাবাপাকী। মোইরাং কানমপা মপাবীনা। পানতম মপা খঙক হায়পাকী। হয়রেম খুনচান নিংথৌপু। যাইপী নলহৌ নীক। তনপা মথাচীক। চুয়েল লানমিং থানা। কনচাউ সুনাক হ যপাকাপু। কেকে মনিংথৌবী। অহোঙ ভরা চাকয়েনপাতা রাহমাখএ। যামপা হয়রেম খুনচান নিংথৌ। চাংচরোই থাপানপা। উচুক মানপা খোঁচনপা। তনা চাকচাপাপু। লাংকোইকুম ফাহাপনানা। তেবপি দাবচা খুমাঙথা। তাউপা চাকচা

মোইরাং নিংথৌ উরা কোঙয়ামনা কেগে মোইরাংপুদা মোইরাং নীয়াম চিন্না কীর্ত্তন তৌদ্রনা চাবলুক থারগা য়ু হয়জনা শা অহোংবা হাপনা পীজ-পীথক ত্তেবা মতমদা হয়রেম খুঙ্গান নিংথৌ চাংজরো থাবানবদুসু কীর্ত্তন অসিদা য়াওহনা চাক চানেনবা চাক্কৌবা লুমিঙ্গা চৌংজরোং থাবানবসু মোইরাংদা থুংলরে। মহেম অদুদা মোইরাংগী অথোবা কনাখগ মচানিপানা মপা নিংথৌগী খোংজুন লীথম খঙদনা নৈরকপবু কোরেংথঙগী লাইগী পাউতাক ওইনা হাম্বকপদু তারবদা কানাম্বগী মচানা অশেংনা খঙলগে হায়জুনা হয়রেম খুঙ্গান নিংথৌবু কল্থি কঞ্জাউ থোকনা মথা চীকতুনা লানগী হৌনবা লানমিং থাদ্রনা মকল্থি ফুদোক্লা নিপা থোকপা মতৌ তৌরগে হায়বা রাখল তৌবদগী কেগে নিংথৌগী পীজ-পীথক তেংরিবা কীর্ত্তণগী চান-থক্লবা চাক য়েনশাং য়েঙ্গক্লবা মতমদা হয়রেম খুঙ্গান নিংথৌদা হায়খি। ইয়াম্বা হয়রেম খুঙ্গান নিংথৌ চীংজরোই থাবানবা কৌবা! উচুং মৈচাকপা মান্না খোঞ্জোলবা তরা চাক চারিবা মওংদি লগোন্না লজিক চাবগুম কাজা-চা, কাদোং তোংনা নয়াদা নম্বা অহৃপা ওক্লা মচিল ময়া থুম্মা লৈখোমদা থিনজিল্লগা থুমাঙ খোংনা চাবগুম চাবা, হুইনা অহাও হাওতা থিদনা

অহোপনানা চাচখিবো। হায়না রাহমখোনকী। হয়রেম খুনচান নিংথৌ। চীংচারোং থাপানপানা। য়াইপী কলহৌ নীক। ভিললাং মথোয় সাউনা রাহমলকএ। কোক চাম্মিবাই অতোনপা। লমচাপানা য়োকভাপা। সাবাপীনা কোনভাপা। অতেকথনা থকসি লনথুম খঙতা। থাসি লিকাল’ উমতাপা নঙপু। ঐসে হয়রেম খুনচান নিংথৌ মহাকনে। ভনপা থাউ যিঙ্খোমনসু’ মোইরাং ক নামপা। অথৌপাপু কায়না ছনপানে। হায়না পাউপুনলাপাপু মাভাবাপাকী। মোইরাং কানামপা মপাবীনা। উনপি ব চক হৌ পিবেম থকমাভানা। মানপি খুতকনানা মুকমু লৈতোন কোন। চাংচৌ চেপনা লোননা রাকৎচরকএ। কেকে ঘিনিংথৌ। ভাঙ্চাই ল্যামাপা যিপুংভো ভাউরো। নভাইরেম ঐকী। পনথৌ যিপা পোকমাপানা। রাকয়ৈ খোঙরোইমানা। লোইঙ্গেন থংতা সুনা। পোনপি কোনথৌভাইপু চেকলা তুংযিন ভানখিপাপু। মরান রোনাতৈবকপাভা। খোইযম লাইনাপু লৌপাবা। লাইচা হিভাপু তুমলাপাবা হাযপাপু। হয়রেম খুনচান নিংথৌকী।

পাক পাক লাকতুনা, চোপ চোপ লাক্না চাবঙম চাক্তৌহায় হায়না হায়রকলবদা চীংজরোং থাবানবনা মথরাই নংহাইহনা কম্থি-কনজাউ থোক্না খোয়দৌ শাউগৎনা হায়রবখি। হায়া কেগেদা চদৎনবা, চাক্নি যিনিবা অতোনবা। লমগী মপু ওইবনা য়োক্নবা সাবাবীনা কোন্দবা মথক্কী অহল লমন্দা চৎকদবা, ভাংগদবা থকসিথাসি খঙদবা, অহল লমনপী কবোং খুৎকুম্বসু ঙমদবা তাও হায়। ঐসে হয়রেম খুঙ্গানগী নিংথৌনি, ইভিঙ্গা ইথোনাদা হায়রবসু ঐদি মোইরাংগী কানাম্বা কৌবা অথৌববু মথরাই লৌবা ঙমবদো ঐনি অসুম হায়রকপহ্ন ভারবদা কানাম্বগী মচানা মপুক্লিং য়াম্না নুংভাইহনা পিরাংনা ভঙনা শিন্থরহ্নুনা খুক খুদক শন শানা মতেক ওইবা রাহৈনা মোইরাং নিংথৌগী মফমদা থুকমলহ্ননা ইনিংথৌ ইবুংঙো ভাবিষু ননাই ঐগী ইপা অপোকপহ্ননা রাকয়ৈ হি অমা তোঙ্হনা মথভা লোঙ পায়রগা উরেংকোম্বো ভান্নবা চৎখিববু য়ুমদা হল্লকপদা খোইয়ম লাইওক্লববা নভ্রগা লাইঙ্ক ঈশিংদা তাহ্ননবু শিন্নবরা থন্নববু হয়রেম খুনজান নিংথৌগী

হুয়েল মরান ৱোইঙমএ নত্তাইরেম ঐপু। য়িপল পনথৌ নিংথৌকি-ত্তমকপু। লৈকাই পুচারুককুম। চেঙপুম মনৌতোন। লাংপল অরোনলুককুমপাপু। লনসিংচাকে হায়না ৱাকৎচাপাপু। কেকে লয়-মাপানা পাউথুমললকএ। তয়মৱো। হয়রেম য়িপু মচানে। তরা ৱোইনা চাককৌনোংসিত্তাপু। করোঙ থুংকুমকরোইএ। হয়েং সঁচা ৱাই-কোয়য়েং। য়েলাং থৌচৎ য়েংনা। লাংপন কপোঙ থুংকুমচৌৱো। হায়না ৱাহমখোনকিপু। মোইরাং কানামপা মপারীনা। লমলেন মত্তাইমা। চীংমৈপা কানারম। লাইমৈপানা তননারম। পানপান,রল পাংকনপানা তোয়ত্তৌনানা লাননাচীং। থেরেলোংপা চনু মপারী। কাচেং তাংখু তাংহনপানা। লিরী থংমোই তিং। লকা ত্তেনমৈ লাকনা-ফমপু। তাংচা লমকমৱাইৱো কৌপাত্তি কত্তৌনোংকিনো। থেরেলোংপা চনু মপারী। কাংচেং তাংহনপানা পাউমেললকএ। পলেম য়িমারো। নপারী য়িথোয়কী। পনথৌ য়িপা পোকমাপাত্তি। কত্তায়নো হায়না

হুয়েল মরান ওইদুনা (লানফা ওইদুনা) লৈথিবগা ৱারম্বু কোরো ঙসিনোংদা থঙজরে। পম্বৌ ইপাগীদমকপু চেঙনা চদোন তানা শুবগুম লৈকাইগী পৌগাইদা নাম্বোকপা য়াদবদগী অৱা-অনা থাঙহনবগুম পম্বৌগী লমন শিংজগে হায়না ৱাকৎ-চরক্লবদা মোইরাং নিংথৌনা পাউথুম্লকখি। হে অচানবা! হয়রেম অসিদি ইপা ইপু চাদা-নাউদানবগী ইপু মচা ওইবনি। অদুনা ঙসি ঐগী কীর্ত্তণ অসিদা চাক কৌদুনা চাক চাবা নুমিৎ অসিমক্তদা নপল পম্বৌগী লমন শিংফদে। হয়েং কোৱো নোংজা অমদা নঙনা শীং-য়েন থিবা, ইনশাং থিবা চৎপদা মত্তা য়েংলগা লমনদু শিংজৌ অসুম হায়না নিংথৌনা হায়রক্লবদা মোইরাং কানাথগী মচানিপানা চীংগী চীংমায় কানরম লাইশিংনা লায়বা লম পানবা কৈনসু শারুমকম ওইবা, চীংজেং নারল পাঙনবনা থোংনাং ময়াং চৎখিবদা লানথিবা চীং অদুগা থেরেলোংবম নিং-ঙোলগী মচানিপা কাচেং তাংখুগা তাংহনবগনা মখ্ৎত্তা লীরুং পায়রগা লকা য়েৌনা লীরি চিংদুনা লুমদুনা লৈরম্বা মফম্বু করি তৌবদগী তাংজ লমকমৱাই হায়না কৌন-খিবদি করিদগীনো হায়রবদি থেরেলোংবম চনুগী মচানিপা কাচেং তাংখু তাংহন-বনা পাউমেনখি, হে পলেম ইমা অপোকপীও! ঐখোয়গী ইপা পম্বৌ অপোকপবু কদায়দা লৈবগে

পাউহংপাপু। য়িপারীসারো। নপাল পনথৌতি পানপা নাবল পানকন-পাকা। কৈরেন পিপুবগুংতা সানথুপালএ। হায়না পাউতাকলপাতা। কাচেং তাংখু তাংহনপা। সানৌ মচিন মনাউনা। চীংমৈ অচনপাকী লোংলায়নবে নঙ্গুংতা। তাংচাকুম লমফমখিএ। লিলানা তৌকুমপাপু নাথংএ। পানপা নাবল পানকনপানা। চীংমৈ অচনপাতা লাল-লবাপু। মিংনং সনথেনাপাকা। কাচেং তাংখু তাংহনপাকী। লিল থমাই ঙং। লকা তেনসেল কপাপু। মপন পনথোনা। পানপা পিপুবগুংকা পাউমেললবএ। যিপারীসিংরো। নপাল ঐপু রায়রা তেনপাল লাকনি। কৈবেন খুমাঙ লেংকা তমনা চযনীরো। হায়না পাউমেললাপাকা। কাংচেং তাংখু তাংহনপানা। পানপা অথৌপাপু। কৈরেন খুমাঙ লেংকা তমনা চপিরে। পানপা লুতুবা। কৈরেন থাঙ-ললপাতা। কাচেং তাংখু তাংহপানা পাউমেললকএ। যিপলরো। পানপা নাবল থোকসে হাংপ ঙং। কৈবেন মরুখাকনে হাযব চৈরেনে।

হংজনদা ইচাশা। পান্থ নপা পোনমানি পানবা কৈজাউ পাঙনবগী মপৃক মনুংদা লেখে হায়না প্রথনদা কাচেং তাংখু তাংহনবা মচিন-মনাউনা চীংগী নাপোম চুইংবনপা অনকপা চানাংহুবা নাপ বকতা লিলনা মথুনদা লোংপগুম লোংতুনা মিংকপ নাঙুম থোংদুন লৈখ্রে। মংসিদা পানবা কৈরেন অচৌবংসু চীংমৈ হুই থরকপা অদ লাংমে কা হায়না। লাল্লনপা যথোং মচিন-মনাউনা ঈবংনা মথোয় অনিগী লীকং তেন্দ্র পাল্লনা লীবী বল্লা চিংদুনা তেন কাপলগে কৈরেন মথরায় লোবগে তৌবকপা মংমরুদা বৈগী মরুক্তা লৈবা মপানা কৈগী মরুক্তগী পাঙমেল্লকখি। ইচাশা। নখোযগী তেন অর্দ্ধ ইপাদা পানগনিকো। পানবসির্বু হাংকে হায়রবদি কৈগী খুমাঙ হেথায়বো ও সুম হাযরল্লবদা তাংখু তাংহনবা মচিন-মনাউনা পানবা কৈবেনদগী খুমাঙ অনি লৈথেক্লে। মদদা কৈ অর্দ্ধ তুনা থাঙমেনফমদা হাইবং মীমা তৌবগুম লৈববদা তাংখু তাংহনবা অনীমক্লা কে পাংতৌ পোকখ্রাবাহ। কৈগী ময়ারোংনগী ইপাযু লোথোকসে হায়রবসু পানবা কৈগী চুখাকনি হায়নবগনি।

পানপা নিঙলম থোকসে হায়পাম্নুং। কৈরেন ফায়ংথোকমননে হায়বা-ইঙনে। হায়না পানপা সাপূক ফাংথোকলাপাপু। পনথৌ নিংথৌ ঙানপা খুমু কৈরোইপাতি। কৈরেন পিপূকনুংকী। অচেন লে কলৈ হৌনা চেনখিবাপাকা। পামেল উনমমুক লমমূক উতোনথকতা তোং-লমএ। লমলেন মতাইমাম্নুং কৈতোংরোম্নুং তৌনা কৌএ। অতুনা বিপু কাচেং তাংখু তাংহনপা। তাংচা লমকমরাই। কৈরেন খুমাঙ লেংকা তমনাবম। ঙানপা খুমু কৈরোইপাতি। পানপা পিপূকনুংকী। যোইয়োইলমরো তৌনা কৌএ। খুনতিনপী চংনামুংপু নাতৈনাপাপু। খুনতিনপী চংনামুংরো কৌপাতি কতৌনোংকিনো। লোইতাম থাচা পাখংপা। কোংযাং মচযম্নুপূ। লোইতাম খু যানথবাপাকা। বোইনামলুং মপুংযযতা। সতু চাংলাইঙান। হেমপা থেনপু ঙাননা থেন-থাবকপাপু। রোইনামলুং লযমাপী। হাউন্নু কাসনন্নুনা খুলহৌনানা। থাচা পাখংপা কোংযাং মচযম্নুপু। চবরেন বোঙনা। রোইনামলুং

অয়ুগা কৈগী মনিঙলোমদগী লৈথোকলাস হায়রবসু লেথি ফায়বদা য়াংবনং নি ঙায়না মীনা ঙাঙনগ্রগনি। অসুমনা ঙাঙনরহুনা মচিন মনাচ অনিনা পানবা কৈরেন অসিগী মপুক লেনখায়রসি হায়নহুনা লেনখায়রুবদা পন্থৌ মপা ওইনদ্রি মফম ইখড়-খঙহৌদনা মফি তাখৎতুনা চেনগ্রগা লম্নুক বোবা উগী উকোল হমনা কাখ্রগা উতোন্দা তোংহুনা লৈখি। অদুনা মযমদদু কৈতোং হায়নসু মিঙ্গৌনে। নুমিৎ অদুদগী বাচেং তাংখু তাংহনবা পাংজা লমফমরাই কৈরেন খুমাঙ লেঙ্গা তম্নরম ঙানবা খুম্নু কৈওইবনা পানবা কেগী মদুগী থোকনযম হায়নসু খঙনখি। অসিগুমবা মথমদগী অমুক খুনদিনবগী লমদম হেনদোক্লবখি। খুংদিনবী লমদম অসিবু করিদগী কৌনখিবনো হায়রবদি পাখংবগী চৈশূনা থাজ মপুং ঋাররবদা মচেং কেললকপগুম ওইনামলোঙ চীংগী চীংয়াইদা চীংমায়দা হৌবা শদু য়াঙ্গেন নাপী শীংবী মথক অদু পূমঙাল ঙাল্লদুনা চীংথক্কী থেলসু ঙাম্লরবদা ওইনামলোঙ খুঙ্গং নিংথৌগী মতালোয় হাউনু কাসননুনা খুজা পূমবা হৌদুনা থাজা পাখংবগী অঙাল ফংবা কোংয়াং চৈশূনা চৈগী চৈরেন ওইনা লৈবরু

লয়মাপিনা। লাংলেন ম্রাককমাপু। কোংয়াং মচয়স্পূপু পালে ইনানা। কেকে লমতাকুম। মোইরাং তমতা তারকএ। ম্রোইনামলুং লখমাপীকী কোংয়াং মচয়স্পূপু। কেকে খোযবী নামোইযাংনা। পাথং সংকাই যাইনম মখূৎস্পুকা। লোইমোম ফৌরু কনপাস্তা থাললোএ। নামোই মথোভচিনতা। চয়স্ কৈনা ভাপাপু। যাংলৈ তাউপা মচুইচানা কাল-লাপাতা। তাউপা খোঙকাপ সানতানা নোংমললে। কেকে লীচা। মোইরাংপাচানা কংলে মস্ মমাঙতা ফেনথোকলাপাপু। কোংযা মথননা রাপানফা। লোকলৌ সোংরেন গুললকএ। তেকপি রে কনা ভারাপাসুং। তেকপি রোকলাইতা। যাংলৈ তাউপা গুহনা সোকলাপাসুং। তাউপা চুইরাই চহনা নোংমললে। কাওরেন সননা চারাপাসুং। মানপি সন-লাইতা। নমু পোংনা কোংযা রাকক মফেমাপু কাললাপাতি। খোঙ-কাপ নাউরৈমাপু থাংকে থাংচমতানা। কোংযা নমঙনানা লুতুইএ। কেকে থাঙভা মবযকায়না। রাপু লানপু চ টনা সাংনা। পোরোঙ-পোবা থোকনা তায়নখিএ। অতুনোংকীপু কেকে থাঙভা মবয়কাইনা।

চৈশগী মকক অমগা লোয়ননা মোইরাং লয়কোয়পৃংদা থংলরে। ওইনামলোঙ লয়মাবীনা পাযরকপা চৈশৃহ কেগে খোয়রী নামোইয়াচনা মাগী খৎশু শঙ্গাইগা লোয়ননা ফৌদি হাইবদা চয়শৃহব পুরকখি। অংগা নামোইয়াঙনা মাগী খোঙ-জিন্দা চয়শৃহ কৈনা ভাহনা থম্বদা মাগী চুই অমনা কান্নবদা চুই অহ খোঙকাপ অমা ফাদনা চংলগা শিখ্রে। মতৌ অংদা কেগে মোইরাং মচাশিংনা চয়শৃহ মাগী শমাঙদা লংখোকখিরবদা চয়শ অহনা বা ওইনা হৌরক্লনা রাগী রাপাল কারক্লে। অনৌবা উশোয় কয়া চুপ্লবলে। মহদা ওকনা রাংদা চাক-থেংলুরবসু ওক মরাই তাহনা শিরে। চুইনা শোব্র-পল্লুরবসু চুইরাই চংনা (লাইচৎকুম ওইহনা) পঙশিদা শিরে। শম্না ওাক থে লুবদসু শনগী শনলাই তাহনা শিবা অহগা মীনা রাহব মতেক অমত্তংদা কান্নববসু খোঙকাপ অমফাওবা থাংচমদনা রাহদা হেক্তা ভাহনা তুথনরকখি। অসূম্না মোইরাং নৈকাই পূম্বগী মীয়াম্না বা ওইনা ভাঙনহনা মদব হায়ন-শোন্নদনা লৈবাক রাকম ওইনরকখি। কোরৌ নোংজা অদদগী হৌনা কেগে মোইরাং মীয়াম্না

কোংয়াং মপানতাউ। লোকলৈ সায়রেন হুকনা। লাপ্পনা ফেনথোক-লাপ্পপু। খুনতিন্‌পী চীংনামুংতা। কোংযাং রাপালফা। থোকলো য়োয়রেন হুলনকলে। লোইতাম থাচা পাখংপা। ম'পায় রাইরংচানপু। কোংয়াং চৈসু কাননা তুরমএ। অতুনোংকিপু হাইতুপিরো কৌপাপু কেকেতা ফাংখিপানা। মোইবাং হাযমন তানপানা। খুনতিনপী চীংনা-মুংরো তৌনা কৌএ। খুনতিনপী চীংনামুংপু নাতৈনানা। চাংমে অচন-পাত্তা। তাঙচাতুকমনা লমফমখি। লিল'তুকমনা নাথেংখি। হয়রেম খুনচান নিংথৌ। চী'চারোং থাপানপ'না। কেকে চাউপা পুংকা। থিংলো নিঙনা তেনা। মবান রোনতেবকপাতা। মোইবাং কানমপা মপানবীনা। লুবক কাঙতৈ খি। খৌনাউ লোনথোঙ লেনলে। হ'য তাপাবা। হে যিরাং পুবিকলাইরো। নতু নিংথৌ ডাংঙোই রুনা কেংযামপা। অহোঙ লেইতাকন খৈপাতি। কেকে মপু'যাইতা। চুংঙাই মরাঙ কাযনা পাললাপাতা। নযু নিংথৌ যিবাং পুদিবলাই। কেকে

রাপাল অদু মক ফক্লা উশোই রাশোই পুম্বা অমতা খাঙনা য ক্লুনা লাপ্পা লংখোকখিবক খুনদিনবী চীংনামং কৌননা মফমদা লংথোবখিবা রা অদুনা অমুক হৌরক্লনা রাগী রাপাল মপুং যারকখি। লোইদাম থাজ পাখংবগী মচাল লৈবা চমুশুদু কায়রংচান্না কাল্লবদগী মথরাই মাঙখি। নুমিৎ অদুদগী হৌনা মফম অদুবু য়াইতুবী তান্নলা কৌনবনু কেগেগী অশৈবশিং মোইরাং হায়ঙম তৌঙশিংনা খুন্দিনবী চীংনামুং হায়না মিঙ্গৌনখি। অসিগুম্বা খুন্দিনবী চীংনামুং কৌবসি লাম্থোকখগা লৈবা চীংগী চীংথৈ অশুকপগী মফম অমদা গাঙজা লিম্না মথুন্দা লোংতুন্না লৈবগুম্মা লুমদুনা লৈখি। হয়রেম খুঞ্জান নিংথৌ চীংজরোং থাবানবনা মোইরাংদগী মোংবা মরান তম্না হল্লকপদা মোইরাং কানাম্বগী মচানিপানা মকোক যৈথাম্নদুনা মুঙক কল্লকখি। হে মোইরাং নিংথৌও! নদু নিংথৌ ডাংঙোই উরা কোংয়াম্বনা অহোং-অচাউ থোক্লা মপা মপুগী বীর্ত্তণ তৌদুনা মীপুম খুদিং বাত্তুনা পীজ পীথক তৌড়ম্না নিংথোদি মোইরাং লৈরাকী কোনুংদা য়াম্না মরাং কাম্লনা নুংঙাই য়াইফনা খুম্না তুশিংনা পাল্লকবদা নরুপো অদিগী মত্তিক মথোনাদগী থোল্লকপা মিংথোল কেগে

পোংলেন হনপা। কাপুই নুংসৈ লানথাপা। ভাংদোই রুবা কোংয়াম-পাত্তি। চোযনৌ সনা মিংছনকিপু চূনপানে॥

নবোল কেকে মোইবাং লৈমা। চাপবোা খুনুং লৈমা লৈফোল-লাংবী। নিংথৌ হৌরা। লাইবেনচামপা লোইযমচাপা অহোঙপাকী। থযাঙ মথৌমনপু। রাযবা সাসিঙথী। সারেন অপূমপাপু। য়াওবৌ অসিপাপু সারেন সাবোক থানা। কেকে লমলেন মতাইমা। খুযোল পাংলৌ লমমাহন্তা। থাবি লয়খোংচু। চাংলৌ লাফম থানা হোঙ-নেমএ। অতুনোংকিপু লোইযম চাপা অহোঙপাব পৌনা কৌএ। লুরাং লোইনাই যাওসা তানপানা। লপা খুমনপু। যাংতে সাবম লাবকপাত্তা। লোইযম চাপা অহোঙপানা। যাংলৈ যুংবীনএ। কেকেনা ভেংথ না মোইবাং মিকৌনাপাত্তি। হযবাঙ অপিসাপু অতোইপাবো কৌএ। লুরাং লোইনাই যাওসা তানপাও। তাউচিং হযত্রোই কমনা রাযনা। যাংলৈ যুপিংনাপাপু ছাওতৈ অয কপাপু থাইনা থকমনৈএ। অতুনাংকিপু যাংগল থৈচমপানরো তোনা কৌএ। লুরং লোইনাই।

পোংলেন হনবা কবুই নুংশৈ লান্থবা ভাংথোই উবা কো য়াম্ব হাযনা কোলোয়নবদি ফংদ ভলবা সনাগুম মিংশেন অসি চূনবনি।

নবেক্কৌ মোইবাংলৈমদি চাববোন খুনুংলৈমা লৈফে ল্লাংবী মিঙ্গৌই। নবেক্কৌ অসিগী মপাম লমগী মপল নিংথৌ হৌবা লাইরেনচাম্বা লোইয়মচাবা অহোঙবগী মকিক মথৌনাদি মোইরাংগী থাংলৌ থাদা মহাক্। শাদানবদা যারকপা শা অহিংবা অশিবনচিংবা পূম্নমব মশীং থীঙমদনা পৈবগা মীয়ামদা পৌজ-পীথক তৌনবা নিঙ-যিনা থোংলগা পরেং ভইনা যম্লহ্না মীয়ামদা পীর্জ্জব অহেনম্ব অচাউ থোক্লা। মরম অদুনা নুমিৎ অদুদগী হৌনা মহাকপু লোইযম চাবা অহোঙবা হায়না মিঙ্গৌ-নখি। অদুগা লুরাংগী লোইনাই য়াওশা তানবনা শদাল্লকপগী শাগী শারম থোঙ্গল লীরকপদা লোইযমচাবা অহোঙবনা মীয়ামদা য়ু পীথক্লমই। মোইবাংগী মীনা হয় অপিকপবু অতোইবা হায়না কৌনৈ। লুরাং লোইনাই য়াওশা তান-বনা হয়ত্রোই য়াওনা শেম্বা য়ু পীথকপদা হেন্না ভাওননবা হিদাক মনা অয়াকপা হাপ্নুনা য়াম্না থকমিন্নরম্মী। কোরৌ নোংজা অদুদগী য়াংলৌ থৈজমপান হায়না মিঙ্গৌনখি। লুরাং লোইনাই

য়াওসা তানপাতি। য়াংলৈ তংমননারাপাকী। তিমেন চয়সৌনা। খোকলাং মথূংস্পুপ ভানা ভানা চংখিএ। খোকচা তাংচাপুংরো তৌনা কৌএ। চাপারোন খুনুং লযহন নিংথৌ। লোচয়মচাপা অংহোঙপা চনু। পায়মা সনা রুনকোইমুংকী॥

———

২১। য়িরাং পুরিকলাই থয়াঙ মিচাউপা।

যিরাঙ পুবিকলাই। থযাঙ মিচাউপা রা তৌনা কৌএ। নয়ু নিংথৌ থযাঙ মিচাউপাতি। হ উবে থানা পাংপালমতা খৌসাপানে। চাংখোঙ পোইবৈ.তান। মমা লযনুং পিযাইনুচা। খে মফাং অতোনপাকা। মৈতৈ লৈমা লৈনাউতাপী। লে যযম .থাং.খোঙ সেমপা চনুকা। চাংপুবোই তমপু কেননা। লে.ইপী সিতাপা হেমপা নাঙাপাপু থুনথিবকপাতা। চাং.খাঙ পোইবৈ.তাননা। সাপী মৈতৈলেমা। লৈমা

———

য়াওশা তানবদি ময়ামগা য়ু থকমিন্নবদগী ডাওখিদুনা মথুক্তা পায়বা টাগী মখোক অদুদা শোবগা ডাব-ডাবদুনা চংখি হায়বগী মফমদুবু খোকচা তাংজপুং হায়না কৌনখি। অসিগুম্বা লমদমগী মপু ওইবা চাবরোন খুনুং লয়ইননিংথৌ লোইয়ম চাবা অহোংবগী মমোম খুনুং লৈমগী শেংলবা শিযোমনুংদগী।

———

২১। যিরাং পুবিকলাই থযাঙ মিচাউপা।

মোইরাং নিংথৌগী কোলোয মিংলেন্দি থয়াঙ মিচাউপা হায়না কোলোয়নৈ। নবুধৌ থয়াঙ মিচাউবদি খা পাংবা মাযকৈবোমদা মতিক মথৌনা উংখি। লয়নুং পিয়াইনুগী মচা অতোনবা পোইরৈতোন খোংফাং অতোনবগা মতৈমা লৈমা ওইবী লৈমা লৈনাউতাবী কৌবীনা লোয়য়া তময়া পূম্বা চত্তুনা খুন্দাবা য়াবা মযম থিরগা চীংবুরোই তম্বুরোই পম্লমক্লা চান্ন-চিন্ননা অনা অয়েক লৈরোইদোবা খুন্দাবা য়াবা মযম থিবকপদা চীংখোং পোইরৈতোন্না ইতৈমা ইবেম্মা মৈতৈ লৈমা ওইবী লৈমা

লৈনাউতাপী। নঙনা পোইরৈ সিঙয়েন। রাংঙম নাতয়েনপু থোকাউ-রমপাকী। পারী খাইনাযাম। য়িম্মোম তোকনা হেললে। থৌতু খুকম হোংতাপা। চেক্চা খুকম লেংত্তাপা। লাইচা ময়েং তাতাপা। লোইপি সিতহয়পু খুনথিরকপাতি। চৈর অযিনতাম। মানলৈ অসেংপাপ্। লৈত্তারে। হাংনা রারোইপাপ। সাপী মৈতৈ লৈমা। লৈমা লৈনাউতা-পীনা তাঙচা যিকাইখিএ হাযঙৈতা। য়িকাইপাপু অয়াকপারো কৌএ। অতুনোংকিপু সৈরেন যাকপিবোনবা তৌনা কৌএ। লৈমা লৈনাউতাপী সেংলোইচৌং। সৈবেম যাকপিবোনতা। কেকে অথৌলিচা হেপপা পূমন-মানা। চঙলেন থাকূপ তৌ। তিমেন খেবাংথাং। থংনং লাইজং লেংনা। লোইপী মচৌংকা। হেমপা পনথোং হাংনা পনথেংথপাত্তি। খাবম মপূং তাকলে। থুমপী মৈমাঙ চননা। হেমপা খাংচেন থূমলে। য়িরাঙ মরাঙ তৌনা থোসাবে। হুয়েল লাননিকিতি মাবেম সেনপু লানথোয়াঙপু কায়না হুললে। লোইপী মপূংযায়তাকী। কেকে মচীহেন। ঙাংঙোই মরাই লাংনা হলব ইবকলপাতা। কেকে মপূংযায়তা। জুংঙাই

লৈনাউতাবী কৌবাও। নঙনা শিদম্বাই নাদথাই পুবক্দববু কাউরম্বগী মরম্বা ইচানিপা ইচানুপীশিং ময়াম কায়নবা মশী হেল্লে। অদুনা লেঙদনা লৈবা য়াপদবা ঈশিং-মায়শিং রাংলোইদোবা শিরোই-নারোইদোবা মফম থিরকপদা ইফি-ইরোল লোং শিল্লকলেদো হায়না থক্লা শাউনরকখিবা রারোল তাবদা মতৈমা লৈমা লৈনাউ-তাবীদি ঈকায়রেদা হায়নরিংঙদা ঈকাইববু অয়াকপা হায়বা রাতৈসি শীজিন্নে। নুমিৎ অতুদগী হৌনা সৈরেম য়াবপিরোল হায়না মিঙ্কৌনখি। মফম অসিদা মোই-রাংগী মতিক মথোনা লৈরবা অকন অথো পূম্নমক্লা মঙক-মঙক্তা চুঙ য়াল্লগা মথুং-মথুক্তা তিমেন তাশাং পাম্নরগা চীংথক তম্বা কারক্তুনা হো-হো চোংনা লানগী মথে লাংবগা লোয়্নননা পস্তোং হাংলহুনা লান্দাখিবদদি থারম খুজং মাঙ-তাকখি। লৈনরম্বা য়ুম-কৈ অয়াম্বা মৈ থাহুনা লৈখিবনা অম্নাম্বনা ইরায় লায়্না মরাং কায়না লান্দাখিন্নে। অাল অতুদা থারম খুজং মরাই চায়খি অতুগা য়ুম অয়াম্বা মৈ থাহুনা খুনবাল য়ুম্বানবা উম্নখিদে। অসুম্না মোইরাংনা কঙ্থি-কঙ্গাউ থোক্লা লালহৌবদা খুজংসিগী মপু ওইবা সেনপু কৌবা লান্দা খৌববু কান্নখিবা

মবাং কাযনা য়াইথুংলবে হাযতাংবা। থিরাং পুবিকলাই। থযাং মিচাউপানা। মোইবাং মবযপাকতা। ঙুংঙাই মবাং কাযনা পাললমদৈ। পুংলেন মখুৎফা। অহোঙ যোইথোনপুংপু। পুংলেন ময়াযলাংনা তাংফংলে। কেকে মোইবাং নিংথৌ থযাং মিচাউপানা। পুংলেন মখুৎফা। অহোঙ য়োইথোনপুংকী। হুযেল লাননিবিতি। খুমন হেমচু নাহা মুরাংপা ফানাপুংরো তৌনা কোৎ হাংতাপানা। নযু নিংথৌ থযাং মিচাউপা। চুঙসেল মবানরেংল। হুযেল মবাংলহৌতি। হাওবৈ লাংপোকলা পাংপালম। সেনপি মতাইমা। ব পো মখলমাপু। পনথা লযমায়াথরা কৌপাতি কতৌনাংবিনো। চৈংখং পোইবৈতোন। মমা লননুং পিযাইনচাবা। মৈতৈ লৈম, লৈমা লৈনউতাপীবান। সেনপি সিতাপা। কাংপো নাতাপাপু খুনথিংগপাতা। চৈংখাং পোংহবৈতোননা য়ারোইবকএ। সাপী মৈতৈ লৈনা। লৈমা লৈনাউতপী নঙতি। সাপী লযনুং থাঙখাবেন অহনপা। সবা কংলৈ পুংফপাবা। তালোই অথূপী। নুমালেন আংতানপীন। অতিং তবা চাংথবা।

পাখি। খুঙ্গংসিদগী মোইবাং পুম্বনা মমাংপাংদা হল্লগা মোইবাংদা লংঙাইনা মথরাই হরাওননা থুংলখি। মোইবাং নিংথৌ থযা মিচাউবনা মোইবাং মবৈবাঙ্গা হল্লক্লনা নুংঙাই য়াইফনা থুয়া তুংশৎনা পাখ্রিংদা অহোং-অচাউ থোক্না কীওগ তৌডুনা মীযামবু পাজ-পীথক তৌবগা থাহোং অচাউ থোকখিবগী থওানবা পুং থোনবদা খুমনগী হেমচু নাহা মুবাংবা থেংবন ফাখিবগী বাযম লৈনবগী হেমচু নাহা মুবাংবা ফানপুং হায়না মিঙ্গোংনখি। নংথৌ থয়াঙ মিচাউবগী মংক মথে না থাঙগী টাগী মহৈ মশিং অমসুং মকন্থিগা লোয়নননা অমুক লান্দাখিবদি নোংপোক মায়কৈবোমদা লৈবা কবোগী লমদম পম্বা লযমলায়দা লান্দাখি। অসিগুম্বা পম্বা লয়মযায়সিবু করিদগী বৌখিবনো হাংরবদি পিযাইনুগী মচা পোইবৈতোন্না মতৈমা মৈতৈ লৈমা লৈনাউতাবীগা অনিনা লমদম অসিদা মীনা খুন্দাবদা শিরোই নারোইদোবা খুন্দাবা য়াবা মফম থিবকপদা। পোইরৈতোন্না মতৈমদা থবা শাউখি। ইতৈমা লৈমা লৈনাউতাবী কোবা নংদি ইয়াম্বা লয়নুং থোংঙাবেন অহনবা কোবা কংলৈপুং অসিদা মতিক মগুণ লৈনা পাল্লম্বগী মতালোয় অতোম্বী

নোংথিল সিনাই নানি লোঙপিনে। পূকনা কুইএ। লিননা ঙনএ। মংখাকপুংপু নিঙসিংএ হায়পা নৎতপারা। পোইরে সিতায়েন। রাংঙম নাতায়েনপু। কতৌপা থৌকাউরমপানো। সাপি নঙনা। অথোম সিঙচুয়েন। সনথোঙ তৈমায়েনপু থৌকাউরপাকী। পারী খায়নায়াম। নিমোম তেকনহনলে হায়না। মপারী চাখা খোংহনপা। কাঙতেন লৈনৌপা। সাকা য়াইথাপা। লৈসং খেকয়াইপাকা। মমোম থরোই পুরাহল। হাউচেং লংমাইনু সাফাপী। হুইয়াই কোংতিংনু অহনপীকাপু। পননা পননা মিকপলমএ। অয়াঙোংকিপু পনথা লয়মায়ায়রো তৌনা কোএ। লমলেন পনথা লয়মায়ায়তা। কেকে মখিনাই। মোইরাং মরাং তে। কাঙচম খেঙচাউ হাংনা পনথোংথপাতি। মৈপী তাংকোক পাই। মৈপ নোংলে নকা। সবীক লাইথন থূম। চকপা থারা খেনচঙনখিরে। পুরিকলাই মখিনাই। মিরাং মরাং হৌনা খৌসাথাপাতি।

ঙমা পামঙবীনি নংচাক্তি। অতিং ইনুংমাদসু থৌরম করা পাঙথোকঙম্বী নোংথিলগী মংমদসু থৌরম অনি ঙনা হায়বদি শাইগুন অনিগী থবকসু তৌঙম্বী নহাক্তি। নপূক লুই. নকিক চাউই। পূম্মক কেঙা নীংশিংবা চুম্বা নত্রা? শিদয়েন নাদয়েনবু ববম লৌনা কাউবম্লননো। অসিগুম্বা অবাবা, অনা-অয়েক নংলবা মতমদা শাজিল্লনবা হকচাংগী থোঙ মক্তা যেন অমদি তাইবং থরায় শন্দোকফমগী মকেনচিংবা পূম্বা শাজিল্লদবদগী ইচা নুপা নুপী পূম্বা মাঙলে (শিরে) হায়না শিত্রবা মচানিপা চাখা খোংহনবা, কাঙদেন লৈনৌবা, সাগা য়াইথাবা, লৈশং থেকয়াইবাগা লোমননা মচা ইবেম্মা থয়োই পুরা অহনবী, হাওচেং লংমাইনু শাফবী, হুইয়াই কোংদিংনু অহনবাগা পূম্মকপু পল্ল পল্লগনা কপ্লমই। কোরৌ অহু নুমিত্তগী হৌনা মফম অহুবু পম্বা লয়ময়ায় হায়না কৌনখি। অসিগুম্বা পম্বা লয়মযায় কৌবা লমদমসিদা মোইরাংনা মথুম মরাঙ হৌনা কাংদেম্লা পাইশিল্লকপদা খঙহৌদনা অপনবা লৈতবা অহুগুম হুযেল লান্দারকপদি হঙং ম থাবদগী মৈরী থোক্লকপা অদুগা মৈথুনা অতিম্বা শীঙ্গুংনা মমশিল্লকপা অমদি মৈত্তাল তাঙ্গোই কয়া নোংমদোন্দা পাইয়কপনা যুমথোং খুদিং অথাকপা লৈতনা হুয়েল লান্দাখরে। খান্না তেকথবগুম তেকথহনপ্রে। মোইরাং নিংথৌনা মতিক মথৌনাগা লোয়ননা হুয়েল লান্দাথিবদা

হুযেল লাননিকিতি। সেনপি রাপী হায়পা। থৌমন লানথৌযাডপু কায়না হুনলে। নযু নিংথৌ পনলা লানথাপা। যিরাং থযাঙ মিচাউপাতি। নোংপোক রাযরং কোনকাবমপু। রাযবং লমসাং যিননা। মরান রোনতেবকলাপাতা। কেকে মপুংযাইত রাইথুংলাবে হাযনাপাবা। কেকে মবয়পাকপু। খুংঙাই মনাং কাযনা পাললমইড। ঙাংঙাও পাং-লেন হনপানা রাহমলকএ। গিত্তাইবেন হঙবাক পানবস্‌। বাপা পানতম চুমপা কোংযামপাপু। লানবা নঙদি যঙবে সাসমরু। গি-তাইরেম খোযবা তোনচাউস্থু। নঙোত্ত কেকে খোযনাত্তাক। মেইবং নোংকাংথোংতা। লেমলৈ ঙাসেনবো হায়খিএ। হঙবাক পানপীস্থনা। য়াওবো সাসেনপাপু। যশঙনে সাযাম চলএ। মোইবাং থযবা থোং-চাউস্থনা লেমলৈ ঙাসেনপাংত। লেমলৈ চাচউতবে। থযবা থোং-চাউসুনা। পাথৌ থনপলবাকা। যিনুং মোযযাহমাত্তা। য়াওবো সানা পনতোন য়ানফংলে। থিলৌ পোতচ হনথিবে। সনল পনথোং-থোকখিরে হাযতাপাবা। হাঙবাক পানপীসুনা। ঐতি বেবে যিনংও

কবোগী লুচিংবা থৌমন কৌবা লান্দা হেশিনা মখৌনা লৈবব্ল লানয়োখি। খোঙফম অসিদা মোইবাং নিংথৌবু পনলা লান্থবা হাযনা মিংথোনখি। পুবিরাহ থয়াং মিচাউবানা নোংপোক মায়কৈরোমদগী বাংবং লমশাঙ মচু ইম্না মযুম মোই-রাং মায়কৈরোমদা চল্লবখি। অগগা মযুম মোইবাং লবাক যেবগা য়ায়ম্ নং-লৈবাক মরা ইপ্না পান্দূনা লৈরিংউদা মনাহশিংদা হায়রি। ইদাইবেম হাঙ-রোক পানবীশ্ন রানা পান্দম চুম্বা পোঙযাম্বব্ল লানবিবা নঙদি য়াওবো শাযাংনা শা শেমউ। অংগা ইদাইরেম খোযরা পেঙ্গাউশ্ন পৌবা নহাক্তি লমলেন খোদদাক লম মোইরাংগী নোঙ্গাংখোং কৌবা লমদমদা লেমলৈ চা যাহ্ননা চা শেম্নু। অম্নম্না ছায়খি। মনাই হাওরোক পানবীশুদি য়াওরে শায়াম ফাবক্লে। অদুগা মোইবাগী খোযবী তেঙ্গাউশূনা লেমলৈ ঙাফাগে হোংনবদি ঙা অমফাওবা ফাবা ঙমদবে। অদুনা মাগী মকপ্নদি শা ফানা ঙমথ্রবহ্দা কল্লবখিনদগী অহিং অমদা শাযাম ফাহ্না থম্লিবা শাগী পল (শঙ্গল) অদু য়াম্থংলে। অদুদদি শাশিং অদু কেয়চেন চেন্নখবে। পল রাংমা লানথোকত্রে। মসিদা হাঙরোক পানশূবীনা মথৱাহ রানা করম্নো ঐদি

থয়াং মিংাউপাপু সোঙবিএ। ঐপু হংং কেকে মীথাপুং। মোইরাং মীতূফম পনম লানযানক্ষমতা নোংমলরো হায়ডেনে। থাডলেন কোমসংপা। লাং ক ই সাসী থাকপাপু। গোইনা সোংবাঙএ। পাথং নানপা ফি। চৈবৈ হবাক তনপা। মানলো যুংনা হাইপা ফিনা। সমু ডকতা কিনা। নোংমললাংন হায়না। লোংপাল যেরেংইামপা মংই লোইকা ফি। নানপা সিনৌ ঙাক। পংহ সানফে তানপা ফিনা। সমু ডকতা কিনা। ফাওনা সাপন পনাতে লথকত্রা। যানন্য নোংহামখিগ। মকমপী থযোই-রোল চাংহোৱুনা ব যোইখিগ। যিম ন মচা হাওনাক পানপীস্থ। রাপা পানতমপ ড। যাওনা সা সনপাপু লাবতাংব। খোযং নচ পাংতা। লৈমা লোই নমফাপীন থ খানবিডেনে হাইনা রারোইখিএ। লৈমা লোই নমফাপী। থুনচান বাইমু সেংপ চঙ্। মং ল সেংপা লনহাপানা পোকপী। মপাম কৈরেম সং থাডপাং। ডাংহ ইপু অংসনপম চপু। লৈমা লোইবেমফাপীনা নাংবাইখিএ। যিমানমচা হ ও নাব পানপীস্থ। রাপা পানতমপ। কে যাং রাং লানপানা। য়াওনে সা সংখংপু লাকতারে।

মাইনাং কী, রংই থসাং মিংাংবর্ ইতু ইমান চেক ডু বমাংহ নিংবে। হংসং ইনুং চাল্লগা কগেগং ম হাংনন থানক্কা। মযম মী তুবম শিযম অংদা ঐদ্র শিরো ত য়না হাগবকপা পাংব। থ ংৎ হাচেলেন শংলগ নাঙ্গাই শগোলগী থজি কক-পগুম বকে হ যববগনি কিব্দবে। অংনা পাথং ওইবন শিংজিল্পনা অনানবা পাম-জনা হমজববা ময়ুং শাংবা খুদনা লা কিশিল্লগা শিবগে হাযনা থেংবাংবা ফিদি অংোমচা যৈবোইজাম্বনা লোইবা লোইবুম্বদা শংনবা লশি গা অকুপ্পা লংনা মশা নাল্লা শাববা যিনা মঙও নিশিল্লগা মাংরবো শাগী শাবল পন্দোল মথক্ত। কাবগা থোৱী যান্দূনা শিদোকগ্রে। মত্রালোয় খুমন চন চ পৌনুংনা রাফম অসিগীদমক শিগ্রে হায়বদি খঙদবনিনা ইথংলেন ওইবা বংগা পান্দম্বা হাওবোক পানবীশনা শা মাবা চংখিবগু লাক্তংব অঙনদি ইংতারোই ওইবী লৈমা লোইবেমফাবীনা ফা-জিন্দূনা থম্লম্বা তাবে হায়না মথল্লাই নুংঙাইতনা ংলখি। খুঞ্জান চনু লৈমা লোই-রেমফাবী বৌরী শেংবা লনহাবনা পোকচবী হৈরেম্মক্তা হীক্ক হাইনা লৈজবী লোই-রেমফাবীনা ল্লাদু তাবদা ম্লাম্লা নুংঙাইখিবমদে। ইথংলেন হাউবোক পানবীশু রাবা

নরুমগী খয়োইরোল চৈংহৌনু সাথিগী। নিংঙেল নুপী মৈহনচৈ। থুকলু-কৈগী কাম্ন নুপীকুম। রোংনচৈ মায়মুগীনা। থৌখামলিংঙেনে হায়না। কব-ক্লাই মানপললৈপু। সমূ খুংতা থুমনা পাতমখিএ। য়িমান মচা হাওরোক পানবীগুরো। নরুমগী খয়োইরোল চৈংহৌনুনা থৌখামলাপানিকিতি। সিংলেন মচুথাউ লৈরাং মরাক থৌগীনা রাকংলককুনো। রাপা পান-তমপাপু। অমন রারোইপুকা রোই। অকেম চকমোম লাংকা রোই-স্নিকিতি। সিংলেন মচুথাউ। লৈরাং থৌগী মরাকচামনা সকও হায়না পাতমপাপু। সিংলেন মচুথাউ। লৈরাং মরাক চামলকলে। লৈমা লোইরেম ফাগীনা। মমানমচাকী তাঙ্গা খোঙখুল লীনা। মারা খোঙ-খুল লীরকপাপু। হাওরোক পানবীসৃতি। য়াওরো সাপন পনতোন-থকতা। য়াননা নোংহামডমএ। লোইতাম থাসিরা। লাংহৈ কুমওল-লাপ্যাকী। মরু মরাঙ ফুনা নোংমলঙমএ। অতুনোংকিপু লমলেন লুফুসোয়রো কৌপাপু। কেকেতা ফাংগিপা। মোইরাং হায়মনতানপানা

পান্দম্বা কোংরাং রাপু লাম্বনা য়াওরো শাফা তানখিবর্ লাক্লুরে। মতালোয় ওইবী মরুম্বী খুমন চনু চৌংহৌনু শাফবী কৌবী নিংঙেল খুমগুংবীগী মৈওং চৈথুম্বী কাম্ন নুপী খকউ শূপ্নীগুম অমদি মৈওংচৈ মুতুক মুবীগুম্বীনা শোয়দনা খামচুনা থম্লম্বা তারে হায়তুনা ককয়ি লৈবা পাওা শাংপা লৈরাং অমা মথংতা পায়রগা পাদমখি (অফ-ফত্ত. অচুম-চুমদগী ঙ্কেন চঃ° য়েংখি)। ইথংলেন ইমানচা হাও-রোক পানবীশৃও! নরুম্বী খুমন চনু চৌংহৌনুনা থাম্লম্বমক ওইরবদি শিঙেল লৈরাং-সিগী লৈনা পথদনা লৈরো। অতুগা করিগুম্বদা ইথংলেন অতুনা মথরাই মাঙবগী খুদোং থীবমক নংলম্লবদি লৈরাং নঙনা নঙগী নিঙথিবা নশক নচু মাচ্চুনা খুদম চাংদম থঙহল্লকও হায়না পাদম্লবদা লৈরাং অতুনা থুনমক মশক মতৌ মাঙনা খুই-থরক্লে। লৈমা লোইরেম ফাবীনা মথংলেন মমানচা পানবীশূগী শিফম খোঙ্খুল অসুম লীরকপদা মথংলেন হাওরোক পানবীশূনা য়াওরো শাগী পলগী পন্দোম্বুক্তা খৌরী ওইনা য়াল্লতুনা শিরম্লে। অসুম্না থা কয়া হৌখ্রে কুমজা চহী ওল্লকপদা মরু-মরাঙ পূম্বর্ পূমকায় কায়না তুম্লে। কোরৌ নোংজা অতুদগী মফম অথুবু লম-লেন লুফুসোয় হায়না কৌনবর্ কেজেগী অশৈবা মোইরাংগী লৈরেংবলিংনা

লমলেন লূফু কুমতমসোয়ও তৌনা কোএ। লৈমা লোইরেম ফাগীনুম। ককগাই মানপাললৈপু। সমু খুৎতা থুমনা পাতমলাপাকী। লূফু পাতমসোয়রো তৌনা কোএ হায়রতাপারা। নমু নিংথৌ কেকে লৈমা-পাতি। ভাংভোই মপূংযায়পু। কেকে চারীকুই। ভাংভোই খোঙতোম সাংনা। লেমলৈ ভাংহাঙসুনো হায়পাকী। সোয়রেন খমখাক খূত্তিংঙা। লেমলৈ ডায়'ফম। রানচেং মত্তিনকমপু তৈনা সেমপা। য়াওরো সাকা-ফম। লাশা পে'ংপৈকমপু তৈনা সেমএ। লৈপাক মচা য়োককুম। ভাংভোই মপূংযায়পু। পোনপী সরা লুমকোননা। লোকলৌ সানা-কোননা লাংকোনহৈপ'কীপু। কোলোয় মিংচৎপা। য়িরাং পুরিকলাই। থযাঙ মিচাউপা'ত্তি চোযনৌ সনা মিংহুনকিপু চুনপানে।

নযোল কেকে লৈমা ভানুরোল চেংখ্রামপী (চিংখুভাম্বী)। পায়মা-সনা রুনকোইকুংকী।

লমলেন লফু কুমদমশোয় হায়না কোনখি। লৈমা লোইরেমফাবীনা ককয়াই মানপললৈংবু শমু খৎতা পায়না পাদমমই হায়বগী মফমগ্রবু লূফু পাদমশোয় হায়-নসু কৌনৈ। নবুখো মোইবাং নিংথৌনা কেগে কোনুংদা মতম কুইনা নুংশাংনা পাল্লকবদা মোইরাং মবেবাক্তা লেমলৈ ভাহোঙলসনু হায়বগীদমক লেমলৈ ভাফাঙ্কম ওইবা শোয খূদিং ভাযাহনা ফাগদবা অমদি ভায়াম পৈদ্রনা লৈবা য়াবা মফম খূদিং নিঙথিনা শেমলে অংগা শাগী শারম (চৎকম) অমদি শাশিং মড্রনা পূম্না লৈবা য়াবা মফম মফমসু নিঙথিনা শেমলদ্রনা মচা মনাই য়োকুম্না ফজনা শেম শারে। অসূম্না উচেক্তা মকম্সু কোনবগুম নিংথৌনা মচা মনাই পূম্নমু নিঙথিনা চাক শেম্লুনা পানবা হৈবগীদমক কোলোয় মিংচৎপা মোইরাং নিংথৌগী মিংলেনকু থযাঙ মিচাউবা হায়না কোলোয়নবদি ফদোঙলবা সনাগুম কোলোয় মিংলেন অসি চুনবনি।

নবেঙ্খো মোইরাং লৈমগী কোলোয় মিংলেন্দি ভানবা শুলাইদা পোকচবী ভানুবোল চেংখ্রাম্বী হায়না কোলোয়নৈ। মোইরাং লৈমা অসিগী লোংলক পায়মা শিয়োমনুংদগী।

২২। ইরাং কোকরা নুংহুইরাং অতেংপা।

নয়ু নিংথৌ। য়িরাং পুরিকলাই কোকরা নুংহুইবাং অতেংপারো তৌনা কৌএ। য়িরাং পুবিকলাই। কোকরা নুংহুইবাং অতেংপাদি। হাওরে নোংচূপলা পাংপালমতা খোসাপানে। হোইতোম চনু লাংহৈথেমপী। অসেম থৌযিলনা কোযকাঙপী। অসা থোইনা চেংলো মিংথোঙলোনপীপু। খোযবাথোনবা নিংঙোলদ। লমপু অমনপা চৈস থারাপানা। হে ইমোম হোইতোম চনু। লাংহৈ থোইপী। অসেম থৌয়িননা কোযকাঙপী। অসা থোইনা মিংথঙলোনপীও। নতু হোইতেম সেনপানা নোংমনচীং। লোইপী চাপংলেক। থিংলম হাউচালং। কুরাক লাললোইমাপু ফানা কাতচীং। মালং অযাঙপা মচীংচিনডি অসিনে হাযনা। চীংলেন মতময়েং। সমু পৃংথিলননা পাউতাকরই। লমলেন লোননোই লৈমতাকপু নাতৈনানা। লোইপী কাতং মপুংযত। কেকে অথৌলিচা হেপপা। ডাংঙোই পয়াঙ কোনজাউলানপা পুমনামানা।

২২। ইরাং কোকরা নুংহুইবাং অতেংবা।

নবুখৌ মোইরাং নিংথৌগী কোলোয মিংলেন্দি ইরাং কোকরা নুংহুইরাং অতেংবা হায়না মিঙ্গৌনৈ। পুরিক্লাই কোকরা নুংহুইরাং অতেংবদি নোংচূপ মায়কৈরোম্মদা লৈবা কাদাং খুন্দা লান্দাথি। কাদাং খুঙ্গ দি কদায়দনো হায়নবু হোইদোম চনু লাংহৈথেম্বী শেমজ শাজবদা থোইনা হেন্না মীৎচুবীবু খোয়রী থোনবা নিংঙোনগী অশূ ওইবা হান্না লম্বু ওইরমবা অহল ওইরক্লহ্না চৈশূ পালোইনরবনা হে ইবেম্মা হোইদোম চনু লাংহৈ থোইবী কেজ-মোজনবা হোৎনবদা অশেম-অশা হৈবী নঙবু নবুং হোইদোম সেনবনা শিখিবা চীংজিন্দি লোইবী চাপংলোক কৌবা মাঙদা হাউখুননা লেংহ্না কাকী মতৌঙম ইমু মুনা থিংদনা তাক্লিবা কাদংচীং কৌবা নোংচূপ মায়কৈরোমদগী অকনবা নুংশিৎনা হেক রৈকম ওইরিবা চীংজিন অদুমক অসিনে হায়না তাক্লমবা মায়কৈরোম য়েংলদনা মখৎ থিল্লগা তাক্লমবা মফম্দী। অদু হেন্দোক্লগা লৈবা লোনলোহ লৈমতাক লানথুগা লৈরিবা লোইবী কাদাং কৌবা খুঙং ময়ায়মক্তদা মোইরাংগী অথৌবা কেগেগী অকনবা পুম্মক

থাওলেন খেবা খাং। তিমেন ছুংসেল লথনা পনপেংথাপাতি। লোইপী মপুং তাকলে। কাতাং যাকা চাযবে। মৈপী তাংকে ই পাই। চৎলম ফানসাং থুম। সাংগপু মৈতাল পকনা পনখংলে। পুরিবলাই মথিনাই যিরাং মব ং কৌনা খোসাবে। ছুযেন লানিনিকতি। কাতাংচং মালং অযাঙপাপু কাযনা হুললকলে। লোইপী মচংলেনবী। নুংঙাই মবাং কাযনা। কেকে মপুংযায়তা রাইথুংলবে চাযতপাবা। যিথু নিংথৌ লোইপী কাতাংতমপা। কোকরা নুংহুইবাং অতেংপাতি। কেকে মপুং-যাযতা। পুংলেন মখুৎফা। অহোঙ যোইথোনপুংপু পুংলেন নযাইলাংনা তানফংয়ে। ছুযেল লাননিকতি। কাতাংচাং মালং অযাঙপা ফানাপুংনে। যিরাং পুরিকলাই। অহোঙ লোইরেনখেপা পুংন যুহোপা। খেবে ল নফাপাতি। কেকে মপুংযাযতা। চবাও মথোং তাং নুংঙাই মবাং কাযনা পাললময়ে হাংতাপাবা। যিরাং পুরিবলাই। কোকরা নুংহুইরাং অতেংপাতি। চোংনো সনা নিংহুনকিপু চনপান।

পুরহুনা মখৎ মখতা পায়বা থাওশাং অমসুং টিমেন টাশাং ময়ামহুনং থাঙনা থাঙগী খাঙহাই টানা টাগী খোসারোল চোংকহুনা মখে লোংনা ছয়েল লান্দাখি। লানফম অসিদা কাদাং খুজং থুগায়বদগী খুজংনা খুত্তাক্রহুনা লৈবকদা অরৈবা য়ুম কে পুমবা ম থাবদগী চশিয়াদা মৈখুনা পুম্মম-মম মৈতান্নং তাংপোক পাইচন চৎন-থোক্ক যানবমখৈ মৈ চাকপদগী খুজং অহ মরোল মরাং তাক্লা লান্দাখি। মোইরাং নিং-থৌনা অমুম্না লান্দাখিবদা মায় পাক্রহুনা কাদাং চৌগী মালং অযাঙবনুম মায়থিবা পীরকখি। লানফম অসিদা মমায় পাক্লা হল্লকুনা মোইবাং কংলা কোন্নুংদা খুং-লখি। খোঙকম অসিদা নিংথৌবু মোইবী কাদাংঙবা কোকরা নুংহুইরাং অতেংবা চাযনা কোলোয়নবদি মোইরাং লৈবাক্তা পুংলেন কয়া থোক্নুনা অহোঙ মোইথোন-পুং থোনবদা মমায় পাকপা ফংখি। লানথম অসিবু কাদাংচৌং মালং অয়াঙবা ফানাপুং হায়না খঙনখি। পুরিক্লাই মোইরাং নিংথৌ অহোঙ লোইরেন খেবা পুংনা যুহোবা খেয় লানফাবা হায়না কোলোয় মিংলেনবনা মোইরাং লৈবাকতা হরাউ মথোই তোংহুনা য়াম্না নুংঙাই য়াইফনা লৈবাক মরাতপা পাল্লম্মী। অসি-গুম্না মোইরাং নিংথৌবু পুরিক্লাই কোকয় নুংহুইরাং অতেংবা হায়না কোলোয় মিংলেন্নবদি কদোংঙলবা সনাওন মিংলেন অসি চুনবনি॥

নযোল কেকে মোইরাং লৈমা। চাপারোল পোনচেমপী। খুমুং লযহন নিংথৌ। লোয়য়ম চাপা অহোঙপা চম্ব। পায়মা সনা ৱুনকোয়গুংকী॥

২৩। য়িৱাং চারন য়োইরীকলাই অতেংপা।

নমু নিংথৌ। চারন য়োইরীকলাই অতেংপারো তৌনা কৌএ। কেকে লৈমাপা। চারন য়োইরীকলাই অতেংপাতি। হাওরে নোংপোক খা পাংপালমতা খৌসাপানে। চীংখোঙ পোইরৈতোন। মমা লযনু পিয়াইমুচা। খোমফাং অংতানপাকা। মৈতৈ লৈমা লৈনাউতাপীকা। লোইপী সিতাপা। হেমপা নাতাপাপু থুনথিনকপাতা। লৈমা লৈনাউতাপীনা। মথমমোই থমমোইবেংপু যোনচরমএ। অতুনোংকিপু লোইপী হাউমায়োল মোয়োন থুনলেন-লযও তৌনা কৌএ। মোয়োন থুনলেন লযতা। কেকে অথৌলিচা হেপপা। ভাংভোই থযাঙ কোনতাইলোনপা

নবেঙ্কো মোইরাং লৈমগী কোলোয় মিংলেন্দি চাববোল পোঙেম্বী হায়না মিঙ্গৌই। মোইরাং লৈমা অসিবু পোকপদি খুনুং লয়হন নিংথৌ লোয়য়ম চাবা অহোঙবগী মমোম ওইবী নিংঙোল অসিগী শংলবা পায়মা শিল্লোমনুংদগী॥

২৩। ইরাং চাবন য়োইরীকলাই অতেংবা।

নবুথৌ মোইরাং নিংথৌগী কোলোয় মিংলেন্দি চান্নন য়োইরীক্লাই অতেংবা হায়না কোলোয়নৈ। কেগে লৈবাক মপু ওইবা চারন য়োইরীক্লাই অতেংবা কৌবদি মোইরাংগী মৈরম পাংবা মায়কৈরোমদা লৈবা মোলয়োন খুন্দা লান্দাথি। মোলয়োন খুজং অসিবু করিদগী কৌনখিনলো হায়রবদি লয়নুং 'শিয়াইনুগী' মচা অতোম্বা চীংখোঙ পোইরৈতোন্না মতৌম্বা মৈতৈ লৈমা, লৈমা লৈমাউতাবীগা লোয়ননা অনা অয়েক শংলোইদোবা খুদাবা, মাবা মফম থিল্লকপদা, মথমোই লোকমা থিল্লকখিবা মফমবু কোয়ো লুমিং অম্নদগী হৌনা মফমগুবু লোইবী হাওময়োল মোলয়োন খুন হায়নাংমিঙ্গৌখি॥ অজিঙবা মোলয়োন খুজংদিদা মোইরাংগী অকল-অখো পুন্নমকা

পূমনামানা। চুংলেন থাকুপহৌ। তিমেন খেরাংথাং। থংনং লাইতং লেংনা পনথেংথুপাতি। লোইপী মপূংতাক। মোয়োন থুমপী মৈমাঙচন। চুয়েল যাইসিং মুংলে পুরিকলাই মথিনাই। য়িরাং মৈনা রোংনা খৌসারে। চুয়েল লাননিকিতি। লোইপী মোয়োন মনিংথৌ। চুয়েল কমচাউপা লানথোযাঙপু কাযনা চুললে হায়তাপারা। য়িরাং পুরিকলাই কেকে পোংলেনহনপা। চাবন যোইবাকলাই অতেংপাতি। চোযনৌ সনা নিংচুনবিপু চূনপানে।

নযোল কেকে মোইবাং লৈমা। লিনসূরোন নোংভাই লেমপী। পাযমা সনা রুনকোইনুংবা॥

২৪। পুরিকলাই থাংকা য়িফেন লানথাপা।

য়িরাং পুরিকলাই। থাংকা য়িফেন লানথাপারো তৌনা কৌএ। য়িরাং পুরিকলাই। থাংকা য়িফেন লানথাপাতি। হাওরৈ নোংপোকলা

চুঙনা চঙা হক্রগা থবাঙা বুপ্লনা মথওা টাশাং পাযবগা মবাঙ হৌনা চুয়েল লান্দাখিবদা মোলযোন হঙ্গং থুগায়খিনা গোলযোন খুন মাঙ তাক্লে। খুঙ্গং মৈ থাডুনা মীয়াম পূম্বা শিবা নাবা থোক্লে। অসুম তৌনমক মোইরাং নিংথৌনা কন্থি কঙ্গাউ থোক্লা মচিক মথৌনা উৎতুনা লান্দাখিবদা মোলয়োন খুঙ্গংগী নিংথৌ কমজাউবা কোবা লান্দা থ ববু মায়থিবা পীরকখি। মোইবাংনিংথৌ পোংলেনহনব। চাবন যোইবাক্লাই অতেংবা কৌবদি ফদোঙলবা সনাগুম কোলোয় মিংলেন অসি চূনবনি।

নবেক্কৌ মোইবাং লৈমগী কোলোয় মিংলেন্দি লাইতোঙ্গম নত্রগা রাংথেম নিংঙোল ওইবী নোংদাইলেম্বী কৌবীনি। মোইবাং লৈমা অসিগী শেংলবা শিয়োমনুংদগী॥

১৪। পুরিকলাই থাঙ্গ ঈফন লান্থবা।

নবুধৌ মোইরাংনিংথৌগী কোলোয় মিংলেন্দি থাঙ্গ ঈফেন লান্থবা হায়না কোলোয়নৈ। পুরিক্লাই থাঙ্গ ঈফেন লান্থবদি হাওরৈ নোংপোক পাংবা

পাংপাল্লমতা খৌসাপানে। থাপা লৌতাংখুন। তাংখুল মচিলম। লোইপী লৌথারাই। থরাই লমহুংসিপু নাতৈনানা। তাংখুল মারেম হুরাপীনা। হয়বাং রাইচং হো। পনম হেকমায কাভেদা। তবা চাপুক লামলা-পাকী। ভবা চাকয়োম থোকপাতা। লাইচা যিতৈতাপাক্কা। তাউচিং হযপুম-মানা তরা চীননমনাখিযে। অতুনোংকিপু তাংখুল মারেম হুরাপী। তরা চিননমহয কৌপাপু। পোইরৈতা ক্ষাংথিপা। রা ভম হাযমন তাং-পানা। চীননমহয়ও তৌনা কৌএ। তাউচিং হযপুমমানা। তবা চীন-নমরাইপু নাতৈনানা। তাংখুল লৌতৈ মপুংযাযতা। কেকে নথিনাই। মোইবাং মবাঙ হৌনা হুযেল লানতাখিযে। লোইপী মচৌংবা হেমপা পন-থোঙহাং। চুঙলেন থাকুপহো। থংনং লাইতং লেংনা পনথেংথাপাতি। লৌতৈ থুমপী মৈমাঙচন। হুযেল যাইসিং মুংলে। পুবিকলাহ মথিনাই। যিরাং মরাঙ হৌনা খৌসাবে। হুযেল লাননিকিতি। তাংখুল লৌতৈ মনিংথৌ। হুয়েল লাংচেংপাপু কাযনা হুললে। তাংখুল মবৌলোক লোইপী মচৌংসাং। লৌতৈ চৌংলুথুমকা। কেকে মচিহেন। ঙাওঙাই

মায়কৈরোমদা নৈবা থাবনা লৌতাংলম্বা খুন তাংখুল মচিবনা খুন্দাবম্বা লম লোইবী লোথারাই থরাই লমনুংশি হায়না কৌবলমবু হেন্দোক্লগা তাংখুল মচিবগী নিংথোল ওইবী নিঙথিবীনা হয়রাং নিঙথিবা য়েংহনা নৈরিঙৈ বোয়হনা চথোক্লনা লৈরিঙেদা চাক লাম্লক্লবদা চয়োম থোক্লবদা ঈশিং নৈরমদবদগী হয়রাং মপূম অমনা চীন্নম্মহনা চয়োম অহু চাজখি। নুমিৎ অহুদগী হৌহনা মফম অহুবু মারেম নুরাবী চীন্নমহয় হায়না কৌনখিবদা পোইরৈগী অশৈবা কংলৈগী অইবশিংনা চীন্নমহয় হাযনা কৌনখি। হয়রাং মপূম অমনা চীন্নম্মখিবা লমদম অসিবু হেন্দোক্লগা নৈবা লৌতৈ তাংখুল খুঙংয়ায়দা মোইরাং লান্মী অয়াম্বনা মথুম মবাঙ হৌনা লান্দাখি। লোইবী চৌংজাউ কাহনা খুঙংগী অরৈবা পম্বোংপূম্বা হাংদোক্লনা মথবাক্তা চুঙ থেংলগা মথংৎ মথংতা টাশাং পাযহনা হুয়েল লান্দাখিহনা লৌতৈ খুঙং মৈ থাবদা হুঙং পূম্বা মুংলে। মোইরাং নিংথৌসু কন্থি-কজাউ থোক্লা লান্দাখি। লানথম অসিদা তাং-খুল লৌতৈগী নিংথৌ লাংজেংবা কৌববু মাযথিবা পীখি। লৌতৈ তাংখুলগী চৌংশাং নৈরিবহুগী লুথম ওইবা লোকশা অহুদগী মোইরাং লান্মীশিংনা মমায় পাক্লা

মরাই লাংনা। মরান রোনতেরকলাপাতা। কেকে মপুংয়াইত্রা রাইথুং-লরে হায়তাপারা হে য়িরাং পুরিকলাইও। নমু নিংথৌ তাংখুল লৌতে লানথাপা। কেকে পোংলন হনপা। মোইরাং মরয়পাকপু। নমু পো না যামপাকা। লোকতাক খারা মনা পাললে। লাইচা য়িনা ঙম-লাকনে হ য়পাকী। লাইচা ময়েং তানা। লোকতাক পনয়া কংমুনো হাযপাকী। মতাইরেম য়াংক্ষম লৌমা সিংমালেনপু। কেকেনা তেং-থানা। মোইরাংনা মিকৌনা। লৌমাপু থাংভারেনও কৌএ। মোইরাং থাংভারেন পুমনামানা। তোকমু লৈতমফেন। মালেন লয়কমলৌ। কেকে খেয়রাতাক। মোহবাং নোংবাংখোংপু। মোপা তুখুন ফাওনা। লাইচা য়িফেনথাপা। য়িরাং পুরিকলাই। থাংকা য়িফেন লানথাপানা। কেকে মরয়পাকতা। খুংভাই মরাং কায। লৈবাক নানন নাইনা পাল-লিভে কৌপারেন চনু। তোইপী সোইপাই লানখেমপীকী। মতু কৌপা অথূপাপু। নোংয়াগ মসারোই। খুমন মরান রোইখিরপাকা। মোমলু খুংওন মতৌ কমপু লৈতানা। পিরেম খকমাতা। কংলে মাস্তুমাওতা

কেগে মইরবাও ইল্লকনা মোইরাং কোনুংদা পুম্নমক থুংলয়ে। খোঙফম অসিদা মোইরাং নিংথৌবু ইরাং পুরিকলাই তাংখুল লৌথ লান্থবা কেগে পোংলেন হনবা হায়না কোলোয় মিংশোন্নরবা মকুংদা মোইরাং নিংথৌনা মোহরাং লৈবাক অসি নমু তাইবং মীনা য়াম্লে ঈশিংগা লম্না হেন্না পাকত্রে অদুনা লোক্তাক পাৎয়া অসি কংথখিনবা হায়দুনা মোইরাং মীয়াম মচা মনাই পুম্নমকা লৌমীশিংগা লোয়ননা থোং তেরম্মী। মোইরাংগী মীশিংনা লৌমীবু থাংভা হায়না মিঙ্গৌনৈ। অসি-গুম্বা লৌমী থাংভাশিংনা খোদদাক তানবা নোঙ্গাংখোং অসি মখৎ মখত্তা য়োৎ-পাক পায়দুনা তুম্নেল ওইনা তৌথখি। খোঙফম অসিদগী হৌনা মোইরাং নিংথৌ-সিবু থাংগা ঈফেল লান্থবা হায়না মিংথোন্নখি। অসূম্না মোইরাং নিংথৌসিনা কেগে মোইরাং লৈবাক অসিদা নুংঙাই য়াইফনা খুম্না ঢুশিংনা পাল্লদুনা লৈরিভৈ মতমদা সোরাম নিংভোল কৌবরেন চনু ওইবী তোইবী কৌবী সোইপাই লাম্লেম-বীগী মোপ্না অতোনববু খুমনগী লানফা ওইখিদুনা খুমনগী মীথা থাগ্রবদা মচেম্না হায়নিংঙাই লৈতনা মথরাই নুংঙাইখিদ্রদুনা অরৎপা লৈতবা পিরাংগা লোয়ননা মাগী

মিকপথিএ। যিতু কৌপা অখূপাপু। লাংচেং নেমনেমনা মকাবক। প্যামেল নাচ্ম লৈনা হুললকপাতা। হ উসি খূৎতোপ মললাইপী। হাউমন লাংনা কেমবাইলৈতুকুমপাপু। যাহপী চিংথৎনানা। নোংষাই কবম মীসারোই। খুমন বনিবা মীবান বাইথিরাপানা হাযনা বপলমএ। নমোম ঐপু তনপা নিপা রোইনা কবম বানকাতাপানো। নোংযাই যিমলবচঙ। খুমন পনযা পংনা। লৈকাই পুচাকুক। লা পন অবোললুককুমপাপু। কনিকী লনসিংফতাপানো। হ যনা নিকপথিএ হাযতাপাবা। মযিম নোংযাই মনননাইপাম্বু। তানথো লমমৈ ককনা। লেমখোং লমতোল লোমলাপ কী। যাওবে সথীখিযে। হুযেল লানথিখিযে হাযপাপু নত তাবাপাকী। কৌপাবেন চনু তোইপী। সোইপাই লানথেমপীনা। খোযেনৌ মতা খোইনাই রোমপু চত্তকানা। কে ব মনিংথৌবী। সনা মখোঙখাতা। মানপী খূতপনা। মুকমু লৈতে ন কোন। খূৎফাং চাংচৌ চেপনা লোননা। মোমণু হকঙাই হুংগংচে না বাকৎথিএ। কেকে কিনিংথৌ। ডাংচাই লংম পা যিপূংঙো তাউ বা।

মশম্মাংড ময়াযদা বপচখি। হে ইবুংঙো ইচ অশানবা নংনা লাংনান মথোব বা রকপদা নেম নেম্না হোং থোং লাউনা বারবপা পামেলনা মনা জ ম জ ম লাউনা ঈনখৎলবপগুম পাখ মথোং শাবল্লবদা চেংখিবা মতৌ তসিদি অচাং ওংবি চেদা চিংথৌনা খ দোপ শাউনা শান্নবদু শ ন্নব চেক লোইবগা হান্দাব্রম্বা অনগা লা গী লাংনানা মনা মশোল হইজিল্লবপগুম্মা খবাই কি বন্দূবু কি খংহৎনা মীগী খুমনগী লানশা ওইনিবনু বরম্বা নো দম্মনো গুন্থোকং হায়না বপচবম্মী। মোমন ঐ অসিবু বরম্নসু পনবা নিপা ওইনা পোল্লমদবনোকো নিপা ওইবম্নবদি খুমনগী লমদমগদা চৎলগা খুঙ্গং চঙজুনা কবোঙ হ ফ্কুম কাল্লমগদবনি লম্মন অসি শি লমগদবনি হায়না বপ্লম্মী। মতম অসিদা মতিক মথৌনা ফগৎলব্রবা খুমনগী অথোনশিংনা মতিক মথৌনা মতাল লোম্বগা লোয়ননা লম্লঙা শাদানবা চৎখবে হায়বা পাউ তারবদা কৌবরেন চনু তোইবী সোইপাই লান্থেম্বীনা মশাবোয় ওইবী খোইনাইজম চনুগা লোয়ননা মোইরাং নিংথৌগী সনা খুয়াহাদা খুরু খুদক শনশানা বৃন্দূনা লকক-লবক তৌবা রাহৈনা হুবাং তরা লোম্নগা খুরুমজহুনা মথক্কাই শোক্কা ব্রাবৎচখি। হে ইনিংথৌ মোইরাং লৈমাবা ইবুংঙো তাবিয়ু।

নত্তাইরেম য়িতু কৌপা অথূপাপু। নোংয়াই-মীয়ারোই। খুমন মীরান য়োইখিরে। ময়িম নোংয়াই মনিননাইপা। অয়াঙ ৬১ মানা। হুয়েল লানতারিয়ে হায়না নাত্তাইএ। য়িতু সনম ঙাইখিংতোন। কৌপা অথূপাকীতনকপু। নত্তাইরেম খোয়নৌ য়িত্তা য়িপিংঙাত্তি। নোংয়াই থাঙলেন মথূৎস্থপু সোঙকিরোই। খুমন তিমেন মনূংচঙপু সোঙকাঙতানা। হুয়েল লানপুমমাকা লৈকাই পূচারুক। লাংপন অরোলনুক। চেঙপুম মনাউতোনকুমপাপু। লনসিংপিয়ো হায়না পুরুমখোনকী। মমু কেকে খুনফাংথৌ। মোইরাং লাইফাংথৌসিংয়ো। য়িত্তাইরেম মোমমু হুচা অনিমাসিকী। কোলোই মপাউমেন। মতু মুংয়োল খোয়খৈত্তাপাকী। মুংসি লাননেকরাসিপু। তয়ুম অথৌলিচা হেপপা নঙখোয়পু। হুয়েল লানলুমলুয়ো। মতু কৌপা অথূপাকীতমকপু। লৈকাই পুচারুক। লাংপন অরোললুককুমপাপু। লানসিংপিরুয়ো হায়না। খৌসিখোনকী কেকে অথৌলিচা হেপপা। হুয়েল লানপামপানা। লমলেন মত্তাইমা। তরেৎ লৌসেনত্তা। সেনত্তা হিরাইকোন কৌপাত্তি কত্তৌনোংকিনো।

ননাই ঐগী নৌরিবা ইপ্‌াবু খুমন্না লানশা ওইনা ফাহ্‌না মথক্সাই লৌবিরে। হৌজিকসু খুমন মখোয়গী অয়াং ৬১ মক্লা হুয়েল লানগী মওংঙম লান্দারি হায়না তাজে। খোঙকম অসিদা ইহ্‌নিংবো অত্তোনবগীদমক্কী খঞ্জহ্‌না লম্মন শিংনবা হোৎনবদা খুমন মখোয়গী থাঙশা' অথৌবসু কিররোই। টিমেন টাথাং অরংবসু কিবা লৈতনা কেপে ইপাচা ওইবা নখোয়না লম্মন শিংবিয়ু হায়না খুরুমজরবদা নিংথৌমা হে মোইরাংগী অথৌবা থাবম লাইফম অনিগী অকনবশা! মুপীমচা অনিসিগী মরা মপাউ তাবদা নিংথৌ ঐগী পূক্লিং অসি নুংঙাইত্রে অদ্দুনা মৌপ্‌া নিপা অত্তোনবা অজ্ঞগীদমক মথক্সাই শোকচরিবী অনিমক্লা ঐখোয়দা লায়েক্লরিবা অসিগীদমক ঐগী মোইরাংগী অকল-অথৌ ওইবা থায়নৈঙদগী হৌনা মচা মনাইশিংগী চায়োক-নাউয়োক্তা অশোক-অপন লৈতনা নাউকোনবিরকপা অমদি য়েক্লবশিংবু লাকহৎপদা থক্সাই পাম্বুবা লৈতনা লৈবাক্কী মায়রোঙ য়াবিরক্লবশিং নখোয় পুন্নমক চৎতুনা খুমনশিং অত্তদা লম্মন শিংবিরু হায়না য়াথং তৌরক্লবদা লান্দা হনবা লৈতনা লান্দাবা পায়বশিংনা সেন্দা ইরাইকোনগী লমদমদা হুয়েল লান্দাখি। সেন্দা ইরাইকোন

কেকে অসৈপানা। তাক্তরোই পুংলেন রাকনা। অমন সিথিনপাতা। চৈরৈ ফিগা হোংলাপাতি। লেংতেন য়ানবা রোনচৈএ তেংনৌ য়োংমা রোংলাপাতি। খুংতা সুনা হলরাইএ। তবেৎ সেননা রোংনা। মাঠৈ য়েপনা রোনতেলকপাপু। লাইচা মিরানপাতা। তবেৎ লাইবংগুন। সমু মাঙতা য়েপপাপু। লাইচা যিতা তাখিবপাপু। সমু খুংনা রাফনা লোথংখিএ। অতুনোংকিপু তবেৎ লৌসেনতা। সেনতা যিবাহক্কোলরো তৈনা কৌএ। তবেৎ লৌসেনতাভা। লানফম কাকুপনানা তাঙচা লমথনখিএ। লিলাতুকুমপাপু নাথেংখিএ। কৌপাবেন চনু তোইবী। সোইপাই লানথেমংকা। খোয়নৌ মতা খোইনাইরোমপু চনুকা। মৈনিথামপা চনু খোযনৌ লাইবী কৌবাকা। থানলৈ লৌবংচৈএ। লবাই কমু থাবপু তাঙচা লুতা থোংনা। সেনতা থানলৈ না তৈনানা। লৌব নাতে সমনা। থানলৈ লৌতাখিএ। খুমন অমাচ হুমফু মাথোইমানা। হেযনা নাবোনচুংতা। হুযেল লালচুনংপু। চেংলৌ মিংথিংলুরাপাকা। তবা চামনথোংতা। চাপুম মবাং লৌসিং

তাম্লনা কৌনখিবদি কবিদগীনো। কেগে মোইরাংগী অশৈবশিংনা কনাগুম্বনা শিখি নাখিবদা পুংশেন য়ৈহনা ফি হোংশিহনা চংখিববু হল্লকপদা লে বান্দা যি সংগা হন্নবকই। পানখিবা য়োংপারা মখুত্তা পাসবগা হন্নবকই। অতগা যাওরকপা শেমনা নামৈ ফিজিদা কিরগা হন্নরকপদা ঈশিং চৈরানবদা হুদা য়েপখিবা শেননা মাঙদা ওয়া য়েল্লদা ঈশিং চৈয়ায়দা লাইববু খুংনা ফংনা হিহনা লৌখংখি। থাঙক্ষম অহুদগী হৌনা মফম অহুবু শেন্দা ইহাইকোন্স হাযনা কোনখি। অসিগুম্বা শেল তাখিবা লমদমহুদা লানগী লাল্লুপ অনী থোক্লা কাগুপ লেংনা পিম্না মক ন্দা লোৎপগুম লুম না লৈখি। তাঙজা লিন্না নাপীরগা লোংহুনা লৈবগুম লৈখি। মহুদা কৌববেন চনু তোইবী সোইপাই লাক্তবীগা মতারোই খোইনাইজম চংগা লৌবিথোম্বা চনু লাইবা কৌবাগা লৌ খুংলচ তৌনজে। বানুথোক অমুশিনা মকোক্তা কুপ্লহনা লৌবা শেম্না-শেম্না লৌতাখি। মতম অসিদা অয়াঙ ৫১ মক্লা লোম্না লাল্লমহনা লৈনহু উরুবদা নু ঙাইমনখিদহনা চাদ-খজুনা থাঙবদগী নুংশিৎ

চয়রোইনানা। রাপা খোললোইনপাপু মোমনু মনা চিনপাল থাংচপ্‌-নানা। পায়না নিংসা থিংকামনানা। মোইকাই খোলরোনখিএ। তোইপী সোইপাই লানথেমপীনা। সংলৌ চেনলো তংলমএ। লেমলৈ ঙাতেক-মাসু চাবকতে। পাযনা নিংসৌনানা। মালং নিনসুনতাপীনে। করি রানোকো। মোমনু তাঙচা য়িকাইএ। হুইয়াহ সেনকোইএ। তেং-কোক থিখৎসুনা থোকাসংলা। িনপাক য়িরুভুপ নঙনা। থোকসিংলা। মোমগ্র থাঙপা িনখাৎ। নানপু থেনসিংলা। হাযনা পাউমেনপাপু। নোংয়াহ হুনেল লানুমপাপু। অযাং হনফু মাথোইনানা। রনপি পুক-নিং ঙাকঙমতানা নোকথোকলাবলাপাক। কৌপনেন চনুকা। থোই-নাই রোমপু চনুকা। থরাই মিবেন থং। সনা তেংবাক খুৎপায় থা। অচেন থংলৈ বাঙন। ঙহেল লানচেলকলে। নোংযাই লানথিপা পুননানানা। হুযল লান তাললকএ। থুমন ঙোনপা অথৌপাতি। মতে ম থাঙকানা না নাপু হেননা। অচেন থংলে যাঙলকলে। তরেৎ নৌসেং তা। সেনভা যিরাংহকোনপু নাতৈনবলাপাতা। তোইপী

মবঙ্গা বানা থা বদনা মংব ন লোথরকপবু মচিল চৌনবাল উমশিনবা ঙমজদনা নিংশা অপী যংসন ঙোলনা মখোল-মন্নাখাঙবা ঙ কখিদ না। তোইবী সোইপাই লান্থেম্বীনা চংসম গ্রাংবকপহু চেন্ন চেন্না তংঙ্গুখি। লেমলৈ ঙাবে মচেৎমাফাওবা নিঙাখনা চাবা ঙাখদে। মনিংশা থবেৎ থাবৎ কোম্প্রনা শঙম থোঙ্গনা চেল্লক-পনু শঙম থোক্লং চেল্লবদি কনাগুম্বনা উঙ্গগ ঙিক মনা ন লগনি খঙ্গনা য়োৎপাক অসিবু হুন্দোক্লসিন্না ইবোঙ্গা তূর্প্পাবা য়েনংাকসিং হুন্দ ল্লম্নসবা তনজল খোংলিবা ইম্নফি অসিমু হুন্দোক্লম্লসিবা নঙনঙন শঙম থে গং ম ইবংাদ্রা ইবনা শোঙ্গবদা থুমনগী লাল্লুম্বশিং অয়াং ঙা মগ্রা শারদনা ক ই ম্লইবনা ঙেক লোনখোক্লকপদা কোবরেন চনুগা থোইনাইজম ঙঙগা ম.হমা অ না খ নখঙ্গনা মথ ঙা পায়বা য়োংশি অদ খংথা থাদোক্লম্লগা খুনা য় ঙন ঘাতন চেনানানা পা ম্লংনা লেবা থুমনশিংনা তাম্নরকখি। মাদদা থুমনশি গা মরঙ বাঙবা ঙোনপ বনা অথৌ-বনা মন্নামদগা হেন্না খোইকাগ খোঙন ঙ চেনখংকুনা তবেৎ নোংশেংতা শেন্দা ঈন্নাইকোন কৌবা লমদমদ হেন্দোক্লকবদা তোইপী

সোইপাই লানথেমপীনা পাউমেললকএ। কেকে য়িপলঙাই। ঙাংঙোই য়িতুঙাইসিংরো। রু চূং লাংয়া হৌনা। খোয়মা মরাঙনা খোঙলেঙপিকুনো। নোংয়াই লানপামপাত্তি। হুযেল লানতাললকএ। থুমন তোনপা অথৌপাত্তি। মতোম খোঙকাথ নৌবৈমাপু হেননা। হুযেল লানতাললকলাপানে। অতুত্তি হুযেল লামতোমপোকনে। হাননা হুয়েল লানতুপিকুনো। নোংয়াই নিঙতেনখিরকানে। লানফম অহৌ কাইহৌপিকুনো। হায়না হুয়েল লানপাউ চেললমএ হায়তাপারা। কেকে অথৌলচা হেপপা পুমনামানা। নোংয়াই লানপুমাপু। খিংলৌতুকুমপাপু পনচললে। রোকলেনতুকুমপাপু পনকোয়রে। নোংয়াই সিক্ষা নীকনা। হুয়েল লানতুরে। থুমন তোনপা অথৌপাপু কায়না হুললে। অতুনোংকিপু। কৌপারেন চনু। তোইপী সোইপাই লানথেমপী লানথেনলম। থুমন তোনপা ল্যাকসীরাইরো তৌনা কৌএ হায়তাপারা। নম্বু নিংথৌ পুরিকলাই। থাংকা য়িফেন লানথাপা। মোমণু চিনকোই ময়াথং। মতু হুংরোল খোয়খৈ তানা রাকংখোনকী। নৈকাই পুচারুক। লাংপল

সোইপাই লাম্হেম্বীনা পাউমেল্লকখি। কেগে মোইরাং লৈবাক্কী ইপা চন ইঙাইশিংও উচূং লাংনা থন্না হৌরিবা নাপী শীংবী মরঙা চৎপদা শউম নাইবিগনু। থুমন মচা লমকেৎপা নোংমাই লমহেনবশিংনা হুয়েল লাল তানখৎলক্লি হায়খি। থুমনমচা অথোবা তোনবা কৌবনি ময়ামদগী হেন্নৎনা চেনখৎলক্লে মদুদি লানগী লাম্সোমপোক্লি। হান্না মাবু হাংলুগনু থুমন ময়াম হনখিগনি। লানফম অহানবদা কাইহৌবগী মতৌ তৌবিরুনু অসুম হায়না লানগী লানপাউ চেন্নরম্মী। কেগে অকনবা মোইরাংগী অথোবা লাম্মী পুন্নমক্না থুমন লাঙ্গিংবা অহবু লমওকপু কোয়শিনবণ্মা কোয়শিন্দুনা ফারে। থুমন লাঙ্গিংবা তোনবা কৌবহ মোইরাং লাম্মীশিংগী মথন্তা মায়থীবা ফংনা মথরাই মাঙখি। কোক্নৌ নোংজা অতুদগী হৌনা মফম অতুবু কৌবরেন চনু তোইবী সোইপাই লাম্হেম্বী লানথেনলম থুমন তোনবা লাকসীরাই হায়না মিংথোম্নখি। নবুথৌ পুরিক্লাই থাঙ ঈফেন লাম্থববু লানফম অসিদগী মোইরাং নিংথৌ য়াথংদগী কৌবরেন চনুগী মোপ্পাগী রাকংখোন্দগী থুমন লাঙ্গিংববু মায়থিবা পীখি লম্মন শিংবিখি হায়রবদগী পুন্নিক্লাই লনশিং তানবা

অরোললুককুমপাপু। লনসিং তানপা। য়িরাং পুরিকলাই। থাংকা য়িফেন লানথাপাত্তি। চোয়নৌ সনা মিংহুনকিপু চুনপানে।

নয়োল কেকে মোইরাং লৈমা। য়োইরুমলোন ফৈরোস্নু। মপল হয়রেম কাংহৈন্নু। খিং খিং কাংহৈন্নু। লেমলৈ ঙাচা পামপীন্নু। লাংপম খোইতা মিংথোংফণী। ময়ু নুংপাল য়াংহনপা। খৌরৈ নোংচু অহোঙপা। খোয়নৌ লাংমৈ যাকোন নিংথৌচনু। পায়মা সনা রুনকোইনুংকী।

২৫। পুরিকলাই সাংতোন খূপা।

যিরাং পুরিকলাই। নয়ু নিংথৌ সাংতোন খূপারো তৌনা কৌএ। পুরিকলাই সাংতোন খূপাত্তি। হাওবৈ খানা পাংপালমতা খৌসাপানে।

ইরাং থাঙ্গ ঈফেন লাম্বুবা হায়না মিংথোনখি। অসুম্না মিংথোলবা ইরাং পুরিক্লাইম্নু থাঙ্গা ঈফেল লাম্বুবা হায়না কোলোয় মিংলেন থোনবদি ফংদোঙলবা সনাঙম মিংথোল অসি চুনবনি।

নবেঙ্কৈ মোইরাং লৈমগী কোলোয় মিংলেন্দি অরাম্বম চনু নত্রগা লাইরেঙ্কম নিংথোল ওইবী ফৈরৌসু হায়না কোলোয়নৈ। মপল পম্থো ওইবদি হয়রেম কাংহৈন্দগী নাউদাবকপা খিং খিং কাংহৈনুগী নাউদাদা পোক্লকখিবা লুরাং শলাইগী য়াংখুবগী ময়াম্বুং য়াংহনবা কৌবা খৌরৈ নোংজু অহোঙবা হায়না খঙনবগী নাউদা ওইবী লেমলৈ ঙাচা পাম্বী জেম্বীগী শিয়োম্নুংদা পোকচবী য়াকোন নিংথৌগী মমোমনি। মোইরাং লৈমসিগী শেংলবা শিয়োম্নুংদগী।

২৫। পুরিক্লাই সাংদোন খূপা।

নবুথৌ মোইরাং নিংথৌগী কোলোয় মিংলেন্দি ইরাং পুরিক্লাই নিংথৌ সাংদোন খূবা হায়না কোলোয়নৈ। পুরিক্লাই অসিগী মতিক মথোনা উংখিবদি হাওবৈ খা-পাংবা মায়কৈরোমদা হুয়েল লান্দাখিহুনা মতিক মথোনা খঙনখি। নোংদা

লাইরেল ঙাংঙোই য়োইমোংপা। মোংপা লোইকনপানা। কাকলেন লানতাপা। সৌপোন খোঙকনপা লমতা। নয়ু নিংথৌ কেকে লয়মাপা। রাকয়ৈ মথুনেং। তোংচেং মনুংচঙ। রাকয়ৈ লুকচি পোপতাপা। তোং চেং চেননা হৌতাপা। পামেন রুসা তেবতাপা। বোনথা চাবন লেং-তানা। হিয়াঙ কাংতং মবেং পুমতাপা হিপু। রাকয়ৈ খোঙরোইনানা। মতাইরেম অথৌলিচা হেপপা পুমনামানা। তেনতোং নমতা পোহননা। লীরুঙ খোঙতা নেং। তনমু নাকনফু। হিয়াঙ কাংতং য়ৈ। রাকয়ে মথিনাই। তোংচেং মবাঙ হৌনা। থৌতু নুংতেকচীংতা। কেকে মথি-নাই মোইবাং মরাঙ হৌনা পনথেংথাপাতি। নুংতেক য়াকা চায়বে। লোইপী মপুং তাকলে। হুয়েল লাননিকিতি। লোইপী নুংতেক মনিংথৌ। হেমপা খাংচেন থকতা রাঙনপা। মারেম চাংলৈপু লানথোযাঙপু কাযনা হুললে। কেকে মবাই লাং। ঙাংঙোই মচি হেননা। মরান রোনতে-বকপাতা। কেকে লযকোযক্কমপা। যিরাং পোংলেন হুনপানা রাহুমলকত্র।

লাইরেন পাখংবগী মশূ ঙাংঙাই য়োইমোংবা কৌবা তাউথিংমাং নিংথৌগী মযাম্বুংনা তুরেল তুশাং তুদেংলকপা মতমদা হাওরৈ থানা পাংবা লোক্তাক খোঙবান্দা তাবা মী শা-ঙানচিংবা চাহুনা মচিঙ্গাক তাল্লম্বা কাকয়েন মীওম্বা কোবনা ওং-নৈহনা লৈবম্বা মীয়াম্বা খুন্দাবদা কিনরবা লমদমদা নবুথৌ মোইরাং নিংথৌনা মাগী খোঙনেং হি মতিক ময়াই লৈরবা নাকচি ওইবা পুম্বা পুমত্রিবা উহুগী মশাদা উমিং অমত্তফাওবসু শৈনাইম্রবা হিরু হিবাল য়েংলগা পুমদা তাবা নিঙথিরবা হিজাউ হিরেন মথক্তা মচা মনাই অকল-অথৌ পুম্বমক্তা লোয়ননা তেন্দোং নমদা পোরহনা লীরুং খোঙদা নেং-লগা লীবী চল্লহুনা নওনা হিবান্দা মুরু-মুরুহুনা হো-হো য়া-য়া লাউনা হিজাউ অহু হোল্লহুনা থৌহু নুংতেকচীং কৌবা মফমদা মোইরাং লাম্মীশিংনা মথুম মরাঙ হৌনা লান্দাখিবদি নুংতেক খুঙ্গং কায়হুনা চেন্নরে। খুঙ্গংগী মীয়াম পুম্বা মরোল মরাল তারুরে। লালফম অসিদা নুংতেক খুঙ্গংগী নিংথৌ ওইহনা লোইবী চীংশাংসিগী মথক্তা তাবা মীশিংগী বারেল-থোদা তৌরিবা চাংলৈপু কৌবা লান্দা থৌবনু মায়-থীবা পীখি। অমুয়া লান্দা মায় পাক্লরুবা অত্নদা মোইরাংগী লান্মী পুম্বমক মমায় পাক্লা হয়াউ-তয়ায়া মোংবা মরানয়াইদা হম্নরক্লবদা মোইরাং নিংথৌ ইরাং পোংলেন

তয়মসিংরো। লোইপী য়িমথৈথেং। নুংতেক য়াকা চায়রুপা অসিপু। অরা নখোয়পু হকনা চোক। য়েনপী হুইয়াই লোমলিংগেনে। রাকয়ৈ লমতমখিসে। তোংচেং পোংথাখিসে হায়না। মতাইরেম তোংচেং নাউমৈকী। খুমু নৌচাউস্পা। পোনপী মস্তুং রোইপা; মিংয়েং নানিলোঙপা। কোনপা নাউসংচানা। রাকয়ৈ লুনা হননা হিথাংখিএ। অতুনোংকিপু মোংপা মতাইমাস্তুং। কোনপা হিথাংলমও তৌনা কৌএ। কেকে অখৌলিচা তেপপা পুননামাস্তুং। অরা পোংথারমলাপাকা মরান রোনতেরকলে। কেকে মোইরাং নিংথৌ। সংতোন খুপাস্তু। রাকয়ৈ তেংমায়ঙান। লোকতাক য়িয়াই থায়না। কেকে মপুংয়াহতা রাইথুংলরে হায়তাপারা। নয়ু নিংথৌ লোইপী নুংতেক লাংথাপা। ইরাং পুরিক-লাই। সাংতোন খুপ তি চোয়নৌ সনা মিংগন'কপ্প চূনপানে।

নয়োল কেকে মোইরাং নৈমা। মোহরুমলান হেরেম য়াংপাচম্‌। সনা লাংমেলেমপী পায়মা সনা রুনকোইরুংবা।

———

হনবনা হায়রনখি। তয়ম অচানবা নখোয় পুম্নক লোইবী চীংদা কানা হুয়েল লাম্নারুবা ওসিদা নশা নউ পুম্বা য়াম্না চোকথনা চারম্নগ, য়েনবীবু হুইনা শারাক তম্বদগী কোয়চেন চেনবদা রাবা অংগুম য়াম্না বারম্নগনি অমুনা ঐখোয়গী রাকয়ৈ হি অসি ডাহাক পন্দুনা পোথাখিসি হান্নরক্লবদা হিনাউ শান্নিবা নৌজাও পায়বা কোনবা নাউশ'চা বৌবা পোনবী চেক্লাগুম মিৎয়েং শোয়দবা ঈঙ্গিৎ থঙবনা হিগী হিনাউ অহু লুনাউ ওম্বোক্লনা হি অহু লয়রায়দা হিথাংখি। কোরৌ নোংজা অহু-দগী মফম অহুবু কোনবা হিথাংলম হায়না কৌনখি। অসুম্না মোইরাংগী অকল-অথৌ পুম্নমক্না ডাহাক পোথারম্নগা মথুম মায়কৈরোমদা হুন্নরক্লে। কেগে মোইরাং নিংথৌ শাংদোন থৃবা কৌবসু হিথক্লা লেঙথৎলগা লোক্তাক মরায় ভুবৎ শমজুনা লাকপনা মোইরাং কোনুংদা থুংলখি। অসিগুম্বা মোইরাং নিংথৌবু লোইবী নুং-তেক লাম্নবা ইরাং পুরিক্লাই শাংদোন থৃবা হায়না কোলোয় মিংথোনবদি ফৃদোঙ-লবা সনাগুম মিংহুন অসি চূনবনি।

নবেঙ্কো মোইরাং নৈমগী কোলোয় মিংলেম্না অরাম্বম নঙ্গপা লাইরেঙ্গম চনু ওইবী হৈরেম য়াঙবগী মমোম ওইবীনি। কোলোয় মিংলেম্না সনা লাংমৈয়েম্বী হায়না মিজৌনৈ। মোইরাং নৈমা অসিগী লেংলবা শায়মা শিয়োমনুংদগী।

২৬। পুরিকলাই লাইচিংখু ব্রুরা তেলহৈপা।

নয়ু নিংথৌ পুরিকলাই। লাইচিংখু ব্রুরা তেলহৈপারো তৌনা কৌএ। য়িরাং পুরিকলাই ব্রুরা তেলহৈপাতি। হাওরৈ খানা পাংপালমতা খৌসাপানে। চীংখোং পোইরৈতোন। মমা লয়নুং পিয়াইগুচা। খোমফাং অতোনপাকা। মৈতৈ লৈমা লাইচম থোংখাঙ সেমপা চনুকানা। চীংপুলোই তমপু কোননা লাংলেলকপাকি। চীংখাং পোইরৈতোননা। তুরেল লাইচা য়ির'ললকপাতা। সাপী গিতৈ লৈমারো। লাইচা গিরানশুংতা থৌতু য়িসং থাংএ। সমু খুন ন গোককনি। তাঙনা য়িখেঙখুনপু য়িননরকও হায়না পাউমেনরাই। মোনসাং মপুংযাইতা। কেকে অথৌলিচা হেপপা পুমনামাকা। চুঙলেন থাকুপ কৌ। তিমেন খেবাংথাং। থংনং লাইতং লেংনা পনথেংথাপাতি। লোইপী মপুং কায়রে। মোনসাং য়াকা চায়রে। হুয়েন লাননিংকতি লোইপী মোনসাং মনিংথৌ। হুযেল থাকুপলেং লানথৌয়াঙপু ক'মনা হনলে। লোইপী ময়িমনাক। মোনসাং মসাইকোনকী। থিংলো নিচনা তেনা হলরাংবকলাপাতা। কেকে

২৬। পুরিক্লাই লাইচিংখু উরা তেলহৈবা।

নবুখো মোইরাং নিংথৌগী কোলোয় মিংলেন্দি লাইজিংখু উরা তেললৈবা হ য়না মিঙ্গৌই। পুরিক্লাই উবা তেলহৈবদি খা মায়কৈরোমদা হুয়েল লান্দাহুনা মতিক মথৌনা উংখি। লয়নুং পিয়াইনুগী মচা চীংখোং পোইরৈতোন খোমফাং অতোনবগা মৈতৈ লৈমা ওইবী থোংথোঙ শেম্বগী মচাইবেম্মা লৈমা লৈনাউতাবীগা লোয়ননা চীংগী লমদমদা অমদি তমগী লমদম অমদা নুংঙাই য়াইফনা থুন্দাবা য়াগদবা মকম থিজিবদা পোইরেতোন্না তুবেন অমগী ঈশিং ঈরাল্লকপদা ইতৈমা। ঈশিং মনুংদা ইশং থাংলে। খোঙ নাম্বুগনি অহনা ঐগী খোঙ্গুল য়েংনা ইম্নরকউ হায়না হায়র্নখিবা লমদমগী মনুংচনবা মোনসাং খুঙ্গংদা মোইরাংগী অকল-অথৌ লান্দা হৈংগিংবা পুম্নমক্লা মঙক্তা চুঙলী হুক্লপা মথত্তা টাশাং পায়থুনা হুয়েল লান্দাগিবদা মোনসাং খুঙ্গংগী মীয়াম কায়হনা চেন্নখি। খুঙ্গং অহ থুগায়খি। লানফম ফদিদা মোনসাং নিংথৌ থাকুপলেং কৌবা লান্দা থৌবনু লানঙল্লকখি। অসুমনা মনাক নকপা খুঙ্গং মচাশিংস্নু মায়থিবা পীরম্নগা কেগে মোইরাং লৈবাকলোমদা

মপুংয়াইতা। মুংঙাই মরাং কায়না রাইথুংলরে হায়তাপারা। নয়ু নিংথৌ পুরিকলাই। রুরা তেলহৈপাত্তি। চোয়নৌ সনা মিংহুনকিপু চুনপানে।

নয়োল কেকে মোইরাং নৈমা। ঙাহুরোল য়াইরৈমা (য়াংলৈঙম্বী)। ঙানপা তেকচা পামপা। সরা নাচৌম্বু। সোয়য়ম লাইহৎ খৌপানা য়েনপী। ঙাহুরোল পায়মা সনা রুনকোইহুংকী।

২৭। পুরিকলাই মাসেমপা।

কেকে মোইরাং নিংথৌ। পুবিকলাই মাসেমপারো তৌনা কৌএ। নয়ু নিংথৌ পুরিকলাই মাসেমপাত্তি। হাওবৈ খানা পাংপালমতা খৌসা-পানে। চীংখোং পোইবৈত্তোননা। পোইরৈ সিত্তাপা। হেমপা নাতা-পাপু থুনথিরকপাত্তা। সাচুং নিংথৌ সাচুন লাংমৈলেমপাকা। লম-রোকনাবে হায়ঙৈত্তা। সানৌ কৌপাপু য়িচুমমারো কৌএ। সাচুং

হল্লক্লুনা মমায পাক্লা মো'বা মরানয়াইশিংদা হন্নরকখি। নবুথৌ মোইরাং নিংথৌ পুরিরাইবু উরা তেলহৈবা কৌবদি ফ্দোঙলবা সনাগুম মিংহুন অসি চুনবনি।

নবেঙ্কৌ মোইরাং নৈমগী কোলোয় মিংলেন্দি ঙানবা শাগৈদা পোকচবী ঙানবা তেকচা পান্বা সরা নাচৌগী মশ্ ওইবী সোয়য়ম লাইহৎ থৌবগী মচা ইবেম্মা য়াইরৈমা হান্নরা কোলোয় মিংলেয়ৈ। ঙানবা শলাই চন্ য়াইরৈমগী শেংলবা শিয়োয়্ংদগী।

২৮। পুরিক্লাই মাসেম্বা।

কেগে মোইরাং নিংথৌগী কোলোয় মিংলেন্দি পুরিক্লাই মাশেম্বা হায়না কোলোয় মিংলেয়ৈ। নবুথৌ পুরিক্লাই মাশেম্বনা হুয়েল লান্দাখিবদি থা পাংবা মায়কৈরোম্বদা লান্দাখি। লমদম অহৃদি পোইরৈত্তোম্না শিরোই নারোইদৌবা খুন্দাবা য়াবা মফম থিরকপদা সাচুং নিংথৌ সাচুন্ন লাংমৈলেম্বগা লমথাঙদা ওক্লখিবা মতমদা ইনাউ হায়বা য়াহৈবু ইচুম্মা হায়নস্লু হায়নৈ অহুনা সাচুং

"নিংথৌ সাচুন লাংমৈলেমপানা। য়িচুমমা নঙতি কনানো হায়না পাউহংপাপু। য়িচুমমা ঐতি চীংখোং পোইরৈতোননে। লোইপী শিতাপা হেমপা নাতাপাপু খুনথিরকপানে। য়িচুমমারো নঙতুম কনানো হায়না পাউহংলাপাতা। ঐতি সাচুং নিংথৌ সাচুন লাংমৈলেমপানে পাউথুমএ। য়িচুমমা সাচুন লাংমৈলেমপা নঙনা। লোইপি পানফুক পানফোয়লৌ। সিংথা সিংথুম লৌপু। লৌতালমপা অসিতি। সাহুরাপু সাপারা। য়োমলোই য়োমতাংলা হায়না পাউহমপাপু। হোয়তা চীংখোঙ পোইরৈতোনও সাহুরা সাপাপু নংতে। য়োমলোই যোমতাঙলে হায়না পাউথুমপাপু। সাচুন লাংমৈলেমপারো। য়োমলোই য়োমতাংনরিরোই। নতিক নঙলমলএ। সাহু সাপানারিঙৈনে হায়না রাহমলাপাতা। হোয়তা য়িচুমমারো। সাহুপু সাপানাপানে। য়িমোম যিরুম নাউসংলে। পারী তেংকোক লীরাইনে। হায়না পাউথুমলাপাতা। হোয়তা য়িচুমমারো। ঐতি পারী খাইনা য়াম। য়িমোম তোকনা হকলাপাকীপু। লোইপী সিতাপাপু খুনথিরকপাতানে হায়না পাউথুমলাপাতা। তৌয়িকিতি

নিংথৌ সাচুন লাংমৈলেম্বনা ইচুম্বা নঙদি কনানো হায়না হংবদা ইচুম্বা। ঐদি চীংখোং পোইরৈতোন্লে। চীংগী লমদম অসিদা খুন্দাবা য়াবা শিরোই নারোইদৌবা মফম থিরকপনি। অদুগা ইচুম্বা নহাক্তি কনানো হায়না অমুক হংলকপদা ঐদি সাচুং নিংথৌ সাচুন লাংমৈলেম্বা কৌবনে হায়না পাউথুমখি। সাচুন লাংমৈলেম্বা ইচুম্বা নঙনা পান মাইরেল অমদি শিংথা শিংথুম থাহুনা লৈরম্বসিদি নুপী শাহুনবু লৈবরা নত্রগা মীগী পামদা শিন্দাংলম্বরা হায়না হংলকপদা হোয়দা হে পোইরৈতোনও নুপী শাবদি নত্তে মীগী শিন্থাদা লৌতাংলম্বনে (পাংলম্বনে) হায়না পাউথুম্ববু তারবদা হে সাচুন লাংমৈলেম্বও! লৌতাং শিন্দাংবা ওইরিরোইদা নতিক নঙল হাপকনু। নুপী শাহুনা শুবহুম ওইরিনি হায়না হায়রক্লবদা হোয়দা ইচুম্বা ও! নুপীগী শিল্লম শূরবনি। ইচানুপীহু মচা পোকুনা লৈরে। মচানিপাহু খুদাইগী মকোক ওইবা অহানবা মচানি হায়না পাউথুম্লবদা হোয়দা ইচুম্বা ও! ঐমু ইচানিপা মরাম কায়নবা অমদি ইচানুপী কম্মামা শিথিবদগী চীংদা কাহুনা শিরোই নারোইদৌবা খুন্দাবা য়াবা মফম থিরকপনি হায়না পাউথুম্লবদা অংদি

নপারীকী কোলোয় মমিংথোংতি করি কৌপানো পাউহংপাপু। হোয়তা পারী অমাত্তি চাখা খোংহনপারো কৌএ। চীংখোং পোইরৈতোনরো নংতি। অতুকিপু সুকহন সোইহনখিপানে। পারী অমাত্তি সাকাং য়াইথাপারো তৌনা কৌএ। খুনুং য়োইচাখা অরীপারো নংতি। অতুকিপু সুকখাইখিপানে। পারী অমাত্তি। কাংতোন লৈনৌপারো কৌএ। লয়নুং পোইনাউত অতোনপারো। নংতি অতুকিপু। সুকনৌ সোইনৌপানে। যিমোমতি থোইচেং নুরাহল হাউচেং লাংমৈনু সাফাপী। হৈয়াই কোংতিংনু অহনপীরো কৌএ। নংতি অতুকিপু সুকহং সোইহোংপানে। নমাইপাতি করি কৌপানো পাউহংপাপু। হোয়তা য়িমাইপাতি চীংনম ফোইনমরো কৌএ। নংতি অতুকিপু সুকপন সোইপনপানে। নমৈয়েকতি করি কৌপানো। য়িমৈয়েকতি য়াংকেন নাফানে। নংতি অতুকিপু সুককেন সোইকেনপানে হায়না রারাইখিএ। চীংখোং পোইবৈতোননা। যিচুমমা সাচুন নিংথৌ লাংমৈলেমপারো। নমাইবেমপাতি করি কৌপানো হায়বাপাতা। চীংখোং পোইরৈতোনরো।

নচা ইবুংঙোংগী মমিংদি করি কৌবগে হায়না অমুক হংলকপদা হোয়দা ইচাগী মমিং অমদি চাখা খোংহনবা হায়না মিঙ্গোই। হে চীংখোং পোইরৈতোন ও। নহ ক্তি মরম অহুদগী নতিক নঙল হনবনিদনা। ইচা অমগী মমিংনা সাগাং য়াইথাবা হায়না মিঙ্গোই। অহুদি খুনুং য়োইচাখা অরিবা নহাক্তি হীরম অহুদগী নপুকনীং হন্থবনি। ইচা অমগী মমিংনা কাংদোন লৈনাউবা হায়না কৌই। হে লয়নুং পোইনাউতা অতোনব-ও! অদুগী মরমদগী নপুকনীং নুংশি নুংনৌরবনি। ইমোম ইচানুপী অমগী মমিংনা থাইচেং নুরাহল হাউচেং লাংমৈনু সাফবী হৈয়াই কো তিংনু অহনবী হায়না মিঙ্গোই। অদুগুম্বী নমোম কায়নবদগী পুকচেল হোংলংনিদনা। নমাইবদি মমিং করি কৌবগে হায়না পাউহংলকপদা হোয়দা ইমাইবদি চীংনম ফোইনম কৌই। অদুননি নহাক্তা তৌবা খুদিংদা অপনবা লৈরিবা। নমৈয়েকতি করি কৌবগে। ইমৈয়েক্তি য়াঙ্গেন নাফানি। অদুননি নহাক্তী থবক থৌরম খুদিংদা মপুং ফাদনা অরেম্বদা কেন্দুনা মাঙবঙম মাঙলিবহ হায়রবদা মপুক্তা য়াম্না রারৌখি। চীংখোং পোইরৈতোন্না হে ইচুম্মা সাচুন নিংথৌ লাংমৈলেম্বও, নহাক্তী নমাইয়েম্বদি মমিং করি কৌবগে হায়না হংলবদা হে পোইরৈতোন।

য়িমাইরেমপাত্তি থোংনাং কায়পায়াওরো কৌএ। নঙত্তি অতুকিপু সুকয়াং সোইয়াংপানে। নমাইরেমপাত্তি করি কৌপানো। য়িমাইরেমপাত্তি তাউচিং হয়মিয়ামনে। নঙত্তি অতুকিপু সুকয়াম সোইয়ামপানে। নমৈ-য়েকত্তি রুতং তাংতনপানে। নঙত্তি অতুকিপু সুকতং সোইতংপানে। সাচুং নিংথৌ। সাচুন লাংমৈলেমপারো। নমাই য়িমাইপাকা। নতিং য়িতিংকাইকা। নমৈয়েক য়িমৈয়েককা সিননাসে হায়রাপাত্তা। চীংখোং পোইরৈতোন মমাইপা। থিকনম ফোইনমপাকা। সাচুং নিংথৌ। সাচুন লাংমৈলেমপাকী। মমাইপা থোংনাং কায়পয়াংকা। অনিমাত্তি সিননারে। অতুনোংকিপু লোইপী সাচুমপুংরো তৌনা কৌএ। লোইপী সাচুন মপুংয়াইতা। কেকে অথৌলিচা হেপপা। তাংঙোই থয়াঙ কোন-তাইলোনপা। পুমনামাকা। সাচুন চীংতা কা। থাঙলেন খেরাং থাং। চুঙলেন থাকুপহৌ। খংনং লাইতং লেংনা পন থংখাপাত্তি। লোইপী মপুং কায়রে। সাচুন পামতাননারে। হুয়েল লাননিকিত্তি। লোইপী সাচুন হাওপাখং। হুয়েল সৈতকলেং অথৌপাপু কায়না হুললে। কেকে

ঐগী ইমাইবদি থোংনাং কায়বয়াঙ হায়না মিঙোই। অহুননিদনা নঙগী পুকচেলসু য়ায়া য়াংলিবদি। অহুগা নমাইরেম্বদি মমিং করি কৌবগে। ইমাইরেম্বদি তাউ-জিং হয়মিয়াম কৌই। অহুননিদনা নহাক্লা চাদা নাউদা য়ামলিবদি। নমৈয়েক্তি করি কৌই। ইমৈয়েক্তি উতং তাংদনবনে। অহুননি নহাক্লা শুকতং সোইতংলিবা। হে সাচুং নিংথৌ সাচুন লাংমৈরেম্বা কৌবও নমাই ইমাইবপা নতিং ইতিংকাইগা নমৈয়েক ইমৈয়েক্কা শিন্নরসিদনা হায়না হায়রবদা চীংখোং পোইরৈতোনগী মমাইবা থিকনম ফোইনম্বপা সাচুং নিংথৌ সাচুন লাংমৈরেম্বগী মমাইবা থোংনাং কায়ব-য়াঙগা অনিদু শিন্নরে। কোরৌ নোংজা অহুদগী হৌনা মফম অহুবু সাচুনপুং হায়না কৌনখি। অসিঙম্বা সাচুন খুঙং অসিদা মৈইরাং অথৌবা কেগেগী অকন-বশিং মপা মপুগী মশুগ ডাক্লকপা মচা মনাউগীদমক থরাই কৎলবশিংনা সাচুন চীংদা কাদুনা মথন্তা থাংশাং পায় মঙক্তা চুঙ য়াল্লদুনা টাশাং পায়বা কয়াগা লোয়ননা হুয়েল লান্দাখিদুনা সাচুন খুঙং থুগায়খি। খুঙংগী মী পুম্নমক কোয়তান তায়খি। লানফম অহুদা সাচুন খুঙংগী হাও পাখং ওইবা লান্দা থোবা সৈতকলেং কোবা লান্দা থৌববু লানঙায়কখি। মরম অদুদগী কেন্দে

মচিহেন। ঙাং ঙাই মরাই লাংনা। কেকে মপুংয়াইতা। হুংঙাই মরাং কায়না রাইগুংলয়ে হায়ত্তাপারা। নযু নিংথৌ লোইপী সাচুন লানথাপা। য়িরাং পুরিকলাই মাসেমপাত্তি চোয়নৌ সনা মিংহুনকিপু চুনপানে।

নয়োল কেকে মাইরাং লৈমা। চিনফুরোল লয়হনমোমপীও তৌনা কৌএ। কেকে মোইরাংলৈমা চিনফুরোল লয়হনমোমপী পায়মা সনা রুনকোয়হুংকী।

২৮। পুরিকলাই কোয়রেন নিংথৌপা।

নযু নিংথৌ পুরিকলাই। কোয়রেন নিংথৌপারো তৌনা কৌএ। য়িরাং পুরিকলাই কোয়রেন নিংথৌপাত্তি। হাওরৈ নোংপোকলা পাংপালমতা পেসাপানে। নোংযাই য়েকমা নাউতা। অতোন থোংলেন কোইচানা। পামেল রুথিলম। রাকয়ৈ খোইরুকাপা। তোংচেং তোনত্তি

মোইরাংগা লালোংহশিংনা মমায় পাক্লা হবাউ ভয়ায়া কেগে মোইরাং লৈবাক্তা পূক্লিং ভপ্না হরাউনা মঘুম মঘুমদা থুংনরয়ে। খোঙফম অসিদগী মোইরাং নিংথৌ পুরিরাই মাশেঙ্গবু লোইবী সাচুন লাম্ববা হায়না কোলোয় মিংহুন্নখি। অসিগুম্না পুরিক্লাই অসিবু থোল্লিবা মিংহুন অসিদি ফদোঙলবা সনাগুম কোলোয় মিংলেন ওসি চুনবনি।

নবেঙ্গৌ মোইরাং লৈমগী কোলোয় মিংলেন্দি শক্লাং লৈশাং য়েক ওইবী লয়হনমোম্বী হায়না কোলোয় মিংহুল্লি। অসিগুম্বী মোইরাং লৈমা লয়হনমোম্বীগী শেংলবা শিয়োমনুংদগী।

২৮। পুরিক্লাই কোয়রেন নিংথৌবা।

নবুঙ্গৌ পুরিক্লাইগী কোলোয় মিংলেন্দি কোয়রেন নিংথৌবা হায়না মিংথোক্লি। মোইরাং নিংথৌ কোয়রেন নিংথৌবদি নোংপোক মায়কৈক্লোমদা লানদাখি। খুমন শনাইদা পোকপা থোংলেন কোইচা কোবনা মশাগী হি খোইরু কায়রা, হিংাউনা

নারাংপা থোকনারম। হয়রোক অচনপা কৌপাঙ্ভি কত্তৌনোংকিনো। নোংয়াই য়েকমা নাউতা। থোংলেন কোইচানা। পামেল র়ুথিরককী। রাকয়ৈ থোইরুকাপাপু তোংচেং তোনককনা। রাংপা থোকনারমপু থোকলাপাকা। রাকয়ৈ হিতান হৈতা। মরোই থুমনচা। কতাং লায়রপা। তরা চেংচেন তাম। নোইমু থুমচেন রাংনা। লেমলৈ ঙ য়োম য়োমতারমলাপাকী। পামেল র়ুথিপাত্তা। থোইমোম লাই হয়য়িং। ফিকে কুরাউপান মানপা হয়পু। চৈর ফিখাউ শানা হেকলকএ। মঙ্মিম নোংয়াই য়েকমা নাউতা। অতোন থোংলেন কোইচাকা লগরোকনারাপাকী। মিরোম থুমন কতাং লায়রপারো। হয়রাং অসিপু করম নিঙথিপানো। তাউচিং অসিপু করম চুনপানোকো। হয়রাং মচেৎ পাংঙানা। তরা নঙকী নচেংচেল রাংপাপু। তবা নঙকী চেংচেল সকপীকে। তাউচিং সুংতাই অমানা। লেমলৈ ঙাচেল সকপীকে। হয়রাং মচেৎ অমানা। নোইমু থুমচেন সকপীকে হাযথিএ। অতুনোংকিপু থোইযম লাই হয়য়িংপু। নোংয়াই তবা চেংচেল-হযরো তৌনা কৌএ। হয়রোক রাংবা হি য়ান্নবা উজাউ থিরগা লগ্গ হয়রোক অচনবা হান্নবা কৌনখিবদু করিদপীনো। থুমন শলাইদা পোকপা থোংলেন কোইজা কৌবনা মাগী তোংন-হি থোইরু কাবা হিনাউনা রাংবা অদু থিরগা শাদুনা পুথোক্নবা হোংনরগা হি শাবা লোইরদুনা পুথোরক্লবদা হি তান্নবদি হৈতবা মতৌ উবদা মাগী মরুপ থুমন মচা কদাং লায়রবা চরা হেন্দুনতা লৈরবা থুম য়েংই রাংলবা লেমলৈ ঙা য়েংই লৈজবা মরম্মা হি য়ান্নবা লৈরিবা উমংনুংতুদা মকোং মৈরী মচু মানবা কুরাউ মপাল অঙাংমগুম ঙাঙবা হয়য়িং অদু ফিগাউ থম্না হেক্লকয়ে। থুমন শলাইদা পোক্লবা থোংলেন কোইজা কৌবগা ওক্লরবদা হে মরুপ থুমন কদাং লায়রবাও! নঙগী তাউজিং হয়রাং অসিদি ওন্থোক্লা নীংখিজখরে। নহাক্কা মফমসিদা চরা হেনবগী খুদোং চাদবসিগা হয়রাংসিনা লৈরবগা ওন্থোক্লা মপা চানরে। হয়রাং মচেৎ অমনা তরা চাক্তী মহুৎ ওইহনবীরগে। হয়রাং মচেৎ অমনা লেমলৈ ঙাহুৎ শিনবীরগে। হয়রাং মচেৎ অমনা নোইমু থুমগী থুমহুৎ শিনবীরগে হান্নবা হান্নখি। কোরৌ নোংজা অদুদগী হৌনা মথন্নতা পাজরম্না হয়য়িংপু থেংনরুই হান্নবগী নোংয়াই তরা চেংজেল হয় হান্নবা কৌনখি। হয়রোক

অচনপাতা। নোংয়াইনা য়োংমনবৈত্তা। অত্তোন থোংলেন কোইচানা। পামেল রূথিলম। খুমন কাইপী খুবাম পামপা অতেরাচানা। চৈরৈ ফিতুং খারোননানা। পামেল থানসেমলোক। নোংয়াই কণ্ডাং লায়-রপা। তবা চে'চেন ত্তামপা। নোইণু থুনচেন রাংপা। লেমলৈ ঙায়োম-ত্তাপানা। লাইথংনাপা সেনকোইবোকপু নাত্তেনানা। তাউহুইরেং অহনপাকী। লাংকোই মথুনেংনা লুত্তুরাই। খামপী মৈরীংচীং। তাংকং খনত্তোময়াত্তা। কেকে অথৌলিচা হেপপা পূমনানাকা। লে.ইপী মচীংকা হেমপা পনথোং হাং। থংনং লাইতং লেংনা পনথেংথাপাত্তি। লোইপী মপুং তাকলে। ত্তাংকং য়াকা চাযরে। হুযেল লাননিবিত্তি। অমো সংলৈ লানথৌয়াঙপু কাযনা ছললে। পুরিকলাই মচিহেন। হিরাং মরাই লাংনা। মরান রোনতেবকলাপাত্তা। কেকে মপুংয়াইত্তা। লৈপাক মনিননাই। ফু'ঙাই মবাং কাযনা পাললমলাপাকা। খোইয়ম নোংতম মথৌথাপু রাকনফত্তাপাকী পুনসি চাহৈ লোমলে হাযত্তাপাবা। নয়ু

লমদমগী অপুকপা লোকচপ্তা নো'ঙ্গাইনা চাক চাদবগী অরাবনা খুদো' থিরিঙৈদা খুমনগী অদোন কোইজানা মাগী চৈরৈ ফি অহু তু োমদগী খারোন রোল্লগা উজাও অহু রাকৈয় হিগাদমক য়ান্দূনা শেম্লবা লোক খুমন মচা কদা' লাথববা, চান-থক্লবা চেঙ চাক রাংলবা থুমসু ঙাসু লৈত্রবা লায়রবগী থে রম অ'সিদগী মি'থোল্লবা সেন-কোইরোক কৌবৰু ঌ ঙঽ নাইতনবগ লৈবা লমদমঽদি থায়না মমা'ঙৈগী তাউহুই-রেং অহনবগী লাজোই শগোলদা খ্বাই নো'জে'বম পিবাগী তেল্লা পান্দূনা শিখিবা মৈরীং চীংগী চী'য়াদা তাবা তাংক' খুজ'হুদা মোইরা'গী অথৌবশি' অমদি কেগেগী অকনবশিংনা পনগী পনখোং নমথায়হুনা মথংত্তা চৈশাং পায়রগা হুয়েল লান্দাখিবদা তাজং খুজং কায়হুনা চেল্লখি। লানফম অসিদা অমো শ'লৈ কৌবা লান্দা থৌনবু লানঙ্গকখি। মরম অহুনা মোইরাং নি থৌনা মমায় পাক্লা ময়ুম মোইরাং লৈবাক-লোমদা হল্লকহুনা মোইরাং লৈবাক্তা নু'ঙাই য়াইফনা মরাং কায়না অরাং জগা লৈতনা পাল্লগা লাইগী নোংদম মতুংইন্না তমলিবা লাইবকপু থৈদোকপা ঙমখিদ-বনা নবুথৌ মোইরাং নিংথৌ পুনশি চাহৈ মতোল লোয়কপা মতম ওইখি। হিরাং পুরিক্লাই কোয়রেন

নিংথৌতি থামপী মৈরীংচীংতা থোসাপা। য়িরাং পুরিকলাই। কোয়রেন মিংথৌপাতি। চোযনৌ সনা মিংহুনকিপু চূনপানে।

নয়োল কেকে মোইবাং লৈমা। চিনফুবোল লয়হনলেমপী পাযমা সনা রুনকোইহুংকী।

২৯। পুরিকলাই কাপা পুরাং নিংথৌপা।

ময়ু পুরিকলাই। কেকে মোইবাং নিংথৌ। কোযবেন নিংথৌপা। পুরিকলাই মপাবী মৈমপী সাংনবম। ফমলেন যোইতোমপাপু সাংতবা-পাকী মসা.নী চাংথেং য়াইমপা। র'কলেন তোংযাইকী। কাপা পুবাং নিংথৌপানা। মসাপী ফমালনলাংতা। সনা ফমপাল তোংএ হাযতা-পাবা। নমু নিংথৌ কাপা পুরাং নিংথৌপাতি। কেকে মপুংম.ইতা। সনা ফমপাল তোংপা।। রুনপি সেনলোং নীকনা ফমগে। ফমযোই

নিংথৌবা থাম্বী মৈরাংচীংদা থেংশা। হায়না কোলোয় মিংথোনবদি ফংদোওলবা সনাগুম মিংহুন অসি চূনবনি।

নবেঙ্কৌ কেগে মোইবাং লৈমপী কোলোয় মিংলেন্দি শরাং লৈশাং য়েকওইবী লয়হনমোম্বী কৌবীগী শেংনবা শিয়োয়ুংদগী।

২৯। পুরিক্লাই কাবা পুরাং নিংথৌবা।

নবুথৌ পুরিক্লাই মোইরাং নিংথৌগী কোলোয় মিংলেন্দি কোয়রেন নিংথৌবা হায়না কোলোয় মিংলেয়বা। পুরিক্লাই নিংথৌসিগী সনা ঈ ওইবা মপাবুংগী সনা তাংবলদা ফম্বা য়াবা মপাম্বী অমত্তা পোকচদবগী মরম্মা মনাও ইবুংঙো য়াইমা ওইবা কাবা পুরাং নিংথৌবা কৌববু মরাম্বুংগী সনা ফম্বালদা ফম্বাল তোংহনা নিংথৌ ওইখি। নবুথৌ কাবা পুরাং নিংথৌবা কৌনদি কেগে মোইরাং লৈবাকসিগী সনা ফম্বাল তোংববু পুক্রিং য়াম্না চিংননা কিনা থোকখিয়ে। সনা ফম্বালদা ফম্বাল

মিংতা কাত্তরিঙে। ফলাং মৈতা তোংতারিঙেকী। মসানৌ রুয়েল লৈমা। সনা লীকলাং খোমহানবী। রুই রাকোন পাম্বা। রাকোন লোইনেম ফাপা। কোয়রেন থুংলায়খামত্তা নাউনৌপা। য়িয়োং ফৈরোইথক। ফিপোং চামিথকতা। সারেন য়েংনা কোননা নাউথেম-পাপু হোয়য়াত্তাপা। রুই রাকোননুং। রুকাক তপত্তাইথককী। ফৈরা-ত্তানতা থোংনা নাউনৌপাপু হোয়য়াফপা। রুই রাকোন পাম্বা। কেকে লককী রাত্তপা। নিংথৌ হিকালককী। নিংথৌ রাকোন লোই-নেমপা চন্নপু। হুংসি পূকনিং তংঙমত্তানা। হুংওল খোয়খৈত্তাপাকী। পুরিকলাইকী মকাইফম। য়িরাং ফমতোংকম অথূপাত্তা। কোরৌ নোং-তামত্তা। থপী নোংলেপত্তানা। মসানৌ রুয়েল লৈমা। সনা লীকলাং খোমহানপীত্তা। কৌপা চৌংতোয় লংকুম তোয়নাপা রাকী। মসাপী কেকে মোইরাং লৈমা লাইতোল লৈমা থাংনৌপীনা রারোইরকএ। সানৌ কেকে লৈনাপা। ঙাঙোই পোংলেন হনপারো। নঙতি সনা ফমপাললাংপু নমত্তা হুননা। করিকী নসানৌ রুয়েল লৈমা লিকলাং খোমহানপীত্তা।

তোংদরিঙেদা ওইরম্বী মত্তালোয় উয়েল লৈমা (রাকোংথেম চনু) সনা লীকলাং খোমহানবী কৌবা উই রাকোন পাম্বা রাকোন লোইনেমফবগী মশঙ্গায় অচৌবদা হান্না শাংচবী, চৈর ফিয়োম নীংথিবা ফিবোংথক্তা নাবা মাবু হাপ্লগা শয়েং য়েংনা কোন্দুনা নাউথেম্লবফাওবদা নাবা নিংঙাই তোক্লবী, উই রাগী রাকোননুংদগী লুক্রাক ময়াম খোম্লগা থানা শেম্বদা ফম্লগা ফৈরা তাজিম্লক্তা পম্না নাউথেমজরবত্তদা নিংঙাই তোকখিবী কেগেগী মীয়াম্না ঈকাইখুম্নরবা উই রাকোন পাম্বা কৌবা মোই-রাং কংলা ফম্নাইরশিংগী মরক্তা ফম্নাইবা ওইবা রাকোন লোইনেম্বা চনুবু মোইরাং নিংথৌনা তৎন-থানবা ঙমদবদগী সনা পূক্লিং মওল মওল থম্না লৈরবদা নিংথৌ শঙ্গায় অচৌবগী নিংথৌ ফম্ফম অচিকপদা কোয়্রৌ নোংজা থ্দিং অতৎপা লৈতনা মত্তালোয় উয়েন লৈমা নীংথিবীগা কেন-মৌনছনা লৈবা মতৌ অত্র উবদগী মচেম লৈমা ওইবী মোইরাং লৈমা লাইতোল লৈমা থাংনৌবীনা শাউনা হায়রকখি। ইশাবী বেগে লৈবাক মপু! ঙাঙোই পোংলেন হনবও। নহাক্না মোইরাংগী কংলা ফম্বাল অসিবুদি লায়থোক্লহনা নশানৌ উয়েল লৈমা লীক্লাং খোমহানবীগী মফমদা করিগী

লৈরাং হেকমায কারপানো। হাযনা য়ারোইপাপু। কেকে লৈমাপা। য়িরাং পুরিকলাই কাপা পুরাং নিংথৌপানা পাউমেললকএ। মাপী চিনকুরোল। লাইতোল লৈমা। কানতেক অহোঙপা চম্ন। কেকে সরয়পাক পুমনামাকী মুচা মীময়েন তোংনা। পলেমপীপু রোইনপীরো। নসাপী ঐতি নসানৌ য়ুযেল লৈমা। সনা লিকলাং শমহানপীপু। মিঙ লেনতুকুমপাপু সেৎনঙমলোইএ। লৈবাংতুকুম থাইঙমলবোইএ। সানৌ ঐপু য়ারোইরকুনো। ঙাঙোই লযমযায় মুংঙাইপা অসিতা। কেকে সেনলৈ মীরুতোং। মোইবাং পাইবৈ মীবাই ঙাকনা। সানৌ সানম ঙাইথিংতোন। ঙাংঙোই যিথাই কাইবেমপা। সনা থোমমাতোন অতোনপাকা। কেকে মোইবাং লৈপাক ঙাকনা। সনা ফমপাল তোংসননারৌবো। হায়না পাউমেললাপাকা। কেকে লযমাপা। কাপা পুরাং নিংথোপানা। কংলা যাইপুং মনিননাইনা। কেকে থুনফাংথৌ। মোইবাং লাইফাংথৌ পুমনামাপু পাউকৌথৎলাপাতা। নিংথৌ সনা য়াথং থোকনা য়াহমলকএ। কেকে য়িপাচা। ঙাঙোই য়িয়েলপু নিংথৌ হযলাং যিয়ুসা। তাউজিং য়িহযকোন। যিমাতোননা পোকপা। পলেমতোননা

হেকমায় কাহনা লৈথোকপিরিবনো হায়না য়রোরবদা কেগে মে ইরা পুরিক্লাই কাবা পুরাং নিংথৌবনা পাঙমেল্লকখি। ইবেম্মা। শরাং লৈশাং মেকওইবী লাই তোল লৈমা কান্তেক অহোঙবা চনু কেগে মোইরাং নইরবাক অসিগী মনুংদা লৈবী নুপী পুম্নমক্কী মথক থোংনা মমা শক্ত লৈ বীও। নশাবী ওইবা ঐহাক্কি ননাও ইবেম্মা উয়েল লৈমা লীক্লাং থোমহানবীগা লৈরাং শেৎনবঙম কাম্নবা ঙম্নরোই। ইবেম্মা ঐবু য়ারৌরগনু। কেগে ঙাঙোই নুং াই নইরবাক অসিদা ঙাই-শেন পুম্নমক্কী মথক থোংনা নশাবী ঐগী ইনাউ অতোনবা ইথাই কাইরেম্নগা লোয়্নননা মোইরাং লৈবাক অসি ঙাক শেন্দুনা ইশানৌগা ফম্বাল তোংমিন্নহৌরো। অসুম হায়না হায়রম্নগা কেগে লয়মাবা কাবা পুরাং নিংথৌবনা কংলা পুংজাউ থীন্দুনা মোইরাংগী থুঙ্গা নাইচা পুম্নমকপু কংলা কোনুংদা কে বংগ্রে। অদুগা নিংথৌ মশামক্তা সনা য়াথং হায়রকখি। কেগে ইরমদমসিংগী ইপা ইচা ইচিল-ইনাউ ঐগী ঈ ওইবা নিংথৌ ঐগী ইশাইগোনগী ওইবা ইমাতোন্না পোকপশিং

য়েনপা। থাইচেং লেমচেং হোচেং লেংনা তিনপা। তয়ম কেকে থুনঙাংপৌ। মোইরাং লাইফংথৌসিংরো। কেকে ননিংথৌ ঐতি। থোইয়ম চীংঙু লাইপু নিঙনা। য়িতোম কোয়ৌ লনসাচক্লরাকে। সানৌ সানম ঙাইথিংতোন। পুরিকলাই যিপ্বাই কাইরেমপাকা। সাপী চিনফু সোকলাইপী। নোংপাল থমলৈ অহোঙপা চনু। লাইতোল লৈমা থাংনৌপীকানা। কেকে লয়কোই ঙাকনাস্নুনো হায়না য়াহমলাপাকা। কেকে পুমনা থো। ঙাঙোই মনিন নাইনা। সংলো মথোয়াং। য়েনলাং মঙমতমলাপাকা। নিংথৌ হৌনা মলমংৎ। ফনপাল চেনে ফিনৌহোং। লিকলাং মঙাননাই। চোয়নৌ সনা লৈরোইনানা। সনা ফমপাল তোংলে হায়তাপারা। হে য়িরাং পুরিকলাইরো। নমু নিংথৌ কাপা পুরাং নিংথৌপাসুং। মরম লমলেম মংাইনা। কেকেলো থাঙকা লিংপীচীং। মানচা লৈনা চাউথু চনু। লাংহৈ থোইপী। কারাং মপীথেনতা থৌসাপানে। চয়েল লানানকাত। হকরানথেমগুম্নু নমপোক চৈথংকী। কমপোং মৈরা চাউকুনপা ফানাথেল। গুংপাল থৌখুগুমানপা।

নখোয় পুম্নমক্কা তিল্লনা মোইরাং লৈবাকী খুল্লা নাইরা ওইবা পুম্নমক মোইরাং লৈবাক অসিগী ননিংথৌ ওইজরম্বা ঐহাক্তি চীংঙু থোইরম লাইনিংথৌবু ঐ ইথক্তা নীংজরগা পুন্সিগী ওইবা থোঙফম থীরুরগে। অহনা ঐগী ইনাউ অতোনবা ইথাই কাইরেপ্পগা ইশানে। ওইবী চিনফ্রোল থমলৈ অহোঙবা চনু লাইতোল লৈমা থাংনৌবীগা লোয়ননা কেগে লৈবাক অসি ডাকহৌরসনু হায়না সনা য়াথং হায়রকপগী মতুংইন্না কেগে মোইরাং লৈবাকসিগী মী পুম্নমক্কা মথুম মরাঙ হৌনা নিংথৌগী হৌংবী ফম্বালদা তৌগদবা থোরম পুম্বা লাঙলহনা অনৌবা নীংথিবা ফিরোল হোংলহনা লীক্লাং পরেং মথং মথং ঙক্কা শিরে। সনাগী লৈত্রেংনা নাদা য়ানবা লৈতেং ওইরে। অহুম্বা মোইরাং কংলা ফম্বালদা ফম্বাল তোংরে। হে পুরিক্লাই নবুথৌ কাবা পুরাং নিংথৌবসু লমলেন মদাইমা থাঙ্গা লিংবীচীং, লৈমা চাউনু চনু লাংহৈ থোইবীনা লৈরম্বা কারাং মপ থেন্দা লেঙথি। অসিঙম্বা লমদম অসিদি মমাংঙৈগা মোইরাং নিংথৌসিনা চয়েল লান্দাথিবদা হকরানথেম চনুগী মপুম্বা পোকমিরবা কথোং মৈরাঙম মমিং চৎপবু ফানথিবা থেল ওইবা লুরাং থৌখু কৌবা

কারাং নুংথোংচীং। কেকে চীংঙাংপম নিংঙোনপী। মোইরাং মোইপী অসৈপী। থাঙকা খুনৌচীং। মতু য়োইপা কায়নৌচামপা। ঙমসোয়খোং। কেকে মোইরাং মুকাপ অসৈপানা। অসৈ তেরানরাই। য়াংমোম লৈমা ফানতেক অচাপা চনুকী ঙমসোয়খোংপু। পুমনা চননা অসৈনপা। কেকে পুরিকলাই কাপা পুরাং নিংথৌপাতি। থাঙকা লিংপী চীংতা খোইয়ম লাইপু নিঙনা পালখিরে হায়ত্তাপারা। নয়ু পুরিকলাই কাবা পুরাং নিংথৌপাতি। চোয়নৌ সনা মিহৈনক্পিপু চুনপানে।

নয়োল কেকে মোইরাং লৈমা। মপারী ঙাংঙোই নিংথৌ অহুম তানফংপী। য়িরাং ঙাংঙোই লৈমা। মাইনৌ নিংথৌ চনু। থপা ঙনংথোইপী। চিনযুরোল লয়হনমোনপী। পায়মা সনা রুনবোইনুংকী।

নুপী মানবনা লৈরম্বা কেগেগী চিঙ্গাংবম নিংঙোল মোইরাং মোইবী অশৈবীনা লৈরম্বা থাঙ্গা খুনৌচীংগী কারাং নুংথোংচীং মৌপুা য়োইবা কায়নৌজাম্বানা শেমলম্বা ঙমশায়খোং কৌবা অহংগা মুকাপ অশৈবনা ঈশৈ শক্রা শক্রা হল্লকপদা য়াংমোম লৈমা ফান্তেক অচাবা চনুগী ঙামশোয়খোং য়োনা খুাইনা শৈথানরম্বা কেগে পুরিকলাই কাবা পুরাং নিংথৌবা কৌবদি অসিগুম্বা থাঙ্গা লিংবী চীংদা লাই নীংহুনা লৈভখি। অসিগুম্বা পুরিক্লাই কাবা পুরাং নিংথৌবা কৌবদি ফদোঙলবা সনাগুম মিংহুন অসি চুনবনি।

নবেঙ্কৌ মোইরাং লৈমা ওইবীদি মপারী অহুম্মকপু কেগে মোইরাং লৈবাক্কী নিংথৌ ওইবশিংগী পলেম মমা ওইবী ইরাং ঙাঙোই লৈমদি মাইনৌ নিংথৌ চনু ওইহুনা শক্তিক থবাগুম ঙাম্থোইহুনা লৈবী শরাং লেশাং য়েক ওইবী লয়হনমোনবী কৌগীগী শেংলবা শিয়োমনুংদগী।

৩০। য়িরাং পুরিকলাই য়িথাই কাইরেমপা।

ময়ু পুরিকলাই। কেকে মোইরাং নিংথৌ। কোয়রেন নিংথৌপামপারো। রূনৌ কোনতে কোননা হুনপাতি। মসাপী পুরিকলাই। কাপা পুরাং নিংথৌপানা। খোইয়ম লাইপু নিঙনা। কোরো লানসাখিরাপাতা। মসাপী ফমলেনলাংতা। কেকে মরয়পাকপু। লোকলৌ সনা কোননা। নাউয়োক হৈপাকী। ঙাংঙোই মনিননাই। মোইরাং মরাং হোনা পানফপা। য়িরাং পুরিকলাই য়িথাই কাইরেমপারো তৌনা কৌএ। নয়ু নিংথৌ য়িথাই কাইরেমপাতি। লমলেন মতাইমা। য়িথাই পুনমচীং। মনাই তাপা য়িরাং পনচললম। সেকরা তাংতনপোক। থপানা পাললমঙে। হুমিং সেকয়েনা পানলমঙে। খুনচান হেপপা লোইহেপপাপু। মলুমপী রাংন্থু চেংঙা চহুনা। কোঙযাং তাংখু য়েনা। খানিং মীকোনচীংতা।

৩০। ইরাং পুন্‌ক্লাই ইথাই কাইরেম্বা।

নবুখৌ পুরিক্লাই মোইরাং নিংথৌ কোয়রেন নিংথৌবগী মচা ইবুংঙো কোম্না পোনচরবা অংঙানবাদ ময়াম্বুং পুবিক্লাই কাবা পুরাং নিংথৌবনা খোইয়ম লাই নীংহুনা তাইবং মীওইবা ওইবগী তুংগী লম্বী য়েংনা চীংঙু মিংলেন শোন্দুনা লৈগ্রবদা ময়াম্বুং অসিগী কংলা ফম্বাল কাদ্বনা মোইরাং লৈবাক অসিবু পান্নাউ শিংনাউনা কোনশিনবগুম লৈবাক মীয়াম্বু মীয়োক মীচান হৈনা নীংথিনা পানখিবা ইরাং পুনিক্লাই ইথাই কাইরেম্বা হায়না কোলোয় মিংথোন্নে। নবুখৌ ইথাই কাইরেংদি লমলেন মদাইমা ইথাই পুনমচীং লমদম য়োনা মচা মনাইশিংনা হুন্দাবা ইশিংনা হেনবা লমদম য়োনা খুহুম চল্লম্বা লম সেকরা তাংদনপোক কৌবা ফাওবদা নুংথিন্দা নুমিৎকী মশেক্না য়েবগুম নুমিদাংদা থবাগী মঙাম্না ঙানবগুম নুংঙাই য়াইফনা পাল্লিঙে খুঙানগী লোইহেম্নবু মতালোয় রাংনু চেংঙা চনুনা মাগী মতাং তেনবা রানা উচুক য়ৈর-য়ৈরহুনা থাইনদগী শম্বল খাবগী চৎনরকপাবু তোকপা লৈতনা তৌরকপা মীকোনচীংদা

• মোইরাং নিংথৌ মাশেম্বনা রাণী ২ পান্নে, অহলনা কোয়রেন নিংথৌবগা, কাবা পুরাংবগা ২ পোকই। মথং অতোপ্পী মায়নৌ নিংথৌ চনুনা ইথাই কাইরেম্বসি পোকপনি।

চংপী কয়রীং তানপা লম। থাঙয়ি অহোঙপীনা। কেকে অকোংচামপাপু। তোপনা হুললাললমপা লমপু। কেকে মোইরাং নিংথৌ। ঙাঙোই য়িথাই কাইরেমপানা য়িনভালখৈ। লোইপী ঙাইখোং মলমপুতা রাহমলকএ। তয়ম লোইপী ঙাইখোং মলমপুরো। নঙতি লোইপী ময়িমনাক। ঙাইখোং মসাইকোনতা লোইথৌরুরো। ঙাইখোং নিংথৌ খোংঙাপাস্নং কুমলকরো। মপারী নিংথৌপাস্নং থারকরো। পানপা কৈমাস্নং ফারকয়ো। রাকয়ৈ হিমাস্নং থারকরো। সাপী কেকে মোইরাং নৈমনা। মেনর্ণক মেনভোংকে। পুই তুখোং তৌকে হায়পাসিপু। মায়থঙনাপা ঙাইখোং পোংলেন লোইস্নং পুথারকরো। হায়না খৌসাখিপাপু। লোইপী ঙাইখোং মনিননাইপানা। রাকয়ৈ হিমাতি যাললকএ। পানপা কৈমাতি ফারকতে। মপারী নিংথৌপাতি থারকএ। মপল ঙাইখোং নিংথৌ খোংঙাপাতি কুমলকতে। ঙাইখোং পোংলেন লোইস্নং। পুথরকতাপারা-কীপু। নয়ু নিংথৌ। ঙাঙাই য়িথাই কাইরেনপানা রাত খিখিএ। তয়ম ঙাইখোং নিংথৌ খোংঙাপা মপারী নিংথৌপারো। নপল পনথৌ নিংথৌ। ঙাইখোং নিংথৌ খোংঙাপা রোমপাতি। কত্তোপা কুমলকতাপানো।

লক্‌ লঙং নীংথিনা থাংনা নৈরঙ্গা লমদম থাঙয়ি অহোঙবী লোইমোম ফৌংইবীনা কেন্দেবী অকোংজাম্ববু হুন্দোর্‌ল্লগা লাকখিবা লমদমদা মোইবাং নিংথৌ ঙাচোই ইথাই কাইরেব্বনা তান্নরকঙৈ লোইবী ঙাইখোং লম্বুদা হায়রকখি। হে লোইবী ঙাইখোং লম্বু অচানবা! নহাক ঙাইখোং খুঙ্গং তানা চৎলগা লোই থোক্ল। ঙাইখোং নিংথৌ খোংঙাবম্‌ কুম্লকউ। মচানিপা নিংথৌবস্‌ লাকহল্লু। কৈ অমস্‌ ফারকউ। হি অমস্‌ থারকউ। ইসাবী ইতৈমা মোইরাং নৈমরেন ওইবীনা মেম্বক মেম্দোংগে পুই তুখোং তৌগে হায়বসিদা মায়য়োক থাননবা ঙাইখোং লমগী নীংথিবা পোংলম চৈরম খ্বিবিকস্‌ পুথরকউ হায়না পাউখোল শীখিববু লোইবী ঙাইখোং খুঙ্গংনা হি অমদি য়ান্দুনা শেম্লকখি। কৈদি ফারক্কে। অহুপা মচানিপাদি থারকখি। মপা ঙাইখোং নিংথৌ খোংঙাবদি কুম্লক্কে। ঙাইখোং লমগী লোইগী পোংলম নীংথিবস্‌ পুরকত্রবদগী নবুথৌ ইথাই কাইরেব্বনা মপুক্লিং য়াম্না য়ারৌনা শাউখি। হে ঙাইখোং নিংথৌগী মচানিপাও। নঙবু পোকপা নপা নিংথৌ খোংঙাবা ওবদি করিগী কুম্লক্তবনো।

পানপা কৈমাম্নুং ফারকতে। রাকয়ৈ হিমাত্তি থারকএ। ঙাইখোং পোংলেন লোইসুং। কতোৗপাপু থারকতাপানো। লোইপী কনম্নক মুংচানানা। হেমপা কললেন নুংকননৈএ। হায়না ঙাইখোং নিংথৌ খোংঙাপা। মপারী নিংথৌপাপু। থাঙলেন চেপনা চননা নোংমলংহলএ। অতুনোংকিপু রাকয়ৈ হিথাখোং। কেকে নিংথৌখোংরো তৌনা কোওএ। অতুনোংকিপু। য়িরাং পুরিকলাই। ঙাংঙাই য়িথাই কাইরেমপা। ঙাইখোং নিংথৌ খোংঙাপা। মপারী নিংথৌপাপু কায়না হুনপারো তৌনা মিংথোনখিএ হায়তাপারা। য়িরাং মতৈ লৈমা মসাপী। মোইরাং লৈমা লাইতোল লৈমা খাংনোপীনা। মতাইরেম কেকে খুনফাংথৌ। মোইরাং লাইফংথৌ। কেকে খুনথক খুমখাকী। তয়ম মনিন নাইপা পুমনামাপু। তরা লুকমায় লেননা মায়থঙখিএ। য়িতাইলেম অথৌলিংগা হেপপা। থয়াঙ কোনতাহলেনপা। সচৌক লাননোংতন। থপা লাননোংথায়পাপু সোয়তাপা নঙখোয়কা। লংমাই ফুরোইনু। থাংঙা কমপোং ওংপী মনাসো। কোংয়াং রাসাংসো। লোকলৌ সৌরাই

কৈ অমা কারকউ হায়রমু ফারক্লে। অংগা হিবুদি মথারকই। লোইপা লোইপোং নীংথিবমু করিগী থারক্তবনো। চীংদা লৈবগী হৌনবা কম্থি কক্লাউননা থম্মোয় নুংকম্নে। অসুম হায়রহুনা ঙাইখোং নিংথৌ খোংঙাবগী মচানিপা নিংথৌববু নিংথৌগী থাঙলা ঃনা চেপক্লা হাইহনা মথরাই লৌক্রে। মরম অদুদগী মথম অহবু রাকয়ৈ হিথাখোং কেগে নিংথৌখোং হায়না কৌনখি। কোরৌ নোংজা অত্তদগী হৌরহনা ঙাঙোই ইথাই কাইরেম্বা ঙাইখোং নিংথৌ খোংঙাবগী মচানিপা নিংথৌববু মায়থীবা পীবা হায়না মিংথোন্নখি। মতৈমা ইবেম্মা মোইরাং লৈমরেন ওইবী লাইতোল লৈমা থাংনোপীনা মোইরাংগী খুজা নাইজা কেগে খুম্বক খুনথাগী মতিক মগুণ লৈবা মীয়াম্বু চাক কৌহনা শকথঙ মায়খঙনখি। হে অথৌবা ইপা ইপু হাক্তক্লগী হৌনা শাগৈজী, মপা মপুগী মগুণ ঙাক্লা অমদি অশোল অনা কল্লাবু কনবি ঙাকপি ঙম্মা। নথোয়দি কোয়ৌ থক্তা থোকপা শজিক থবাবু য়েংখিবদা হেক্তা উবগুম তোমখিল ওইনা লৈরবা অমদি অহাংবা কোয়ৌথক্তগী ঙংলকপা খোজেননা পৃথি-থক্তা মীকপগুম নতিক নথৌনা লৈবা নথোয়নি। চীংয়া তমরাদা হৌবা লাংলেন কোংয়াং য়াবু হুইদেম খানা য়ানখিবদগী মচীল থাঙদোন শাহ্নুনা লৈবদা

তাঙনা। থূয়া য়ৌরুমমেন। হিমু ফিরাক সাপাপু সোঙকিতাপা। কাউ-রেন তামপা সনসকপা। কৈরেন তেংথাপা নঙথোয়তি। তরা লুকতোম চাউরো। য়িত্তাইরেম থয়াঙ কোনতাই লোনতাপা মোমহু মসুং মমানপা। হুচা মমান তমপা নঙথোয়তি। য়াংলৈ তাউপা হুইচাকা। তরা লুকচুম-মননৌরো। থুমনাউ মাথূতোনসুং থেকচানা। য়েননাউ মসাতোনসুং খাইচানৌরো হায়খিএ। মত্তাইরেমসিংনা কেকে লাইতোন লৈমারো। করি খোয়নো রোনথোকএ। য়াংলৈ তাউপা মহুইচাকা। তরা করম লুকচুমমননাসিপানো। রাকংচপাপু রাকনফত্তানা। তাউপা মহুইচাকা। থুমনাউ মথূতোনপু থেকচানখিএ। য়েননাউ মসাতোনপু খাইচামননা খিএ। অতুনোংকিপু লাইতোল লৈমা খাইচাপুংরো তৌনা কৌএ। কেকে অথৌলিংা হেপপাতি তরা লুকতোম চানা মায়থঙখএ। কেকে মোইরাং লৈমা। লাইতোন লৈমা খাংনৌপী কেকে লৈমা অঙাঙনপী। মোইরাং সংকন অরেমপী। খাংপী লৈমা কোংয়ামপী। লরাই হৌরা নপাই।

চঙলুরগা থংয়াদা শোঁ হুদ্না ফিরোং চানা শোরবকাঙবদা অকি তুজুং পোক্নরবা। শন্দা হায়রগা মপা লৈত্তনা থা. ুঙনা থম্বা কাউরেন শনগুম্নবা কৈদা হায়রগা পাম্বা কৈরেন অচৌবনা ডংবদা তখিবা সংবগুম কিনরবা অথৌবশা নঙথোয়দি তরা চাকমক ওইরবসু খাইদগী হেন্না হাউরবা লুকলেন অহু চাও-ও। অদুগা মতিক মথৌনা লৈতবা নূপী পাঙ্গল শোন্দবীগুম্নবা নিগা ওইরবসু নিপাগুম ওইদ্রবা নঙ-থোয়দি য়াংলৈ তাউবা হুইনাউ মচাগা চাকলুক অমওদা চামিন্নৌ, য়েন্নাউ মচানিংগী মখোঙ অমদি মশা শাগল থাইবিবা অহু চাও-ও হায়খি। য়ারম অসি তাবদা মনাইশিংনা হে ইবেম্মা মোইরাং লৈমরেন ওইবী লাইতোল লৈমা কৌবীও। করি পুকচেল্লো ওল্লোকইদকো। য়াংলৈ তাউবা হুইনাওগবু করম্না চামিন থকমিন্নগদগে য়াথং অহু হায়বিগনু হায়না হায়জববু য়াবিদহুনা (মানা হায়খিবহুনা তোকপা লৈত্তনা লেপখিহুনা) হুইনাউপা চামিন্নখরে। য়েন্নাউ মখোঙ মশা শাগল মচা থন্না খাইরকপহু চামিংখি। নুমিং অহুদগী হৌনা মযমমুবু লাইতোল লৈমা খাইজপুং হায়না খঙনখি। অসুম্না কেগে অথৌবা মোইরাং অকনবশিংদি তরা লুকলেন অহেনবা চাহুনা শকখঙনখি। কেগে মোইরাং লৈমা লাইতোল লৈমা খাংনৌবী লৈমা অহনবী মোইরাং চন্দ্রকন্নগী অরেম্বী খাম্বী লৈমা কোংয়াম্বী কৌবী, অরাঙ্গা

হুয়েল ঙাংসোইপা ফাম্পীকা [১] ঙাংখা লৈমা য়োইরেনপী। চোথে নিংথৌ চারেংপা ফাম্পীকা [২] সামন লৈমা নামোইনু। লোনফু লৈমা মৈতৈনু। মতু নিংথৌ খাকারাচা অচানপা। চোয়নৌ সনা হেনখাঙনপা। কিয়াং-লিককাং লিপাকা ফূয়মননাম্পীকা [৩] লোইপী পানপোংঙমপী। হুয়েল অরুরেং ফাম্পীকা [৪] য়ুরা লোকহুম্নু। সাচুন ঙানপী লেংকা তানফং-পীকা [৫] লাইচিং তোম্বুম্নু। মহোঙমপী অরুরেং ফাম্পীকা [৬] নিংথৌ মৈরা চনু লৈমা হামচাউপী। লোইপী চাপং ঙমপী। হুয়েল চীংমাইপা ফাম্পীকা [৭] কেকে মোইরাং লৈমা তরেৎমানা। চোয়নৌ সনা ভেংকোৎপু জুতা থোংমা। মালেম লয়হোপখিএ। মোইরাং ঙাংখা লমসেমখিএ। অতুনোংকিপু লম্বলেন মতাইমাপু। কেকে লাইতোল লৈমা খাংনৌপী। পুই তুখোং তৌপীতি খোংতৌবম। মেনতাক লমথোনপীতি লমথোনরাই। মোইরাং ঙাংখা লমসেমপারো ভৌনা কৌএ। নয়ু নিংথৌ ঙাঙোই য়িথাই কাইরেনপানা। কেকে মপুংয়াইপু খোয়না তোনচেংহনতা। তিংখং

নবাই-খোয়াই য়োনা খোংবী ঙাংসোইপা কোবনু হুয়েল লান্দা ফাবী হায়না মিং-থোল ফংবাগা (১) ঙাংখা লৈমা য়োইরেনবী, চোথে নিংথৌ চারেংবা ফাবা হাক-ঙ চা চারেংবা ফাবী হায়না মিংথোল ফংবীগা (২) সামন লৈমা নামোইনু লোনফু লৈমা কোবী খাকরাচা কোবা মৌপু। কিয়াংলিকফাং শিবগা ফাইবোক ওইনা পোকমিম্নবী মৈতৈ চনুগা (৩) লোইবী পানপোং ঙমী কোবী লান্দা অরুরেং ফাবদা অরুরেং ফাবী হায়না মিংথোল ফংজবীগা (৪) উরা লোকনুশু শাচুন ঙানবী লেংগা তানফংবী কোবীগা (৫) লাইজিং তোনুশু মহো ঙম্বী কোবী অরুরেং ফাবীগা (৬) নিংথৌ মৈরা চনু লৈমা হামজাউবী লোইবী চাপং ঙম্বী, চীংমাইবনু লান্দা ফারকপদা চীংমাইবা ফাবী হায়না মিংথোল ফংবীগা (৭) মোইরাংগী লৈমা তরেৎমক্না সনা ভেংকোৎ কোক্তা হাপজুনা (সনা মনু মানবা কোল.কোম্পাক্ষুল্লা) লৈবাক হোল্লগা যুফম থোন্দুনা মোইরাংগী ঙাংখা লমদম্বু শেমগংখি। কোক্কৌ নুমিৎ অক্দগী হৌনা লমদম অহনু কেগে লাইতোল লৈমা খাংনৌবী পুই তুখোং তৌদুনা মেন্তাকী লম-দমদা লৈবাক থোনলহনা ঙাংখা লমদম শেম্বর-ও ভৌনা কৌনখি। নয়ুখৌ নিংথৌ ঙাংঙোই ইথাই কাইরেম্বনা কেগে মোইরাং লৈবাক্কী-মীয়াম্বু য়েংশিনবা

রাম্নৌ লৈহনজপা। য়োইপু খোইমোম লাইরেম্মা। থাংজিং অহোঙপী। তমপা থিজচা কোনখিন য়েনা। পোথম্মা মায়য়োকনানা। য়ামচেং থাকাম-নানা। য়োম্নচানাপা। পুই তুখোং তৌপা। মেনতাক লমথোনপা। ঙাইখোং নিংথৌ খোংঙ'পা মপারী নিংথৌপাপু কায়না হনপাত্তি চোয়নৌ সনা-মিংহুনকিপু চূনপানে।

নয়োল কেকে মোইরাংলৈমা। য়োইকমলোন কাইরোম্বু সনা পোনচেম্পী। থৌরৈ নোংচু অহোঙপা। খোয়নৌ লাংমৈ য়াংকোন নিংথৌ চনু। মপাম হুংপাল য়াংহনপা। খোয়নৌ লাংমৈ তেংথানপা মিংপু। মৈনা য়াইনা মিংথোংকপী। লাংচেং তোননা পানপা। খোয়মা তোননা লংপা। তোমসোন চেপথেং লৈকুমপী। পায়মা সনা য়ুন-কোইমুংকী।

— ——————— —

মৈহন্বনা পূক্লিংদা থরুম চৈ হন্দনা অমম্বা অময়া খোয়জেল শীংজেল তিন্নহন্দ্রনা লৈঙাক্লম্বা নিংথৌনি। অডুগা লোইমোম যৌওইবী লাইরেম্বগী থৌজালনা ফোগৈ থম্না শীংগৈ থম্না হাপ্লগুনা লাইরেম্বগা মায়য়োক্লনা চাম-চিন্ননা লৌমিন্নরম্বা পুই তুখোং তৌবা, মেনতাক লমদম লৈথোনবা, ঙাইখোং নিংথৌ খোংঙাবগী মচানিপা নিংথৌবা কৌবরু হুয়েল লান্দা মায়থিবা পীঙম্বা হায়না কোলোয় মিংথোনবদি ফংদোঙলবা সনাগুম কোলোয় মিংলেন অসিদি চূনবনি।

নবেম্মৌ কেগে মোইরাংগা লৈমরেন ওইবা লুরাং য়েকওইবী কাইরোমু পোক্লেম্বী থৌরৈ নোংজু অহোঙবা খোয়নৌ লাংমৈ য়াংগোন নিংথৌগী মমোম ওইবীগী মপাম লমদমদি লুরাং শলাইদা পোকখিবা লাক্নৌ লাজাম্বগী মচা ইবুংঙো য়াংহনবা কৌবরু শীপূম খংদিংমা নুংশিনা শেম্লখিবা কোলোয় মিংলেন তুংইন্না তামকংহনা থাম্বী মৈরানা তংতনা মুংলক্লবগুম য়ানা নংনদি পাল্লকপা পায়মা পূক্লিং খোয়জেন্দি খোইনা হেন্না নীংখিবী, মাইমু তোমখোন লৈরুখেংনা কোজা লৌতেং ওইবীগী শেংলবা পায়মা শিরোমনুংদগী।

————

৩১। পুরিকলাই সাংতোন লৈনাউত্তাপা।

নয়ু কেকে মোইরাং নিংথৌ। পুরিকলাই সাংতোন লৈনাউত্তাপারো তৌনা কৌএ। য়িরাং পুনিকলাই। সাংতোন লৈনাউত্তাপাত্তি হাওরৈ নোংচুপ খানা পাংপালম। আইমোন মপুংযাইত্তা খৌসাপানে। ঙাঙোই খয়াঙ কোনত্তাই লোনপা পুমনাখানা। কেকে মখিনাই। মোইরাং লানমী মরাং হৌ চুংলেন ঙকত্তা হুক। তিমেন খেরাংখোং। হেমপা পনখোং হাং। খংনং লাইতং লে'না পনথেংথপাত্তি। লোইপী মপুং কায়রে। আইমোন য়াকা চায়রে। মৈপী তাংকোই পাই। মৈপু নোং-লোনকানা। হেমপা খাংচেন খুনলে। পুরিকলাই মখিনাই। য়িরাং মৈনা য়োংনা খৌসাবে। ঙায়েল লাননিকিত্তি। খারম আইমোন মনিংথৌ। মরেম লাংঙালেং অংখোপাপু কাযনা হুলএ। নয়ু নিংথৌ খারম লানথাপা পুরিকলাই মনা মচুংলেন। ঙবেল মরানহৌত্তি অতুম্পুং মতোমত্তে। হাওরৈ নোংচুপলা পাংপালমত্তা খৌসাপানে। লমলেন ফোইচৌং ফৌরেইচৌং। নিংলিং মাযবোং সমলির ই। খুংচুপ মনি

৩১। পুবিকলাই শাংদোন লাইনাউত্তবা।

নবুখৌ মোইরাংনিংথৌ পুরিক্লাইগী কোলোয় ঋ'লেন্দি পুরিক্লাই শাংদোন লৈনাউতানা হায়না কোলোয় ঋ'লেম্লে। ইরাং পুরিক্লাই শাংদোন লৈনাউতাবনা নোংচুপ মাত্রকৈরোমদা লৈবা আইমোন কোবা খুঙ্গংদা মোইরাংগী অথোবা কেগেগী অকনবশিংঙা মোইরাং লান্মী পুম্নমক পুন্না ঙয়েল লাক্লোইশিংনা মথুম মরাং হৌনা মথংগী লিশাং লায়না চৌংগী পনথোং হাংন্না ঙযেল লান্দাখিন্না চীংগী বুক্লং পুম্বা খুপা মরে, আইমোন খুনকম মৈ থাত্না মৈখুনা অতিয়া শান-খুংনা মম্না পাইবদগী মৈথাক তাঙ্গোইনা শীনখুংনা তারক্লা লান্দা মায়থিবা পীত্না আই-মোনগী মীয়াম কায়ন্না চেন্নখ্রে। মোইরাং নিংথৌনা কন্থ-কঞ্জাউ থোক্লা ঙয়েল লান্দাখিবসিদা খারম আইমোনগী নিংথৌ লাংঙালেং কোবা লান্দা থৈববু মায়-থিবা পীখি। মোঙ্ফম অসিদা পুরিক্লাইবু খারম লাম্ববা হায়না নিংথৌননখি। পুরিক্লাই খারম লাম্ববগী মতিক মথৌনাদি অসিনম্নু লোইবা নত্তে। নোংচুপ মায়কৈরোমদা লৈবা কোয়জিং ফৌওইচৌং কোবা চীংমায় অমদনা শিংতনা থম্না হৌবগুম উপাল মাপায়া থম্না মরী মরী শম্না হৌরবা মরক্তা, অঙাংখী কংচুপ

মায়থকতাপা তাউরিকয়ি। নামৈলাকপা লাম্নোংপামপা। হাওমুরককী ফমম্পিকাপা। হাওসংলককী ঙাইথোমপা। তিমেন মশিনলম খোকচৈ মসোললমকা। লোইপী মারেম মপুংমাইতা। কেকে অথৌলিক্তা হেপপা পুমনামানা। লোইপী মচীংকা। চুঙলেল থাকুপ হৌ। নুংপী য়াঙ্গৌ নেংনা। থংনং লাইতংলেং সৌপোন মাঙ্গরোই থীন। হেমপা পনথোং হাংনা পনথেংথেপাতি। সোংপু পামতাননা'র। মারেম য়াকা চায়রে। কেকে নিংথৌ মথিনাই। য়িরাং মবাং হৌনা খৌসারে। হুয়েল লাননি কিতি। লোইপী সোংপু হাউপাথং। হুয়েল চামায়ঙাং অথোপাপু কায়না হুললকএ হায়তাপাক্রা। নয়ু নিংথৌ নোংচূপ মরোং ঙমপা। খারম আইমোম লানথাপা। সনা মচূংমেন হুয়েল মরানহৌতি অতুম্বুং মতোমতে। হাওরৈ নোংপোকলা পাংপা লমতা খৌসাপানে। য়োই-ময়াইনা খেনকাপা লম। অঙানপানা খেনচোংপা লমতা। নোংপোক রায়রুং লমসাঙ য়িলনা। হুয়েল লানঙাপিএ। সেনপি তুমু মনিল নাই-পানা। য়োইময়াই স্তাউ তনপাপু। কোরৌ থপা লাংনা। খোইয়ম

মরীঙমা ইরুং লংনা চেম্বরকপা লোকচপকী ঈশিং খোঙবান্দা নামৈরাকপা লাশোং পাক্কা কৌবা হাওমুরকতগী ফম্মী কৌববু কারবখিবা হাওলংলকপীনা মচা মনাই ঙাই-শেল পুম্ববু খোম্বনা মাগী টাগী টাক্সিল মতুংইননা লাক্লপা ফৌওইচীং চীংয়াই য়োয়বদা কেগেগী অথৌবশিংনা চীংজাউ কারক্কনা চুক্কনা থবাক্তা ঙাক, চীংপী নুং-চিল অতুম্বশিংদা মরী মরী নেংনা নেংনা লাকপনা শো থাকপা পনথোংনচিংবা পুম্ববু নমথংতুনা শোংবু থুঙ্গংগী মীশিংবু কোয়তান তাম্নদ্রনা থুঙ্গং থুগায়রে। কেগে মোইরাং নিংথৌম্ব মতিক মথৌনা উৎনা লান্দাথি। লানকম অসিদা লোইবী সোংপু থুঙ্গগী হাও পাথং চামায়ঙাং কৌবা লান্দা থৌবব্ব মায়থিবা পীথি। নমুথৌ মোইরাং নিংথৌ নোংচুপ মরোংঙমা খারম আইমোন লাম্বুবগী মতিক মথৌনাখি অসিনম্ব লোইবা নত্তে। নোংপোক মায়কৈরোমদা অমুক্তা হুয়েল লান্দাখিবনি। কোরৌহনবন থোক্লকপা লম নুমিৎনা হেক মঙাল শন্দোক্লকপা রায়রং লমগী মতুংইন্না কৈথিবা লমদা লান্দাখি। তুমুদা কৈবা মীশিংনা য়োইময়াই স্তাউলনবা কোম্বোক্লনমা নুমিৎপু ঈরাং পুজা তৌনা লোইরম

লাইয়িম চঙনা। চীংঙু লাইপাউহংলপাকা। থামপাউ পাউয়ানপোকপু নাত্তৈনানা। চীংখোং পোইরৈতোন। মমা লয়নুং পিয়াইখুচা। খোমকাং অত্তোনপাকা। মতৈ লৈমা লৈমা লৈনাউতাপীকা। সেনপী সিতাপা। কপো নাতাপাপু থুনথিরকপতা। সেনপী কাপোচানা। মুতুম মুলা তুমং ঙমএ। অতুনোংকিপু তুমুও তৌনা কৌএ। সেনপী তুমু মপুংয়াইতা। কেকে অথৌলিচা ছেপপা পুমনামানা। সেনপি কাংসং থোঙচাউ হাংনা পনথেংথপাত্তি সেনপি মাপুং তাকলে। মরীক লাইখন থুমলে। খারা খেনচং কিনথারে। হুয়েল লাননিকিত্তি। কাপো রাপী হায়পা। লুসৈ লানথৌয়াঙপু ক য়না হুললে। কেকে মচিহেন। মোইরাং মরাইলাংনা মরান রোনতেরকলাপাকা। কেকে মপুংয়াইতা। মোইরাং সাংনা তাপাত্রা। লুংঙাই মরাং কায়না। রাইথুংলারে হায়তাপারা। নম্বু নিংথৌ। খারম আইমোম লানথাপা। কাপো য়িমলোং ঙমপা। তুমু য়িমচঙ য়ানপা। পুরিকলাই সাংতোন লাইনাউ তাপানা। কেকে মকংলা। মোইরাং

লাইনি হায়না খুরুম খাজংনা লাইগী লাইপাউ তানা পাঙবা লম থামপাউ পাউ-য়ানপোক কৌবা লমগা তাইনবদা লয়নুং পিয়াইনুনা পোকপা মচানিপা অত্তোনবা চীংখোং পোইরৈত্তোনগা মতৈমা লৈমা লৈনাউতাবীগা লোয়ননা খুন্দাবদা অনা-অয়েক চেল্লোইদবা শিরোই-নারোইদৌবা মকম থিরকপদা কবো মচাশিংনা ইকু মুনা তুমজনা লৈনরম্মী। নুমিৎ অত্তদগী মকম অদুবু তুমমু হায়না কৌনখি। অসি-ঙবা তুমু খুঙং ময়ায়িদা কেগে অথৌবা পুন্নমক্লা কবোগী লমদমদা চঙজনা শংগী থোঙজাউশিং হাংলগা লান্দাথিবদা কবো খুঙং তাকখি। মুমুম থদিং লৈকক লৈতজনা লাঙেন্নখি। মথোয়না শারবা লৈরবা মুম লাইশঙনচিংবা পুম্বা থুগায়খি। লানকম অসিদা কবোগী মচিন চংপা লুসৈ কৌবা লান্দা থোকবু মায়থিবা পীরম্মী। থোঙকম অসিদগী কেগেনা মমায় পাক্লা ময়ুম মোইরাং মায়কৈরোমদা লান্দা মায় পাক্লকপগা লোয়ননা হল্লক্লগা কেগে মোইরাং কীয়ায়া থম্না, খুলশাং ওইনা তাকলা য়াইবি মরাং কায়না নুংঙাইনা খুংলম্মী। নম্বুথৌ মোইরাং নিংথৌ খারম আইমোল লাম্বা কবো য়ুমলোং ঙবা তুমু য়ুমজাউ য়ানবা পুরিক্লাই শাংগোল লাইনাউ তাবদা কেগে মোইরাংগী কংলা কোনুংদা

কংলাতোংনায়াঙতা ক্ষমনা রাহংখিএ। তয়ম কেকে খুনফাংথৌ। মোইরাং লাইফংথৌ। অথৌলিচা হেপপা। পানপা কৈসকপা। কৈবেন তেং-থাপাসিংরো। হাওরৈ নোংপোকলা শাংপারম। লমলেন মতাইমা। নোংয়াই কোকচা হীরুপানা কোইপালম। অতোন লাংয়েন সিনাইপানা ঙাকপালম। অহোঙ তোংকনসাপা। মরমথেকী। লয়মাপী তোলাংপী মতুয়া। নোংয়াই অথিং সোইথিংপিচা। অতোন থিংকোন য়ারা সোয়-চেপপীচা মরোপান। সারা মাইলেমপা মকাইফম। য়োইরুমলোন অপানপী। লৌসি খোংতোপী খোংতোরম। মতু তোমফাং যিতেমপানা। য়িথেমরাই। থৌপাল লাইচা য়িমরুতা। হুয়েল লানতারুসে খুমন মংথু তোংপা। কোকোন লৌসঙপাপু ফারুসে হাযনা য়াহৌনরাপাকী। নয়ু নিংথৌ ঙাংঙোই লয়মাপাতি। রাকয়ে মাখূনেৎ। তোংচং মানুংচঙ। রাকয়ৈ মৈনীলোঙপা। তোংচেং হিসাং পাংমাতা। নমু পোংপুম ৫১ মাপু থিৎপা। রাকয়ৈ হিসাং পাংমাতাম্ব। নমু পোংপুম ৫১ মাপু থিৎপা। সুপনা তিললাপাকা পোংপুম ১০২ থিৎপা হিপু। রাকয়ে

সনা তাংবন্দা ফম্নগা মনাইশিংদা য়া হংখি। হে কেগেগী অথোবা থারম লাইফমগী অকনবশিং ইপা ইপু হাকতুগী হৌনা মীয়োক মীচান অমদি শাদা লান্দা থৌনা হৌরক্লবশিংগী মচা-মশূ ওইবশিং। পান্বা কৈওম শারাক ফবশিং নোংপোক মাম্ন-কৈরোমদা লৈবা খুমন মচা কোকচা হীরুবনা লৈবা লম অদোন লাংয়েন শিনাইবনা ঙাকপলম চান-থক্রবা অরাং-অপা লৈতনা পানবা লমদমগী লৈমা তোলাংবীগী মৌপ্বা খুমন মচা অথিং সোইথিংবীগী মচা থিংকোন য়ান্না সোয়চেপপীগী মচাগী লৌফম লাকতা সন্না মাইরেম্বগী লৈফম ওইনরিবা লুবাং চনু অপানবী লৌশী খোং-দৌবীনম্ব খোং তোরম্বা লম, মৌপ্বা তোমফাং ইথেম্বানা থৌবাল তুরেল মরুদগী ঈশিং ফংননবা হোৎনরম্বা লমদমদা হুয়েল লান্দার খিসি। খুমন মচা কোকোন কৌবা লৌ শঙহনা মমং থিরিবা (মতোমতা খুন্দারিবা) ময়মদা লান্দাংসি হারনা যা হারনরকপদগী নবুখে' মোইরাং নিংথৌ লয়মাবানা মাগী রাকয়ৈ হি, খারক লাকলবা হি অমদা মী ৫১ না' তোংবা য়াবা হি অমদম্ব মী ৫১ না তোংবা য়াবা পুন্না মী ১০২ ভনা তোংবা য়াবা হিদা

খোংওইনা নম্বু নিংথৌ। সাংতোন লাইনাউতাপানা। রাকয়ৈ তেংমাই থকতা। লানপোং চৈরৈ লমঙান ফিপু। পুন্নুং মঙাননাই। পুরিকলাই সাংতিং মনিঙথমপু। রোকয়া তেমচিনসা। লাইচা য়িয়ায়ঙাননা। মতাইরেম কেকে অথৌলিচা হেপপা পুমনামাম্নুং লীরাং খোঙতা নেৎ। তেনতোং নমতা হুন। রাকয়ৈ হিয়াম হোন। তোংচং মরাঙ হৌনা। হুয়েল লানতাখিয়ে। নোংয়াই মতাইমা। লৈমা থিংপাইতোনসুকা। খুনচান মেহু লৈমা। মেনাং লৈখামফাপীকা। থোয়নৌ মতা ২ মানা থানলৈ লৌতাপাতা পাউমেননাখিএ। খুনচান মেহু লৈমা। মেনাং লৈখামফাপীনা পাউমেনখিএ। হে খোযনৌ যিতা। লৈমা থিংপাই-তোনসুরো। থানলৈ চিপিংঙানা লৌতাপা অসিপু। থাঙয়ি পীফাপা। লোইমোম নাউচংপাপু। থাঙয়ি কনাকী ফোনানা চাউপানো য়েংখিসে হায়না য়েংনাপাপু। লৈমা থিংপাইতোনসুকী। লোইমোম ফোকানা থোইনা চাউএ। অতুনোংকিপু লমলেম ফোকা-চাউরো কৌপাপু। পোইবৈ হাংমন তানপানা। লমলেন ফোকাকচাউরো তৌনা কৌএ।

মোইরাং নিংথৌ শাংদোন লাইনাউ শাবনা হিগী তেংমায়থক্তা লানগী মপোং-মচৈ অহুগা মোইরাংগী মচু নীংথিনা পাল্লবা ফিগী ফিরাল থেংলহুনা পুরিক্লাইগী চৈরৈ থাঙজেং নীংথম ফিগী ফিদোন্না লম্লকী ওকী ময়াঙম তেমগী তেমজিনঙমা তুমথনা থাদরগা লাইজা ঈশিংথঙা (ঈশিং ময়ামদা) মচা মনাই মোইরাংগী অকল-অথৌ পুম্মক্সু লীরুং খোংজিদা মখোঙনা নেৎলগা হেন্দোংনা নঙ্দা পোনা পোনা ময়াম চঙহনা হিহু মথুম মরাঙ হৌনা হোল্লকুনা লান্দাখি। হুমনগী লমদমদা লৈমা থিং-পাইতোনগী মপুগা খুঙ্গান মেনু লৈমা মেনাং লৈখামফাবী কোবীগা মতাম্রোয় ওইবী মখোয় অনীমক্তা লৌফমদা লৌতাবদা (লৌ পেংবদা) হায়নরককখি। খুঙ্গান মেনু লৈমা মেনাং লৈথামফাবীনা হায়রককখি। হে খোয়নৌ ইতা চান্নবী লৈমা থিংপাই তোনগী মপুঙ। ঐখোয় অনীনা লৌতাম্নিবা অসিগী লৌফমদা হৌবা কৌ মপাঙী মপুং ফাবশিং অসিগী মচেং পাক্লা ফবা পান্দোং কনাগীনা হেন্না চাউবগে য়েংখিসি হায়না য়েংলবদা লৈমা থিংপাইতোনগী মপুগী ফোনানা হেক্না চাউরম্মে। নুমিৎ অমুদগী লমদম অমুবু লমলেন ফোকা চাউ হায়না কৌনবনু মৈতৈগী অংশবশিংনা লমলেন কৌকাকচাউ হায়না কৌনখি।

অতুম্বুং মত্তোমত্তে। হুইত্তৌ নিংথৌ য়েনকাইপা। চংপী মকয়রেনপু চক-মোম থাম্নী মৈপোক থোকলাপাকী। থাঙয়ি অকেমপা। লোইমোম অকাপাপু। মোংপা ভোরয় থননা তাউথরকয়ে অভুনোংকীপু লমলেন ফৌকাভাউরো তৌনা কৌএ। নোংয়াই লোয়েনপা অভোননা। লমলেন ফৌকাভাউপু কৈনা সম। মোংপা তুথুনফাঙ। হংকেন ভোরয় কাপাপু। হংকুনরো কৌপাত্তি কত্তৌনোংকিনো। লাইরেন মৈতিংঙু। লোইনাই থরানথাপাকী। মমোম তমপা রাংঙমলোন। কায়নৌ চৌংখৈ থানপীনা। হুয়েল লানপাউ চেললকপা রাকী। মৈতিংঙু লোইনাই থরান থাপানা। তুপি রাকয়ৈ মাথুনেৎ। কপুই ঙমপা। সাচন খোঙতানপাপু। কায়না হুনপা হিপু। তুপি রাকয়ৈ খোঙরোইননা। পোইরৈ অথৌলিচা হেপপা। রাংঙম থয়াঙ কোনতাইলোনপা। পুমনামাপু ঙাইরোইনানা। মোংপা খুনলম য়িন। ভোরয় লমসাং সিং। হুইত্তৌ য়িমহেপপা। নোংয়াই য়িময়ায় থাংনা। হয়রেম কিরিচীং। খুনচান লাললুমথেনতা। হুয়েল লানতারকত্তে লাইরেল মৈতিংঙুনা। মাংপা ভোরয়মাতা। মমান

ফৌকাকচাউগী মিংথোন্দি অসিনসু লোইদ্রি। হুইতো নিংথো য়েনকাইবগী ফৌগৈ অচৌবনা মৈ হোত্নুনা চাক্লকপদা থাম্বী মৈনা বায়হনা বেন্নবা ফৌ অকাবশিংহনা তুরেলগী তোরৈ থন্না তাউথরকখি। নুমিৎ অত্নুদগী মফম অহুবু ফৌকাতাউ হায়নসু কৌনখি। অসিগুম্বা ফৌকাতাউগী লমদম অসিবু লাম্হৌরুগা খুমন মচা লোয়েনবা অমোম্না তুরেল তুথুন ফাওহনা হংকেন তোরৈ ইন্না কাব্রকপবু হঙ্গন হায়না কৌন-খিবদি কব্রিদগীনো? লাইরেল মৈদিংঙু লোইনাই থরাম্বাবগী মচা ইনেম্না কায়নৌ চীংখৈ থানবীনা লানগী লানবাউ চেল্লকপদগী মৈদিংঙু থরান থাবনা নিংথৌ মাগী খোঙনেৎ হি কবুই ঙম্বা হায়না মিংথোম্বা মখোঙ তাঙবা শাজন অচৌব ফাবা চেল্লকখিবা হি অহুগা লোয়ননা পোইরৈ মৈত্তে অথৌবা অকনবা পুম্নমক্তা লোয়নর-হনা তুরেল তোরৈ তুংইন্না কুম্নুনা হুইথৌশিংনা খুম ময়াদা লোন্না থংনা লৈবঙম খুমনা খুন্দাক্লিবা লম্মদমগী মরায় থায়না লাক্লগা হয়রেম কিরিচীং খুনচাম লান্নুমথেন হায়না কৌবা মফমদা হুয়েল লান্দারকখিত্তেদা মৈদিংঙুনা তুরেলগী তোরৈ অমদা মরাক নিপা

নোংয়াই খুমন নিংথৌ অত্তোন পুনসিপাপু ঙাইখমখিএ। লাইরেল রাকয়ৈ পোংখাপা। খমনৌ চয়য়ংলাপাতা। নোংয়াই খুমন নিংথৌ। অত্তোন পুনসিপাস্পুং। রাকয়ৈ খোঙরোইনানা। ছয়েল লানতারকএ লাইরেন মৈতিংঙু। লোইনাই খরানথাপাকা লমরোকনারে। নোংয়াই খুমন নিংথৌ। অত্তোন পুনসিপানা। মাকলৌরেম মৈতিংঙু লোইনাই খরানথাপারো। হয়রেমতনা তাপা। খুনচান মনিন নাইপানা। নোংয়াই ঐপু তাংলকতে। ঘিযুম নোংয়াইনা পুংমা থোললাপাকা। হয়রেমস্পুং পুংমা মথোলএ। খুমননা থেনমা থোললাপাতি। খুনচানস্পুং থেনমা মথোনএ। মপললোন লৈকাই যুমখু নাউনৌফপীচা। কোংয়াং চয়স্পু পাংমা ত্তোনপা। য়িমলক লানতান থোপা। ছয়েল লালনুমপানা। হয়রেম য়িপনথোংকী। তাউচিং হযচুপেৎ হয়মায়পোমস্পুং পললে। পামেল রুনাউরোই তাইকমপাস্পুং রোংএ। হয়রেম ঙাখাথোং। লাইচা ংরিরাংমাতা। চোয়নৌ সনা হোইতোম মানপাস্পুং পললে। তুরেল লোকনুং অচনপাম্পুং লৌমায় পুংপি চাকস্পুং রোংএ। হয়রেম য়িপলথোংপু

খুমন নিংথৌ অদোন পুংশিববু ঙাইহনা লৈরম্মী। মৈদিংঙুনা মাগী খোঙনেং হিগা লোয়ননা পোখাহনা ঙাইহাক লেপতুনা লৈয়বদা খুমন নিংথৌ অদোন পুনশিবসু হিদা তোংহনা ছয়েল লান্দারকপদা লাইরেন মৈদিংঙু লোইনাই থরাম্থাবগা লমখাঙদা ঙক্লরে। খুমন নিংথৌ অদোন পুনশিবনা ইমাক ইবুংঙো হে মৈদিংঙু লোইনাই থরাম্থাবও। হয়রেমগী মীশিংতনা খুন্দাবা খুঙ্গান হায়না মমিং লৈরবশিংনা খুমন ঐগী ইতিক খঙদনা থোশাদরে। খুমন ঐখোয়না পুং অমা হেক থোনবদা হয়রেম মখোয়সু পুং অমা হেক মথোল্লি। খুমন ঐখোয়না থেন অমা হেক শেম্বদা খুঙ্গান মখোয়সু থেন অমা হেক্তা মথোল্লি। লৌতাংশঙঙম্বা য়ুম অপীকপদা লৈবা মখোয় ওইরবসু থোইদোক্লা মঙণ লৈরবা মাগী চৈশু অমগী মঙম্না লাম্দা থোবা ওইহনা লৈবনি। অহুগী মপাম্না হৈরেম থোং অহুদা অপীকপা হৈজারপেৎ ফাওবা পল্লি। মহুনা মা মচা মমামসু হৌহনা মপুং ফাখরে। অহুগা হৈরেমগী ঙাখাথোংগী মাংঅদনা মতিক লৈবা কনা ওইরবসু লাল্লকপা ঙম্মদে। অহুগা তুরেল লোকনুং অগুকপদনা মতিক চানা ফৌপাল চুম্না হৌহনা চানবা চেঙ রাত্তে। অহুনা অসিঙম্বা থোং অসিবু

কনানা ফাবাকাপানো হায়না। হুযেল কবেমনাপাপু লৈএ। হযরেম অতুপু থেংমননা। খুনচানতুপু ঙামানাসে হায়পাকিপু। লাইরেল নঙপু পাউথেমলপানে হায়না। লাইরেন রাকয়ৈ মমিংথোংকা। নোংযাই রাকয়ৈ মমিংথোংকা হংনারমএ। অতুনো'কিপু হংকুনলো তৌনা কৌএ। হংকুন মহিথেনপু কাননা চোংনা। লাইরেন হযবাং মচাখাকপু। মতাই-বেম রাকয়ৈ হিসঙমননাপ তা। তাউচিং হযযেনরাইপু নাভৈনানা। যিকোপ খোংহুংচঙ। লমলেন হাওবংশি লাইন রিংকী। য়িকোপ লাইপনসোয়পু য়োবে হাবপাপু মপল খোংলেমা। মচা নোংযাই খুমন অতোন লয়মাপানা লানতাবপাকী। নোংযাই নাতি বংদা হাফোংলোকতা কমনা রাহমখিএ। ভযম নোংয়াই থাগাথন। অতোন লাইথা তিন-পাসিংরো। মমিম কেকে মোইরাং নিংথৌ। সাংভোন লৈনাউতাপানা। নোংযাই ঐপু তাংসবতা। অতোন ঐপু মপাতানা। নোংয়াই হিমযা হেপ। অতোন পনযা বোযনা। যিয়ুম থৌশাল লমমাইন। নোংয়াই যিকাইফম। খুমন মংখপাতা কনিকী লানত নকপানো। কেকে মনিন কনানা লান্দ্রনা ঐথোবু ফাবা পুননা তৌরগননে হ ম না মানরেয়না ঠে রে। মরম অহনা হৈরেম হুঙান অসিদা হুয়েল লান মিয়সি হায়না মাংবপনি হাংনব-বগা মৈদিংঙুগী খোঙনেং হিগা খুমন নিংথৌগী যোন শিগা মমিং বরি বি বোবগে হায়না হংনবখী। মবমসিদগী মথম হঙ্গুন হায়না বোনখি। অসিগুম্বা হঙ্গনগী লমদম অসি লাগোংগা মৈদিংঙুনা চাংই রাং লখাক অঠ মনাই ওইবা হি শঙমিয়বদা হযরাং রেন্নখিসা ঈশিং মপাল লমদমব হেন্দোয় ল্লুনা ইবোপ খোংনুং তারকুনা হাওর শিগী ঈশিং মযায় ওইবা ইকোপ লাইপনশোয় কোবা মফম অঙ্ যোয়ে খঙলহনা খোংলৈমগী মচা খুমন অদোন নিংথৌনা লান্দারকপলগী মহৈ মহৈ চং রিয়না খুমন নিংথৌনা মাগী খুমন কোনুং য়োবগা রায়েলশঙদা কল্লা হায়নবখি। হে খুমনগী অথোবা থাথা থনবা লাইথা তিনবশিং। ময়ুম মোইরাং নিংথৌ শাং-দোন লৈনাউতাবনা খুমন ঐবু উশিত্তে। নোংয়াই ঐবু মী ওইনা মীথানদহনা খুমন ঐগী মুমহাদা লোয়া লুয়গা নোংযাই ঐগী ইরমগী লমথৈ কোয়হনা লাক্লগা খুমন ইরমদম ওইবা থৌবাল কৌবা খুমন ঐথোয়গী ইপা-ইপুশিংগী মংফম ওইবা লমদম অনিদা করিগীদমক হুয়েল লান্দারক্লবনো। অহনা মোইরাং মথে লাংলিবশিং

নাইপাপু। চেকলাতুকুম পনচনসি। রোকলেনতুকুম পনকোয় লোনকে হায়না। নোংযাই হেকসোইনীক। খুমন মথিনাইনা। কংলা য়াসক-নারে হাযতাপাবা। হে য়িরাং পুরিকলাইরো। মখিম নোংয়াই মনিং-থৌনা রাহনলকএ। তয়মসিংরো ইয়িম নোংয়াই মাচেৎ অমনা। হুয়েল লানপুমমানা। অরাং লায়না পাংপালম। থৌপাল লাইচা য়িরম য়িননা। হুযেল লানতাখিরো। কেকে মায়যোক য়ানা। হাওরৈ নোং-নেম খানা পাংপালমতা খোমথারকরো। নোংয়াই লানপুম মাচেৎমাকা। অতোন নিংথৌ ঐকানা। কেকে নিঙতা খোপনা। হাওরৈ খানা পাং-পালম। নোংয়াই ঐকী লৌরনপা। অতোন ফৌকাবচাউত্তাকী হৌনা। নোংনেম লাইনা পাংপালমপু খোপলককে। হাযনা হুয়েল লালনম সাললাপাকা। নোংয়াই অথৌলিচা হেপপা। অতোন থয়াঙ কোনতাইলোনপা পুমনামানা হুযেল লানতাখিযে। অরাং লাইনা পাং-পালমকী। নোংযাই মাচেৎমাকা। কেকে মাযযোক য়ানা হুয়েল লান-সোকনাসে। কেকে রায়সা মতেনচাপু। লাংপন চাংসাং খোইরেন

অসি উচেক মচা ফানগুম ফারসি। ওক্লেন লাবধু পন্ শানা কোয়শিনবগুম কোঃশিল্লসে হায়না খুমন পুম্বনা কশ্চি-কঞ্জাউননা মথুম মরাং হৌনা খুমন কংলাদা শরী য়াশকবে। হে মোইরাং নিংথৌ পুরিকলাইও! অহুপা খুমন মখোয়গী নিংথৌনা তাগরকখি। ইনাইশা! নোংয়াই ঐখোয়গী মী থরনা অরাং পাংবদা লৈরিবা থৌবাল ভুরেল ঈবম মনুংইম্না হুয়েল লান্দারকও। অহুপা কেগে মায়য়োক য়ান-রকউ। অহুপা খা মাযকৈরোমদনা অসুম খোমথরকউ। খুমন লাল্লোই থরা অমনা নোংয়াই নিংথৌ ঐহাক্কা লোয়ননা তুংলোমদা খোপ্পরুপা খা পাংবলম খুমন ঐগী লৌবুক অচৌবা লমলেন ফৌগাকচাউদগী হৌনা অরাং মায়কৈ পাংহনা খোমথৎ-লকে হায়না লানগী লাল্লম লাম্থোং শীল্লপা খুমন অথৌবা নোংয়াই অকনবা মতিকং মগুন লৈবশিংনা হুয়েল লান্দাখি। অরাং পাংবা মায়কৈরোমদগী খুমন লাল্লোই খরগা মোইরাংগা মায়য়োক য়ানহনা লান শোক্লসে। অসুম্না থেংনহনা লান-শোক্লবদা মোইরাংগী তেঞ্জেনা লাংবন থাদা পাইবা খোইরেমগুমক্লে।

পাইকুমত্র। নোংয়াই য়াকয়ৈ থোঙরাইনানা। অতোন য়ায়বা মতেন-তাপু। য়িঙ্গা নোংচু তমনা সোকনারাপাকী। কেকে লয়নাতা। নোং-য়াই তায়নাতানারাপাপু। কেকে তিমেন মাখূৎপু। খূৎপাক তিলাই মেননা। পৌপোম লাংনা পানকুম। তিমেন তায়াম হুন। নোংয়াই তিমেন মাখূৎম্‌সুং। তিমেন হুংসোল লম্না। হুয়েল লান সাকনাথিরে। থাঙলেন লাময়াননাপাসুং। চীংসুং নোংথাঙ কূপকুমলে। নোংয়াই অথৌলিচা হেপপা। অতোন থম্বাঙ বোনতাই লোনপাসিংপু। কেকে মায়য়োক য়াপাপু। নোংযাই চেননাতা। তুরেল রাইখুপিচ তুকুমপাপু নিঙতেনাতা। লাইচা য়িহুম কনপা অনিমানা। য়িমু চিনসোকনাপাকুম। লানলোক মথৈ লৈতানা। সোকনারিঙৈতা। নোংয়াই খুমন নিংথৌ। অতোন য়িকোপ লানথাপাকী। মতাইরেম রাকয়ৈ হিতা হৈপা। মুকম্‌ থোঙলমম্ব কনপা পুমনামানা। রোকলেন লাংকোই চনকুমনা। থিংলৌ পনচনলাপাকী। নোংয়াই মায়য়োক য়াঙংতানা। থিংলৌ নিঙনা তে.র। নম্বু নিংথৌ সাংতোন লৈনাউ তাপাতি। রাকয়ৈ মথূনেং তোংচেং

মসিদা খুমনসু হিথঙগী কাপ্লক ন। মথোয়গী তেঙৈসু কাপথোরকপনা ইংঙা থাদা চুবা নোংলেন মথোঙ ফদ্রঙম কাপ্লবদা কেগেসু মমায় লয়দা খুমনসু কায়বা লৈত্র-বদা মোইরাংনা মখৎশু টিমেন টাশাংশিং অহ্ মখত্তো তিল থাক্লা চেৎনা পায়রগা অংলকখিবনা থৌবোম লাংগী য়ানা কূংনা পাইবঙম টা ময়াম হুল্লক্লে। মসিদা খুমনসু মথোয়গী টাশাংশিং অহ্ উরু-উরু লয়না হুল্লকুনা লান শোক্লরে। অহ্‌পা থাঙ পায়বা কাঙবুনা থাঙগী থাঙহাইনা লায়া লায়া য়ায়রকপগী থাঙগী অরংবা উবদা চীংনুংদা নোংথাং কূপকুমই। মসিদা খুমনগী অথৌবশিংনা মোইরাংগা মায়য়োক য়ানহুনা শোকয়সিদা খুমনসু চেন্দবদি তুরেন্দা লৈবা অপীকপা রাইখু-শিংবু ফাগে তৌবদা চেনবিদবহুঙম অমদি অকনবা শাফুগী ঈশিং ঈচেল অনীনা য়েশীনবঙম মথৈ লৈতনা অকনবা লানশোক ওইবিডৈদা খুমন নিংথৌ ঈকোপ লায়নবগী হিদা হৈনবা মনাইশিং অকনবা পূময়ক্লা কোঙশিল্লহুনা ওকলেন লাববু কোয়শিনবঙম কোয়শিনগ্রদা খুমনবু মায়য়োক য়াবা ঙমদহুনা পক্লিং (লাক্লিং) হুনথরে। মোইরাং নিংথৌ শাংদোন লাইনাউতাবদি মাগী খোঙনেং হি হিনাউ

মনুংচঙপু। রাকয়ৈ লুমা তোপপা। তোংচেং হিসাং অনি লোঙপানিকিনা। রাকয়ৈ থীননা লয়। তোংচেং য়াঙনা হনঙমতানা কেকে নিঙতেনরকপাপু। নোংয়াই থুমন নিংথৌ। অতোন যিকোপ লানথাপাকী। মতাইরেম অথৌলিগা হেপপা। পুমনা হৌনা হুয়েল লানসোকনাপাপু। লমলেন ফেনচিকোপ। য়িকোপ লাইপনসোংতা। হুয়েল লানথারে। কেকে মোইরাং নিংথৌ। সাংতোন নৈলনাউতাপাতি। নোংয়াই লানফম চাপুকথায। রাকয়ৈ মবাং হো। তোংচেং মথি নাইনা রোনতেরকপাতা। নয়ু কেকে লযমাপা ভাংভোই পোংলেন হনপানা রাহমলকয়ে। নিতাইবেম অথৌলিচা হেপপা। ভাঙোই থগাঙ কোনতাইলোনপাসিংরো। নোংযাই করম মীসা রোই। থুমন কবম মবান রোইসিপানো। ময়িম নোংয়াইনাপু করম পুংথোনসিপানো। তনপা নখোয় মরাঙহৌ। কাওবেনতুকুমপাপু মথি নাইনা। লাইচা থাথিনপেক। নিমু নমতা হুন। নৌবেন পানপাই লাবনা। তনপা কাচক হৌরো। রাকয়ৈ যিথুনেং। তোংচেং য়িনৌপানসুং। রাবয়ৈ মথিনাই। তোংচেং নরাঙ হৌরো। রাবয়ৈ নঙথোয়না মথিনাইতা। তোংচেং নরাঙ হৌতারাপাকী। ময়িম

মঙদি তোপ্পা হি অনী লোঙবা হিসাং ওইবা মরম্না য়াম্না থুনা লয়থোকপা ঙমদবদগী থুনা য়াঙনা চেনবা,ঙমদবনা তপ্পা লান্নিং হল্লকপদা থুমন নিংথৌগী মনাই অকনবা পুম্নমক অমুক হৌরক্লুনা লান শোক্লবদা ইকোপ লাইপনশোয়দা লান থংৎ থারে। মসিদা কেগে মোইরাং নিংথৌ শাংদোন লাইনাউ তাবদি থুমনগী লানফম ময়াম্ন থায়না হি অহু ঙনমথৈ কম্না হোল্লকপদা মোইরাং নিংথৌ পোংলেন হুনবনা হায়রকখি। হে ইদাইরেম নতিক নগুণ নথৌনাদা মপা নৈতবা, ইপা ইপুগী মগুণ ভাক্না নৈররবশিংঙ! হোজিকপু মতৌ করম্না থুমনগী লানফা ওইদুনা মীথা থানা নৈরসিবনো। নোংয়াইনা করম্না লানঙম পুংবু থোলহনসিবনো। নখোয় পুম্নমক কাওরেল লাবা মপা তাম্বগুম্না নকহি নরিল হৌদুনা নতিক নথৌনা উবনা থংমু নখংশু নৌরেম্না ঈশিংদা পেঙ্গুনা তুংদা কম্না কোংলগা হি অসি কম্না হোন্দুনা নখোয় পুম্নমক্লা অমুক্তদি নকহি হৌরকও। ঐগী থুনেং হি ঈশিং ঈনৌথক্তা নৈবক্লু হিগী মরাঙ হোইন্দুনা হোজবদি ময়ুম

নোংয়াইনা। রাকয়ৈ য়িথুনেৎ নঙপুম্নুং। পাংথি লমলোইনা। কোনতে থ্রোংসাননা। লময়াই পুংপু খুনচনুনারাইগেনে হায়না থৌতোংথিএ। নোংয়াই মনিন নাইপ্যাত্তি। অত্তোন মরাঙ হৌনা। চেংলৈ নারাংয়িপু। লাইচা তুয়া খোপনা। ছয়েল লানসোকনরাপাকী। কেকে খিংলৌ য়াইথায়াম। নোংয়াই মরোঙ চয়চেন হকলাপাকী। অত্তোন অমরক মরাঙ হৌ। খুমন মথিনাইনা। রাকয়ৈ হিমায়য়ৈ। তোংচেং নৌমৈ থেংনা। ছয়েল লানতাললকলাপাত্তা। কেকে মোইরাং নিংথৌ। য়িরাং পুরিকলাই। সাংত্তোন লৈনৌতাপা মত্তাইরেম। তোংচেং নাউমৈকী। খুমু নৌচাউ মুপা। পোনগী রায়রংচেকমপুং মাননা। মিংয়েং নানিলোঙপা। লোয়য়ম কোংচামপা অথৌপা। কোয়রেন নৌমৈ থৈপাপু। নোংয়াই রায়রা মত্তনচানা। রায়রা তেনপাললাপাকী। লাইচা য়িপাকথকত্তা। তাঙচা মসম কানথরে। অতুংনাংকিপু লোয়য়ম কোংপা টাসমচাই লমপুংসিরো তৌনা কৌএ। কেকে পুরিকলাই। তাংত্তোই পোংলেন হনপা। রাকয়ৈ মথুনেৎ। তোংচেং হিনৌপাম্নুং চয়রৎলাপাকী।

খুমননা রাকয়ৈ ঐগী খুনেৎ হি নঙবুসু পাৎল্লাইদা থোং থারগা খুঙং লৈকংনা লান্নবা থোংচুম ওইনপ্রগনি অহুনা খুমন্না মথুম মরাং হৌবদি নোংয়াই কাঙবুনা কন্থি হৌনা চেংলৈ লমগী তুরেন তুয়া (খোংবান) লোবদগী হৌনা খোপচিন্নরুগা ছয়েল লানশোকুরবদুদা মোইরাংগী অথোবশিংনা থরা হেন্না মৈথবা হেনবদগী খুমনসু মথংদসু টাশাং পায়না পায়না হোংচিন্নরুনা নোংয়াই কাঙবুনা অমুকা হন্না কন্থি থোক্না হিগী হিমায় মৈরুনা নৌগী নৌমৈ থেংনা থেংনা ঈন্দুনা ছয়েল লান অমুক তানথংলরুবদা মোইরাং নিংথৌ পুরিক্লাই শাংদোন লাইনাউ তাবগী মনাই হিথক্তা তোংলিবা হিনাউ শাবা নৌজাউ পায়রিবা থরং অথোবগী নোগা কোয়না খুমনগী তেন্না পানঁথিবদগী ঈশিং ঈমারথক্তা মশমগা কোয়না লোংনা তারে। কোরৌ নুরিং অহুদগী লোয়রম কোংবা টা-শমচাই লমনুংশি হায়না কৌনথি। মোইরাং নিংথৌ পুরিক্লাই কেপে পোংলেন হনবগী থোঙনেৎ হি হিজাউ অনৌবসু হিহোনবা থন্না লকক তৌনা লেপ্লবসু

কেকে লয়মাপা পুরিকলাই। মাংতোন লৈনাউত্তাপাত্তি। খোয়মা মায়-বৈত্তা। য়ামচেং মনম মুকত্তা। লানফম মায়য়োক য়ানা। য়াকয়ৈ তেংমায়থকত্তা। লমু খোঙপু থীন। লীরী থমোই তিং। লকা তেনবৈ লাকনা। য়াম্বরা তেনরাহথপাত্তি। য়ায়রা মতেন পুমনামাকনা। নোংয়াই নমু মীরেন হাঙতানা। য়ায়রা তেনপাল্লাপাম্বুং। খুম্ন মনিন নাই-পাত্তি। খোয়মা মায়বৈপিতে। কেকে অথৌলচা হেপপা পুম্নামাকা। নোংয়াই মনিন নাইপাকা। সমু হকথেং ফংনবাপাকী। থাঙলেন লাম-য়াননানা। তিমেন লুমথিননানা। হুযেল লানসোকনাবাপাকী। নমু মীগাম সিনাবে হায়তাপানা। নোংযাই মনিন নাইপানা। পানপা লাং-কোই চনকুম। নোংযাই মীয়াম কোয়না। য়াকয়ৈ হিয়াম কোয়সিল-লকলাপাত্তা। নয়ু নিংথৌ কেকে লম্নাপানা। ময়ু খোইয়ম লাইয়িংথৌ। চীংঙু য়াইপী পললোই তানপাপু। সমু চাংচৌ চেপনা লোননা। চীংঙু নাত্তম য়েংনা পুক্রুমচাখিয়ে। চীংঙু নথোথা। খোইয়ম নম্বায়েনকী। পালেম নোংপালেলোন য়িমু সিযোমলাত্তাকী। লাইপক খেলাউ হিরকপাপু।

মোইরাং নিংথৌ শাংদেন লাইনাউ তার্বদি লানফম মমায় লেবা লৈতনা চুক্রিং হল্লানবা লৈত্তনা লানফম মায়য়োক য়াহ্না খোঙনেং হিগী হিথক্তা মখোঙ থৌল্লগা তেনগী মীরীনা থগোই মপা য়েনা কম্না চিংলগা তেনযে চপ্প চপ্পহ্না কাপ্পকপা তেকৈ পুমমক্লা খুমন কনা হাঙদনা তেঙ্কৈনা পাল্লবদমু খুমননা মমায় লৈখিদরে। অসুম্বা খুমনগী অথৌবশিংগা মোইরাংগী অকনবশিংগা হবচাং হবচাংগা শাথেংননা থাঙলেন পায়রনা লাম্বা লাম্বা য়াম্নখিবা অমদি টিমেন টাশাংনা লুমহ্না থিম্লখিবা মওংগী লানফম ওইনা শোক্লবদা অয়াম্বা মী থবাই মাঙনখরে (শিনখরে)। অম্মুম তৌরিঙৈ খুমনগা অথৌবশিংনা পানবা কৈরেন শাবু লাজোই চনবগুম্না খুমননা হি থোক্লক্লনা পুমকোয় কোয়শিল্লক্লবদা নবুথৌ মোইরাং নিংথৌনা মবুথৌ খোইয়ম লাইয়িংথৌ চীংঙু থাংজিং লাই মরুগী মফমদা মকোক নোম্না চীংঙু মংগী মপা য়েংনা থজোম্ন শোক্লা খুরুমজখি। হে ইবুংঙো! খোইয়ম নোংদম্বা নহাক্কী থৌরম থৌদা মতুংইননা পালেম ইমা অপোকপী অঙোম চনুগী পায়মা নিংকনুংদা ননাইনা অঙাং নাম্বা ওইনা লৈরিঙৈদগী হোনা ঐগী ইয়াইবক অনিদা ইহ্না হিবিদ।

লমচাই ফাত্তাপানারিঙেনে। লানফম মৈসালকতা। য়িত্তোম থৌনা কোরৌ ঙমলোইখৌতা। রুনপি পূকনিং থমলাকে হায়না। চাংঙু সায়মন লৌকীনাব হায়তপ রা। হে যিরাং পুরিকলাইরো। নয়ু নিংথৌ থাবম আইমোম লানথাপা। পানপা কৈচেংলা কুমপাতি। থিংলো রোনথকউ। রোকলেন লাংসম থৌগানা। থিংলো তাপাললাপাকী। রোকলেন মমায লয়াসললপাতুকুমপাপু। নোংয়াই মাযয়োক য়ানা য়াহং-থিএ। নোংখাই মনিন নাইপাসিংরো। য়িয়ু কেকে লযমাপা। নিংথৌ মবোল খুত্তিংতাপুং নেংয়াই মপুংযাংতা। সায়পা পনয়ানথা। লাংথোং যিত্তা-সি। পনম থোমথৈথয়পাপু লাননংএ হাযপাপু নাতারকতে। যিথিম কেকে চাউপা পুংপু। কেকে চেপনা হাই। ঙাংঙাই পুননা লৈগাপাকী লাননংলাপা রাপু নংতে। নোংয়াই মরনথাঙ। খুমন মকাইফম। থৌপাল লমমাহল। খুমন মংখূপাংতা। কেকে লমহাইকে হায়পাকীপু। যিত্তোম লাননংলাপানে হাযনা। থোংমা মায়লতা।

নো দম্বু নৈথোকফদবা মরয়া হন্দকী লানফম অসিগী লানগী মৈশা মরক অসিদা ইকোম্বংনদি বরিস্নু তৌবা চম্নরোইদৌবা মরম্না চীংঙু নকাইযম য়োনবা ইবুংঙো নঙবু থাগোয়না নীংজরগে অদুম হায়না লাই নীংখরে। মোইরাং পুরিরাই খাবম আইমোন লাম্বা পানবা কৈজেংলাংঙম্বা নিংথৌদি অঙম্বা চীংচেঙগী ওম্নরবা শল লাবা কাওঙম্না অদুগা লম্নকী লাংজাউ ময়াম হাইদনতুনা শমদনতুনা চেনবদা থৌবা ঙাক্লন লাবনু টানা পানবদা চেনঙমদনঙম্নবসু মমায় লয়শিল্লবপদা কিনবা অদুঙমনা নিংযৌনা খুমন্দা মমায় ওনশিন্দুনা হায়রবখি। হে খুমন অথৌবশা। মোইরাংগী অথৌবা ইপা ইপু নিংথৌ মনোল খুদিংমক্তা খুমন নথোয়গী নফমদা চিংখং মচীল য়াম্বনঙম ঈশিং থরদা লৈবা লাংখোংদা তাত্তনা শিবঙমনা লৈকাই কোয়থোরকখিবা যপওবা মায়থিবা ফংখি হায়বসি তারবখিদ্রি। মোইরাং ইরৈবাক অমুকচাউনা লৈরিবসিনা মীথা পোল্লদুনা রানা নংনা পুন্দুনা থম্নবা দগি লৈরবা অমঙম্না অবাবা তানগীসু মনত্তে। খুমনগী লৈফম নোংয়াই মথোয়গী ময়মদম ওইবা থৌবালগী লমদম ওইবা খুমনগী মংওইবা অপীকপা লম অসিবু মোইরাং ঐথোয়গী ইথা পোল-হনগে হায়বগী মরমদগী ইথমতনা অসিঙম্না লাম্নংবা অসি ফংলরিবনি হায়না থমদুনা হুয়েল লানযম অসিদা মায় লম্নবা তৌদনা

য়ামচেং মনম মুকতানা। থোইবীম লাইরৈপাক। কোরৌ নোংমাতোনতা। য় ইপী লিত্তিননাখিরে হায়তাপারা। মতাইরেম অথৌলিচা হেপপা। ঙাঙাই থয়াঙ কোনতাইলানপা। ব্লাকয়ৈ হিসাং থনপা পুমনামাম্বুং। নমু মীযাম সিনা। নোংয়াই লানকা মাঙলোরে। অতুনোংকিপু লমলেন কোংলেনসিরো তৌনা কৌএ। নয়ু নিংথৌ পুরিকলাইনা। লানফম মায়নৈতনা। অতান লনকা মাঙলে হায়পাপু। কেকে মপুংয়াইতা নাতরাপাকী। লৈপাক মনিন নাইনা মীকপনারাপাতা। মতাইরেম কেকে মোইরাং লাইখুলৈমা কোমচনুনা। তুপি য়োইনোংতা। নোংতা লইরেল পাথংপা। খোইরা মপালরৈনা কোনথলপাতা। য়িমু ফংমাঙনানা। লেবা সেংয়যামপা। লৈতোন লোমপাকী। থমপাল লৈনানা। লাইচা চিতা তাউপা অসিপু। কেকে য়িনিংথৌ। সাংতোন লৈনাউতাপা। অতান লানকা মাঙপাকী। সাংতিং মনিঙথম অঙৌপা। কুমচিং লোননিংতাপু। করম মানপু মানপানো হায়না মীকপথিএ। মতু

রাখল পুক্রিং হনবা নাইদবদগী খোইয়ম কোরৌ নোংমদোম্বা য়াইবী থরাইনা চংখিহুনা অমং থরৈ কুমখি। মতম অসিদা মনাইশিং কেগেগী অথোবা মোইরাংগী অকনবা মপা মপুগী মগুণ ভাক্লা লৈরক্লবা মচা মনাইগীদমক থরাই কখোকপদা পাম্লুবা লৈত্রবাশিংনা হি থম্না তোংলক্লবা পুম্নমক অদু মথরাই শিনা খুমনগী মথংত্তা মায়থিবা ফংহুনা মথরাই মাঙনখি। কোরৌ নুমিৎ অদুদগী লমদম অদুবু লমলেন কোংলেনসি হায়না কৌনখি। নবুখো মোইরাং নিংথৌনা লানফম অসিদা মমায় লৈবা লৈতনা য়াইবি থরাই থাখরে হায়বা পাউ তাবদগী মোইরাংগী মীয়ামা কপ্পলাউনরক্লবদা মনাই ওইবী মোইরাং লাইখুলৈমা কোমচনুনা হায়রকখি। ওহোকপনিদকো হে তুবি য়োইনোংদা নোংদা লাইরেল পাখংবা কোবও! থম্বালনা থম্না হৌবদা থম্নাথক্কী ঈশিংনা মফম খঙহৌদনা জুরাই লাউনা হৈদোকখিবগুম অমদি লৈরাং থম্বালনা মাগী মতম লোইরক্লহুনা লৈনানা লাইজা ঈশিংথক্তা কেন্দুনা তাউবগুম্না কেগে ইনিংথৌ সাংদোন লৈনাউতাবা কোবনা খুমনগী মথংত্তা য়াইবী থরাই মাঙবসিদি চরৈ নিঙথম ফি অঙৌবা নিঙথিবগী মপান্দা অমুবা কুমগী লংনা লোনবদা নিঙথিবা অংগুমবু করমবু মানবনোকো হায়না কপচখি।

লাইখু কোনপাকোম। কেকে ঙাংথাচা। মোইরাং পানপীসোযতা। চামলৌ লারিংখিএ। অতুনোংকিপু নো'তা খোইহৌলা। খৌপাল মংখু পাংতা। য়াইপী খরায় মাঙখিএ হায়বাপানিকী। কেকে মোইরাং লাইখু লৈমা। কোম চনু মরালিংরো ভৌনা কোএ। নমু নিংথৌ। য়িরাং পুরিকলাই। চকলৈকাও নোংত্তমেয়েল। মচেঙ কোইতু চাইতাপাতুকুমপাপু। লানফম মমায় লয়তানা। অরাং কোবৌ নোংফংপা। কেকে মপুংয়াইকী। সাংত্তোন লযকোয় মিংপু। মৈনা রাইন মিংচুপা। য়িরাং পুরিকলাই। সাংত্তোন লৈনাউতাপাত্তি। চোযনৌ সনা মিংহুনকিপু চুনপানে।

নয়োল কেকে মোইরাং লৈমা। নো'পাললোন নেংলৈসংপী। অঙৌপা চনু নোংনিং লৈরীক চিনকুমপী। পায়মা সনা রুনকোইহুংকা।

———

কেগে নিংথৌগী মতালোয় অতোম্বী লাইখুলৈমনা কোনজবা লম ঙাংখা লমদমগী পানপিসোয়দা মনিংথৌবু নিঙশিংনবা ওইনা চামলৌ লা লিংখি। কোরৌ নুমিৎ অত্নদগী হৌনা অফম অত্নবু নোংদা খোইহৌলা থোবাল মংখু পাত্তা নিংথৌ খরায় মাঙখি হায়বগীদমক লাইখুলৈমা কোম চনু মরালিং হায়না মি থোনখি। নবুথৌ মোইরাং নিংথৌদি মপা তাম্নবা কাওনা য়েল ওইনা মতু মমান করিসু চাইথোক্তনা লায়া লুনা লৈরবা নিঙথিরবা য়েনগুম্বনা লানফমদা মমায় লয়বা লেত্তনা কোরৌ নোঙ্গা ফংবা নিংথৌনা কেগে মোইরাং লৈবাক্তা সা'দোন লয়কোয়ফম্বা হায়বা কোলোয় মমিং ফংবদি থাম্বী মৈরীগুম মচু মাঙদবা পুরিকলাই সা'দোন লাইনাউতাবা হায়না কোলোয়নবদি ফংদোঙলবা মনাগুম কোলোয় অসি চুনরবনি।

নবেম্মৌ কেগে মোইরাং লৈমা অঙোম চনু নোংলৈশ'বীদি মপাম অঙোম নংথৌনা নোংনিং লৈরীক চিনগুবীনি। মোইরাং লৈমসিগী পায়মা শিয়োমনুংদগী।

———

৩২। পুরিকলাই সোঙলেন লানথাপা।

(লোইচাঙম্বা)

কেকে মোইরাং নিংথৌ। নয়ু নিংথৌ পুরিকলাই। সে'ঙলেন লানথাপারো তৌনা কৌএ। পুরিকলাই সোঙলেন লানথাপাতি। মরম লমলেন মতাইমা। থংপি য়োয়নৌকোন। চীংহৌ লমতাইথেং। হৌচেং পনতোনয়াতা খৌমাপানে। লমলেন মতাইমাপু চীংহৌরো কৌপাতি কতৌনোংকিনো। খোইমোম লাই নামুংপী। লোংপী চীংমাপীনা। য়িনুং সোয়য়াইমাতা। চীংলেন মপান ফূয়না হৌথিএ। অতুনোংকিপু চীংহৌ লমতাইথেংরো তৌনা কৌএ। হাওচেং পনতোনযারো কৌপাতি কতৌনোংকিনো। কেকে মোইরাং নিংথৌ। পুরিকলাই চীংথু তেল-হৈপা মহাকথকতা লমলেন কোলোয় থেংলকপা লমপু। খিচিক মাঙ-য়োইননা। লমসেংলককে। পুরিকলাই তেলহৈপা মমোম য়িরাংলোন। লৈমা েোইরেন তোমপোকপীতা। কংলা লাইরা পবিং লোপী। লোকলো তচি সাপী। মমোম য়িরাং হোইথিফপকৌপু। মৈতিংঙু নোংপোক চাখা

৩২। পুরিকলাই সোঙলেন লানথবা (লোইচাঙম্বা)।

কেগে মোইরাং নিংথৌ পুরিক্লাইগী কোলোয় মিংলেন্দি সোঙলেন লান্থবা হায়না মিঙ্গোই। পুরিক্লাই সোঙলেন লান্থবনা মতিক মথৌনা উংখিবদি থংবী য়োইনৌকোন চীংহৌ লমদাইথেংকী হৌচেং খুঙ্গং মতোন্দা লান্দাখি। অসিগুম্বা চীংহৌ হায়নরিবা মযম অসিবু কবি তৌবদগী বৌনখিদনো হায়রবদি নোংমা অহিং অনদা হবগু থংহৌদনা চীংশেম মানশেম্বী লাইরেম্বীনা অচৌবা চীংজাউ ওইনা খঙহৌ হৌদুনা চাউনা হে গংহল্লকখি। কোরৌ নুমিৎ অদুদগী চীংহৌ লমদাইথেং হায়না কৌনাখি। অদুগা হাওচেং পন্দোনয়া হায়না কৌখিবনা কন্নিদগানো হায়রবদি কেগে মোইরাং নিংথৌ পুরিক্লাই চীংথু তেলহৈবগী হাঙক্তা থোনখিবা লমগী মমিং অদু খরদং মাঙওইননা হায়রকে। মোইরাং নিংথৌ পুরিক্লাই তেলহৈবসিগী মচা ইবেম্মা ইরাংলোন লৈমা য়োইরেন তোমপোকপী মোইরাংগী লমদমদা শাইওনগুম্বা নিংথৌ শাগৈদা মোইরাং নিংথৌগী ঈনা শেংনা পবিং হুল্লকপী লোকলৈ পুলৈগী অনৌবা ময়োলগুম তনৌরবী মচা ইবেম্মা ইরাংলোনবু মমান্নবী কন্নাগা হেক য়েংনবদা মতোন্দদা তারবীদু কংলৈ মৈতৈ নিংথৌ নোংপোক চাখা

খোঙ্‌চোমপা। নিংথৌ য়োইরেন তোমপোকপানা য়িরাংলোনপু পোইরৈ চৎরা হায়মননাকে। রাংঙম হুরা তেমমননাকে হায়পাকীপু রাহমলকয়ে। তয়ম হাওপা থমলাং অতোনপা। রাংথৈ লৌরেমপম পিপারো। নঙখোয়পু লাউরো। য়িমান নিংথৌ ঙাঙৈ ই রুরা লাইচিংখু তেলহৈপাতা পাউমেললুরো। লাইরেল ঐতি। তুপি সাপিলৈ লাইরেল সানৌলৈম্বুং সাৎমননাতে। য়িমোম রাংঙমলে নম্বুং ফুয়মননাতে। লাংপন তৌত্রিকুম। য়িতোম মসাৎনৈয়ে হায়পাকী। তুপি কোলোয় য়িমিংথোনপু। নিংথৌ য়োইরেন তোমপোকপারো তৌনা কৌএ। পুরিকলাই মমোমলোনস্থুং। মতুনিংথৌ যিরাং পুরিকলাইচামাপু পোকমননাতে। মসানৌ য়িরাংলোন। কেকে নিংথৌ অঙনপা চহুসিংপু ফুয়মননাতে হায়পাকী কোলোয় মমিংথোনপু। লৈমা য়োইরেন তোমপোকপীরো কৌএ হায়এ। লাইরেন ঐকা মিংমাননৈএ। পোচরৈ অথাপপা। রাংঙম অতামপানে হায়কুনো। নমোম যিরাংলোনপু। পোইবৈ চৎরা হায়মননা। রাংঙম হুরা তেমমননাকে হাংরকএ হায়না পাউমেললুরো। সানৌ য়িরাংলোন

খোঙজোম্বা য়োইরেন তোমপোকপা (অতোল য়োইরেনবা) কৌবনা পোইরে মৈতৈ লমদা মৈতৈ লৈমা ওইহনা নৈবাক ঙাকমিন্নগে হায়বগীদমক ঐগী নিঙযিরবা খুদোপ অসি পীখনবা হে হাওবমচা থমলাং অতোনবা, রাংথৈ লৌরেম্বম পিবা নখোয়বু লাউও। মাম্মা ওইবা মোইরাং নিংথৌ ঙাঙৌই বুরা লাইচিংখু তেলহৈবগী মফমদা রারম থরা হায়রু। মৈতৈ নিংথৌ ওইবা ঐহাক্তি ইয়াম্বা পোকপিন্নবা ইনাউ পোকমিন্নবসু অমত্তা লৈতে। ইচানুপী রাংঙমলোনসুং পোকচদে। লাংবন তৌদ্রিগুম ইতোম্নতা পোবই হায়বগী ঐগী ইমিংসু নিংথৌ য়োইরেন তোমপোকপা হায়না কৌই। মোইরাং নিংথৌ ওইবা নহাক্কী নজা ইবেম্মসু নচা নুপী মৌপা ওইবসু অমত্তা পোকমন্নদে। অদুগা ইরাংলোন ওইবী মচেম অহনবী শিংসু পোকমিন্নদে হায়বদগী কোলোয় মমিংলেনবু লৈমা য়োইরেন তোমপোকপী হায়না কৌই হায়এ। কংলৈ নিংথৌ ওইবা ঐহাকা মিংমামৈএ। অদুনা কংলৈ লমসিবু লাপই-থাপই হায়না হায়গনু। নমোম ইবেম্মা ইরাংলোন অসিবু কংলৈ মৈতৈ লমদা মৈতৈলৈমা ওইহনা নিংথৌ ঐগা নৈবাক ঙাকমিন্নগে হায়না হায়রু।

লৈমা য়োইবেন তোমপোকপীডাপুং। লম্বু মেনোং যিখুতোন। লাইরা পরিং লৌপা। লোকলৌ ভচি সাপা অসিপু। লোননা লময়োকনরুরো হায়না থৌসাথিএ তাযতাপাবা। যিরাং পুরিকলাই। নয়ু ভাংডোই নিংথৌ। পুরিকলাই চ'খু তেলহৈপানা। মমোম লৈমা য়োইবেন তোমপোকপীপু। পোইবৈ অথাপপাতা। কাওচানবোইয়ে হাষপাকী। কেকে লরাই লৌত উথোং। তাউথে ং লৌবেনপাতা। সঙলেন তরনা সানা। মতোম সংসাননা। সানথৃপথিএ। অতুনোংকিপু লৈমা নমসা লৌ রা তৌনা কৌএ। মৈতিংঙু মতাইলেম হাওপা। থমলাং অকোনপা। বাংখৈ লৌবেনপা পিপানা। নয়ু নিংথৌ সনা মখোঙ-খাতা। মানপী খুতপ নানা। মুকমু লৈতোন কেননা রাকৎচথিএ। কেকে লংম পা। ভাংডোই পোংলেন হনপারো। য়িপুংঙ তাউরো। কেকে নঙকী নমাকলৌবেন। লাইবেন মৈতিঙু। নিংথৌ যোইবেন তমপোকপানা থৌসাথকাযে। নমম লৈমা যোইবেন তামপোকপীপু। লাই লল ঐকা মিংমাননৈএ। পোইবৈ অথাপপা। রাংঙম অতামপানে

অদুগা নিংথৌ ঐগা খুদোল ওইবা নিঙথিরবা খ দোপ অসিসু ইরাংলোন্দ্রগী মফমদা লোননা পীরমউ হায়না চংহনখ্রে। মনাই অনীনা মোইরাং লৈবাক য়োরবদা মোইবাং নিংথৌ পুরিকলাই চীংখু লেলহৈপানা মচা ইবেম্মা য়োইরেন তোমপোক-পীবু কংলৈ অথাপ্পা মৈতৈ লৈবাক অরাপ্পা মফমদা থাজ য়োঞ্জ তৌরোই হায়বগী-দমক মোইরাং লমদম মনুংচনবা তাউথোং লমদমগী লৌবুক ময়াইদা নিঙথিবা শঙ অমা শাবগা মতোমতা থমহনা লোংহনখি। কোরৌ নুমিৎ অদুদগী মফম অদুবু লৈমা নমসাংলৌ হায়না মিংথোন্নখি। মৈদিংঙুগী মনাই হাওবা খম্লাং অতোনবনা বাংখৈ লৌরেনবা পিবাগা অনীনা মোইরাং নিংথৌগা সনা মখোঙখাদা খুরু খুদক শনশানা মকোক নোঞ্জরংনা অংপ্পা রাহৈনা য়াম্না নোঞ্জনা হঙ্গচ্ছখি। কেগে লয়মাবা মোইরাং নিংথৌ পোংলেন হনবা ইবুংঙো ভাবিয়ু। মোইরাং নিংথৌ নহাকী মাক-লৌরেন ওইবা মৈতৈ নিংথৌ য়োইরেন তোমপোকপানা ঐখোয়বু নিংথৌনাত্তা থারকনি। নমোম ইবেম্মা য়োইরেন তোমপোকপী নিঙথিবী অসিবু নিংথৌ ঐগী ইমিংগা মিংমান্নে। অদুগা কংলৈ পুংগী কোনুংগী লমদম অসিবু লাপই থাপইসু

হায়কুনো। পোইরৈ চৎৱা হায়মননা। ৱাংঙম হুৱা তেমমননাকে হায়-ৱকয়ে। হায়না ৱাকৎচৱপাতা। কেকে য়িৱাং পুরিকলাই। ঙাঙোই চীংখু তেলহৈপানা পাউখুমলকএ। মৈতিংঙু মতাইলেনসিংরো। ঐতি য়িমোম য়িৱাংলোনসুং ফুয়তে। লৈমা যোইরেন তোমপোকপী কৌপী-সুং। পুমনা লৈতে হায়না পাউখুমঙাএলাপারাকী খিংলৌ নিঙনা তেরংপতা। মৈতিংঙু মতাইলেমসিংনা। কেকে সিঙচা রাইকোইপা। মোইরাং য়েনলাং থৌচৎপাসিংতা। লোননা লোননা পাউহংপাপু। লৈমা য়োইরেন তোমপোকপীতি। কেকে লোৱাই লৌতাউথোং। মোই-রাং তাউথোং লৌরেনপাতা। সঙলেন তয়না সানা। লোননা সান-থ্পলিপানে। হায়পা পাউতাকখোনকা। হাওপা খমলাং অতোনপা। ৱাংথৈ লৌরেনপা পিপানা। তাঙচা খোংখুল লাখিবাপাকা। য়িৱাং-লোন লৈমা য়োইরেন তোমপোকপীতা। লাইরেন মৈতিংঙুকী। কোলোয় মপাউমেনপু খাকতানা। লাইরা পরিং লৌপা। লোকলৌ তচি সাপাপু কৎনা ৱাহমলপাতা। লৈমা য়োইরেন তোমপোকপীনা পাউনেললকয়ে। মৈতিংঙু মতাইলেমসিংরা। লাইরেল কোলোয় মতিনমেন তসিপু।

হায়বিগনু। নমোম ইবেম্মা অসিগা ঐগা সা কোনুং অসিদা ঐখোয় অনীনা নিংথৌ লৈমা ওইদুনা লৈবাক ঙাকমিন্নগে হায়জরকই হায়না হঙংলবদা মোইরাং নিংথৌ পুরিক্লাই চীংখু তেলহৈবনা খুম্লকখি। হে মৈতৈ নিংথৌপী মনাই অচানবশিংও। ঐদি ইচানুপী ইরাংলোন অমতসু পোকচদে হায়না খুম্লকপদগী মৈতৈ নিংথৌ মনাইশিংনা হন্নকপদা মোইরাংগী শাং য়েন খিবা য়েনশাং নাপী খিবা অচাং নুপ দা লোন্না হংবদা লৈমা য়োইরেন তোমপোকপীদি তাউথোং লমদমগী লৌচুক ময়ায়দা শঙ অমা থুনা শারদুনা থয়দুনা লোৎসিবনি। অসিগুম্বা পাউ অসি তাবদগী মৈতৈ নিংথৌ মনাইশিং হাওবা খম্লাং অতোনবগা ৱাংথৈ লৌরেম্বম পিবাগা অনীমক্কা মোইরাং নিংথৌগী মচা ইবেম্মগী লৈফম খোঙ্গুল লীরুবগা লৈমা য়োইরেন তোম-পোকপীগী মফমদা মৈদিংঙু য়োইরেন তোমপোকপনা হায়রকপা ৱারম পুম্নমক অমত্তা চিখদনা তমলুরে অদুগা মৈদিংঙুনা খুদোল পীরকপা নিঙথিবা খুদোপ অদু পীরদুনা পাউ অসি হায়রবদা লৈমা য়োইরেন তোমপোকপীনা হায়রবখি। মৈতৈ নিংথৌ মনাই অচানবা অনীমক। লাইরেন মৈদিংঙুনা হায়বিরকপা মমাথং অসি

হুংসি পুকনিং চঙলুপাকী। পোইরৈ মপুংয়াযত্তা য়াংকোইকে হায়না নিঙচাপাপু। য়িপল পনখৌ নিংথৌ ঙাংঙোই লয়মাপনা। পোইরৈ অথাপপা। রা ঙম অতামপানরাইকী। মমোম ঐপু লৌরাই সংত্রেং-লমকী। সঙ্গায় অসিত্ত্ব সানথ পহলযে। তৌযিকুম লাইরেল যিনেমমচা। মৈত্তিংঙু নোংপোক চাখা খোঙচোমপাতা পাউমেননাপিরুরো। নযিম পোইরৈ মপুংয়াযতা রায়পুংলুবাপাকা। লহান য়িঙু লাইকুম লাযবকানি। যিঙু তাইপি তমপী লাযপাকুন লাযবকনি। লমলেন মত্তাইমা। চী খোঙ স্বুনপা কেকে স্বুপানিলমকী। কাসান সনকংলমতা ভোকমূকুম যিমসঙ-লৈএ। তাউপাকুম যিমলৈনৈএ। সাপী যাংপোই চঙপিতে। হাওবৈমা য়িয়াং থাংপিতে। লমপান ফৈ চক তমসিতে হায়না পাউমেনপিকরো। তৌয়িকুম য়িপাম কেকে চাউপা পুংতি। পোইবৈ লোংতাম মনুংরোই-বকলাপাকী। থংপি তৌচেনকে হায়এ। লাইরেন মৈত্তিংঙু পু চয়েল

তাবদা নুজা ওইবী ঐহাকী পুবনিং অসিবু নুংশি নুংওন্নখরে। অহবু পোইরৈ সনাপু দবু চৎলসিরা নিঙববু পঙ্গো ইপা অপোকপা ঙাঙোই লৈমাবা পুরিক্লাইনা মৈতৈ লমদম অখাপ্পা রাংঙম অরাপ্পা লমি হায়হনা পিনিংদবদগী নুজা ঐবু অশংবা নাপী শী বি মরক অসিদা য়ুম শাহনা লোওনা থম্বিরিয়ে। অহমকপু লাইরেল ইনেম্মচা মৈদিংঙু নোংপোক চাখা খোঙজোম্বদা অসুম হায়না পাউদম্বিক। হোরেল কংলৈ-পুং হেক য়োরগদি ঐবু থায়নডৈনা ইমানা পোকপদা য়াউরকপা নাউফম লংথোক-পগুম করিসু কান্নদে খনবিহনা লায়খোকপিগনি। অহনা লমদম অসিদি অরাংবা চীংদগী চেম্বুরকপা ঈশিংগা শকক্লা পাক্লা শন্না লৈরবা তৌ লাংনা থল্লবা নারক মোংশোং মরক্তা তোকমূ মৈশাংবনা মম্বিম মকোল ওইহনা লৈবঙম শঙ মচা অসিদা ঐদি লমদম অসিবু শঙহনা লৈরিয়ে। তাউবা হুইনা তাইবং মীগী য়ুম শঙহনা লৈবঙম লৈরি। কনাগুম্বা নিপা ওইবা ইবুং ইপা কনামগুম্ব চঙবি-য়েংবিরদে। হাওরৈমাসিংনা শাবা ফি মতেক অমফাওবা পীবিরদে। লম অসি শঙহনা লৈবগী লমগী মমল ফংবা হোনবা লমবাল ফৌসু পীবিবা নত্তে হায়না পাউদবিরু, অহুম ওইনমকপু ইপাম মোইরাং লৈবাক্কী মীশিংনা মকুম মথা ওইরকপগা হোৌবা ই-লাং ফানবা তৌগে হায়রবনি। অহনা লাইরেল মৈদিংঙন্দা নুজা ইনাক মৌনা হুরল

লানতাবকরো হায়রুরো হায়না। কেকে কনা সানতাকতা। মোইরাং কনা সানকাঙতানা। লোননা হুয়েল লানপাউ চেল্লকলাপারাকী। নিংথৌ যোইবেন তোমপোকপাতি হুযেল লানতারকলে। থুমচম থূংলংলোই। খোইনাইচম সনপাংলোই। মোইরাং রুত্তোইচম যাখংলোই। পাখং থাঙকোক চোমপুললোই। খুবা তৌচেং ফামহাইলোইসিংনা। থংপি তৌচেননাবাপাঙা। মৈতিংঙু নোংপোক চাখা খোঙচোমপা নিংথৌ য়োইবেন তোমপোকপানা। থংপি তৌযান মাংতা হুযেল লানতারে। কেকে থূংলং চীংচাপী। মোইবাং সনপোং হনচাপী। পোকপী মাচন থিংকুম্বু। অবাই মোংপা চন্থু। যাংপী মাচন লৈরোংতাউপী। হুই-চিল্লককী হুইয়ালোই। থপাথোং লানমিংনাইপাপু কাযনা হুললাপাতা। লাইরেল মৈতিংঙুনা কেকে নমু মীপুমমাকা থুমু নোবোঙমাকা পানা থীপাপু। থূমু নৌবোঙমানা গোইবাপাকী। মৈতিংঙু নোংপোক চাথা খোঙচোমপানা। খোযমা নাবোনংতা হুযেল লানথিখিপাপু করোং যিম-লেনপা সেকক্র'বকচা। লেনা অতোনপা। নৈন ফিপানলাই। থমু

লান্দাবিবরও হাযনা হাপবিক হাযতুনা কেগে কনা খংচন্দা মোইবাং কনাংসু তাইন্দনা অবোনবা পাঙ অসি চেল্লক্রবদা মৈদিংঙুদা রাবন চিখদনা পাঙদম্ববদগী মৈদিংঙু যোইবেন তোমপোকপনা হুযেল লান্দায়রে। থংলং চংনবশিং শংপোং খংলঙ ওইবশিং থুমুজম তমদি খোইনাইজম বাঙবু অমদি উ যানবা পাখংশিংনা মথংত্তা থাংজো পাযত্নুনা ই লাং চো হাইদংলগা নুপী নাহাশিংনা মপুল পুন্দুনা মযুম মযূমদা পুখংননবা তৌনবক্রবদা মৈদিংঙু নোংপোক চাখা খোংজোম্বা য়োই-রেন তোমপোকপনা ময়ামতুগী মাঙ থানা চঙশিল্লক্রে। বেগে মোইরাং লমগী খংলং চংপী মংকাক ওইবী মীয়ামগী লুচিংবী হঞ্জবী থিঙ্জাম্বগী মশূ অয়াই মোংবা চনু য়াম্বী মচল লৈরোংতাউপীনচিংনা ই লাং ফাল্লিবা ময়ামগী মরক্তগী মতিক মথৌনা লৈবা থবাথোং কৌবনচিংবা পূম্নমকপু মৈদিংঙুনা হুয়েল মায়খিবা পীরবদা মৈদিংঙুনা কেগেগী মীকোক অমগা মানা মানা পায়রকপা নোগা মশীং থীত্নুনা য়েংনরবদা নৌনা মশীং হেনবা মীনা য়াংপা মরমদগী মৈদিংঙু নোংপোক চাখা খোঙজোম্বনা লোম্না অশোঙবা নাপী শীংবীরক্তা কোয়থি থিখিবদা য়ুমলেম্বম সেকুরাচা অতোনবা কোবা চরৈ কি-হুনলোই ওইবা

নৌখোনলোই। রাকহৈ হিসাপানা। কমপোং নারোনঙ্গংতা সানথূপ-
পাপু তানফংলুবে। করে ঙ যিমলেনপা পিপা। লেবা অতোনপানা।
মানাপ খূতপনানা। মুকমু লৈতোল কোননা রাবৎচরকএ। হে লাইরেল
মৈতিঙু। নোংপোক চাখা খোঙচোমপারো। কেকে যিনিংথৌ।
ননান রূবা লাইচিংখূ। ঙাংঙাই চিংখূতেলহৈপানা। মমোম যোইরেন
তোমপোকপীপু। লাইরেল নংঙোনতা কাওচানাকে হাযপাকিপু। অরোং
অউন। কযক্রন সাকং সনসেন নাউবোই অপকমা ভমপাপু লোইবে।
মৈতিংঙু নঙতি। করিকী অম্বুপ গুযেল লানতা থুরকপানো। হায়না
রাকৎচ পাকী। লাইরেল মৈতিংঙুনা। লূবক কাঙতৈ থিপিতা।
খৌনাউ লানথোঙ লেনপিতাখিয়ে। করোং যিমলেনপা পিপা। সেকমু
নাউচা লেবা অতোনপাতি। তাঙচা মবৈতোননা। ববম লাইসেংখি-
পানো হানো সনমোইখিএ। অতুনোংকিপু। হাওসেং পনতোনযারো
তৌনা বোএ। হাওসে পনতোনযাপু নাতৈনানা। কেকে সোংলেন

হি শাবনা কমবো নানোবক্তা লোঙুনা সৈবঠ্ থেংনকরে। মৈদিংঙুবু উবদা
যুমলেম্বম পিবা ওইবা লেবা অকোনবনা খুক্ খুদক শনশারঠুনা য়াম্না নোঞ্জবা অতপ্পা
রাহৈনা মকেক মকেক ওইবা খোঙ্গেল রাহনা হঙ্গচ্চরবখি। হে লাইরেল মৈদিংঙু
নোংপোক চাখা খোঙজোম্বা ইবুংঙো ঠাবিয়ু। কেগে মোঙবা নিংথৌ ওইবা নকু
ইবুংঙো উরা লাইজিংখু ঙাঙোই চিংখু তেলহৈবনদি মমোম ইবেম্মা য়োইরেন তোম-
পোকপীবু মৈদিঙু নঙগী নফমদা থাজ য়োঞ্জরগদবনি হায়বগীদমক অৎং অউনগী
পোৎলম কয়ক্রনবা শাকংবা শনশেন শনচাক অমদি অঙাং নাউরোইবিগদবা লোয়-
নবা য়াবা পুম্নমকপু থোরাং তোবা লোইরে। অহগা মৈদিংঙু নহাক্তদি করিগী
অসুক থুনা য়াচনা লান্দাবিরক্লবনো হায়না হঙ্গচ্ছরবা অহুদা মৈদিংঙুনা যুমলেম্ববু
মকোক থুগাইবিদনা মঙক কবপিদনা মথরাই কনবিখিয়ে। অসিগুম্বা মওং অসিদা
করোং যুমলেম্বা পিবা লেরা অতোনবা অসিদি মতৌ কন্নম্নবু মরৈ লৈতোন থৎনা
অসুক শিংনা মৎরাই হিংহৌবনোকো হায়না শোন্নখি। বোরো নুমিৎ অতুদগী
লমদম অহবু হাওশেং পন্দোলয়া হায়না থোন্নখি। অসিগুম্বা হাওসেং পন্দোলয়া
অসিগা থ নবদা মোইরাংগী সোংলেন

অথৌপাকা। অতোন য়াইথিং অয়মপাকা চায়না খোংকেননাইঙেতা। কেকে সোংলেন অথৌপানা। নোংয়াই তাংসকতা। অতোন মীথাতারাপাকী অতোন রাকয়ৈ মাথূনেৎতা। সম্মু খোঙনা হাননা চোংসিনখিরাপাকী। সমূ মথূতোনপু লয়না তারুইএ। অতুনোংকিপু খুরোইপা য়িতমপাল। মানলৈ হানচিনকোনরো তৌনা কৌএ। কেকে সোংলেন অথৌপাপু। অতোন য়াইথিং অয়মপানা। লীরী থংমোইতিং। লকা তেনমৈ লাকনা। রায়রা তেনরাইরকলপাকী। কেকে সোংলেন অথৌপাপু। রনপি থনুং থীংনা। রায়রা তেনপাললপাকী। লাইনা য়িপাকথকতা তানা নোংমললে হায়তাপারা। অতুনোংকিপু য়াইথিং কাপনালম। সোংলেন পানপাইরাই। নানপা চূঙসেনকোন। সোঙলেন পানখোকপোকপী য়িহারো তৌনা কৌএ। সোংলেন পানখোকপোকপু নাতৈনানা। থৌপাল নিংথৌ চহু। লোকলৌ লুমায়চুম সাফাপী। লৈমা নিংথৌ তরেংপী। লেমলৈ ঙাতাকোনপু ঙমলোননানা। ময়িম নোংয়াই মনিন নাইপা। অতোন তানা তাপা পুমনামানা। কেকে থারা

অথৌবগী খুমনগী য়াইথিং অয়বগী চায়না খোংফেন হা-নখিবা মতমদা সোংলেন অথৌবনা খুমনসিবু য়াম্না উশিং থৌওইদনা মীনি হায়না মীথানবা লৈতবদগী খুমন য়াইথিংবগী হিথক্তা চোংশিনখি অহুদা মখোঙ খুদোললনা লয়না তারুরে। নুমিৎ অসিদগী মফম অহুবু খুরোইপা য়িতমপাল মানলৈ হনচিনকোন হায়না থোম্লখি। কেপে সোংলেন অথৌববু খুমন য়াইথিং অয়বনা মাগী লীরুং তেন পায়হনা তেনগী তেনমৈনা থম্মোয় মপা য়োনা চিংহনা তেনমৈ চপ্লগা অকনবা তেনকাপ ওইনা কাপলকপদগী কেপে অথৌবা সোংলেন কৌবগী থম্মোয় থজিন থম্না তেম্না পানখিবদগী সোংলেন অথৌবদি ঈশিং ঈপাকথক্তা তাহনা মথরাই মাঙখ্রে। কোরৌ নোংজা অহুদগী মফম অহুবু য়াইথিং কাপ্পলম সোংলেন পানপাইয়াই নানবা চুঙসেনকোন সোঙলেন পানখোকপোকপী য়িহালম হায়না কৌনখি। ঙসিগুম্বা সোংলেন পানখোকপোক্তা ঙমথংনবদা লৈবা থৌবাল নিংথৌগী মচা মমোম নিঙথিরবী লুমায় চুম্বী সাফবীনা লেমলৈ ঙা ফানফম ওইবা পাংকা তাইনবা লমদমনা মতিক মথৌনা লৈরবা খুমন অকনবা পুম্নমক্তা কেপেগী থরা

লায়রাশা মচীংচিন। নোংথৈ মঙাং হাউ:রাইগনা। মসনপুংপু লারেং লৈপা খামলোচীং। ফৌরুকথোং স.কং পরে চীং। থাংগা লোংলেন-থোং। তিমেন তাম্নাইচাং। অতোন সোইপাই তাইপংচামপা মরমথৈ। কারাং চীংতোনপোকতা। নোংয়াই থনকাকে অতোন থৈনতমকে হায়-পাকী। নোংযাই খুমন নিংথৌ। অতোন পুনসিপানা। মডাইলেম অথৌলিচা হেপপা। অতোন থয়াঙ কোনতাই লেনপা পুমনা হুপনা। রাকয়ৈ হিয়ামহোন। তোংচেং মরাঙ হৌনা। মরান থৌচৎলকপাপু। কেকে সিঙচা রাইকোইপা। মোইরাং য়েনলাং থৌচৎপসিংনা। মিৎয়েং সানখৈরাপাকী। নয়ু কেকে লয়মাপা। ভাংচোই পোংলেন হনপাতা। মানপী খুতপনা। মুকমু লৈতোন কোননা। খুংফাং চাংচৌ চেপনা লোননা রাকংচথিএ। কেকে য়িনিংথৌ। ভাংভোই লংমাপা িপুঙ তাউরো। নোংয়াই মনিননাইপা খুমন তানা তাপানা। নোংয়াই থৈন-তমকে। কারাং থেনকাকে হায়পাকী রাকয়ৈ খোঙরোইনা। খুমু পানলোইনানা। তোংচেং মরাং হৌনা। মরান থৌচৎলকয়ে হায়না

লায়রবগী চীংজিন ওইবলম মঙাং হাওগী মশনশিংনা তুম্বক তুম্বক লৈবগুম অমদি ফৌ মুথোং পুবীশিংনা পরেং শানা চৎপা মানবা চীং থাঙ্গগী লোং খোনবীশিংনা মকোক্তা লোং উপতুনা লৈনবা মওং মানবা চীং সোইপাই তাইবংজাগনা কারাং চীংদোম্দা টা মুতুনা মাগী মরমদাগ্নি হায়না খোপ্লবা লমদা খুমন নোংয়াই অকনব-শিংগী খুতুম চনবা লম ওইগে হায়তুনা খুমন নিংথৌ অদোন পুনশিবনা মনাই অচানবা অকন অথৌ চায়োক নাউয়োক ফবা মপা মপুগী মঙণ ভাক্লা চৎপা অকনবা লাম্মী কয়াগা লোয়ননা রাকয়ৈ হিয়ামদা তোংলগা হিতু হোল্লকুনা লমদম অসি য়োনা লাকপদা মোইরাং চনু শীংথিবী য়েনশাং মনা মশীং হেকপীশিংনা উয়রুতুনা কেগে মোইরাং নিংথৌগী নাক তানা চেল্লরুগা খুরু খুদক শনশানা খুরুম-জতুনা হয়চ্চখি। হে ইনিংথৌ ভাঙোই লৈবাক মপু! ইবুংঙো তাবিয়ু। খুমন লমকেৎপা নোংয়াই শাগৈদনা খুন্দাবা খুমন মচা ময়াম্না হি তোংলতুনা মখুত্তা নৌ পান্নরগা ঐথোয়গী মোইরাং লমদম অসিবু মখুৎ চল্লগে মখা পোলহল্লগে হায়তুনা উপশিল্লকে হায়না রাকংখি।

রাকংখোনকী। নয়ু নিংথৌ ঙাংঙোই পোংলেন হনপাতি। মপল পনথৌ নিংথৌ য়িরাং পুনিকলাই। সাংত্তোন লৈনাউতাপাপু। ময়িম নোংয়াই মনিননাইপানা। থিংলৌ পনচননোংকিপু। রুনপি কাচকহৌ। পূকনিং মৈগাক থোইনা। পনথৌ মংসক খূংকুমকে। চেঙপুম মনৌত্তোন। লাংপন অরোলল্লবকুমপাপু লনসিংকে হাংনা ঙাইথমলিপানিকিনা। মতাইলেম কেকে লৈপাক কোইপা পূমনামাতা রাইমলকয়ে। থিতাইলেম কেকে খুনফাংথৌ। মোইবাং লইফংথৌ। অথৌ লচা হেপপা। ঙাঙোই থয়াঙ কোনতাইলোনপা। পানপা কৈসকপা। কৈরেন তেংথানপাসিংবো। মহিম নোংয়াই মনিন নাইপানা। কেকে থিবমথে। মোইরাং চাংত্তোনপোবতা। কতোপা নাযাই থেনকারপানো। লইনোং পনথৌ পুরিকলাই। ঙাঙোই লয়কায় ফমপানা। নোংয়াই লানকা মাঙথিনোংকিপু রাকংচাথিএ। লৈবাই পুচারুক। লাংপল অরোললুক। সেনপী থাপো তাংপোং লৌথিপা যৈনারুক। থেংনাং ময়াং মায়তেবপা মননারুকতা। থাহ্রিন লূককা লেম। লোইমাম

অসিগুম্বা রাকংখোন অসি শাবদা ঙাঙোই লয়মাবা পুবিরাইনা মপল (মপা) নিংথৌ পুরিক্লাই শাংদোন লৈনাউশাবগু তাংথিবগী (খুদুম চংথিবগী) শাউরদুনা মপাবুংগী লম্মন শিংগে লম্মন শিংগে লাংবল থাদা অনৌবা থো লোয়রগা শিনবা অংগুম্বা লম্মন শিংগে হায়না হাইদুনা লৈরম্বগা মপা চানবননিনা মনাই অচানবা লৈবাকী থৌ পুরিবা অঙম অথৌ পূম্নমক্তা তায়রকখি। হে ইদাইরেম লৈবাকী ফম্নাইবা মোইবাং লুচিংবশিং! ইপা ইপু হাঙক্কগী হৌনা ইপা ইপুগী মগুণ ছাক্লা অমদি মচা মনাওশিংগীদমক থরাই থাদোকপদা পাম্মুবা নৈএবা পানবা কৈরেন অথৌবগুম্বী হায়না অয়াম্বনা শিংথানরবশিংও! নোংয়াই খুমন লমবেং লমহাইবশিংনা কেগে ঐথোয়গী ইরমদমগী মোইবাং চাংদোমপোক অদিদা বরিগীদমক থেন কারক্লবনো! থায়না ইপা পুরিকলাই ঙাঙোই লয়কোয় ফম্বনা নোংয়াই মথোয়গী মখুৎ চল্লহনা থরাই মাঙথিবগী রাকম লৈখি। অদুনা কৈরোয় লৈকাইগী মীনা পূখিবা ফৌ-চেংবু লাংবল কারক্লবা মতমদা তোঙনা চাউনা হেন্না পূরুবা ফৌ চেঙ অহ

পাকনা চোননা। লনসিংপাত্তুকুমপাপু লনসিংসে। হায়না পাউমেললা-পাকা। লানপোৎ লয়নাসেৎ। সাংভিং লানলৈথেম। কুমচিং লোন-হুকনানা। লোনখাঙ মঙাননাই। সনম কুপতুম কুপনা। মত্তাইলেম অথৌলিচা হেপপা পুমনামাকা। রাকয়ে খেঙরোইনানা। খুমু পালোই-নানা। হুয়েল লানতারকলে। নোংয়াই মনিন নাইপা। অতোন তানা ভাপা পুমনামাকা। সে ংলেন পানখোকপোকত্তা। হুয়েল লানসোকনারে হাংতাপারা। কেকে রায়রা মতেনচাপু। নোংয়াই অথৌলিচা হেপপা। থখাঙ কোনতাই লোনপা পুমনামাম্বুং। খোয়মা মায়লৈতা। য়ামচেং মনম মুকভা। কেকে মায়য়োকনা নোংয়াই রায়রা মত্তেনপাপু। নোংলেন মরাঙ হৌকুম সোকনাখিয়ে। তিমেন নমহুননানা। থাঙলেন লাময়ান-নান্না। সংেঙ পানপু তিং। সমু খোঙপু থীন। তনপা য়ারেন খোং-খৈচৌক। নোংযাই লয়নতা। কেকে হননাভানা। পানপা কৈথৌ থিংনা। সারেন সামুননাপাকুম। হুয়েল লানসোকনারাপাকী। মনোং-যাইনা চৈচেনয়ামলাপাতা। কেকে থিংলোয়াযতা হললাপাতা। কেকে

শিংনবগুম্না হেন্না হেন্না লম্মন শিংসি অসুম্না হায়নরহুনা খদক্তা লানগী লানকি ফিজেৎ তন্না শেংন-ইন্নরহুনা অমুবা কুমজিংবা ফিনা মশাদা শেৎ অশাংবা ফিনা য়েৎ-লগা নজলদা ফিরোল নাইনা অমুক কুপতুনা অকল অথৌ পুম্মকা লোয়ননা হি ভোংহুনা মথংৎ মথক্তা নৌ পায়রগা হুয়েল লান্দারকখি। অসুম্না খুমন মতিক লৈবা লমহ ইবশিংগা সোংলেন পানখোকপোক্তা অকনবা লান শোক্লখি। মোইরাং লাম্মী শিংনা কাপখিবা তেন্না কুংনা কাপগ্রবমু খুমন লাম্মীশিংনা কিবা লৈতনা মমাম্ন লৈবা লৈখিদ্রে। লাননিং হনগে খনবা তোদনা মোইরাংগা কন্না মায়য়োক্লরবহুদা খুমনশিংদা কাপখিবা তেন্দি নোং চুবগুম কাপখি। অহুগা টাসু নমহুন-নমহুন হুনখি অমসুং নকশিন্নবদা থাওনা লামনা-লামনা য়ান্নখিহুনা শয়েঙ তিং পানবোম তিং মখোঙ মখোঙ খীন্নহুনা ময়া ক্রক ক্রক চীক্লা কন্না শোক্লবা লানকমদা খুমন্নসু মমান্ন লম্নদা মোইরাংনসু হনবা নাইদনা শোক্লবদি পানবা কৈজাউ অনীনা মচিঙাক ওইবা লা অমবু মুন্নবগুম শোক্লরকপদা খুমনগী চৈথানা হেনখিবদগী মোইরাং লাম্মীশিংনা পননিং হনগ্রগা মোইরাং লাম্মী মন্নাম অহুনা

অমরক মরাঙ হো। ঙাঙে'ই মথিনাই। য়াকৈয়ে হিযাম হোননা। লেমলৈ ঙায়িন য়ীনকুম য়ীনসিলহক লাপাকী। নোংয়াই মনিংথৌনচিংনা। অত্তোন থয়াঙ কোনতাই লোনপা পুমপাঙ্গং। কেকে মায়য়োক য়াঙমতারাপাকী। তুরেল রাইথুপিচাতুকুমপাপু। নিংনা তেনা। থোঙ্গমা মায়রোললাপাকী। কেকে মোইরাং নিংথৌ। ঙাংঙোই লযমাপা। সোংলেন লানথাপাতি। পুরিকলাই মাখিনাই। যিরাং মথাঙ হৌনা। নেংয়াই তুংয়িনতান রাকৈয়ে হিমৈ রাইনা। হিনাউ কোইংেনথককী। খুমু নোচাউ সুপা। খুমন কাকপা অথৌপাপু। পুরিকলাই থাঙলেন মাখুৎসুনা লাইচা য়িতা তানা য়ানথুরে হায়তাপারা। অতুনোংকিপু থোঙ্গাপা। খুমন কাকপা অথৌ পাপু কায়না হুনপা। মপল পনথৌ নিংথৌ। য়িরাং পুরিকলাই। ঙাঙোই লম্নকোযফমপা। কেক পোংলেন হনপানা। নেংয়াই লানকা মাঙহনোংকিপু। মংসক খুৎখুমতাননা। নোংয়াই মীয়াম সিনা। খুমন লানয়াম থাপা। পুরিলকাই সোংলেন লানথাপারো তৌনা কোএ। নয়ু নিংথৌ সোংলেন লানথাপা। থয়াঙ মথৌমল। চুঙসেন মরান রোনতি

অমুক মরাঙ হোনা ঙাঙোই লান্মীশিংনা অমুক মথি ফোংনা রাকৈয়ে হিযাম হোনজিল্লক্তনা ঈশিংপদা ঙানি তবপগী ঈনশিল্লকপা অহুগুম্না তকশিল্লক্লবদা খুমন নিংথৌনচিংবা নোংয়াই মতিক মথৌনা লৈবা লান্মী পুম্বমু মোইরাং লান্মীশিংহুগা মায়য়োক্লবা ঙমদবদগী তুরেলদা লৈবা রাইথু মচাশিংনা মীনম তাবদা হন্দুনা চেঞ্জবগুম খুমনসু মমায় ওন্দুনা চেল্লবদা কেগে মোইরাং নিংথৌ পুরিক্লাই ঙাঙোই লৈবাক মপুনা কম্থি কঞ্জাউ থোকনা মোইরাং পুম্বা হৌদুনা খুমনশিংগী মতুংদা তান্নরক্লগা খুমনগী হি মমৈ কংনা হোল্লক্নুনা হিনাউথক্তা তোংবা নৌ অচৌবা নৌরেন পায়বা কাকপা কৌবা খুমনগী অথৌববু পুরিক্লাইগী সনা বংগু থাঙলেম্না য়াম্বদুনা ঈশিং মথক্তা তাদুনা মথরাই মাঙহংখি। কোরৌ নুমিৎ অহুদগী খুমন কাকপা অথৌববু লানওব্বা হায়না মিঙ্গৌরগা মপাবুং মোইরাং নিংথৌ পুরিক্লাই পোংলেন হনবনা খুমন্দা মায়থিবা কংখিবগী লম্মন মংশক তানবা, খুমন মীয়াম হাংনা নোংয়াই লান্মী মরাম্বু লান্দা য়াম্বা, পুরিক্লাই সোংলেন লাম্বা হায়না মিঙ্গৌনখি। পুরিক্লাই সোংলেন লাম্বগী মতিক মথৌনাদি

অতুম্বুং মতোমক্তে। হাওরে নোংপোকলা পাংপালম। লমলেন ফেনচিকোপ। য়িকোপ লাইপনসোয়তা খৌসাপানে। মৈতিংঙু লোইনাই খুমোমপা। মমোম য়াংঙমলোন। চাখা খোঙচোমপী। সেকমু অরোংফাপীপু। সেনপী পোংনিংথৌ। মুংখোং লয়মাপানা। য়োইপু হৈনা মারুকন। পামেল য়ুরাই হকলপারাকী। য়াংঙমলোন চাখা খোঙচোমপী। সেকমু আরোংফাপীপু। লাংকোই সাগাংথকতা। লুরেন লুগাউ-পু। চেকলা তুফাং চিননা। মরান শুংহাঙ খোংখোঙলকপাতা। লমলেন মতাইমা। অরাং সাচেপ লৌমনলাংরো কৌপাতি কত্তোনোংগি না। মপল লিকলাপিচা। পায়মা য়ুনাকোইশুংকী। থোইতোম অহনপাকা। মানতোম অতোনপাকা। হোই বা সাননাপাতা। চকমোম থামপী মৈথেননাবে। সংগ্রিং মলুবেনপু ঙেতুম ঙৌনা চাবলে। অতুনোংকিপু লৈহৌরো ঙৌনা কৌএ। চক মান মাথনাইপা। খামপী মবাঙ হৌপাপু কনঙমতাপাপাকা। থুমনা চাকলে। থুমপীরো ঙেনা কৌএ। য়াওবৌ সাম্বুং পামেল য়ুকারোঙতা পোপাসনহমযে। সায়েপ রা কোপাপু।

অসিনসু লোইবা নাত্র। নোংপোক মায়কৈ পাংবলমদা লৈবা লমলেন ফেনচিকোপ ইকোপ লাইপনশোয়দসু হুয়েল লান্দাখি। মৈদিংঙু লোইনাই খুমোম্বা নিংথৌগী মচা ইবেম্মা য়াঙমলোন চাখা খোঙজোম্বী সেকমু অরোংফাবীবু কবোগী পোংনিংথৌ মুংখোং মুংয়াংগী মপুনা মতালোয় ওইনবা হৈজিং থরাই পুদুনা হায়ন শিঙনবা লোইরবদা মচা ইবেম্মা চাখা খোঙজোম্বী সেকমু অরোংফাবীবু লাঙ্গোই শগোল মথঙ্গা চোঙ সেকপিন খাঙ্গ্নন চেকলা অনী তোংগুম্মা লুহোং খোঙদোংহনা লাকপদা অরাং লমদা লৈবা সাজেপ লৌমনলাং কোবা মফম যৌরক্লে। সাজেপ লৌমনলাং কৌবদি কন্নিদগী কৌখিবনো হায়রবদি অচোম য়েঙ্কী মৌ লিক্লাবিচা নোংদংনুগী শিয়োমনুংদগী পোক্লবা খোইদোম অহনবগা মান্দোম অতোনবগা মচিন মনাও অনীনা হোইরো শায়বদা মফিদা মৈনা য়ায়হনা মবোক্কী বোকয়েং ইঙৌ ঙৌবা অদু তুম্মা চাকখি। অহগী নুমিত্তগ লৈহৌ হায়না কৌখি। অসুম্মা মৈচাক ফনা চাকপবু কনবা ওমখিদবদগী তুম্মা চাকখ্রে। থুমবী হায়না কৌখি। অহগা শাসু পামেল উগী কায়োংদা য়েপশিনখি। অদুদগী সায়েপ হায়না কৌনববু

পোইরৈতা ফাংথিপা। রাংঙম হায়গন তানপানা। সাচেপরো কৌএ। অরাং সাচেপ লোমনলাং। থুমপী লৈহৌচীংতা। রাংঙমলোন চাখা খোঙচোমপী। সেকমু অরোংফাপীনা। লাংকোই সায়াওথকতা। হাউনা তোনকা চিং। লীপোপ খাঙতপ-পায় মপাম পোইরৈ মৈতৈ পাংনা য়েংনা। সমু খোঙবু খীননা মীকপথিয়ে। লাইরেন য়িপা মৈতিংঙু। লোইনাই খুমোমপাক্লো নমোন ঐপু। থুবাই লমখাঙলান। রাংথৈ লমথাকেন। তুরেন খামপা লাননা কাওচানাকে হায়তে। সেনপী লোনথঃতাপা। কপো লোনতিননাতাপাপু করম য়াংকোইবো হায়পানো। নমোম ঐপু কোরো অসি হুমিংমানা। রাংঙম করম লৈনোরো হায়পানা। তাউপা মহুই-চাকুম করম লৈনাহনকে হায়পানা। তমকা যিমলৈমাপীনা। সনা সেন-পাককা করম লনরানোরো হায়পানো। খোংপান নারা তোরোংখোং। পুহুং নৌখমপানা। চানলে মতুং করম ফোরো হায়পানো। সনম পাকপা লৈ। লৈরাং সাপনলে কোমযঙ অযাংপাপু করম রোললো হায়পা-নোকো রোনথোকএ। লোপুক খোংচাইনা। সাপন লৈরিপু করম

মৈতৈ অশেবা কংলৈ শৈথাবশিংনা সাচেপ হায়না কৌনখি। অসিগুম্বা অরাং সাচেপ লোমনলাং থুমবী লৈহৌচীংদা মমোম চাখা খোঙজোখী সেকমু অরোংফাবীনা শগোল শায়াঙ মথক্তা হাউনাগী মতোল পায়না চিংলগা লীপোপ লীগী ময়ায় খাং-তপ পায়রত্না মখোঙ থীল্লগা কপচখি। হে লাইরেল মৈদিংঙু ইপা ইবুংঙো লোই-নাই খুমোম্বা কৌবও। নমোম ঐবু খুরাই পনথোঙ ওইবা লমবু লাল্লবসু রাংথৈ লম-দমগী খাদবু ওইরবসু নক্রগা ইম্ফাল তুরেল কৈনা চেনববু লাল্লগা ওইরবসু থরা নকপা লমদবু থাজবিগে হায়দে। মরোল ইরোল থঙনদবা তিম্নদবা লাপ্লবা কবোগী লমদবু করম্সু খুম পান্দ্রনা লৈক্লরো হায়রবনোকো। ঙসি কোরো নুমিং অসিদগী হৌনা করমবু লৈমিন্নো হায়বনো। তাউবা হুইনাউ মচাগুম করম্সু লৈমিন্নো হায়-বনো? হমগী হৌদোংবু সনা লুপাগা মমল তিক্লহনা লল্লোন্নো হায়বনো। খোংবান্দা হৌবা তোরোংখোংচাক অনৌবনা মমোল "কংবগুম্বা মনা কংলবা অসিবু করম্বা কোগে হায়বনো, সাবন্দা হৌগা সনম লৈনা রা পাবী ওইরো হায়বসিবু করমবু হায়-বনো ওল্লোকইদকো। পৌরক্তা হৌবা খোংজাই নাপীনা সাবনগী নিঙথিবা লৈরীবু

বোন[illegible]সপা[illegible]নোকো। হায়না মীকপপাপু মতাইলেম। লৈচোন অসৈপা [illegible] ড[illegible]। ছুইনিংস্সু[illegible]না তেনাল্[illegible]ক য। রাংডমলোন চাখা খোঙচোমপী। [illegible]সকম্ [illegible]রে' ফা[illegible]পী[illegible]বা। লা[illegible]কাই সা[illegible]যাঙথকতা। হৌনা তোনকাচিং। [illegible] পাদতা [illegible] পায়না মীকপলাকুনো। হয়েং সেনপী মপুংযাইতা। [illegible] সা[illegible] ন ম ম [illegible]যনা[illegible]বাপাতা। চৌংলন নোংলাউথি। মো'পা খূকপ [illegible] না [illegible]তা [illegible]সেনবী চন্নুবা। সনলাং পোপতেক লযপী। লূপা থাং-[illegible]কে [illegible] [illegible]হৌ[illegible]ইপীসিংনা। নপাল বা ঙমলোন হৌনা তোনকাচিং। [illegible]পথা তপ পায়না মীকপপী ম[illegible]নীনিকিনা। চাংলেন নো'লাউথি। [illegible] খুকপ [illegible]পাপু। চ[illegible]বংপি ত [illegible]যনা ঙাইনোকনাইদনে। লীপোপ [illegible] তপ [illegible] যনন[illegible]নো। হা[illegible]না বা'লেন মবাং তৌনা। অসৈ যৌচা কননা [illegible]তোন[illegible]। অ[illegible]নীপা [illegible] খুনমোমপানা মনচৎয়ে। রাংডমলোন চা[illegible] [illegible] ড [illegible]পী। সেকমু অ[illegible]বা' ফাপীতি। কয়াহৌ চেংখায়পুং। মোনথো [illegible]ইলম [illegible] চে[illegible]নী সনা পাবং সনবীক থানা মনচৎএ। সেনপী পোং

